কচ্চরি —

৺ললিতাদাসী

পলেমণী থুয়াথাদা

মুদ্রণ ঃ
সুচেতা প্রিন্টিং ৱার্কস
মোহনগংখাম, ইন্দাস।

মুংশি ঈচেল

[illegible]রম্বু হায়না হনসিগে।

[illegible]ানদি চয়োল খুদিংগী ইরকই। ঐনদি থবক চিঙবনা অমুক্তম্বু মতম চানা হনবা ঙমদে। মহাক্নসি থম্বা মাই—হন্নিংদহুনা ভোরিবনি। মসিমতুংদি চুমথোকহৌদবা য়াদে। অহুবু ঐবু অমুক্তম্বু ইদে, করম্বু হৌগদগে, করে, অম্বুমা হেক্তা হৌরগে।

শাউম্বুকো,

ঐদি করি কৌগদবনো, করম্মা হৌগদবনো হায়বা করি'মতা খঙদে। নহাক্কী চিঠি থুদিংমক মতম চানা ফংই, ঐনা থবক চিনবনা হনবা ঙমদবনি। ছাত্রগী পুন্সি হায়বসি নঙনা হেন্না খঙলিবহুমতায়, অহুগী মথক্তা ঐদি কলেজগী জেনেরেল সেক্রেটরি ওইরক্লবসিনা অমুকা হেন্না চিনথরে। জেনেরেল সেক্রেটরি ওইবগা প্রধান মন্ত্রি ওইবগসি থৌচিনবদ [illegible]ামলগী য়েন্নেক্ররবদি থোইনা থেন্নরম্মোই হায়না থম্বি। মসিগুম্বা [illegible] রানি, অহুগা ঐনা নঙগী চিঠি হন্দবগী মরম অমনা,—ঐ অরায়বনি, হায়খ্রবহুনি, মী ওইনবা হায়না হোংনথিবা চুপ্পী, অমুক হন্নিবা চিঠিসি, মতমগী মতুঙ ইন্না লাকনি। ঐনা হন্দক

লৌউনা হায়রকপা, 'হন্দক্কী চিঠিসি হায়ত্নবদি তুংগী পুন্সিগী লম্বী পুন্নমক করবে' হায়বহুদা মরম শেংদোকপগীদমক হন্নিবনি। হুংঙাইবা পাউ, অমনা, হন্দকী ঐখোয়গী কলেজ কাউণ্ডেসন ডে দা চিত্রাঙ্গদা ডান্স ড্রামা তৌগদৌরি, মতুদা ঐনা চিত্রাঙ্গদা অমুগা চিত্রালেখানা অর্জুন শাগ- দৌরি। নহাকসু য়েংশিন্নবদি হুংঙাইগনি হায়না থজি।

ঐহাক অতৈ খোষ্টদোকপা হায়রয়োই অমুম লোইশিন্নগে। ঐহোন্দা তোয়না চিঠি ইহুনা মতম মাঙহনগনু অদুগী শরুকপুদি নখোদা মায় ওনশিন্নুনা পুন্সি খৌদাং পাংথোক্কবা কন্না হোৎনৌ ঐস্থু হোৎনগে।

নহাক্কী—

রীনা দেবী

খ্বাই শগোলবন্দ

রীনা চিঠি ইবা লোইরক্লুনা থাউ মহুৎদা হাজিন্নগা হয়েং কলেজ কাব্বা থাদরমগে হায়না থমখরে। মথংদা চাক ভাইথা ওইনা লাইরিক ভাহাভাং পাগে হায়রক্লুনা লোজিক কাক্লোকই। রীনা-মা লোজিক য়াম্না পান্নী মরমদি উকিল ওইগে হায়বসি মহাক্কী অচেৎপা ব্রাখলনি। মণিপুরদা মুপীগী উকিল লৈত্তবনা মুপীগী কেশ য়াম্না কেল ওইরিবসি রীনা-মা য়াম্না হুংঙাইতে। লোজিক অমুম পাররম্বদগী ভসাই ডান্স ড্রামা মতেক অমত্তং ভাব্রকপদু থংনিং নিংশিংলকই,—চিত্রাঙ্গদাগা অর্জুনগা ভাব্রবগী মতাঙ খোৎনা নৌনা পুক্লিং হুব্রবা অভিনয়নি—মিৎ-য়েংনা মুংশি ইথৌ লাংবীনি; শাথেক্লা ভান্নু থজোংবু ঙমজবীনি,—ঐগী অভিনয় অদুবু মাজিব্রা মাজিরোইব্রা।

ভাব্রা অসিনা মপান্দগী থোঙদা তেক-তেক কাপ্পকই। রীনা-মা

ঐহী, খ্যাকপোই হংলকই,—কনানো ?

তা-নবাল-তা ?

অহোয়, মাগ্নি

করি হায়ে ?

চাক লোইরে লেওশিনবিবা য়ায়গদ্রি।

ইমাশিদি ?

লুক হাহৌরি।

অত্তুদি তা-থম্বাল ইমুঙদা চঙলকখো য়ারী শাখিসি। ইমাশিগা চানিন্নবা মুংঙাইত্তে।

থম্বাল ইমুঙদা চঙলকই খোঙজিম ময়াদা কম্বি, য়াম্না হজোইনা অমস্তুং কিথি-কিরুম তৌই। মত্তু উবদা রীনা-না মুংঙাইত্রহনা হায়রকই— তা-থম্বাল, কিদা'সিদা নিংথিনা কপ্পো লাউ, করিগীনো তাদনা মী থুংলবদৌনা খোঙজিন ময়াদা কম্লিবত্তবো। অমরোমদা তাদনা মুম অসিদা লৈরক্লিবসি চহী তরামুক শুরবনি ঐখোয়গী ইমুঙগী মীদৌনা লৈম্নিবনি করিগী হজোইগ্নিবনো ?

ইবেম্মা, হজোইদবা য়াদে, অজ্জা ইবেম্মগী য়াথংনি।

ইমাশিনা চঙঙহু হায়রম্বে ?

মত্তুমক্তি তাকপিদে অত্তুদা.........।

অত্তুদা হায়বদি........ ?

মুপা-মহা চঙবা খোংপা মুম্না য়েংউ হায়না তাকপি।

রীনা ইশি-ইশিনা নোক্লগা হায়রকই,— তা-থম্বাল ঐদি মুপা-মহাগা তিন্নদেদা কনামতা লাক্লোই। মত্তুগী য়াদি লায়মু লায়রিদা তাদনা ঐখোয়দা লৈরিসিবু মুংঙাইরিত্রা, ইমাশি'সিবু তিন্নবা মুংঙাইত্রা ? করি য়ানো ইবেম্মা দলাল মখোল অত্তুম অসিবু ঐনা কয়দা মপোক্না লৈবা কংগদগে। কা খুদিংগী বিজলি থাউমৈনা পুমঙাল, অত্তুদগী হেন্দোক্লুনা কোম্হোঙ কাওবা থাউমৈনা পুমঙাল ওাম্নবা ! ইবেম্মহোমগী ম্না সঙ্গাইসিদি হায়রগম্মু কৌগে অসি কাওবা ঐখোয়দি ইমানা পোকপদগী উজজ্রি। অত্তুগা ইমাশি'সি তিন্নবদা মীঙোম্নুদি খঙগে, ঐঙোন্দদি ওম্বোক্লা কখ্রে।

হেরা তা-থম্বালমা, কমন্দনা তৌবা ওইরিন্নিদা কম্না ?

মুমিং চুমগী মাংঙিগা শোকনিগা তৌহুনতা লৈরিবসিবু মুংঙাইব্রা ?

এ, করি য়ানো ইবেম্মা মীওইবা হায়বসিদি মৌরিয়াগী মনাইনিনে, য়েংঙো তা-থম্বাল হৌজিক্তিনে, গৌরিযা য়াম্না তৌবা, শাগৈ-জাং য়াম্না থায়বসে খুনম্নুং তাম্বনি।

খুনম্নুং নত্তেদা ইবেম্মা লৈমা শিজগী হৌনবীনি।

মহুনিনে, তা-থম্বাল, ঐনা খুনম্নুংনি হায়রিবসে করম্না ?

হৈমা হৌজিক্তি লৈমা শিজ অয়াম্বগী য়া লৈত্রবনে, মী খুদিংমক চপ মান্নবনি, মহৈ হৈবা হৈত্তবদা মতিকচাবা লেপ্পবনি।

করি য়ানোদা ইবেমমা ঐনবু ইহৈ হৈ হায়দুনা লৈম-শিজগী মথক কাহুনা কুম্বা য়াত্রা ?

তা-থম্বাল হৌজিক্তি মমাংঙৈগী মখোয়গী পিবা যমহু লৈত্রবনি অহুননে, ঐদি ইমাশিনা লৈরিবমখৈদি মাশী কাইদা থম্না য়েংহুনা চত্তবা য়াদে অহুগা মহাক্না হেক থুপথিবগা ঐদি মওং অমা তৌগদৌরিবনি। পাবুংনা থনম্বা লৌ ককাসে ঐদি করিম'মতা পামজদে, ঐগী চাবা ওক্লবা থমহৌ-রগা অতৈদি লোইনা পীথোকখিগনি।

হায়রিবসিবু য়োম্থোকখিবরা নত্রগা পীথোকখিবরা ?

লৌচা হায়বসি, তা-থম্বাল লৈবা নত্রগা খাজনা থিবা লৌ নত্তে, মখোয় অসিদি নিংথৌনা অওম অথৌশিংদা লেম্না পীবনি। ঐথোয় পাবুংম্নু নিংথৌগী বর সেনাপতি হায়বহু ওইরম্বী ময়ম অহুদগী পাবুংগী লৌচা পুরি ১০০ লৈ। শেলনা পুথোকতুনা লৈবা লৌ নত্তবনিনা ঐনা পীবা য়াবা মীতা য়েংলগা থর পীথোকপদা করিম্নু কাইদে হায়না খল্লি।

অম্নুম্না য়ারী শারিঙৈদা, মমাশিজা গমভৌনিনা চাক চাবা লোইরহুনা খোয়রকপদা রীমাগী কাদা চেপথহুনা থজিক্তং য়েংলগা চীং-লেম্না হায়-রকই, — থম্বাল নঙ, অহুদা করি তৌরি, রীনা লৈত্রা ? থম্বাল কোকচাওবী কাগ্রহুনা মুক হৌপংলগা চেম্বোরহুনা, — নজাইবেম্মা লৈ,

লুক হায়রো হায়জক্লিবনি, হায়রম্বই। গম্ভিনীশিজনা রীনাদা—চাক চাকয়ো থেংখরে হায়রম্বগা মাগী কাদা চঙখরে।

রীনা থম্বালগা লোয়ননা চাকশঙদা চাক চাবা চঙখরে।

রীনা না চাক চানা-চানা হায়রকই—তা-থম্বাল ঙসাইগীদো লোইত্রি ঐনা লৌ য়েম্থোকপদনে তা-থম্বাল, নঙগী শরুকসু থুংগনিকো।

থম্বালনা নোকফেং তৌরদুনা,—ইবেম্মগী কৃপানি।

চাকথুমদগী পূজারি বামোন্দুনা রাগী মকোক্তি থংহৌদবা লৌ শরুক থুংগনি হায়বা ফাওবদি তাবদুদা লৈফম থঙখিদ্রে। মুমিৎ থুদিংগীদি পূজারিনা হংই, হাউদ্রা হাউতদ্রা হাবা য়াদ্রা য়াদদ্রা। ঙসিদি করি 'মতা হংবা কৌবা লৈখিদ্রে। ঙসাইগী থম্বালগী লৌ শরুক থুংবা অদুতা মনাকোংদা হন্না হন্না তাদুনা লৈখরে। হ'ন্দুরবসু বামোন হায়বসি লাইমা লৌমিঙ চানিঙঙি হায়খিনি হায়বগী ইকাইগুম তৌ থঙনিঙবসু মতৌ অমা, পূজারিসি লৈফম চাকম থঙদ্রে। উটিন নাচিন্না রীনা চাক চাবা লোইবদুনা থোকখরে।

থম্বালগা পূজারিগা মখোয় অনিতা চামিন্নহৌরে। চাক চানা-চানা পূজারিনা থম্বালদা হংই —তা-থম্বাল ঙসাই ইবেম্মনা নঙোন্দা লৌ থুংগনি হায়বদুবু করিগীনো ?

হেন্না, ঐগী বাবা নংবসিদা, ইবেম্মনা য়েংবা ঙমদ্রে লৌ থন্না পীগে হায়রিবনিদা।

নংবগী হায়রুরবদি ঐখোয়দু নংথরেদা, থা অমদা কৌ শংবাই তন্না পীবসিনবু মী মঙা চাবা ইমুংদা করি তৌরুগদগে।

মানিনে অজ্ঞা-মচা শুফম চৎফম লৈমন্দবগী তৌবনি, থা অমদা কৌ শংবাই তন্না কুন হায়বসিদি ঐখোয়দুদি করিসু ওইবা নত্তে। অদুগা ঐখোয় ইবেম্মা রীনা'সিদি মীগী লৈত-লাইরদি য়াম্না থংঙিবো। নহান্দো ঐনা য়াওশংগী অঙাংগী মফি মযোল লৈবিনিংঙাই লৈত্রে হায়দনা চিন্তা

চিন্তা তৌহুনা অন্থম কম্বদনে, মানা হংই, কন্নিগীনো ত-থম্বাল নঙনা অহুক রানা চিন্তা তৌরিহুবো অহুনা ঐনা অঙাংগী মফি মরোল লৈনবা পৈশা অমা কাওবা লৈত্রে হায়বদগী মহাক্না লুপা ১০ থক পীনে। ইস, অজ্ঞামচা মহুদা ঐনা সুংঙাইজবা হায়বহুদি মপোক থুদিংগী মহাকী মীনাই ওইজগে থুনথরবনি।

মপুনা চানবা হায়বহুদি অহুনিদনা তা-থম্বাল।

মপুনা চানবা ঙাকস্থ নত্তেদা মীয়ুংশি থঙবা হায়বহুনি।

অহুবু তাদ 'ঙসাইগী লৌগী রাহুবু শোয়ত্রবরা?

হেরা, কদাইদগ নোদা ফাগী তৌহুনা পাংঙাং ঙাংবনি।

হোয়নে অজ্ঞাশিজগী মতৌ'সিদবু ইবেম্মনা পাক হেক তৌবা ঙম্মোইনে। থম্বাল অমস্থং পূজারি অনিমক চাক চাবা লোইরহুনা মহৈ মহৈ তুমগদবগী থৌরাং তৌনরক্লে। পূজারিগী তুমফমদি চাকশঙদনি অহুপা থম্বালগীদি কোম্হোঙ ময়াদা য়ুম মচা অমা লৈ মহুদা মহাকী তুফম্নি।

গমভিনীশিজসি মহৌশানা ক্না রাম্না চাগল্লি। হুমিদাং চাক চা তোক্কপদস্থ পানা লুবাকত্থ মমাঙদা থম্নগা ক্না মতপ অমা অনি হায়বসি ঙত্তনা চায়। অহু লোইজ্রিকাওবা থক তুমদে। থম্বালনা তুমবা চংপ-সিন্থ মহাকী মাজোলহু ফাওহুনা চংপা তাবনি। অহুনা করিগুম্বা মহাক্না হৈনিংবা হুমিত্তা থম্বালদা ক্না মতপ অমা অহুক চাজরখো হায়হুনা কৌশিল্লগা পীজৈ অহুগা হৈনিংদবা হুমিত্তনা ঙসিদি অহিং তুম্বা য়াদে, ঙসাই সুংথিল মী ফত্তবা থরা উথি, হায়হুনা য়াথং পী। ঙসিদি হৈনিংবা হুমিং থোকউরমাল্লে, -থম্বাল পান মতপ'সিমা অহুক চাজরখো হায়না কৌশিল্লকই। থম্বালস্থ অজ্ঞা ইবেম্মা, হায়দ্ধনা মমাংদা থুক্ক-থুদক কুন্দুনা কম্নগা পান পীরকপা ঙাইরি। গমভিনীনা পানহু পীরগা চংলো, চংলো তুমজরক্নো, হায়হুনা থাদোরক্লে। থম্বাল ঙসিদি রাথল সুংঙাইরে, মমানা পান লানবনে মচানা লো পীগনি হায়বনে।

গমভীনি পান শায়না শায়না থম্লি-ঐগী চাউগ্রবা বৈভব ময়াম অসি ঐনা শিগ্রবা মতুঙনা করম তৌরহৌগদগে। ঐগী ইচাহুপী অসিনা ঐনা ঙাক শেনবহৌনা ঙাকল্লা, মহু মান্দে, মাগী মতৌনি, পান্মু য়াইথ অমত্তা থওদে। ঐনা শিখিবা হুমিত্তা শোয়বনা কাং-খোং চাইহুনা মাঙগনবা মাল্লি। মাবু শৌরবা মী অহুনা খর জ্যেকশিনবা মী ওইরবদি কৈ নত্তহুনা মাঙম্বা পান্মুবা থওদবা মী ওইরবদি ঐ, অমসুং মপাবুংনা পৈহুনা থনম্লিবা লল-থুম পুম্নমক অসি অরেম্বদা মাঙবা তারেদো। অহুগা অমরোমদা রীনাগী মতৌ অসিনা ঐনা ইথুংনা থিজবা হন্নাহু য়াগদবা মতৌসু মান্দে। মহাকপু লাইরিক তমহল্লবসি য়াম্না লানখ্রে চহী অল্লাতবেং নিপাল শুরবা অসি কাওবা ময়ুম মকৈ পান্নু যাদে অহুগা মহাক্না লৈম-শিজগী মগুন মাংহন্দুনা মঙোন্দগী মথা তাবা মী অমদা থোকউগল্লা। অহুম তৌরবদি ইপা-ইপু পুম্নমক নরক্তা চিংথরেদো।

গমভীনিশিজনা থজরিবা অসিসু মহাকী মিংয়েং মতুং ইল্লবদি থোইনা লাঙবা নত্তে, রীনাগী রাখল্লা থরা রাংজগ্রবসু। মহাকী রাখল্লা লোইরকপগা লোয়ননা পান্না শায়বসু লোইশিন্নক্রহুনা মপাল থোকতুনা লমুক্তং কোয়য়ং য়েংলম্লগা হজিল্লকতুনা কমুংদা চঙখরে। রীনাদি ?

মহাকীসু রাখল অমদি লৈজরি। চাকচা হেক তোকপগা মহাক্না লাইরিক পাকম কাদা চংলহুনা ঙাহাক্তংদি লাইরিক পাথিগে থম্লি। অহুবু লাইরিকহু কয়া পুকনিঙ চঙদবগুম তৌখরে। চিত্রাঙ্গদাগী অভিনয়দা থরাই লুপখরে। লাইরিক পাকম কাদগী হৌগৎলগা শকয়েং মিংশেল থাম্বিবা ড্রয়িং কাদা চংখরে। চিত্রাঙ্গদানা অর্জুন উবদা য়েংগদবা মিংয়েং, নোকদবা মীনোক মহুত্তা হন্না হন্না অমসুং

অতোপ্পা মওং কয়া থোকা য়েংলক্লে। মিং তুধবনী ফজত্রা, হাইফেত্তং মিংচিনা লেংবনা ফজত্রা, নত্রগা ওকনা য়েংলগা হন্দোরফতুনা মতা অমগী লেওজুম পায়দুনা চোকথবা মতৌ উৎপনা ফজত্রা, নত্রগা হেক উবমক্তদা হরাও হুরাও চোংশিন্দুনা ওকশিরা—অসিনচিংবা কয়ানি। শকরেং মিংশেলদা মওং চামথোকনা য়েংই। মতোমত্তা লেংজবনিনা তৌরিমথৈ ইকম কজে, মশানগা শাথান মুস্তি চুম্বা মশক ফজবা ফুনীনি। মওোন্দবুদি ফজরে, অতোপ্পা তাবোকী মমিংকী রাগি থওজি। মরম অদুনা য়েংবমথৈ য়েংলগা নোংঙাল্লগা চিত্রলেখাগা তান্নরগে ছায়না লেপ্লে। মতমম্ভু ফনা য়ায়া খেংজিল্লক্লে হুমিদাংগী প্‌ং তরামথায় রোম তাশিল্লক্লে, মশা মথন্তা অভিনয়গী মথল মথেন্দা রারদুনা, রীনা তুফম কাদা চংখরে।
কমুংদা হেক তাবগা থুনা তুমখরে।

(২)

রীনা, মুমিং খুজিংগী প্‌ং মরি তাবা মতমদা হৌগংলি। মমিং মমায় তাথোক্লগা অয়ুকী পুং তবেং ফাওবা লাইরিক পাই। অদুগী মতুংদগী মহাকনা তৌনিংবা থবক থরা তৌই। হায়বদি ইমুং-মমুংগীবু ওইরবসু নত্রগা মশাগী মরাপ্লাইগীবু ওইববসু। মমাশিজ গমভীনিসু মতমদি য়াম্না কুপ্পা শিজিন্নবা মীনি—মিকুপ অমা ফাওবা অরেম্বদা মাংহন্দে। মরম অদুনা রীনাসু অওাং ওইরিভৈদগী হৌনা মতম মাংহন্দবা অমমুং চাং নাইনা থবক তৌবা অসিমদি অঙুম কৈনদুনা লাক্লবনি।
কলেজ কাবা মতম থৌবক্লদুনা রীনা মফি মরোল শেংপা লোইরে। রীনা থোইদোক-হেন্দোকনা মওং চাদনা কেবা মুপা মচা নল্লে।

ওরম ওহেন্না অমম্বুং ইচম-চম্না ক্রেজবনি। রীনানা কলেজ কাধা মতমদা ক্লুরিগুম্বগী কনাগুম্বগা রারী শাহুনা চৎমিন্নদে, মহাক্না য়োগ-লৌরিবা মফম অদু তাম্না অদুম চৎলি অরেম্বদা নাক-য়েৎ য়েংহুনা মতম মাঙহন্দে। কলেজ কারমদাইদা করি করি রাংলিবগে হায়না অস্থুম নিঙশিংলকপদা ওরাংগী চিঠিদু থংনিঙ নিঙশিংলক্লুনা মহাকনা ওরাং ড্রাবার মস্থুংদা থমথিবদু লৌথোক্লে।

চিত্রলেখা মুমিং থুদিংগী রীনাবু হৌবা হেক হেক লাকই। ওসাইমখে রীনাসু চিত্রলেখা ভাইবা ওইনা অস্থুম লৈরম্বনি। চিত্রলেখানা কোম্বোঙদগী সাইকলগী মন্দিলা খিঙলকই। রীনাসু থঙলহুনা সাইকল পায়হুনা থোরক্লগা মথোয় অনি নোক্লুনা চৎমিন্নখ্রে।

শগোলবন্দগী চুমত্রিং থৌগৎলকপনা আসাম রাইফলসগী পুলিস লেপ্লিবা মফম অদু য়োবদা হায়রকই,-ডাকঘরদা অমুক্তা চৎলুখিসি।

চিত্রলেখানা ওকনা হংই-করিগীনো।

চিঠি অমত্তা থাদরুসি।

কনাদা?

ঐথোয়গী মরুপ অমদা।

কদাইদা লৈবনো?

গৌহাটি ইঞ্জিনিয়ারিং কলেজদা।

রারী শামিন্নহুনা লাকপনা ডাগঘড় য়োরহুনা চিঠি থাদরে অনিমক গাড়ী মমায় লৈহুনা কলেজরোমদা অমুক লাক্লে। চিত্রলেখাগা রীনাগসি খ্বাইদগী হেন্না-লুনা তিন্নবা মরুপ্পি, অচেৎ-অকোম শুন্নমক লোইনা রারী শাদোকনৈ অদুবু করিগুম্বা মতমদা মথোয়গী ছাত্রগী পুন্সিগা মরী লৈনদবা রারীদি ওকশা শাদে হায়বমক য়াই। মরম অদুনা চিত্রলেখানা রীনাগী চিঠি অদুগী মরমদা মথা তানা অমুক হংত্রিবনি। কলেজ য়োনা লাকপা লম্বী লমশাং অসিদা মথোয়

অনিনা শায়কপা য়াম্নাসি, চিত্ৰলেখা ওাংল ত্ৰামাশী য়ামীনি। রীনা-মী মতোমদা ওরাং সুমিদাং মিংশেংদা লৈরেংকপা অভিনয় উবগী য়াম্না শামিন্নবুনা নোক্না নোক্না লাকমিন্নৈ। চিত্ৰলেখাসু মী-মাং পৌ-মাং খঙদনা বা য়াম্না ওাংগনবী সুপীমচাদি নত্তে। য়াম্না চীং লেপ্লৈ, মতাং চানা ওাংবা য়াবা রা ওাংই, রীনা সুংওাইহৌহিদবা হাম্নিংনাম্নিদবা বাদি ফনমক হায়নিঙবা লৈহুনসু মহাক্না করিমতা হংদে।

রীনাগী ওরাং সুমিদাংগী অভিনয়সু মুম্না তারগা চিত্ৰলেখানা ফাগি তোরকই,—অহুদি নওদি য়াম্না হৈরবা তারে, ঐদি করিমতা হৈত্ৰি, থোকমিন্নগদবনু ইকাইহজরেনে।
নওসু হায়কুল্দা লীলা অহুক য়াম্না য়াওরকপহুদি।
য়াওবুদি য়াওরকই মহুনা ফাগি ফায়াংগী য়ানিদনা।
ফাগি ওইরবসু মীমাঙ থোকপাদি খরা হৈরেদনা।
হোয় অহুবুদি খরা হৈরে।

রীনা অমসুং চিত্ৰলেখা কলেজ য়োরে অনিমক সাইকল থম্মুরগা ক্লাস চঙখ্রে। মখোয় অনিমক ক্লাস অমতদা ওম্মিন্নে অহুদগী হেন-দোক্নুনা ফাল অমত্তদসু ফম্মিন্নৈ। মখোয় অনি হেক চঙলকপদা ছাত্ৰীশিংনা মখোয়দা কল্লগা ফল্লপ য়েংই। নাপচিকনা ম্না অমা অনিসু হেক হায়নৈ। করিনো হায়নসু হংবা য়াদবা অহুগা খ্বাইদগীদি হেন্না সুংওাইতবা মওংনি। ময়াম্না মখোয় অনিবু উবদা চিবোন-চিবোন ওাংনরিবসিগী রাফম অমদি, রীনা মহাক্না তিন্নবদা মতিকচাদবী চিত্ৰ-লেখাগা তিন্নৈ, অসিনি। ইনাক-কৈরাক খুনবা, মশক মতৌ খরা য়েংবা য়াবা মী হায়বসি মহৌশানা মীনা তিন্ননিংতি। রীনাসু অসি-গুম্বা মীওইশিংগী মরক্তা অমনি। মরম অহুনা মহাক্না শামান-লেংমান্নবী কয়ানা মহাক্না তিন্ননিঙতি মরূপ সজ ওইনিংতি। অহুগা অমরোমদা রীনানা ময়াম্নু তিন্ননিংদবগী ভাবত্তি থোইদোকনা লৈবা নত্তে,মতোন্দদি

থোইরোকনা মীচক-মথায় মাইবদী ফাবলি লৈরমগ্রে, মখাক্তা পুয়মক চপ মান্নবা অহুম থরৈ, মখোয়গী ইথোরকপনি। হুমরক্তি অপ ছান্না অনিদা মীনাগা চিত্রলেখাগা শাম্মুত্রত্রিনা মধ্যাম্নী শক্তকপা মীহৈবতু অমুক-হেনগ্রে। মাগ্রিজন্না শরনা অন্নুমা হায়রনৈ,—মহাকনা জেনেরেল রেজেকটরিগী ওইবে অহুগা থবক থোমনবিকবু মথাযগা তান্নদনা মহাকনা তৌবিকপ্পম তৌই, মরু ওইবা পাটিদু মহাকনা লৌশিন্নি, ঐখোয়বু মাওহন্দে। মীনা হায়বা মথামসি মীনা-না থৌওইরদে, মথমদি থবক থৌরম অমগী মকোক ওইবা হায়বসি মীরা তাবা মংহৌশানি থমুনা।

লেডিজ কমন-রুমনি। ওক লৈবা ছাত্রীমথৈ মসিদা ফমহুনা, থবর পাবা, রারী শাবা, মানা-মান্না অপাম্বা তৌনরি। মথাম অসি ইয়াও-য়াওরবা মীগী মওং মতৌতা য়েংবা অহুগা লোয়্না নোকপা কাওবু অমসু লৈরি। মখোয়শিং অহুগী লুচিংবীনা কল্পনা অরুনা মখোয় অসিনি। মীনা তৌরম্নিবা থবকশিং অহুগী অক-ফত্ত পুয়মক মমাওদদি থক নৈনদবা মতুঙদা নত্রগা অখাইদা থোকপ্রগা ভাংনরুবা, মসি মখোয়গী হৈনবীনি।

ওসিগী ওক পেরেত্তা কমন-রুমদা ছামা তমলি হায়বসি মীনাগা চিত্রলেখাগা য়ুমদগী হৌনা শুংনহুনা লাক্লবনি। মথম অহুনা ওক পেরেংসিদা মীনা অমত্তুং অয়াওবা সখীশিং অহুগা চিত্রলেখাগা লোয়ননা ছাপ তম্মা হৌরক্লে। মথাম্না য়েংহুনা লৈবহুদা চিত্রলেখাদি মনিঙতৌনা অভিনয় তৌবা ওমত্রে। খ্বাইদগী লুম্নিবা মতাঙদি অর্জ্জুনগা চিত্রাঙ্গদাগা উম্নবগী মতাঙ অনিনি। চিত্রাঙ্গদাগী হায়না-হায়দনা থরা মথামে, অর্জ্জুনগীদি মাম্না রাংগ্রে থন্দুনা মীনা-না চিত্রলেখাবুম্ব অভিনয় তম্নিবা তারম্নি। মতু উবদা কল্পনা-না অরুনাদা ইঙ্গিংনা, তৌশান্নিসে হৈদি হৈতনা, হায়নরুনা য়েংনরগা লোক্লনৈ। মতৌ অহু উবদা চিত্রলেখাগী থৌনা পুয়মক হম্মগ্রে, ফোরুকপগে হাক্মক্লে। মীনা মীগী ঈবাং পোমিং

য়াম্না উৱীনি, অদুনা ময়ামদা মচাক্না হায়রকই—ঐখোয়না তৌজরিব-শিদা ময়াম্না য়েংবিরগা অফ-ফত্তা ভরাখোক্না খল্লসি নত্তুনা লোকন-বিরবদি ঐখোয় করি'মতা তৌকখা ওমজররোই। অরুনা-না মমিংদু হায়কেৎ পৈরগ্গা য়েংলগা হায়রকই—কনাসু করি'মতা হায়জদে, ঐখোয়দি য়াম্না থাগৎচবিবনি তৌবিয়ু। রীনানা মাগী পাউখুমদু শক হুংশিদে হায়দুনা তম্বা তোক্লসি হায়দুনা তোকথোকখ্রে। কনাগীসু মীচঙ য়াওদবা চুম্না য়েংজবা ভাবোকশিংনা - অকনা হায়বীসে রাকায় শুখ্রে. মাবু তৌ হায়রবদি করিসু ওয়োইদবা, অদুগা মীনা তৌরবদি হেক ঙাংনগদবগী মথা কাখৎতুনা ঙাইরদনা অসুম্না ময়াম্না ঙাংনদুনা নোংমদুগী কমন-রুমগী হ্মামাদি লোইশিনখ্রে।

কলেজ ছুটি থারবদা, রীনা অমসুং চিত্রলেখা, লমখৈ চত্তুনা মযুমদা থুনা লাক্লে। লম্বীদা রীনানা হংই—চিত্রলেখা নঙনা ওসাই অদুক শাওরিবদুবু করিগীনো ?

শক হুংশিদবা।

কনাবুনোনে ?

হেরা ওসাইগী কমন-রুমগী হুংশিরৈশিংদো ?

ও . রীনা ইশি শিনা নোকই।

অদুগীদমকপু শাউবা হৌনত্রা, চাযনিংবমখৈ হায়জসল্লু, ঐখোয়না তৌগ-দবদু তৌরগা লোইরে।

হুংশিদেনে, মীনা তৌবদু য়েংলগা অফ-ফত্ত খল্লবদি খৈ অদুদি নত্তনা .... ।

নঙনা হায়রিববু মখোয়না চিবোন-চিবোন ঙাংনবদুরা ?

মদুনি ঐনা খ্বাইদগী হৈনত্রিবসে।

মদুদি কল্লতুনা তৌজরিবনি হাথনা থদোক্লগা লোইরেদনা।

অদু ওইরবস্ত ঐ মখোয়সে শুকহুদে-হুংশিদে, মী য়াম্না উশিন্দ্রে।

হয়েংজি নোংমাইজিংনি, ঐখোয়দা লাকউ ইবানিদা তমদি।

অসুম্মা বারী শামিল্লহুনা লাকপনা, রীনা চওকথ 'চাম্মিহুনা' চঙহৌরে, চিত্ৰলেখাসু ময়ুম তাম্না গাড়ী থৌগ্রে।

(৩)

মথংগী স্নুমিংনি।

অয়ুক 'পুং নিপাল্লৌম' তারক্লে। 'লৌইহুগী' মতম্মি, ঈংবসু কনা নিংথি-জনা ঈংবা মতম 'তইবনা' গমভীনিশিজনা মাঙ্গোন্দা মৈফু অমা কোন্দুনা লৈরি। লৌইহুদা মহাকী য়াম্মা চিনবা মথৌ অমনা ফৌগী হিসাব পাবনি। মহাক্না কৌগী হিসাব পাবসি য়াম্মা অরাবগী মশাক্নি। মশানা লাইয়িক লাইত্ত হৈদনা থাট্রা অমদা ইশিনবগী রাফমদি কৈত্রবনিনা চিনক্না অক্কনা হোংপা তাবনি 'চৈতেঙ্কা ফৌ মরুগদা' মহাকী মনাক্তু পুমকোয়নি। গমভীনিশিজনা মহাকী থবক অসিদা মচাম্নুপী রীনাবু যাওহনগদবগী কম্না হোংনদবা নত্তে অহুবু রীনা-না মাঙ্গৈ অসোমকা করি মক্তা থৌশাবীদবদগী চিংশিনবা ওমদে। "অমৈথংদা উপায় লৈরক্রুহুনা থম্বালবু থরা শম্না মতেঙ্ক পাংহল্লি। থম্বালসু মরেক ইবা নত্তে য়েক-পনি,—মবেম্মনা হায়বগী কিমন্দুনা তৌবনি হৈহুনা তৌবা নত্তে।

গমভীনিশিজনা অসুম্মা কৌগী হিসাবতা কম্না-উংলিত্তে মতমসিদা চিত্রলেখা থুংলরে। "চিত্রলেখা, গাড়ীহ্ থাশিল্লগা জুরীদা লেপ্লি। চিত্র-লেখানা রা পাক হেক হংবা ওমদে, মরমদি-ঈমুঙ অহুদা লৈরম্লিবা মী অহুনা হোয় মাই নত্রগা করিগী লাকপক্কো, কনাবু হৰ্মিত্রনা অশিন-চিংবা করি'[illegible] হায়দনা তুম্মিম্না মুম্না, সৌহুনা লৈবহুদা। চিত্রলেখা লেম্না ওমশিল্লক্লে, ইকাই'খুংশি য়াম্নরক্ক অমৈথংগদি শাউমিল্লরক্লে—করিগীনো, মীবু শা ওাম্নু নত্তনা মমুমদা লাক্লগবু কৌথা কাওবা কোম-বগিবু মানা লৈম'শিজ্জ ওইরগবু মী কৌবা হাত্রবরা।

চিত্রলেখানা শাউরপ তৌনা হায়রকই- রা অমত্তা হংজবা য়াচ্ছ্রা? করিমো? গমভীমিনা রাম্মা 'চাউথোক্কবা খুদি।"

রীনা লৈব্রা?

ঐখোয়গী সাজকরোয়ুদ্রা ?

অহোয় মাদি।

করিঙ্গীনো ?

মহাকা উরগদবা যা অমা নৈ।

মীনায় মতম অসিদা, চিত্রলেখা লাক্লে করি তৌরবগো হায়না থম্মী। মী মখোল তারকপগদা লাকলরা কনিংদা থেংগে হায়রুরা পোত্বকপদা চিত্রলেখা উবছুনা ইপুত্তা কৌশিল্লপা মহাকী কাগা চক্রমিরগে। চিত্র লেখানা-খারোরপ তৌনা হাজরকী—ইবেন্দা মন্মুগাদি ঐ লাকচরয়োই।

করি তৌরবগে ?

ঐবু শা-মগম্মু মায়েং, কোমদি তৌনিবা য়াইরবা।

মপণ্ডবনি থম্মুনো তাকপীয়ু। ইকাইরবা মথায় [illegible] তৌগে মীনাদো। মহী থাংখে [illegible] মীনি, মন্মুগী মী লাক্লবি চাকনিবা [illegible] তৌবা তেইকে হায়বদি থওনা য়াইবনা।

নহাকনা হেয়া পাংগে চিত্রলেখা, মখোয় অসে ঐখোয়গী মুপকী মীওই নত্তেনে।

হায়বদি অপিকপা মী মপক [illegible] আদিবা ?

অদুবনিবে,—মখোয়গী নিংথৌ অপিদি [illegible]। অদুবা ঐপা মহাক্তি ঈপিংগা থাউপা তিন্নবনি।

অদুবু থাইনগী মী [illegible] নৈ

[illegible] রাখলবা তানবা, চিত্রলেখানা [illegible] হায়বী।

চুপ্পি [illegible] নৈ, অদুবু [illegible] য়াগী [illegible] নিংথৌ [illegible] হোৎনা [illegible]।

নহাকী নথাদি ঐঈদু [illegible] শাউ[illegible], [illegible] হায়রবি।

অসুমা ওহাক য়ানী [illegible]

মথৌয় অতীগী অদোই অদা হৌড্রে। কা অংবু পুক্লানবগা ইশৈগনা থয়া থরী [illegible] হোনখলে।

'গমতীনি [illegible] [illegible] মরী মপা মা-থরী [illegible], [illegible] কনি তৌরিবগী হাবদুনি [illegible]। মহাকদু [illegible] তৌরিবনো [illegible] হায়দুনা হৌরক্লগা 'থোঙ [illegible] 'মূলা 'লেই'। [illegible] [illegible] মখুৎ পায়নরুদুনা ইশৈ অমা [illegible]'।

বিবিনা শেখা থুংশেমি
মপু মাথী [illegible],
নুংশি [illegible] [illegible]
[illegible] পুংজি চুম্বা।

ইশৈ [illegible] [illegible] [illegible] [illegible] অহু [illegible] গমতৌমি মথিংতু [illegible] [illegible] [illegible] [illegible], থজি—[illegible] তৌরিসিজে। মতোমতা [illegible] তাব [illegible] [illegible] [illegible] [illegible] [illegible] হোজি-জিবা থবালমু কৌরগে, চাকখুমদা চাক থোংজিবা পুজারিসু কৌরুরে। মথোয় অহুম 'শিরোব 'শিৰজিন তৌদুনা লেনরে। গমতীনিনা 'থর 'মগী হোমদুনা 'হাজরই, 'কারিনো [illegible] [illegible] 'তৌরিবসিবু। অজ্ঞা ইবেমা [illegible] [illegible] [illegible] [illegible] [illegible] [illegible]।

কালগী হায়রবনি!

কালগী হায়রনি, [illegible] [illegible] [illegible] [illegible] হায়রবনি। অজ্ঞামচা, [illegible] [illegible] [illegible] [illegible] [illegible]।

সনখ্যা [illegible] [illegible] [illegible] [illegible] [illegible] [illegible] [illegible]।

মথোয় অহুম অস্থা [illegible] [illegible] [illegible] [illegible] [illegible] [illegible] মথৌ তৌবা চৎনগ্রে। গমতীনি, মহাকী [illegible] অমুক হজিনা [illegible] থজি,—[illegible] [illegible], [illegible] [illegible] [illegible], [illegible] [illegible] অহুম তৌবা [illegible] [illegible], [illegible], [illegible] [illegible]।

মতমদি য়ায়া থেঙ্জিন্নরে, পং তম্নাপোইরোম, ত্নশিন্নরে। চিত্রলেখা ময়ুমদা চংনিঙলক্রে। রীনানা থেঙ্নগ্রে, মখোয়গী চাক চাখ্রসি হায়দুনা থাম্মি, চিত্রলেখানা মহুমদ থবক লৈরক্লি চত্তখ্রে মদে হায়দুনা য়ানিঙদবা উৎাল। তশেংবদি চিত্রলেখাগী গমভীনিগী কায়দাদু মুংঙাইতবদগী রীনানা থাম্বা য়াখিদবনি। য়াম্নরোই হায়বা খঙ্জদ্রদা রীনা-না চিত্রলেখাবু বিদায় পীখ্রে। চিত্রলেখা ময়ুমদা চংখ্রে।

মুংথিনগী চাকচাবা তোক্লরে। "গমভীনি, মহাক্কী মুমিৎ খুদিংগী হৈনবী পান-লুবাক মমাঙদা থম্লগা পান-মতপ অমি অহুম তপ্তুনা চারি। মহাকনা থল্লি, করম তৌগদৌবিবনো। ঐগী ইচাম্মুপী মাহনবীনা তৌগ-দৌবিসিবু। ঐগীদি মহাকনা লোহবে ভুপা, মুপী অমত্তা পোক্রবনিনা, অদুদা মহাকনদি তৌঙিক ফাওবা মথুম মকৈ অমতা পান্নদুনা লাইরিক তন্নি হায়দুনা তৌরিসিবু করমনো। ঐগী সমপত্তি অমুক য়াম্নসি মামা অমুম তোম্নবদি শোয়দনা য়াঙবা তাখ্রে। অদুবু মহাকনা ঐনা হায়বা রা অমতা য়ানিংদ্রিবসিবু করিগীনো। অদুগা মহাক্কী মমান্নবী চিত্রলেখা হায়বীসিগা অমুক লুনা তিন্নরিবসিনা করিগীনো।

গমভীনিনা অমুম্না মঙলমওল খাল্লিদৈদা, রীনাসু অপান্দা মুংশা ওচাক্তা য়াইগে হায়দুনা থোক্লকই। অদুগা কন্নদুনা গমভীনিনা কৌ-শিল্লকই,—মাহনবী অসিদা অমুক্তা লাকখো রা অমা হায়খিগে।

রীনা, কৌগী হিসাব পাও লায়রকপোক্‌ত শিঙদুনা য়ামা তম্না চঙলকই। গমভীনিনা চাং লেম্না হংলক্কে—নহোয়বু করি তৌগদৌরিবগে?

রীনানা শন্না খুম্মি—ঐখোয়গী কলেজগী কুদৈ অমা তৌগদৌরি।

ও, মহুদা নহোয় অনি জগোষ্ঠি শাগদৌরিবা'।

য়াম্মি।

ভুপীমচাহুদি করম্বা মীওমো?

রীনা রাফম অসি কয়া থবায় যাওনা ভানিঙদৈ মরম অদুনা ইশন

শন্না খুম্মী—মহাক লুপ্তাবীনা য়োকপনি লায়রবীনি অদুমদি ওইরগা মতোন্দা মীনা তামবা কংত্রবা গুণ কয়ামরুম চেল্লি, মহাক থম্মোই পাল্লি পুকচেল চাউই তৌবিমল খঙলি, মহাক তিন্নবদা মতিকচাবা মীনি। হৌজিকী মতমদা শাগে, জাৎ, লায়রবা ইনাকখুনবা করিন্নু লৈত্রে মতিকচাবা মীনা খ্বাইদগী অকবনি। মশানা ফত্রবদা মপা মপূ ফরক্লুনবু করি তৌগদগে।

রীনা, রা খন্নসি হায়রম্লগা মমাগী রা ময়ামদু তানিঙলক্রুদুনা ইমুঙদা চঙখ্রে।

রীনাগা মমাগা মত তিন্নরক্রিবসি ফনা কুইরে হায়বা য়াই। মহাকনা জ্ঞান থরা থরা তারকপদগী মমাগী পুকনিং, রাথল অদু পামজদদুনা মমানা ওাংবা রাশিং অদু লৌনিঙবা থরনা অদুম লৌই, লৌনিঙদবনা তুমিন্না তারগা অদুম তোকই। অদুগা মমাগা চৌন্দা পাউদানদুনা খৎন-চৈনবগী রাফমদি কয়া তৌদে। রীনানা তশেংনমক মমাগী য়াম্না খুন্নুং ওইবা মওং অসিদি কয়া পামজদে অদুগা মহাকনা মমাবু চুমথোকপন্নু ওমদে। মরম অদুনা মহাকনা মমাগা রারী রাতায় শাবসি কয়া হৈনদে, মহাক্কী কাদা লৈদুনা মহাকনা তৌগদবা থবক অদু অদুম তৌদুনা লৈ। অরোমদা মমানন্নু খোইদৌ শাউগৎপা হায়বদু থম থেংলবনি, মহাকনা তৌহন্নিঙবন্নু তৌরক্লা, হায়বন্নু য়াদা, মহাকন্নু পংশাউদা শাউনিঙঙি, করিগুম্বা মতমদা পূন্নমক হুন্দোক্লম্লগা বৃন্দাবন্দা লৈক্লরসিন্না হায়না কাওবা থক্লকই।

অসোমদা চিত্রলেখান্নু ময়ুম হেক য়োরগা, মহাকনা তৌগদবা থবক ইনথাং পূন্নমক প্রেপ, প্রেপ তৌশিল্লি। হয়েংগী কলেজ কাবদা শেংকদবা ফিরোলনচিংবা শূদোকই, অদুগী মথক্তা মমানা তৌগদবা চিথরম্বা ইমুঙগী থবক ময়াম'দু তৌশিল্লি। মহাকনা থবক পূন্নমক লোয়দুনা অয়ুক্কী চাকচাবা তোকপদা ছুংথিলগী পূং অনিরোম তারে। নিংথমথা হুমিত্তা পূং অনি তারবা হায়বসিদি ফনা থেঙলবা মতম্নি। অদুনা চাকচা তোকপদদি করিন্নু তৌবা নংত্রে।

অওইবমকন্নি, চিত্রলেখা লায়রবী, সুপ্রভাবী মসন্নি মমা মচান্না লৈবীনি। অহুবু হিংবদা মত্তিকছাবী মুপী মচা অমম্নি ওই। মহাক মীগী মপাল তাংনিঙদে, মশাগী হৃমাংমন্না হিংজনিঙঙি, মশামু মশানা শেমজনিঙঙি। মরম অহনা মগা মচানা নোমজ-শুজহনা হিংনবা হোৎনজে। কলেজ লাইরিক তম্না তম্না ফি-রোল শ্নাম্নুন্না মোজা লোন্দুনা অমম্নুং কমান লোন্দুনা মশাগী লাইরিক তম্নবগী খরচ অমম্নুং ইমুং মচুংগী খরচ ফাওবা তাল্লি মমাম্নু অরেম্বদা ফংহুন, লৈথোক্কে, কৈথেল ফমহনা শেল তাল্লি, মহাক্না শাবা অমম্নুং মচানা শাবা ফি অহু কৈথেলদা য়োল্লি। ইংখোলদা থাবা য়াবা পোৎ-চৈ হায়বদি এক্লাং-নাপি মরাঙ কায়না থাই। যুম ইংখোল অহু মুপা য়াওদে হায়বহু মঙায় নিংথিনা অহুম পাল্লি।

অহুগা চিত্রলেখাসি ইমুঙ মচুঙগী থবক্না হাকমনখিহনা লাইরিক-লাইশঙদা মমাম্নবদগী য়ান্না শোথবম্নু নত্তে, মশা ইৎপা ঙম্না অহুম মচংলি। করিগুম্বা পরিক্ষা অমতা ঙনদবা য়াওখিদ্রে। ঙমদবদি লায়রহনা মহাক্না অনি অহুম শুবদা ইত্তং-তত্তনা ওই। মমাম্নবশিংগা তিম্নবদম্নু কদৌঙৈদা পুংশুক মুক্তানবা নত্রগা অখৌবা বাহৈ শিজিন্নদে। মী পুম্নমক্না তিম্নবা য়াই। মহাকপু লায়রবীনি হায়হনা কনাগুম্বনা উশিং-থৌওইদনা তৌরক্লবদি মহু মহাক্না মরাল নত্তে, মখোয়শিং অহনা কম্নক মিহৌবদগী থোকপনি। মহাক্না শেং-চাজরিবা ফিরোলশিং অহু মশীং য়ামজত্রবম্নু, অমা অনিদং শেংচরিবহুদি তরু তনাল্লি, মশম-মনা নিংথিজনা হাত্তোকই। শম্না হায়রবদা মহাকপু হেক উবদা মুংঙাইবা অমা পোকই।

মমানা মচাম্নুপীদা আশা পুম্নমক থমজে, মহাক্না মপাম্না মীরক তীনবা ঙমজগনি হায়না থজে। অওইবমকম্নু চিত্রলেখানা হৌজিক চথম্নিবা পুক্লিগী খোঙচৎ অসিদগী থোক্লোক্না ন্যাথৈহনা চৎখিজবদি মমাগী আশাম্নু শোয়দনা থুংগনি। অহুবু মীওইবা হায়বসি তম্বা ঙমদে চুম্না।

চেহ্নরকপা ছুরেনসী ঈচেল্লা ঈথৈহ্নৰা চেৎথিগনি হায়বসি ওইথোক্কবা নত্তে, মীওইবগী পুন্সিগ্নু মহু মওাগ্ন ভগুনা চেহ্নরকপা পুন্সিগী ঈচেল্লিনা কমিওল্বা মতমদা চুয়া চেহ্নরল্লিবা অহুদগী ঈচেল থৈথিবা হায়বসিগ্নু ওইথোক্কবা নত্তে। অহুবু পুন্নমক মীওইবনা শেম্ব। ওল্বা নত্তে, মতমগী মথা পোনবনি।

(৪)

ওসিদি মনিপুর উইমেন কলেজগী ফাউণ্ডেসন ডে নি। কলেজ পুন্নমক মথুম মরাও হৌনরে,—ছাত্রী ওজা কনা'মতা পোখানদে, থরনা চে অওাংবা, অশংবা, নাপু নম্মি, থরনা চেগী লৈ শাহুনা থোও মাঙোল-নচিংবদা নম্মি,থরনা চান-থরুবা শীল লাওই। থবক ময়াম অসিগী অরাং অপা অমদি শীন্দোক-শীনজিন পুন্নমক রীনাগী মথক্তনি। অমনা চে য়াংলে, রীনা ওসিদি রীনাগী থবক চিনবা হায়বহু হায়নিংওাই লৈত্রবা মুমিংনি অহুগী মথক্তা মশাগী মথৌ অমহু লৈরিবা। ময়াম অসিনা চাব-থকপা অমমুং বক্তৃতানচিংবা পীবা হেক লোইবদা মথোয়গী ডান্স ড্রামানি। রীনা ময়ামগী মরক্তা কুইনা লাওবা ওমশিল্লক্রে, ড্রামাগীদমক ফি শেৎপা চৎপা তারক্রে। মচাক্তা থোকমিন্নগদবা মুপীমচা অন্নাম্মি ফি শেৎপা লোইথ্রবনি, মরম অহুনা মহাকমু ফি শেৎপা চওক্রে।

অসোমদমু প্রধান অতিথি লাক্লহুনা উৎসব হৌনবা তৌখ্রে। প্রিন্সিপালনা য়াহৌদোক থরা ওাংলবা মতুংদা অতৈ বক্তা থরনা ওাংলে। অরোইবদা প্রধান অতিথিনা য়া ওাংলগা উৎসব অহুগী তৌগদবা থবক মথৈদি লোইশিল্লে। মথংদা প্রধান অতিথি অমমুং বার্তন তৌহুনা লাক্লিবা মী থরদা চা কপ অমমম পীথক্লুনা ওাহাক পোথাহল্লে। ছোজিক কুইম্মগী মতাও যৌশিল্লক্রে, থোরক্লো হায়না হোল অহু পুম-বিন নিনখ্রে। কনাগুম্বা মচীন থরা য়াওবা ভাবোকশিংনা—কুইনা শেৎ-মল্লে, য়েংথিনবা ভাবোক লৈহরোই হায়বা ফাওবা লাউশিল্লরক্লে।

তাঙ্গা অসিদা মচুংগী ম্যাজিক্কী খোঞ্জেল অমস্থুং হৌরমদাইগী ছইশেল পীরকই। মচু তাবদা ওসাইগী লাঙলম্বা পুন্নমক অচু ওহাক্তংদি উন-রাইমুক চিকখ্রে।

য়ুখল হাইদোরক্লে।

ভাবোক পুন্নমক মঙক থাজত্তুনা য়েংনৈ। মচুংগী লাউথোরকই —চিত্রাঙ্গদাগী শক্তমদা কুমারী রীনা দেবী, অর্জুনগী শক্তমদা– কুমারী চিত্রলেখা দেবী। ময়াম পুন্নমক থুবাক থুনৈ। লাউথোকপা হেক লোইবগা উইংসগী নাকল অনিদগী থোরকই—চিত্রাঙ্গদা অমস্থুং অর্জুন।

মখোয় অনিগী অভিনয় উবদা ভাবোক পুন্নমক মপ্পা কাই। মহৈ মহৈ ওাংনৈ, হংনৈ—শিনফম ওইরবা কলাকারশিংনা! অনিমক্কী শাবান মুক্তি অমস্থুং অভিনয়না য়েংলিবা ভাবোক পুন্নমক অচু মশানা মশাবু কাউ-হনখ্রে, মখোয়গী অভিনয়দা লুপখ্রে। পুংথায়মুক্কী মতুংদা কুম্মৈ লোইরে। জগোই লোইরবদা প্রিন্সিপালনা থাগৎ রাহৈ থরা ওাংলগা লোংমচুগী থৌরম লোইশিল্লে। মমানবশিংনা রীনা অমস্থুং চিত্রলেখা অনিবু থাগৎলি, ছাত্রীদগী হেন্দোক্তুনা ওবা ফাওবনা থাগৎখি। ভাবোকশিং অচুগী মচুংদা থম্বালসু অমনি। মহাকসু মপুক্লিংদা থাগৎলি—ঐখোয় ইবেম্মসি হৈখ্রেদা, অসুম কৌনি হায়ববু থাজদে।

সুমিদাংগী থবক ওইবনা রীনানা হনবা খুদোং চারোই হায়তুনা ময়ুমদা গাড়ী লাকউ হায়রম্মি। গাড়ী অচু ওস্তানা লাক্তুনা কলেজগী গেট্টা থারে থম্বালসু গাড়ীদা য়াওরকপনি। রীনা অমস্থুং চিত্রলেখা অনিমক থোরকতুনা গাড়ীদা কাখৎখ্রে। মসিদা অখল্লবা ভাবোক হায়বদি রীনাগা চিত্রলেখাগা অমুক্তা লম্নাই ওইনা থাগৎহৌগে হায়না খঙবা পাখংশিং অচুদি তকশি শোন্দুনা লৈহৌরে। মখোয়না থনবদি মখোওনা চৎকনি মতুদা মখোয়না খুদোংচাবা লৌহুনা মতুংদা চৎলগা চোইঙাং ঙাংগনি, অসিনি। অচুবু শিংলবী রীনানা ঈয়াং ময়াম অচু খঙলগুনা

গাড়ীদা ফৎ কাখৎখিবহুদা মখোয়শিংগী থৌরাংছু অয়েঙ্বদা তাখি। রীনাগা চিত্ৰলেখাগনা তুংগী সিট্টা কপ্পী ড্ৰাইভরগা থম্বালগনা মাঙগী সিট্টা ফমহুনা গাড়ী থৌরক্লে।

রীনানা ফাগী ওইনা হংলকই – তা থম্বাল উহৌব্রা ঐখোয়গী জগোইদো উজহৌই, ইবেম্মা, মকোক্তগী। ঐস্ন মহুতা নংনবা ঙম্ভানা লাকচরবনি। কমদৌই ?

ফজখ্রেবো ইবেম্মা। ঐদি অজ্জাইবেম্মা য়েংহন্নিংবনা ....।

কদাইদগীনো তা থম্বাল মগাক্তি য়েংবা হৈরোই।

করিগী ?

মহাক্তি থায়নগী মীনি, অহুনা হৌজিক্কী ফজবা, মুংঙাইবগী মশক খঙদবনি।

করি রানোদা ইবেম্মা ঐখোয়স্ন থায়নগী মীনি, অহুব মুংঙাইবদি অহুম মফাওই।

তা-থম্বালগা ইমাশিগদি য়াম্মা খেন্নৈ।

করম্মা ?

তা-থাম্বালদি থায়নগী মী ওইরবস্ন হৌজিক্কী চৎনবীগা চুনবা ঙম্মি, মহাক্তি ঙমদে।

রীনাগী রা তাবদা থম্বালহু মপুক্লংদা খরা হুরাওজে মহাক অসি খবা চাউখৎলবা মী অমা ওইরে হায়না খঞ্জহুনা। অহুগা চিত্ৰলেখানা খল্লি, রীনানা মমাগী মরমদা হায়রিবসি অচুম্বনি, মহাক অসি মতমগী য়াওন্দা য়াওবা ঙম্মরোইদবা মীনি মহাকী অরিবা রাখল্দা অহুম নপশিন্দুনা লৈরগদবনি।

থম্বালস্ন রাখল অহুম খল্লম্বদগী করি নিংশিংলক্লবনো,—ইবেম্মা ঙসাইগী ইবেম্মগা খোকমিল্লবা মুপাহুব কনানো, হায়দনা হংলকই। রীনা থিক থিক নোক্লগা—তা থম্বাল মহুব মুপা য়াম্মা মানব্রনে হায়না হংই। হৈমা, মুপা নত্তব্রনে! ঐদি মুপানি হায়দনা লৈরিবনি।

'সিদা কল্লিবা মুপা'সিনে।

খঙত্রেদা, ইবেম্মাহোয়গী মতৌসে, কনানবু চুন্নানেংখন্নানে মুপা শান্থনা থোরক্লবনুদদি .....।

খন্নাকপী মতৌদা নোক্লিংলন্থনা রীনা থিক থিক নোকই।

অমুন্না বারী খন্না শা, খন্না নোক তৌন্থনা লাকপনা চিত্রলেখাহোয়গী কোম্মোং য়ৌরন্থনা চিত্রলেখা কুমথরে। রীনা-না য়ুম ফাওবা থিনজিন্নুন্না হংবদা চিত্রলেখানা থিঙ্জিন্নবমু য়ান্নগনি ইমা মাঙ্গোন্দা ফমন্থনা লৈরে, হায়বদগী মখোয়মু গাড়ীদগী কুমথদনা মমায় লৈরগা অন্থুম চংখ্রে।

চিত্রালেখাগী মমা অশংবীমু, মাঙ্গোন্দা লেন্টন অমা থাল্লন্থনা মচান্থুপী হল্লকপা ঙাইবম্মি। মী অনিদা চাজবনিনা চাক্তি সন্ধ্যাদা লোইরবনি, মত্তোমদা চাবা ন্থংঙাইতন্থনা মচান্থুপী হল্লকপা ঙাইরম্বনি। মতম অন্থু-মক্তি য়াম্না থেঙবদি নত্রি, নুমিদাংগী পুং মাপল্লোমদা মতারি। চিত্র-লেখাগা মমা মচা তুংথ মাঙথ ইমুঙদা চঙমিন্নরক্লে। মমানা ফুঙ্গাদা মৈ হৌগৎলি, মচানা ফি-রোল হোংদোক্লি। অশংবীনা চিত্রলেখাদা হংই—, নহাকপু নতোমতা লাকপ্রা কনা-না থিনবিরকপগে ?

রীনানা।

হৈমা, ইবেম্মন্থনা মখোঙনা থিনবিরকপ্রা ?

মখোয়গীদি গাড়ী লৈ। গাড়ীনা থিল্লকপনি।

ইবেম্মা, ইমাদিনে, মীগী অচৌ-অশাং ইনাক কৈরাক থুনবগী মচা মঙ্গা সঙ্গ তৌবসে ইকাইজখ্রেদকো।

ঐনা হেন্না ইকাইজরিবনি ইমা, মন্থদা মহাক্না য়ামন্দন্থনা ত্তিন্নরিবনি। হোয়নে, ইবেম্মা মীনদি মন্থ খঙবিরোইদো ঐখোয়না নপচন্থনা ত্তিন্ন-রিবনি হায়থিনিনে।

মন্থ থল্লুবদা মনাক কাওবা নকনিঙন্নবনি।

অন্থুগী মথক্তা মখোয়গী মমাশিজন্থদি অচাওরম কাপ্রবা মীনি।

মখোয়গী মমাগী'মত্তৌন্থদনি ঐনা য়ান্না হঙ্গোইরিবমু।

হোয়, ইবেম্মা য়ান্নবদি থাম্মা ক্তিজৌ।
অঙ্গুদা ইমা মহাক্কী অথোইবা শুন শুমদি চাউথোক্লে, য়াক্কবা মীদা মক্তং পাংবিশুঙি, মসিনসু মাবু ক্তুংশিবনি।

য়ারী শানা শানা চিত্রলেখাসু কি-য়োল থুপচিনবা লোয়রক্তুনা ফুঙ্গাদা মৈ শুহাক্তা য়াইখিগে হায়ক্তুনা চঙলক্লে। মমানা চাক থিরুরগে হায়ক্তুনা হৌগংখ্রে। চাক থিবা লোইরগা মমা মচা ফুঙ্গা য়াংম য়াংমদা ফমক্তুনা চামিল্লবে। চাকচা ভোক্লগা চিত্রলেখানা লাইরিক শুহাক পাখিগে হায়ক্তুনা ফমুংদা কি শুমশিল্লগা ফল্লি। মমানা— মুপীমচা পংথেঙ খেঙনা ঔরাইগন্নু হায়রম্লগা ফমুংদা চঙখ্রে।

য়ৌনাসু ময়ুম তেক য়ৌবগা মাগী কাদা চঙক্তুনা মকি-ময়োল প্রেপ প্রেপ হোংলোক্লি। ঙসাইগী চিত্রাঙ্গদাগী অভিনয় হৌজিক ফাওবা কাউদ্রি মথোলদি থোক্তনা থম্মোইনুংদা। তত্তনা ঙংলি— নথুয়াদা য়াতাজবা পুন্সি-চুপ্পা। পুন্সিগী থাক খুদিংমক্কী মহাও, মচু, লে। ঙসিদি য়ৌনাগীসু পুন্সিগী থুংগাংবগী হৱাউ তয়াম্বগী অথৌবী থাক্কী মতাঙনি। ঙসি মক্তোন্দা ফাওরিবা পুন্সিগী মহাংসি হাউখ্রবনি, মচুংস ফজখ্রবনি।
থম্বালসু চাক-শঙদা প্রেপ প্রেপ চঙখি। গমভীনি ফুঙ্গাদা যমক্তুনা পুজা-রীগী য়াবী শাবম্মী। থম্বালনা পাউ তম্লিঙমনখ্রক্তুনা ফুঙ্গা ময়াদা ঙেক ফমথৈ :
অজ্ঞা ইবেম্মা, ঙসিগী কুম্মক্তুদি অঙকপনি।
অং.......... কম-কম তৌবা থম্বাল ?
নজা-ইবেম্মনা শাবা জগোই অক্তুদি তম্বনু থোক্তেদা।
জগোইবুদি তম্বা থোকই হায়ব্রদো ভমফা।

চাকথুমদগী পুজারীসু য়াক্ত তাবদা নোকনিংলমাম্লে—ভা-তম্ফাবু অমুক্তা হৌগক্তুনা তমহনবিয়ু, হায়রকই। মখোয় অক্তুম শুহাক নোকমিন্নৈ। গমভীনিনা মথাভানা অমুক হায়রকই—থম্বাল মখোয়গী হৌজিক কালগী

জগোইনি হায়দনা ভৌরিবসিদি ফাগিহুম মাল্লিদা ঐখোয়গী থাইনগী লাই হরাউবগী জগোইককাহ্ উহৌরবদি ময়াহ্ কাখোকখিবদগী উম-শিনগনি হায়বা ফাওবা কাউগনি। শমশি হৌজিকতবু অহল ওইশিল্ল-ক্লহ্না ইতং তংলবনি, হৌজিক্কী ঐগী পাল্লিবা শমদা অসিদবু ঐগী শর্মসি নিঙহ্ য়ৈরম্মি হায়বসিবু কনানা থাজগদগে।

হোয়মে অজ্ঞা ইবেম্মা নহা ওইরিঙৈদদি ফজরমগনি, হৌজিক ফাওবা কুচু মাঙত্রিনে।

অতো ঐখোয়স্থ্ নহা ওইরিঙৈদদি গমভীনি হায়দনা মণিপুর অসিদা ফাওজরম্লিবনিদা।

অহুগা মজাইবেম্মসিস্থ্ ফজদবদি নত্তে মাগী ওসাইগী জগোইহ্..

... ফনা ফজৈ।

করি জগোইনোনে ?

খঙদেদা, মহোয় হৌজিক কালগী হায়বহ্ ওইরমাল্লে।

খঙলে, খঙলে, থম্বাল নঙনা তম্বা রাসি লৌবা য়াপোৎ নত্তে।

কাররোই নখোঙ-নথুৎ হামদোক্লনা চাক চানবা তৌ। অহুগা ড্রাইভরহ্ চৎখ্রবরা ?

অহোয় চৎখ্রে।

উম মহাক্কী গাড়ী থৌবগী তলব'সিমা অরেম্বদা পীরবনি।

হোয়নে মজাইবেম্মনা হেন্না ফরনি

তানিঙদেনে, থম্বাল মুপীনা গাড়ী থৌবা হৌনত্রা ?

এ, নজাইবেম্মদি ইতং-তঙনা থৌই।

অওইত্রনে, থম্বাল।

ননাই ঐ রাম্না উজরে।

অহুদি ঐ, গাড়ীসি য়োম্মোকপ' তারে।

করি রানোদা, স্নাথ্যা ইবুংঙোনা থনম্বনি, হু.শিদ্রো !

মতুপীদমক য়েংহুনা থম্লিবনি নত্রবদি নহাক্না য়োম্থোকখ্রগদবনি। রায়ী লোইশিল্লকপগা মপা চানরহুনা গমভীনিশিঙ্জ চাক চাননবা থৌরাং তৌরে। থম্বালসু মখোঙ-মথুং হাম্বদোক্লবা মপান্দা থোকখ্রে।

রীনা ঙসাইমখৈ মুংঙাইনা ঈশৈ ঙংলহুনা পোং-চৈ লোইশিল্লি। মফি-মরোল লোইশিন-খোমজিনবা লোইরগা লাইরিক ঙহাক পাগে হায়হুনা মাগী লাইরিক পাফম কাদা চঙলক্লে। ইলেকট্রীককী টেবল লেম্প অমু থাঙ্গৎলগা চৌকিদা হেক ফমথবদা টেবলদা চিঠি অমা তাহুনা লৈবা উরে। পুথক্তা ইরিবা খুত্তু মহাক্কা য়াম্না তোয়না উরবা খুৎনি। অহানমক্তদা থল্লি—শোয়দনা ওইরমগনি। চিঠিহু লৌখৎলগা নিংথিনা ফাক্তোক্লে। অসুম্না ইরম্মি—

রীনা,

নহাক্কী চিঠি ফংলে, য়াম্না মুংঙাইরে। নহাক্কা পীরকপা পাউতাক পূম্নমক মমল য়াম্না য়াম্বনি অফবা ঙাক্ক নি, এনা লোইনা লৌরি। অদুবু নঙগী চিঠি অসিদগী এনা থঙবদি নঙনা ঐবু খিত্তং হন্থনা লৌরমাল্লে হায়না থল্লে। মহু নঙগী অরানবা য়াথঙ্গি হায়না লৌনিঙঙি। চুম্মি, নহাক ইনাক খুনবা শাগৈ-নাত্তে ফবা ইমুংদা পোকপনি। অদুগা ঐদি ইমা-ইপা শাগৈ নাতৈ কনা'মতা লৈজদ্রবা শম্না হায়ববদা এগীনি হায়হুনা হল্লা য়েংবদা কনা উরবা মীনি। অদুবু ঐসু মীনি হায়বসিমদি থঙবিয়ু। করি-গুম্বা মতমদসু ঐনা ইশাগী কান্নবা য়েংহুনা মীগী মাঙননবা তৌজরোই। ঐনা অসিমদি হায়নিঙঙি, নহাক্কীদমক মতম পূম্নমক্তা মী অমা লেম্মি হায়বসি কাউগনু। মসিনা ঐগী অরোইবা পাউনি, নহাক্কা মতমচারে হায়না থল্লক্ত্রিবা মতম অমু ফাওবা করিগুম্বা মতমদসু ঐনা নঙগী নাকোং য়াই চিলহল্লরোই।

নহাক্কী,

মতম পূম্নমক্তা ঙাইজরিবা

সুরেশকুমার

রীনা চিঠিসি, অনিরুক, অহম্নক হন্না পারে। ভাব তাবা ঙমদ্রে, মকোক ইঙাও ঙাওই। হৌজিক্তা মুংঙাইবগী ইশৈনা থল্লম্লবা রীনাগী থম্মোইনি। অদুবু মিংকুপ অমগী মরুঙদা খোয়রাং খোয়শাওহল্লি,—ঐনা করি হেনজিন্না হাংরুহনা মহাক্না রারোখিবা। ঐস্ন মহাকপু খঙদবা নত্তে, মহাকনস্নু ঐবু খঙদবা নত্তে,—থম্মোই অনিমক উনরবা ঙাক্তনি। মসি মহাক্না মশানা হক্ষবা মীনি হায়না খঙবদগী ওইবা তায়। মহাক্না ঐগী লেপ্পগুম ঐস্নু মাংগীদমক লেপথ্রবনি, মতম চারগা থবক পূম্নমক থোক্কনি। মসিগীদমক করিস্নু হুংনাংফম লৈতে।

রীনানা অস্নুম্না ঙহাক থল্লিৎভেদা খোঙদা তেক তেক কাপ্পকই।

কনানো, তা-থম্বাল-লা ?

মাম্নি।

কম্নিগীনো চাক লোইরব্রা ?

অহোয়, লুক হাবা য়ারগনি।

ক্ষরে, খুঙলে, লাক্লগে।

রীনা হৌগৎলগা চাকশংদা চাক চারুরে। থম্বালনা খল্লম্মী, ঙসাইগী জগোইগী মরীদা রারী থর শাবক্কনি, অদুবু রীনাদি করি'মতা হায়খিদ্রে। মহাক্না চাগদবা থরদু থুনা চারগা অদুম থোকখ্রে। থম্বালনা খলহৌই,—করিগীনো ঙসি, ঐখোয় ইবেম্মনা রা কৈক্ষা অমতা ঙাংদ্রিবসিবু, ঙসাইদি গাড়ীদা অদুক মুংঙাইনা রারী শাররুগা।

ঙসিদি রীনাস্নু লাইরিক-লাইশু পাবগী রাথন্দি কয়া লৈখিদ্রে নোংচুপ ওন্না পাল্লিবা মিহুৎ অদু হাংদোক্লগা তারমদাই থাজগী মঙান্দা মুন্না য়েংলি, থল্লি থাজসিনা তাখিবদা তাইবং পুম্বা মমখিনি, ইন্নুং ঙানবদা তাইবং পুম্বা অমুক ঙানগনি। মীওইবগী পুন্সিস্নু অসি মঙায়,—অমম্বনা থল্লবা থম্মোইনি মতমগী মতুং ইন্না ঙাল্লক্কনি। অদুগুম্বা মতম অদু ঙাইহনা লৈবা তাই। লানগল্লবা মীওইবনি খোঙথাং খুদিংগী লানগদবা

মীওইবনি,— ঋনানা লানবগে হায়বন্থু খণ্ডনবগা অচুম্বা লম্বীদা লাক্কবা ঙাক্তনি।

সুরেশকী চিঠিগী মরীদা অচুম খল্লমই,—মহাক্কা ঐবু লায়া লৌশ্রবরা, লৌশ্রবসু ফরে, মহু হৌজিক ঐনা চীন্না চুমথোকপনা করিসু কায়দে থবকনা অচুম চুমথোকনবগা লোইরে। মহাকসু ঐগুম্না থম্মোই শেংলন্নবদি শেংদোকনবদা করিগী য়ারোই। হৌজিক ঐহাকসু ইশামক মী ওইনবা হোৎনখিবা তাবি লমকৈ চৎখিছুনা পুন্সিবু অবেম্বদ মাংহনবদি চুমদে। মীওইবগী থম্মোইদা চেল্লিবা মুংশি ঈচেল অসিদি লায়রবা, ইনাকখুনবা অচৌবা, অপিকপা, চপ মান্নবনি,—ঈশিংগী ইচেলশুম্বনি, মতমগী খোঙচৎকুম্বনি মীচঙ মীথায় নাইবা নত্তে। লায়ববনি মুংশিরোই অতোনবনি চানবিরোই হায়রবা, থম্মোই অচুদি মুংশি মশক খঙত্র-বনি। ঐগীসু অরেপ্পা রাখল্লি মতম চাদবনা মপুং ফানা শাৎকাইবা ঙমত্র-বসু হয়েং তাঙ্গা চারবা মতমদদি শোয়দনা শাৎকাইরকনি মহাকসু খঙগনি।
রীনাগী রাগলনা লোয়শিল্লকপগা লোয়ননা অমম্বগী শরুকসু লোইখি-ছুনা অঙানবা মঙান্না তাইবংপূম্বা শীনখ্রে। রীনাসু মহাক্কী মথোদা মায় ওনশিনখ্রে। মহাক্কী নোংমগী তৌগদবা শিম্বা পায়খ্রে।

(৫)

সুরেশ কুমার হৌজিক বি, ই. গী মরিগুবা চহীদা তল্লি। মহাক অসি য়ান্না পিদোন্না হৌরকপা মীদি নত্তে। হৌজিক্কী ওইরিবা ফিবম অসি য়েংবদা য়ান্না তোন্নবোই নিঙবনি। মহাক্না চহী অমরোমদা শুরকপা মতমদা মাংপুরদা অকনবা লাইচৎ ঈকাই অমা তৌখি, মহুদা মহাক্কী মপা শিখ্রে। মমা লুখ্রানা য়োক্লমই। মপানা মহাকপু মী অমা ওইবা য়াননবগী সমপত্তি থম্বিরম্মি। মমাসু য়ান্না হৈ-শিংবী লোইশিন-খোম-জিনবা হৈবী মুপী অমা ওইরম্মী। মপুরোইবনা থনম্বা লল-থুম অচু

মাঙহনবদি হারক্লগনু মহাক্না শীল-লাঙছনা মতুদগী হেনগৎনবা হোনরম্মী। নৌনা লুখ্রা ওইহৌবগী হৌনশা-কনাগুম্বা মরন-মথুম লৌথোকে হান্নবা হুপাশিংনস্তু মহাকপু তমশিন্নরক্কবা নত্তে। অতুগা তশেংনা পুকনিঙ থোইদাজব কাঙবুম্ন মরাকই, অতুবু ইবেচাওবিনা মচানুপাগীদমক য়েংহনা, থোইদোকনা লৈখিদ্রবা মপুরোইবনা স্বর্গদগী য়েংথরকপদা অসি-গুম্বা পাপকী মশক ওইরবা থবকসি উথ্রবদি মপোক কয়ারক তপ তৌজহনস্নু পাপ অতু কোকপা ওম্মরোই থনবদগী মহাকনা অসিগুম্বা থবক কদৌঙৈদস্নু তৌগে থনখিদে।

অময়োমদা মচানুপা সুবেশস্নু লুখ্রাবীমচা চন্দ্রকংনালগুম্বা নত্তে। মমানা কেনা মৌনা য়োকই হায়তুনস্নু তোনানদে। মথৌদা মায় ওনশিনবা মশানা মশাবু ন্নারকচবা মী'নি। মহাকপু লমজিংবিনবা কনা লৈত্তে হায়বসি মশানা মুন্না থঙজৈ। অতুনা মহাক্কী মন্নাইবক মহাক মশানা শেমজগদবনি হায়বসি সুবেশ মুন্না থঙলম্মী।

সুরেশকী মন্নাইবক থীবনা মহাকনা মেত্রিক থাবা কুমহৌদা মমা শিথিরম্মি। মমা শিথ্রবা মতুংদা মহাক মপাগা পোকমিন্নবা মনেগা লৈমিন্নবা ভাখি। মহাক্কী মনে [illegible]শিস্নু নৌনা লুখ্রা ওইহৌহনা মপামদা হল্লক্লুনা লৈবনি। হৌজিক্তি সুরেশকী মমা অমস্নুং মপা অনিমক লৈখিদ্রবনিনা মহাক মনেনা য়োকপা তারবনি। মনেনা মহাক্কীদমক থোইনা মতেং পাংগদবা নত্তে, মন্নমদি মপানা মহাক্কী মহৈ মশিং তম্মনবা বেঙ্কতা লুপ লিশিং তরা থম্বীরম্মী, অতুগী মথক্তা লৌ পরি মঙা তক্ককস্নু থম্বিরম্মি। মপানা মহাক্কীদমক থনম্বা সমপত্তি অসি ওসি ফাওবা কায়দ্রি। অতুগা মনেগী লুহোংবা মতমদা উনখিবা লৌ পরি অনিস্তু, মনেনা মপামদা হল্লকপদা পুরক্রবনিনা, লল-থুমগী মায়কৈরোমদগী য়েংলুরবদি কা হেন্না ইনাক-কৈরাক খুনব ইমুং হায়বহুমা ওইত্রবস্নু চাব-থকপা ন্নাক্তবা ইমুং হায়বহুমদি ওইরবনি। অতুগী মথক্তা মথোয়গী ইংথোল অতুস্নু লৌ পরি

অমরোম চাউরিবনি। ইংখোলদা হৌরিবা উ অমুক্তনা শীং ওইনা থাবদা কুম অমগী শীং লৈত্রবস্থ য়াই, ইংখোলদগী থোকপা, মনা-মশীংজনা চাবদগী চেন্সোক্তুনা কৈথেল্দা কাওবা য়োল্লি। অদুবু মহাক্কী মুখাল খঙদবা মীশিংনা মপান্দগী য়েংবদা লায়রৈ, জোল্লি, হায়রনা লৌবনি।

সুরেশনা রীনাবু হায়স্কুল তম্লিঙৈদগী হৌনা মশক খঙডি। অদুবু মহাক মশাগী ফিভম খঙজরবদা, করিগুম্বা মতমদস্থ পুক্সিঙগী রা অমা কাওবা কোংদোকপা ওমদে মেট্রিক পরিক্ষাদস্থ স্কুল অমত্তদা ভাগিরৈ। পরিক্ষা লোইরগা থোরকপদা পরিক্ষাগী মরমদা য়াম্না হংনিঙিঙ অদুবু মহাকজনা খঙজবনি রীনানদি খঙদবনিনা করম্না য়াহৌরনি। অদুগী মখক্তা রীনাদি থোওনা চংপস্থ নত্তে, গাড়ীদা চংখিবনি। মহাক্তা রীনাগী মতুংদা চংপা ফংলিবসি স্কুলগী গেট কাওবতনি।

হাইস্কুল লোইরত্তুনা কলেজগী পুক্সিদা চঙলক্লে। সুরেশনা খল্লি— মতাং অসিদদি খজিক্তং কোল্লগনি, য়াহৈ অমত্তা ওইরবস্থ হায়রবগী খুদোংচাবস্থ ফংলগনি। অদুবু মতাং অসিদনা অমুকহেন্না য়াম্রে খুদোং চাবস্থ ফংলবমক্তদা মহাকনা লৌজবা ওমদে।

সুরেশনা সাইন্সকী ছাত্রনি, রীনানা আর্টসনি। ঙুমিং খুদিংগী সুরেশনা পুং মাপল তাবদা ময়ুমদগী থোরকই অদুগা রীনাবু ঙাইরুনা লৈ। রীনা অমসুং চিত্রলেখা লাকপা উবদা উ মরুম অমদা লৈশিন্দুনা লৈরগা মখোয়না মাঙ খরা থাগ্রগা মহাকনা কোম্না লাকপা শারত্তুনা মতুংদা চংলি। নকনবা কলেজদা তম্বা ছাত্র মশেন্নিনা মশক্তি অতুম মখঙনৈ, য়ারীস্থ অতুম মশামিরৈ। ছুটি থারগস্থ অতুম লাকমিরৈ, খ্বাইরমবন্দ কাওবা লাকমিন্নরগা রীনা অমসুং চিত্রলেখানা শগোলবন্দলোমদা চংখি, মহাকনা টিঙিম রোদলোমদা লাকই। ঙুমিং খুদিংগী অমসুম্না চংমিন্নে। মহাকনা য়ারী শাবা মতমদা চিত্রলেখাদা শাবদদি থোইদোকনা অপনবা হংগোইবা ?সতনা শাই, অদুগা রীনাদা ঙাংবা মতমদদি মমায়স্থ ঙাংলপ

তৌনা মথোলদু নিরূপ তৌনা ঙাংই। রীনাদদি থোইদোকপা তোঙানবা মওং উদে, য়ায়া পুকনিঙ তিংবা য়ারী শাবগী মওং মাল্লি। চিত্রলেখাদি মীগী মিতেক-মীয়ৌসি থয়া মুন্না খঙবা মীতা ওইনা তৌয়রুনা সুরেশকী মওং অমদি রীনাগী মতৌসি নিংখিনা য়েংলি।

অসুম্না সুরেশনা য়া অমতা হায়দনা রীনাগী মতুঙ ইল্লকপসি চহী অমরোম ফাঙ্খিল্লক্লে। আই, এ, সি, গী অহানবা চহীগী পরিক্ষা লোইরে। রীনাহোয়গীসু আর্টসকী অহানবা চহীগী পরিক্ষা লোইরে। মতাঙ অসি পরিক্ষাসু লোইখিবা, অনৌবা শেসন অমসু হৌত্রিবা চয়াঙনবা মতম্নি। ছাত্রশিংসু রোল নম্বর থুম্লগা মানা মানা চৎনিঙবা কোযনিঙবা মফমদা চৎখিবা, কোযখিবা। অদুগা মযুমগী থবক তৌনিঙবা ছাত্রীশিংগী মমুঙদা চিত্রলেখাসু অয়নি। মহাক্তি মিকুপ অমা ফাওবা অরেম্বদা মতম মাঙহল্লিঙদে, স্কুল ঙহাক য়ৌরম্লগা মযুমদা চুং হনখিদুনা ফি-রোল শাবা মতুংগা লোন-খোৎপদা পুকনিঙ চঙহুনা শেল থয়া তানশিল্লবা হোৎনৈ। অময়োমদা রীনানা অহাঙবা মতম ফংবদা আউৎ বুক পানবা হোৎনৈ। অদুগা মহাকসু লাইবিক্তা পাখিদুনা লোন-খোৎপগী শিন-ফমসি ওরি'মত্তা হৈত্তে হায়বদি নত্তে—মহাকনা মতুদগী শেল তান্নবা হোৎনদে হায়বতনি। মশাগী ওহনা অমসুং মমাম্বশিংদা থুদোল পীনবদি মহাকসু লোল্লি। রীনাসু পরিক্ষা লোইখিবগী অহাঙবা মরক অসিদা পাখিবা লাইরিকসু অঙকপনি,—মৈতৈয়োল, ইংরেজী কলেজ লাইব্রেরিদা লৈরিবা লাইবিক মখৈ চিংথদনা পাখ্রে। শম্না হায়রবদা রীনাগী অথোইবা মরুপসি, মতাঙসিগীদি লাইরিকনা ওইখ্রে।

সুরেশসু লাইরিক লাইথুদা অচুক হাকনা শোখবা মীদি নত্তে। মহাকী থোপক্তি বিজ্ঞানগীনি, অদুগা পুকনিঙ অমসুং য়াখল্দি সাহিত্যগীনি। সাহিত্যসি মহাকসু থোইদোকনা পামজবা মীনি মতমগী কান্নবা য়েংহনা বিজ্ঞান ত্তবনি। মহাকসু অহাঙবা মতম অসিদদি কলেজ লাইব্রেরীদগী য়ারী

উপন্যাস, নাটক, অফম্বমথৈ লোইনা পাই। মহাক্কীদি ময়ুমদা পাবা কয়া মুংঙাইতে হায়দুনা লাইব্রিক পায়রগা অরাম্বা মতমদা কলেজ-মমাঙদা লৈরিবা কবরখানাদা চঙহুনা পাই। কলেজগী মোল থুম্মরগা মহাকনা মফম অদুদা চংথিবসিনা হোরেল মুমিং য়ুংবা মতুঙ পুং অনি অহুম ফাওবদি অহুম ফমদুনা লাইব্রিক অমুক পাবা, ঙহাক হৈপাল-লৈপালশিংগী মখোঙদা চঙহুনা অপোম্বা কয়া য়াম্না য়াওরিবা অশাং-পনা কয়া থাম্লবা, ঙরাং পোমহৌবদু ঙসি শাংলত্রা, অসিনচিবা য়েংবা অসিনি। খুমিং চপ য়ুংবা মতমদস্তু মোতোর ফুল অশাংপা অমদা লৈহৗ চুপ্পিঙহুনা হয়িংখোই অমা অনিস্তু পাইরক্লুনা তোংলরি। মহু উরগা মহাকনা খাল্লি,— মখোয় অসিস্তু মুংশাগী মৈশানা ঈথৌলাংলমাগে, লৈহী চুপকে পাইরক্লি। ক'রিগুম্বা রাখল থরনা মশাবু শুমহংপগুমস্তু তৌই। খর মপীগা লোয়ননা হস্থরক্লগা মখুত্তগী লাইব্রিক্তুদা অমুক য়েংই।

অস্তুম্না মতোমতা রাখনগী ঈপাঙা। অমুক তাউ, লাইব্রিক অমুক পা তৌহুনা লৈবনা মুংখিলগী পুং মথিরোম তারকপা মতমদা ময়ুমদা হল্লি। পরিক্ষা লোইরবা ফনা য়াম্না কুহংশিল্লক্লে, হায়দোক্কদবগী মরাঙ মরাঙ তোনরক্লে। ছাত্রা অমাম্বস্তু খবা খয়া থেঙনা লৈনরক্লে। কনাগুম্বা য়াম্না খঙনিঙবা ছাত্রাছাত্রীশিংনস্তু ওজাগী মনাক্তা চঙহুনা পরিক্ষাগী মরম হংনস্তু য়াওরি। সুরেশন্তু ময়ামগী মমুঙদা অমনি মহাকস্তু অহুক য়াম্না ফওবা ছাত্রদি নত্তবনিনা পাশ ফাওবদি ওইগনি হায়বসি মহাক্কী য়াম্না থাজবা রাখল্লি। অওইবমকস্তু তৌরিবনি, য়াম্না নিংথিজনা পাশ তৌই হায়বাসি ওজাশিংগী মচীন্দগী তারে।

সুরেশনা মুমিং খুদিংগী রীনাগা চিত্রলেখাগবু লাকপ্রা হায়হুনা হংই অহুবু তাঙ্গা চাদবনরা কমিনো অমুক্তা থেংনদে। ঙসিদি লাইনা কুবিরমাগে রীনাগা চিত্রলেখাগস্তু মতুঙ কুইনা উম্মরুজে হায়হুনা মুংঙাইনা রারী শা-মিম্নহুনা কলেজদগী থোরিকপদা, সুরেশকা মপা চানরুহুনা থেংনরে।

সুরেশনা হঁন্নাওবোই করিবোট খংহায় হায়রকই,—চিত্রা! কদায়দগীনো কলেজদগী খোরকপা উরিবমশু। কদাইদগীনো হায়বসিবু, চিত্রলেখানা নোকই।

সুরেশতু চিত্রাগী পাউথুম অহুদা ইকাইখুম্নারে, মমায় লুকথরে।

চিত্রলেখানা সুরেশ ইকাইরে হায়বা খঙলদুনা মখা তারকই—নঙবু য়ুমদা হল্লত্রা কদাইদা চৎকদৌরিবনো?

অং, য়ুমদা হল্লনি।

উল্লবনু কুইরে করম, তৌরি।

নখোয়দি করম তৌরি।

ঐদি কি শারি।

লাইরিক পাজ্রনে?

হেয়। লাইরিকা পাবা শংপোৎ নত্তেদা, রীনাদি য়াম্না পাবনি। রীনাদা য়েংলগা হাইকেৎ নোকই, সুরেশতা অমুক য়েংই।

ঐখোয়না পাবদগী সুরেশনা হেনবনি, রীনানা হক্তোইদনা খুম্মি।

সুরেশনু, নঙদি করম্না খঙলিবা, হায়বা রাহং অসিমদি হংনিঙলম্মি। অদুবু খনাউদা ঙা মরূ অমনা পনবগুম ঙাংখোকপা ঙমখিদ্রে নাত্তে অমরোমদা, পাদেদা হায়রগা অদুম লোইশিনখ্রে। চিত্রালেখানা মখা-তানা হায়রকই, সুরেশ য়াওরিত্তেদা ঙসিদি মতা অমা চারে, ঐখোল্লদি কনরখানাদি অমুক্তা চঙজি, চঙঙ্সি। রীনাসু মত্তেং পাংশিল্লকই,—হোয়রে, অমুক্তবু য়েংলুসিনে। হায়ন-হায়না অনিনা মাঙ থাদুনা চৎলি, সুরেশনা তুংদগী শোল্লগা হায়—হোরেল মতুঙদগী লৈ-শূ হেকলুসুকো, চৌকিদারনা শাউগনি।

কলবা লৈ শাৎপ্রনে? রীনানা হংই।

য়াম্না শাৎলি।

নঙদি মকল অসিত্তদা লৈত্রা, য়াম্না সুন্না খঙগ্রেদা চিত্রলেখানা ফাগি তৌই।

ঐরিদি অয়াম্বা মতমদা লৈকোল অসিদা চঙলগা লাইরিক পাই।
বিজ্ঞানগী মীনবো কবিগী শাজং চংগ্রা বীনাস্তু কাগী তৌই।
'ফজবা' হায়বসিদি কবিগীস্তু, বিজ্ঞানগীস্তু অনীমক্তীনি। শন্না খুম্মী স্থরেশনা।

অহুম্মক চংমিন্নবক্তুনা লৈকোল ময়ায় য়ৌরে। শানৌ ওইবীশিংনা লৈবু পামজবা হায়বসিদি মহৌশানি। বীনা অমস্তু' চিত্রলেখা অনিনা কোয়রাং লাওডি,— অসিনা ফজে, অসিনা ফজদে, মখোয়সিদি মনম অমত্তা নমদে। মোত্তার ফূল চবোং অমমম হেক্লগা মনাদা চিনশিল্লি। অহুদগী মথং মথং লাক্তুনা অয়োইবা য়াহিপ তানখ্রবা সাহেবশিংগী মোংফমদা খিল্লিবা ফুংশিং অহুদা ইরিবা ময়েকশিং অহু পাহুনা তপ্পা তপ্পা চংলি। মনিংগী শরুক লোইরহুনা মমাংলোমদা অমুক লাক্লে। নোংপোকলোমদা লৈরিবা মোংফমশিংস্তু য়েংলে। লৈকোল অসিগী ফজবা পূমমক য়েংবা লোইরগা মখোয় অনিগী মত কো'দোকনৈ— সাহেব হায়বা জাৎ অসি মরৌ চাউরবস্তু তৌখোরকপা' থবক্তদি লুইদা। মসিমকনা মখোয়না যুগ কয়া পৃথিবী অসিবু খুত্তম চন্দুনা লৈরম্লিবনি। ঐখোয়গীদি কদাই অচৌ অশাং পিক থন্না শিখিবা য়াওরে অহুবু কদাইদা পোৎলোইখিবনো হায়বা ফাওবা থগুদে।

ঙসাইমথৈ স্থরেশস্তু উনা-য়ানা য়েংহুনা মমাঙ থংবা মচি অমদা ফম্নগা মখোয়বু ঙাইরম্মি' মখোয অনি উববদা যেংবা লোইরমাল্লে খল্লহুনা চংকদবগী হৌগংলক্লে অহুম্মক গেটলোমদা থোরক্লে। গেট হেক লাম্হোকপদা স্থরেশনা হংই,—কমদৌই?
য়াম্না ফজেবো 'সিননি মযাম্না চঙনরিবা, চিত্রলেখানা নোক্লহুনা খুম্মী। তশেংনমক হায়রবদা ফজদবস্তু নত্তে,- মীওইবগী খুংশেমস্তু অঙকপনি। খুংনা শেমলগা লাই ওল্লি, লাইনা শেম্লগা মী ওল্লি হায়বসিস্তু করম্না লানগনি। মতম অমদদি মোংফম্নি হায়রহুনা মপাদা চংপা ফাওবা তুং-মাঙ য়েংলগা চংনরম্লিবনি,অহুবু খুংশেমগী পাঙম্না ঙসিদি মোংফমগী অকিবা

পুম্নমক মাঙখ্রে, মোংকমগী মহত্তা ক্ষজ্রবা লৈকোল অম্না ওইরে। ঙহাক্কি শোয়খাবদা মুংঙাইনবা হায়রগুনা মহুক্তদা পুক্রিমচা তৌরি, মচি মচিদা উরুম লাংবা উপাখী মচাম্ব থারি, পুম্নমক অসিনা হকচিক লাংলে চঙ-লকপা মী শুদিংবু মুংঙাইহল্লি।

মখোয় অহুম নাকনিন্নবনা মখোয়গী কায়নকম খ্বাইরমবন্দ য়োম্নবদা মখোয় অনিস্থু শগোলবন্দ লোমদা চংখ্রে। মুরেশস্থু মখুল মপান্নোমদা লাক্লে। মুরেশ হৌজিক্কী যুগ অসিগী পাখং ওইরবস্থু লমচং ব্যবহারদি য়াম্না খঙবা মীনি। কনমক ঙাংনিঙবা লৈহুনস্থু মতাংচাদবা মতমদদি থক ঙাংদে। মুপী নহাদস্থু চং,ং-চগং থক ঙাংদে, মশাস্থু ইকাইখীজবা মীনি, মী অমগা মায়য়োকনহুনা রা ঙাংনবা হায়বসি মঙোন্দা ইরায় লায়রা থোক্তে। মরম অহুনা মুরেশনা হায়নিঙবা, ঙাংনিংবা কয়া মপুকনিংদা পিক থম্না লৈজর-বক্ক, চিনবান থোক্তবনি।

মীনাগা চিত্রলেখাগা অহুম লাকম্নিবসিদা, চিত্রলেখানা থল্লি - কম্নিশী-নো! মুরেশনা মীনাবু উরগা মমায় ঙাংলিবা, মঙোন্দা রা ঙাংবা মতমদা ইকায় হজোইরিবা।

চিত্রলেখানা তুমিম্না লৈগ্রবদা মীনানা হংই—করি তৌরবগে লৈকোল চংলুরগা করি রাখল তৌহুনা তুমিম্না চংলিবনো?

চিত্রলেখা নোক্রহুনা খুমখি—মুরেশনা নঙবু উরগা মমায় ঙাংলিবসি করিগীনো হায়না থল্লিবনি।

ও! অহুগী ওইরে, হায়রগা মীনাস্থু তুমিম্না লৈখ্রে।

ঙহাক্তং লৈরগা ভাব তারকতুনা মীনানা মহাকী রাখল খঙখ্রনি হায়বগী ইকাইরহুনা অতোপ্পা রাম্নী থম্না শাশিন্নহুনা অনিমক নোকমিন্নহুনা পাড়ীহু চপ মান্নবা থোমিন্নরক্রে। অম্নুম লাকম্নিন্নবনা মীনাহোম্নগী মপা য়োম্নহুনা মহাক্তি চঙহৌরে অহুগা চিত্রলেখানা থোথখ্রে। চিত্রলেখানা ঙসি কাঙথোক্লম্লিবা রা গসিগী মতুংদগীদি মীনাস্থু মপুকনিংদা চিংনরপ তৌবা হৌখ্রে। মহাকী রাখম্না মুরেশপু থম্না হজোইবা হৌখ্রে।

মীনা মচুন ক্রেক য়োৎমা মহাক্কী কাম্না চঙ্লুনা মফি-মরোল প্রেপ-প্রেপ শোংশোনকপা, কমুত্তদা ঙ্গিত্তুনা কম্মিগুম্বা থব্না থক্কি, অমুকমু হোৎনবগী মিংশেল য়েংই, মকুম মরাং খত্তবা ঈথক অমদা তাউদুনা লৈরে।

সুরেশমু লম্বী লমথাং অসিদা গাড়ী থোরকপসি, থোক্কনা খুনেং থঙ্গি হাপ্পবা কাউই। মরেক য়াওদবা ইশৈ থম্না ঙংলদুনা মমুম মায়কৈ পাং-লক্লই। পুকনিংগী মাঙ্গনিগা থম্মোইগী সুম্বগা অমত্তা ওইনা তিন্নপ্রমাক্লে, পুম্মমক লোয়না কাউরে, কুমগী নেংহৌ লাকপদা ঈমায় চোল্লবা তুমেম্না কংঙ্গাওননা চেংহরকপগুম, থম্মোইগী ঈথক্কা লোয়নননা চেংহমক্লে ঙাওরবা মাখলগী ঈচেল। ঙসিদি সুরেশসি অমুকী মতিক থম্মোই ঈরাং হোৎরে মখোয়গী কোয়োঙ ফাওবা হেন্দোকনা চৎলুরে। লৈরক মচা অমদা মখোয়গী যুম য়োৎরে চঙলগে হায়দুনা থৌজিল্লুবদদি ওইরমক্রে। গাড়ীদগী কুমথরগা মত্তোমত্তা ঙহাক লেপ্পগা,—ঐনা তৌরিসিবু কনাগুম্বনা উরমগদ্রা,হায়না ইকাইজদুনা যুঙ্ঘ মাঙ হম্না হম্না য়েংই। গাড়ী তোংথং-লগা মচুমলোমলা অমুক থোংগত্তত্ত্ব।

ঙসিদি সুরেশনা মমুমদা হন্নকপসি থম্না থেঙলে। মরম অদুনা মনেনা কোয়োঙলোমদা য়েংদুনা লৈরি। ময়াবু উবদা খম মপী হোন্দোকচে, অমসুং হংই—কন্নিগীনো ঙসি থেঙজিসিবো পরিক্ষা হায়দোক্কত্রা? কম্মিদু তৌদে, ময়াম অসুম কোয়ক্কবদগী থম্না থেঙদোকপ্রে। ইবুংঙো থেংনা মম্না চৎকমু নংগীদি কনাসু লৈজদেকো।

মনেগী মাঙাং তাবদা সুরেশকী পুক্নিঙগী ইথক ইপোমলিঃ অদু থম্না হন্থিনবগুম তৌথি। সুরেশনা খনখি, কন্নিগীনো ইজেন্না খুমিংচুমগী অত্তোনবা, অশোয়বগী মাঙাংদা ঙাওদুনা ঐগী পুক্নিংবু অমুক য়াম্না হন্থহন্নিবসিনো, ঐবু মুপা নত্তবদা অদুগা ঐনা কনাগী মকথদা কাম্না লাম্নুম্বা ঐঙোন্দা কান্নি অকায়বা তৌরকলোম্নিবনো। মাকমশিং অসি মহাক্না খজনতনি চৌমবানথোংনদি কদৌত্তৈজন্দু মনেগী চিংজা থুম্বা নত্তবা অনেম্বা খুমঙইমোইনবা মা অদা ফাওবা ঙাংল্লি। মমাগী কংনবা মুংশিবা পুম্মক

অদু সুরেশনা মনেদগী ফংই মরম অদুনা মহাক্না মনেবু মমানি হায়না অদুম খঞ্জে। মনেগী য়াথংতবু লৈখা তাদনবা হোংবৈ। মনেগী মচা মশু লৈজদবনিনা মহাক্কী হুংশিবা পূম্নমকতু ময়াম্নুপাদা লোইনা হৈজিল্লি, ময়াগী য়াইফনবতা খঞ্জে।

অম্বয়া মনে অমসুং ময়া অনিনা, কনাগীসু মতেং লৌদনা মশাণ্ডনা শুজ-নোমজদুনা অমসু' শীন-লাণ্ডদুনা মযুম পাল্লি। অদুগা সুরেশকী রাখনসু মীওোন্দা হায়জদবা, অমদি মীথা পোম্না খবক তৌদবা হায়বসি মহাক্কী অচেৎপা রাথল্লি। Rosseu গী রা Man is born free but found everywhere chained' হাযবদি মী হায়বসি পোকপদদি মনিঙ তম্মি অদুবু মফম পূম্নমক্তা য়োংছিলং থাংজি, হায়বা রাসি সুরেশনা কাউদে। মরম অদুনা মহাক্না মতম লৈবখিবিক্তা মনিঙতম্না পানগনি মীথা পোল্লোই হায়না খল্লি।

ওসিদি পরিক্ষা হায়দোকপা হুমিংনি, ছাত্র পুম্নমক পুয়াও লাণ্ডনৈ। সুরেশসু লাণ্ডবদা য়াওরি। নুংথিল পুং মরিয়োম তাবদা হায়দোকনি হায়দুনা ময়াম পুম্নমক ওাইনরি। খর অমনা হৌনদুনা কোয়বা চৎনখি, খরনা সিনেমা য়েংখি, খরনা শাল্লে মতম ওাইবা ওইনা সুরেশতি ময়ামগী থবক অদু অমত্তা য়াওদনা মচি অমদা মতোমত্তা লাইরিক পাদুনা ফম্মি। মরক-মরক্তা নহাল নোংমগী রীনা, 'চন্দ্রলেখা, মখোয় অদুম রারী শাদুনা লাকমিন্নথিবদুগুসু নিংশিংই মঙগুম তাইবংগুম ভামুকসু মাঙখি।

মতম য়ৌরকুনা পরিক্ষা হায়দোক্লে, ময়াম পূম্নমক হোংচিন্দুনা য়েংনৈ। ফল থেংনিবা বোর্ড অদু মশক উদে, অমগী মথক্তা অমনা ফাদুনা য়েংই। মশাগী য়েংবদগী হেন্দোকুনা মীগীসু য়েংবীবা য়াওরি। সুরেশসু য়াইগী মনিংদা থুনিঙ কাংদুনা লেপ্পি, য়েংবদি ফংদে। ফুং হুয়া থোরকপদা ছাত্র অমনা হায়রম্মি,—নঙদি য়াম্না ফরেষ্ট ফার্ষ্ট ডিভিজনদা ওইরে। মীগী মচীনক্ষীদি তারে, অদুবু মশানা য়েংনিঙদুনা ওাইদি ওাইরি।

মী খরা খরা শানরবা মতমদা মহাকস্মু য়েংলুরে। মশানা তংতানা খংজরবদা ভাওাইনা ময়ুমদা হনগ্রে।

ময়ুম হেক য়ৌবদা হরাওনা মনেদা তমজে,— ইনে পরিক্ষা ওগ্রে। ওসি এঙ্গাং অহাওবা চাবা তারে। ময়াগী হরাওজবছু উবদা মনে অমুক হেন্না হরাওজরহুনা খুম্মি ইয়ানবু চাদনা কনানা চাগদগে।

মুমিদাং অহু ময়ানা হায়বা মতুংইগ্ন এঙ্গাং মখেল অনি অহুম থোংহুনা চামিন্নরে। চাক-চানা চানা স্নুরেশনা হায়রকই – ইনে, ঐদি বি, ই তমংগেকো অহুগা ইরম্নাইগী কারথামা লিংখহুনা থবক শূজগে মীগী মখাদা থবক তৌবসি কয়া পামজদে। ইশানা শূহন্নগা ইখুংকী মমল চাজগে মনেদি থোইদোকনা খঙজদবনিনা মযানা হায়রিবা পুন্নমক অহু হোয়, মাই থোইদোকপা পাউংমুম অমতা পীদনা তুমিন্ন তাহুনা লৈরম্মি।

রাবী শানা-শানা চাক চাবা লোইরে। স্নুরেশ মথুং হামদোকুনা হৌগংগ্রে। মনেম্নু লুখাক চগুম শেংজিল্লগা, ওহাক্তং হিদাক ওাম্বক অমত্তং থকুনা পোথারগা ফমুং চংগ্রে। স্নুরেশত্তি খরা ওনমন্নি হায়হুনা কমুওদা ফম্নগা লাইরিক ওহাক্তং পাবি। লাইরিক পানা পানা তুংদা লাকদৌবিবা পুন্সিগী জগত্তা রাখল পুম্বা চত্তগ্রে, মাওদা লাইরিক থন্নি হায়বহু মওায়রে। কান্নররোই তুমলগে হায়হুনা মতাকস্নু তুমগ্রে।

মথংগী মুমিংনি।

ওসিদি রীনা চিত্রলেখা য়াওদনা মতোমতা কলেজ কারকই। থাপলগ্না রীনা মতোমগা লাকপা উবদা স্নুরেশনা খল্লি,— কন্নিগীনো ওসি মতোমদা লাক্লিসিবো, চিত্রলেখাহুবু কন্নি তৌরবনো। রীনানা খরা থোগংগ্রে স্নুরেশস্নু মতুওদা থোগংলক্লে। রীনাগী মনাক য়োরে। ওসিদি তাঙ্গাদি কংলে অহুবু হায়সিরা, হায়রোইসিরা। অরোইবদা সেপ্লে হায়দদি মহায়রগে। তুংলোমদগী শোম্নাংননা হায়রকই ওসিদি, চিত্রলেখা কন্নি তৌরবগে ?

রীনা, হন্না য়েংথোরকই, স্নুরেশ ওইবদা, চিত্রলেখানা মতোম্দা নহাম

নোংমা হায়রিবা মতম্ চিংশিংলকুনা মমায় ডাংলল চৌগে, সুরেশকী মাহং অঙ্ক পাক থুম্বা ওমল্রে। সুরেশনা মায়া ইকাইবা হংজবা মাহং অহুমী মজিক চাবা পাউওম হংজবদা মহাক্তি অমুক্তা ঙেল্লা ইকাইখ্রে, মতুং-তানা অমুক হংখম্মু ওমল্রে। সুরেশ চৎলগে হায়রগুনা মাও খাগৎলক্লে।

রীনা করিগুম্বা অমা নিংশিংলকপগুম খংহায় হায়রকই—অ. ... ওসিদি চিত্রলেখা নায়মাক্লে.... লাক্লে। সুরেশ মাওদা খরা চৎখৎখিবনা তুংদা হায়রক্লিবা মতম্ করিনো হায়বা মরেক শেংনা তাহৌল্লে মরম অহুনা মহাকী গাড়ী খিক্কং তথা থৌরগা রীনানা থৌদাংলকপা ওইরম্মী। রীনাগী মনাক থৌরকপদা অমুক্তা হংখি,—হৌজিক হায়খিবহুবু করিনো?

চিত্রলেখা নায়মাক্লে।

ও......... ।

ওহাক তুমিন লৈরগা সুরেশনা হায়খি—মীওইবগী পুন্সিংগী রাখল পুন্নমক অসি মী অমনা উনবা অমসুং খঙবা ওয়গী মত্র অহু লৈরবদি ওহোক্লা সুংওইগনি।

করিগীনো সুরেশ বাবুনা অহুম্বা খনবিরিবো, কনাদা, করম্বা খঙহন্নিবা রাখল লৈরবগে?

ঐগুম্বগী রাখলবুদি কনানবু খঙবিরুগবনো, অসুম সাধারন ওইনা হায়জবনি। রীনানা নোক্কুনা খুমখি—সুরেশ বাবু থবক পুন্নমক মতমগী মতুংইনবনি, মতম্বা পুরকপা খুদোংচাবতু ওাইবা তাই।

তুমিং অসিদগী হৌরহুনা রীনা অমসুং সুরেশ অমুক হন্না উন্নবা ফংখিল্লে, সুরেশনা মখা তমথনা গৌহাটিদা চৎখ্রে অহুগা রীনানা মণি-পুরদা তমহুনা লৈহৌরে।

(৬)

নোংখী নোংমংবা অমুক অমনি। সুরেশসু কলেজ কাবা ওনে আনে তৌহুনা লৈরি। মতম অসিদা অমা পিরোয়া টেলিগ্রাম অমা ফীরক্লে।

সুরেশ চৌদিগ্রাম অসি কাবলা পুকনিংদা চিংনবা অমা পোকই—করিগীবু ওইরমগদবগে হায়না। চিনবা কয়াগী লোয়নবা কাঙ্খোক্রে, মহাক্না চিংনবা অতুমক ওইরক্রে—'মরে য়াম্না, কমা নবব্বে, থুনা থোরক্লো' হায়রবী পাউ ওইরক্রে।

হুনিঙ্গাং অতুমক্তদা সুরেশ মপোক্‌-মচৈ য়োমহুনা ইক্ষালশীদমক খোঙ শাল্লক্লে। মথংগী হুনিঙ্গা সুরেশ ইক্ষালদা থুংলরে। মহাক্না মযুম অমা লাকপদা অতৈ বাখল অমা থল্লক্তে, মনেবু কনানা লেবা তৌবিরমগনি, মহাক্না চঙখিবদা মনেবু উবা ফংখিগদ্রা, অসিত্তনি। মহাক্না কোন্থোক্ত হেক লানশিনবদা ইমুঙলোমদা হায়্না য়েংশিল্লি। ইমুঙতু থোইদোকনা চয়াঙনবা মতৌ মান্দে। সুরেশনা অপনবা তৌদনা ইমুঙদা চঙলকপদা উরে, লৈকাইগী মচেম-মনেম্না মনেগী সেবা তৌহুনা ইকোয় কোয়না লৈ-রিবহু। ময়াম্না মহাকপু উবদা নীন খোংবদি তৌদনা মুংঙাইবদি উৎলি। মহাকহু মক্তি মরোল হোংদোক্তনা মনেগী মনাক্তা ফমথরে। মতম অহু মনেন্ধ্ র্বাদি থবা থরা ঙাংদা ওয়ি, য়াম্না শোন্না হায়রকই,—ইয়া উয়রবদি শিরবহু য়ারে, নহাক্তা ঙাইহুনা লৈরিবনি। সুরেশ মনেগী য়া তাবদা চিংলুদগী শিন্না অতংপা লৈতনা শিন্থরম্মি। মনেগী ফিবম য়েংবদা কয়া মক্তে ছিংবগী আশা য়াম্না রাংনা উরে। সুরেশ মনেগী মনাক্তগী থোরক্লগা মাগী কাদা চঙহুনা মক্তি-মরোল হোংদোক্লে। মিকুপ অমগী মমুক্ত অসিদা মহাকী হৌগ্রবা শাংলবা পুক্সিদা মনেনা মহাকপু কয়াগী মতিক মুংশিনা চায়্না য়োকপীরকপা, মহাক্না কোন্থোক্ত চঙলকপা উবদা কয়াগী মতিক হবাংনা ওকখিবা, ঙসিনা ফম্মাঙদা য়ামপক তাহুনা লৈরম্লবা,, মুংশিজগ্রবা ময়াবু উবদা পাঙনিঙত্রবা মিংনা হঙ্গংনা অমুক্তং য়েংবা নত্তনা হয়াও মিনোক্তি উখিত্রবা, পুম্নমক অসি খল্লুবদা তাইবং-পানবসি কিন্থরক্তুনা মঙোন্দা ননবগুম থোকখ্রে। সুরেশ কৃরি অমত্তা খনকম থোক্তে।

লৈকাইগী মচেম মনেম্না মহাকীদমক চাক ইশিং থোংবিগদবগী থৌরাং তৌরকই, অদু উবদা সুরেশনা, ঐ চাক চারক্লে হায়হুনা থোংহন্ত্রে।

সুরেশনা লৈকাইগী মচেমদা হংই,—মাইবা, ডাক্তর য়েংলিন্না কদাম কৌ-রিবগে ? লৈকাইগী মচেম্মা খুদিম্মি, নহাক্কী মরুপ নরেশনা ডাক্তর বাবু কৌরকহুনা য়েংহল্লি। ডাক্তরদি করম্বা মতমদা লাক্কপগে, সুরেশনা মখা অমুক তারকই। অযুক, মুংথিল থগুদে অশংবা মতমদা নোংমগী অমুক্কি শোয়দনা লাকই, লৈকায়গী মচেম্মা খুদিম্মি। অমুম্মা ডাক্তরগী মরমদা রারী শারিঙৈদা কোম্থোঙলোমদগী সাইকলদা বেগ য়ানবা মুপা অমা চঙলকই। মতুমক ডাক্তরনি হায়না সুরেশনা লেপ্লে।

ডাক্তর অপনবা লৈতনা নিতিগী মতৌগুম্মা ইমুঙদা প্রপ প্রপ চঙলকই, ঙনাবগী মনাক য়ৌনা। সুরেশসু ডাক্তরগী মতুঙইম্মা মনেগী মনাক্তা চঙলকই। লৈকাইগী মচেম্মা সুরেশপু ডাক্তরদা মশক তাকই। সুরেশনা ডাক্তরদা রা খরা হায়নিঙঙি অতুবু অনাবগী মমাঙদদি হংনিঙই। ডাক্তরসু মহাক্কী হৌনবী য়েংফমথোকপা খরা য়েংলগা হিদাক লাংথক পীজবগী মরমদা রারী খবা শারগা মপান্দা থোরক্লে। মতম অসি অনাবগী থাক্তি, মশাদা জ্ঞান লৈজরবসু রাদি ঙাংবা ঙমদ্রবা মতমনি, মরমাদ মতম কুইনা চাদ-থক্তবনা মশাসু য়ামপক তাহন লৈত্রে। সুরেশকা মনেনা মথুঙদা নারক্লি-বসি কুইরবনি, মপাল থোক্লকপা কুইদবগী রাকমতনি। মরম অতুনা অনাবনা মপাল হেক থোক্লকপা মতমদা মশাসু অতুম কেমহুনা লোইরবনি।

ডাক্তরগী মতুঙ ইন্নরগা সুরেশনা মনেগী লাঙ্গৈনাগী মরমদা খরা হংলম্মি। ডাক্তরনা শম্লপা থুম্মম্মি, অনাবসি কেনসরনি হিংবগী অশা য়াম্মা রাংলে। মশা মুংঙাইনবা সেবা তৌবিযু হায়রম্লগা ডাক্তর চৎখ্রে। সুরেশ কেন-সর হায়বা মমিঙ অসি হেক তাবমক্তদা মনেগী হিংবগী অশাসি লৈত্রে হায়বা খঙজি সুরেশনা ইমুঙদা চঙনা-চঙনা ঙহাক্তং খনখি, ইনে অসি-মতং লৈরি হায়বসি খনবদা পৃথিবী অসিদা এহাব হিংদুনা লৈবা ঙম্লবনি মহাক্কা লৈত্রবদি কনা লৈরি এহাক্কী !

সুরেশ তপ্পা চঙশিল্লকুনা মনেগী নাকন্দা ফম্মি। মনেনা ইঙ্গিৎনা ডাক্তরনা কবি হায়রম্বগে হায়বসু খঙজিনবগী মওং ওইনা উৎলকই। সুরেশসু

মহু খঙলমহুনা থেমজিল্লকই, ডাক্তরনা থুনা কনানি হায়রম্মি। তৌরমক্কি সুরেশ মনেদা নমথাক তৌরবনি অহুবু মতাঙ অসিদদি নমথাক তৌদরা য়াদে মরমদি অশেংবা হায়দোকপদগী নমথাক্লা হেন্না কন্না মতাঙসু লাকই। অহুবু মনেদি মশানা খঙজে, মহাক হিংবগী অশা'সি য়াম্না য়াংলে হায়বসে। মরম অসিদগী মনেনা হায়নিঙবা য়া খরা হায়রকই, ইথুংঙো ঐনা লৈত্রবা মতুঙদদি নঙগীনি হায়বা হন্না য়েংবদা কনা উত্রবনি। নহাকীদমক নপানা থনম্বা লল থুম মাঙহনগন্নু, মী ওইনবা হোংনৌ ঐখোয় পুন্নমকী কর্ম নহাক্না তৌরকদবনি। ইনে লৈরিঙৈদা নহাক্না নযুম নকে পান্দুনা অং তানা লৈহৌবা অহুমতং উপ্রবদি ইনে শিগ্রবসু পেল্লমগদবনি অহুবু য়াখিজ্রেদো......... .. ।

য়াহৈ থরসি তাবদা সুরেশ মনেগী মনাঙা ফম্বা ওন্নত্রুহুনা থোকখ্রগা মহাক্কী কাদা তুমিন্না মমিঙগী মপি শিন্থরি। সুরেশ মমা মপা অনি লৈত্রবা মতমদা অম্বুক য়াম্না অৱাবা কাওখিদে অম্বুক থশ্মোই শোকনা কপখিদে। মরমদি থেমজিনবিনবা মনে লৈবদগী। ওসিদি মহাকপু থেমজিখিনবা অমম্বুং মহাক্কী নাউথী শাঙ্গফম ওইজরবা মনেহু মাঙখ্রগনি থনবদা স্বর্গসি কিন্থরক্তুনা মঙোন্দা অনবগা চপ মান্নখ্রে। হিংবগী য়াখল পুন্নমক লোইনা মাংখ্রে, য়ারবদি মহাক মশামকসু মনেগা লোয়ননা চৎখ্রবদি মুংঙাইরগনি খল্লক্লে।

অম্বুম্না মুমিৎ তরেৎ নিপাম্নি হৌখ্রবা মতুঙদা, মনেগী অয়োইবা মতম লাক্লহুনা সংসার থাদোক্তুনা চৎখ্রে। হৌজিক্তি সুরেশ মতোমদা মঙার-হোরে, সংসার ঈপাক অসিদা হিনাউ শাবা য়াওত্রবা হিগুম মতোমতা তাউবা হৌরক্লে। ফমুঙদা লোংখাক লোংনা হিপ্লগা হৌখিবা অমম্বুং তুংগী লাকদবা পুন্সি মথং মথং খল্লকই। হৌখিবা পুন্সিদনি থোংচিল-হৌরিবা লাকদবা পুন্সিদি অমম্বা মরক্তা লৈরি। সুরেশনা অম্বুম্না য়াখলগী ঈপাক্তা লুপ্তুনা লৈরিঙৈ মতমসিদা থোঙদা ত্তেক-ত্তেক কাপ্লকই। তম্না হায়রকই—কনানো চঙলকউ, য়াগনি। নরেশ চঙলক্লগা সুরেশকী মনাক্তা ফমথরে। নরেশনা সুরেশতা য়েংলগা হায়রকই, ইমুঙদা অম্বুম্না ফকচিন্দুনা

লৈরবদি মরাবা করম্নদগী নাম্বোকপা ওন্নরোই, মপান্দা থোক্নু্না লৈরাং থরা লেরন্নর্দা ম্নকদিংহ্ খজিতং য়াংগনি। অশিননা শিংগ্রেনা অচেৎনা ঐন্দোরকপা মকম পুন্নমক্তা মথোন্নগীদমক্তা রাহ্নবা লৈরবদি ঐথোন্নগী পুখিনা করিগুবা ইপৌ অমত্তা পাংথোকপা ওন্নরোই।

সুরেশনা সুংশা মপী হোল্লপা হায়রকই, চুম্মি অহ্নবু... ....।

অহ্নু হায়রবে.......।

থঙনা থঙনা হায়রোই হান্নবা থক ওমদে।

অহ্নবা হায়রগদ্ব আন লৈবা মীগী মতৌ মান্নি।

আন লৈবা মীদু মমা-মপা শিবদা হায়বন্নি ভৌরমলোই।

অহুন্নমবগি, অহুবু আন লৈরবশিংগী মফমদদি মশানা মশাবু থেমজিনবা হৈরম থোকই।

নরেশকী য়াওাং অসিনা সুরেশকী থম্মোইদা য়াংলিবা মফম অহু মেন-শিনবা ওন্নদি নত্তে, অহুবু মরূপ অমগী য়ানিনা ভাদবদি য়াদে। হৈনিঙ-ন্নবা পুকনিঙ অমসুং থম্মোইগা লোয়ননা সুরেশ হৌগত্তুনা ফম্নে। মহাকী মশম-মনাহ্ ইশোঙ শোঙবা’ মচাই-মরাং ইচোম চোম্বহু য়েংবা মুংঙাই-ন্নহুনা নরেশনা হাজামদা শম ককথংলুসি কোই কোল্লুসি হায়না তকনরি। সুরেশ থোইদোকপা পাউথুম পীদনা মিহুৎথোঙগী কারক্তা অহাঙবা অত্তিয়াদা মুমিংকী মঙাল য়েংহুনা ফম্নি।

নরেশ হায়রবসি সুরেশকী থোইদোকপা চায়বা মরূপ্নি, ক্লাস অমতদা তমজিন্নজরুপনি। হাইস্কুল অমসুং কলেজদতা নত্তুনা এল, পি, দগী হৌনা তম্মিন্নরুবনি। কলেজ ওম্নবা সুরেশনা সাইন্স অহুগা নরেশনা আর্টস তমখিবনি। অহুম ওইহুমনু মবাম্নিগী মরূপ ওইবগী য়াখল অহুদি থক কাঙমদে। মমম অহুনা সুরেশনা লংকৈদা লৈগ্নবন্ত মাগী ইমুঙগী অন্না-অনা পুম্নমক অহুম য়েংহুনা লৈরম্মি। নরেশনা মহাকী মরূপকী মঙংনু মুম্না থজত্তি, মহুদি মহাক অদি মাম্না য়াখল থনগনবা অমসুং য়াগামবা মীওইনি। মকম অহুনা মনেনা লৈথিন্নবা মতুঙদা সুরেশনা মপাল ওথোক

খোরক্লিবসি থোইদোক্না অকনা ওইরম্মাই, রাথক্না উবহুনা লৈরমগদি হায়রসি খওমদগী নরেশনা অমুক অনিদা মহাকপু হৌহুনা মপান্দা পুথোক্লবা লাকপনি। নরেশতি হৌজিক বি, এ, লোইরহুনা মথা অমুক অমথবগী রাথনিদ লৈত্রে, মুপামচা কুল অমদা তক্লা ওইহুনা লৈরবনি। অহুনা মহাকসু মতমসি কয়া শংদে নোংমাইজিং মুম্বিং নত্রগা ছুটি মুম্বিংকুম্বা নত্তনা।

নোংমাইজিং মুম্বিংকী পুং মাপানক্রোম তাবা মতম অসিদা সুরেশ অমসুং নরেশ অনিমক খ্বাইরমবনলোমদা হাইগংলক্লে। শম ককথম ছুকান অমা য়ৌরবদা নরেশনা সুরেশকী মশম অমসুং মকোই ককথংলসি হায়হুনা তক্করক্লে। সুরেশনা নরেশকী রা অহুনা থোইনা পুক্লিও চঙলুবদি নত্তে, অদুবু মহাক্না টিংশিনবা মায়কৈরোমদদা অহুম চঙশিনহুনা হাজামগী চৌকিদা ফমুগা মশম-মনা ককথংলে, মকোই কোকথোক্লে। হাজামদগী থোরক্লগা হোটেল চঙলুসি হায়হুনা নরেশনা হৌরক্লে। সুরেশ মহৌশাদগী হৌবা হোটেল চঙবসি কয়া হৈনরক্তে মরমদি হোটেল চঙহুনা চনাওনবনি মহাক্না অরেম্বা থবকনি হায়না লৌদে। অদুগী ওসিমু মহাক হোটেল চঙনিংওদে। মরম অদুনা মহাকনা হৈনিংওদনা খুম্নি—ঐনি চা থকপনি কয়া হৈনদে। নরেশনা, চা থক্কবসু করি'লোমা চাও, হায়হুনা সুরেশপু মরুহুনা হোটেলদা পুশিনগ্রে।

হোটেলগী মপান থংবা কাদা সুরেশ অমসুং নরেশ অনি ফম্লি। নরেশকী মমাঙদা চা গ্লাস অমা থিল্লি, অদুগা সুরেশকী মমাংদনা ঈশিং গ্লাস অমগা প্লেট অমদা চাননবা করিনো থরগা লৈরি। পর্দার অমনা খজিন্নবা মতুঙ থংবা ক। অমদনা মুপা থরগা মুপী থরগগী থোক্কেল তায়। মতম অদুমক্তি অরুকী সিনেমা হৌরমদাইগী মতম্লি। নরেশ অমসুং সুরেশ অনিসু থোইদোকপা অককনবা রায়ী অমা শাদে লগী চংলিবা মীশিং অদু রেংই, মরুক-মরক্তা চা কপ অদু অমু-মুক চুক্লি অদুগা সুরেশসু রায়ী চানবদু খজিক খজিকুং চিক্লি। তাক্লা অসিদা মতুঙদগী মীশিং অদু থোরক্লে, লৈশাবী অনিনা মাও থাদি মতুঙদা পাকও অদি অমা থোরক্লে।

তুং থংবা পাখঙ অহুনা হোটেলগী মেনেজরদা চঙলগা বেক পোকেট্টগী শেঁল লৌখোক্লুনা পীরম্মি। পাখঙ মচাহুনা মেনেজরগী তুংদা খেৎলিবা থিংলেল অহুনা য়েংলগা মথম-মনা নাহ্নে মফি-মরোল শেমজিল্লগা সিনেমা হৌদৌরে, খেঙগ্রে, হায়রহুনা খুনা চংখি।

মখোয় চংথ্রবা মতুংদা নরেশনা তপ্না-তপ্না সুরেশতা হায়রকই, উরে-দনা হৌজিক্কী মণিপুরগী সমাজ অসিদা তৌরিবা অমম্নুং ওইরিবা মওংসে। অসিগুম্বা মতাঙ অসিদবু নঙ, ঐনা হৈবোং মনুঙগী তীল ওইহুনা লৈবা য়াম্বা মতাঙলা। হৌজিক্কী সমাজ অসিদা হিংবা তারবদি মিং-না শিংদবা য়াদবনি। সুরেশনা উম, হায়রহুনা মঙক্তা মহাই অহুগা খোইদোকপা মথা জাবা পাউখুমদি পীদে। নরেশনা অমুকন্না মথা তারকই, নহাক খঙব্রা, মখোয় অসি করম্বা মীনো, করি তৌগদৌরিবনো ?
খঙদে।
কদাইদগী খঙগনি। নরেশনা মোকই। খঙব্রবদি হায়গে তাও, মখোয় অসি অম্নম তৌনা মশা নাম্না লাক্লগা মুপী পুথুনা সিনেমা য়েংবনি হাঁয়রহুনা মতৌ শালহল্লগা কায়বারদি অতোপ্পা অমনি– পোকেট মার। সুরেশ পীগুম গুক্তক তৌনা মক্ল লুকথখি। মতুংদা নরেশনা অমুক হায়রকই, করে চৎলসি খেঙনু খেঙজিল্লক্লে, ঐ হয়েং নোংমা অশংবা মতমদা অমুক লাক্লে অহুগা নঙগী মথা অমুক তমথনবগী মরীদা বারী বাতায় থরা শামিন্নসি। অনিমক হৌগৎলগা থোরক্লে। নরেশতি করিগুম্বা থবক অমগীদমক কৈথেন্দা লৈহৌরে, সুরেশনা ময়ুমলোমদা লাক্লে।

সুরেশ মতোমতা য়াথম্না মশা পুম্নমক য়োম্নহুনা মক্ল লুকথনা লাক্কই। কৈশামপাৎ জংসন হেক য়োবদা খঙহৌদনা তুংলোমদগী ময়েংজুম তাপ শায়হুনা কদাই চৎলুরিবনো সুরেশ, হায়রহুনা কৌরকই। সুরেশনা গুরুপ তৌনা তুং হম্না য়েংথোরকই, ওহাক চঙক্লনা য়েংহুনা লৈ। মতৌ অহু উবদা মুপাহুনা হায়রকই, ঐবু খঙব্রবরা, ঐ যহুনিনে।
জোয় করম্বদি কাউরোই, মেট্রিক থামিন্নখিবদগী ওসি উন্নরিবসি মঙ্গায়রি।

সুরেশ খরা খরা নিঙশিংলকপগুম য়েংই।
ইনেম্মু লৈত্রে হায়না তায়, নহাক হৌজিক করম তৌরি ?
ঐ হৌজিক করি তৌগদগে হায়বগী মরীদা করিম্মু লেপত্রি।
ও, অছুদি কয়ে, ঐম্মু হৌজিক করি তৌসিগে হায়হুনা খল্লিবনি, নহোয়দা লাকে অছুগা ইবানি খন্নসি।

কৈক লাকউ, হায়রয়গা সুরেশ মমায় ওম্বোক্নুনা মমুয়োমদা চংকে তৌরকপদা, যহুনা অমুকম্মু ফারগা মথা তারকই, মীওইবগী মপোক হায়বসি রাননবা পোক্লকপা নত্তে. হিংলিগৈ মতমসিদা ওয়িংমথৈ মুংঙাইহৌগদবনি নওগীদি মুংঙাইনবগী মচাক য়ায়া লৈ, খরা মুংঙাইথোকলি।
সুরেশনম্মু থোইদোকপা পাউথুম অমা পীদনা, মওক হাইরয়গা মমুমদা চংখ্রে। সুরেশনা লম্বী চংন-চংনা খল্লি, করম্বনা চুম্লিবনো পুন্সিসিবু মুংঙাইনবরা নত্রগা রাননবরা। অছুগা মুংঙাইবা হায়বসিনা করিনো, ওসাই ঐনা হোটেলদা উরকপহুনা করম্বনো, অছুম্মু মুংঙাইবা হায়বহুরা। মহাক্না তৌরিবসিনা করিনো! মহাকীসিনা করম্বা মখলগী মুংঙাইবনো, —থবক করি মত্তা য়াওদনা লম্বীদা চহুনা মতম লেনবসিম্মু পুন্সি মখল অমরা, মখোয়সিনা কদায়দগী, করম্বা হিংলিবা! ঐনা চহী অনি অহমগী মমাওদা উখিবা মণিপুরগী সমাজ অহু সিদি মমি ফাওবা লৈরমদ্রে, মী খুদিংগী মায়থোংদা অচম্বা মশক উদ্রে. মী পুম্নমক্কী থম্মোই অমম্মুং পুকনিঙসি করিগুম্বা শক্তি অমনা লাকশিনবগুম তৌখ্রে। করম্বা শক্তি অমনা অম্মুক থুনা ওলহল্লিবনো। ময়াম অসি খল্লুরগা সুরেশকী পুক্নিঙদা নোকনিঙবা অমম্মুং অরাবা অনিমক পোকই। রাখল খন্না খন্না ময়ুম য়োরক্কে। থোঙ হাংদোক্নুনা হেক চঙবদা মনেগী ফমুঙ উবমক্তদা কোয়না চংলুরবা রাখল্দু হল্লিন্নক্নুনা থম্মোইবু অমুক হন্না অরাবা পীবা হোরক্কে। ফমুঙদা হিম্না-হিম্না শিন্থরকপা পিরাংনা চাইরুং অনি চোংখ্রে, মখোল থোক্তবা হিক্লবা মিকপকী [illegible]নঙনা ইমুঙ অহু থনখ্রে। সুরেশ, পুক্নিঙ থেমজিনবা ওমখিদ্রে, থেমজিনবিনবম্মু লৈখিদ্রে।

(৭)

চাম্নবী মরুপ

ঐহাক মকম অসিদা লৈবদগী পুন্সিসি মগুং অমা ওইনা উত্রে। হায়না খল্লবা বাখল পুম্নমকসু লোইনা মাওঙ্গে। শম্না হায়রবদা অকোবা পুন্সি অমা ফংলে হায়বদা হায়মনবা থোক্লরোই। মকম অসিগী ট্রেনিংনো ঐবু মমুঙ মপাল ফাওবা ওলহল্লে। মীওইবগী পুন্সিসি 'ঐগী' হায়বা বাখল অসিদগী মাওঙ্হল্লবনি। তৌজিক্তি 'ঐগী' হায়বা বাখল অসি য়াম্না থাপ্না লংথোকপ্রে, পুন্সিসি মীগীদমক মনাজগীদমক লৈবাকীদমক কথোকপা ওয়বদি অথোইবা ওইগনি হায়না খল্লে। হৌজিক ঐনা তৌনিঙবা থবক কয়ামরুম লৈরে, থবকশিং অসিদা নঙগী মতেংসু য়াম্না দরকার ওই মতুঙদি ঐহাকা উন্নরগা কোম্না খল্লসি।

নহাক্কী,
চিত্ররেখা দেবী
নিলোখেরি।

রীনা মরুপকী চিঠি পারগা বাখল খল্লম্মি, মীওইবা হায়বসি মঙ অমদি মহাক্না তৌরুরিবা শিনফম অচুগী মতুঙইনবনি। তৌববুদি চিত্ররেখা-সিসু মহৌশাদগী হৌনা সমাজগী সেবা তৌজবা পাম্বী চুপ্পীমচা অমা ওইনা হৌরকপনি অচুনা মহাক্কী ট্রেনিং অসিগা মহাক্না চপ চানরুবনি।

চিত্ররেখাসি বি, এ, গী অহুমগুবা চহী ফাওবা তম্লগা ইমুঙ-মচুঙগী থুদোং চাদবা মরম খল্লদগী নিলোখেরিদা গ্রাম সেবিকাগী ট্রেনিং লৌবা চংখ্রবনি। মহাক্না ট্রেনিং লৈরিঙৈ মমুঙ অসিদা রাজ্য সরকারনসু শেলগী মতেঙ পীবি অচুগা মরক-মরক্তা মহাক্কী শেলগী দরকার লাকপনসু রীনানা অঙবা মতেঙ থম্না পাংই।

মেরা য়াবি, অসুকী মুক্তাসু থবা মেজলবা মজরি। অসুকী মেজলবা মুপিংকী মজাম্না রীনাগী মিহুংখোজ্জা চজলকই। মহাক্সু মাগী কাদা কয়রহনা লুম্বু লুম্বু শাবা মুংশাগী মজাম্না মনজন্দা য়েহল্লি। রীনাসু উকিলগী অহানবা চহীদি লোইরমহুনা পরিক্ষা হায়দোকপা ড্রাইহুনা লৈরি। বীনাগী রাথলসু অরেম্বদা পংকোয় কোয়হন্দে, মহাকনা উকিল ওম্বা লোইরগা তোগদবা থবক ময়াম হায়বদি মুপীশিংগীদমক মহাকনা তৌনিঙবা থবক কয়া থন্নুনা মতম লেপ্লি।

তৌজিক্তি গমভিনী শিজন্সু অহল থরা ওইশিন্নক্রে। অহল ওইরকপা মীশিংগী হৌমদা রাথন্নু নোংম-নোংমগী ঈশ্বরগী মনাক্রোম্বদা চঙশিনবা হৌরকই। নহা ওইরিঙৈদা তৌরবা অরানবা, ওইদবা, নত্তবা থবক কয়াসি অহল ওইরগা লাই নিঙহুনা কোকনবা হোৎনৈ। লাইনিঙবনা পাপ কোকহনবা কোকহনদবা হায়বসিদি ওটবা য়াই, অচুবু মীওইবগী থাজবা হায়বা অমদি লৈরি। গমভিনীসু মসিনি,—থাজবনি। মহাক্সু অমুকী ইরু মায়থরুবা লোইরহুনা অক্রিক ভজন তৌরি মহু লোইরগা পূজারিনা পুখোরকপা অমুকী চানচিংবা থকুনা মুংশা য়াইরি। রীনাগী দি তুম্বা হৌগৎলকপদা থম্মালনা পুশিন্দুনা চা থকপা লোইখ্রে।
গমভিনী শিজগী তুংলোমদগী হংলকই অজ্ঞা শীজা, রীনাবু লৈব্রা?
গমভিনীনা খংলপ তৌনা তুং হম্না য়েংথোকখিবদা নরেশ লেপ্পুনা লৈরম্মি।
গমভিনীনা চাউরপা হায়রককই,– অং লৈরিনি ইমুঙদা। কম্বিগীনো নঙনা লাক্লিবদে? নমাহোয়দি অনা অয়েক য়াওব্রা?
থোইদোকপা য়াওদে। নরেশনা শম্না থুম্মি।
নহাক্কি হৌক্লিক করি লৌমি?
ওজা ওইরি।
য়াম্না ক্নরে, ঐখোয়গী স্নাহনবীসিদি ভম্নিবনি হায়হুনা অমুম লৈরে।
ভমশিনবনবু কাম্নবা লৈব্রা ঐখোয়দবু লাইরকথীহুনা তোক্লবনি।
নরেশ বি, এ' লোইরবা মতুমদা মহাকী আশাদি য়াম্না চাউবনি অচুবু

মীওইবগী পুক্সিগী থোঙচং হায়বসি কনানা ওথা ঙমগনি। নরেশকী বি, এ, লোইরগা তৌগে খল্লবা এম, এ, আই. সি, এস, পুন্নমক ওলিদি মগুনী আশা ওইনা থোকখ্রে।

নরেশকী মপা যাত্রাসিং অচৌবা লল্লোল ইত্তিক তৌবা মীনি। মতম অমদা ইম্ফাল তুমু লল্লোনবসি য়াম্না চৎনরম্মি। যাত্রাসিংস্থ মশাগী গাড়ী অচৌবা লৈজে মহুনা ইম্ফাল অমস্তুং তুমু লল্লোনবা চৎলি। থোঙচং অমুক্তদি ইম্ফালদগী পোৎ গাড়ী মপোৎ অমা পুহনা চৎপদা চেক্লাপাইদা খুদোংথিবা তাহনা পোৎ পুন্নমক গাড়ী মৈ চাকপদা লো-ইনা মাওখ্রে। মশাস্থ থীনা শোক্তুনা হোসপিতালদা মতম কুইনা লৈখি। মহাক্কা তাঙবা শেল খরহুস্থ মহাক্কী লাযেংবদা লোইনা চণ্ডখ্রে। শেল অহুক য়াম্না চণ্ডহনস্থ মথোঙ তেকপদি ফবা ঙমদ্রে। মতম অমদদি যাত্রাসিংগী ইমুং মনুঙসি মুংঙাইরবা ইমুঙনি হায়না মমিং চৎলম্লবনি অহুবু থৌদোকশিং অসিগী মতুঙদগীদি অরা-অন'না থোঙজিন্দা মুনা-মুনা য়েংবা হৌথি।

হৌজিক্তি মহাক্কী ইমুঙগী ভার পুন্নমক নরেশকী মথক্তা তারবনি উচিন নাচিম্না বি, এ, দ' পাশ তৌজহনা স্কুলগী ওজা মচা অমা ওইজহনা মহাক্কী ইমুঙ মনুঙগী ভার পুনবা হোৎনরি। অহুগা মহাক অসি ইকং-ফত্তবা ছাত্র অমদি ওইরকপা নত্তে। হীরম থুদিংদা থরা থরা চৎনবা য়ানা অহুম লাকপনি। ঙসি ফাওবদস্থ মহাক্কী হোৎনবদি থক লেপ্পা লৈত্তে, মহাক্কা খনখিবা এম, এ, অহু অমুক্তদি থাগে হায়বসি মহাক্কী অচেৎপা রাশক্নি।

নরেশকী মমা তোম্বীমচা গমভিনীগী খরা থাম্লপ তৌবা মরী, অম-রোমদা য়েংলুরগা মনাওমুপী থোকই। মরম অসিদগী গমভিনীনা কনাগুম্বা মুপা অমতদি চঙহন্দ্রগা নরেশপুদি চঙহল্লিবনি। নরেশস্থ তোয়নদি চথোরকপা ঙমদে, মরক্তা করিগুম্বা অশংবা মতম শংবা অমস্তুং ঙহাক রারী রাস্তায় শান-নিঙবা মতমদা রীনা অএস্তুং সুরেশহোযদা চৎপসিমঙায গমভিনীনা অমুকস্থ মথা তানা রারী শারকহ, ঐদি হৌজিক অহল

ওইশিল্লক্রবনিনা সংসারগী থুংঙাইব। অদিদা খোইদোকনা খুনিংঙঙৈ মক-রোমদা রাধারানীগী সেবা তৌহুন। ঐগী কুংগী লুচি 'অসি লোয়রকে হাইনা থম্লি। মসিগীদমক ঐগী লৌ থরা য়োম্ছোক্লগা শ্রীবৃন্দাবন্দা' আথরা 'অমা শেমহুনা রাধারানীগী সেবা চৎলগে। মসিগী মমাংদা ঐনা মাইছকবীবু মহাক্কী অতাবী অমতং হায়বদি মমুম মকৈ শানবগী মতং অদিনতংদি খঙনিঙবনি অহুবু মহাকনা মযাম্রবনিনা, মাগী থুংঙাইনবা য়েংজবা হায়বহু মঙায়রে। গমভিনীগী বা পুম্নমক নরেশ ভুমিন্না তায়। গমভিনীনা মথা অমুক তারকই, অহুগা ঐদি হৌজিক লল থুমগী অপাম্বা অহুক হাকনা লৈত্রবনিনা লৈরিবা সমপত্তি অসি মঙোন্দা শিন্নবিয়রগনি, মহাকনা হৈজনগা থুংঙাইজবা হৈজত্রগা মাঙজবা হায়বহুনি।

মপান্দা ব্রারী শাবগী মখোল অমা তারহুনা রীনান। মিহুংথোঙলোমদা য়েংথোরকই। নরেশকা মমাগা ব্রারী শাবহু উরবদা ইমুঙদগী থোরক্লগা নরেশপু কৌশিল্লি। গমভিনীনসু নরেশপু বীদায় পীরবদা ইমুঙদা রীনাগা ব্রারী শানবা চঙখ্রে।

অনিমক চৌকি অমমমদা ফম্মি নবেশনা হংই, হৌজিক করম তৌরিবা ঐস্নু থবক চিনবনা চখোয়রকপা ইঙম ঙমদে। রীনানা শম্না খুম্মি লো তম্লিবানি হায়দনা তৌরি অহানবা চহীগী পরিক্ষাদি লোইরে, অরোইবগীতা মঙায়বে।

য়াম্না কৈনে তম্বনবু কান্নদবা লৈত্রা?

নহাক্কি মথা চথত্রবরা?

ঐস্নু লম্নাই ওইনা এম, এ, হু অ-ুক্তং থাসিবা হায়দনা হোৎনরি।

ত্তোগদবনি, মীওইবনা হোৎনরবদা ঙমদবা করিস্নু লৈত্তে।

অচুম্বনি পুম্নমক হোৎনবগী মথা পোল্লি।

রীনানা মমায় ওম্থোক্তুনা থম্বাল কৌরকই। থম্বাল মপান্দা ইংখোল শূরম্বদগী চঙশিল্লক্তুনা করিগীনো হংগ। রীনানা চা পুরকউ হায়না য়াথং পীখ্রে। থম্বালস্নু চা লৌবা চংখ্রে।

কৈনানা হোৎনোরকই, নরেশ ওনিদি ঐগী চিঠী অমা পাক্কদগী রাখল অনি মখং অমা ওইনা লৈরম্লিয়নি।

কনাগী চিঠিনো ?

চিত্রলেখাগী।

মহাকপু হৌজিক করি তৌরিবগে ?

নিলোয়খেরিদা গ্রাম সেবিকা ট্রেনিং তৌরি।

ও...............।

থবাল চঙলক্তুনা চা পীরম্লগা থোকখ্রে।

কৈনাদা চাহু অমুক্তং চুপ্লগা হায়রকই, ঐগী মরুপ চিত্রলেখাসি নিঙবা অমদি য়াম্না কল্লি, মানা .ভোগে হায়না নিঙখিরহু পাঙথোকনবা কন্না হোৎনবা মীনি।

অচুম্বমকনি, মহাক্তি পুকচেল য়াম্না চেৎপা মীনি। অনিমক ঙহাক তুমিম্না লৈনৈ।

মীওইবা খুদিংমক অসি অচেৎপা পুকচেল অমা লৈত্রবদি মানা মানা পাঙথোকে মিঙলিবা থবক অহু থক পাঙথোকপা ঙমদে। পৃথিবীদা অচৌবা ওইখিবা মী পুম্নমক অসিগুম্বা অচেৎপা ঙমস্নং অরেপ্পা পুকচেল, রাখলগা লোয়নন্না থবক তৌরকপদগী অচৌবা ওইখ্রিবা ঙাক্তনি। চিত্রলেখাসু লাইরবী ওইজহুনসু মহাক্কী পুকচেল অমস্নং রাখন্দি ইনাক খুল্লি। লাইবকথীবনি, চিত্রলেখানা লাইরিক মথা তমথবা ঙমদবসে। মহাক্কী মরৌশিং অমস্নং জ্ঞান্দ রাংপা নত্তে, ঙহুবু মক ওইবা পোৎচঙ ওইরিবা শেল রাংপদগী লেপ্পা তাখি। মথাগী ক্লাস থরদদি মমাগা মহাকনা থরা-থন্না হোৎনজহুনা তম্লকপনি, অম্রাংবা থাক য়ৌরকপদদি শেলসু য়াম্না চঙলক্রে, শেল অহু জাল্লিঙৈদা লাইরিক পাবা ঙমমোইদৌরি, অহুপা মমানা থন্না তানবা অহুনসু শেংপা-চাবা অমস্নং মহাক্কী মহৈ তম্বগী থক্ত অহু পুবা ঙম্মোইদৌবি মরম অদুদগী চিত্রলেখানা মী ওইনবা পুন্সিগী অত্তোপ্পা লম্বী অমা য়েংলবপনি।

রীনানা অমুক শমথরকই, হৌজিক্তি চিঠিলেখাসি মহাক্তী হান্না ওইরকা অমত্তুং লৈরবা পুকনিঙ, রাখল অহু পুন্নহোং ক্লোংগ্রে হায়রি।

ও,............।

মহাক্তি হৌজিক মশাগী মরন্নাই ওইবা রাখল অমত্তা লৈদ্রে, মহাক্কী থম্মোইসি মীনুংশিনা পিক থনগ্রে অমত্তুং মী ওইবা সমাজগী য়াইফনবক্তা খল্লে হায়রি।

ওন্নবদি য়াম্না ফবা রানি মত্তুতনি মীওইবনা তৌগে হায়ত্তুনা তান্নরিবন্ন। মায়কৈ অসোমদগী য়েংলুরবদি মহাকসি লাইবক ফবীনি হায়বা য়াই। চেন্নত্তুম ফমনখ্রবা রানি।

নরেশ, তশেংবস্তু ঐখোয়গী হৌজিক্কী সমাজ অসিদা অসিগুম্বা সমাজবু শেমগৎ শাগৎপগী মরীদা থবায় য়াওবা মী খরা চোংথোরকপদি দরকার ওই হায়না খল্লি।

মরমদি .... ?

মরমদি, হৌজিক্কী সমাজ' অসি মশাগী কান্নবা য়েংবত্তনা পিক থনগ্রে, মীগী তোংবা, মাঙবগী মরীদা করিস্তু খল্লখিদ্রে, অসিগুম্বা সমাজ অসি শেংদোকপগী দরকার ওইরবনি।

পূন্নমক অচুম্বা ঙাক্তনি রীনা, অত্তুদা থ্বাইদগী নুংঙিবদি হৌজিকমক অন্নুম্বা সমাজ সেবাগীদমক চোংথোরকপসি চামগী মন্নুঙদা অমা ফাওবা লৈত্রি হায়বা য়াই, নরেশনা খুম্মি।

নরেশ, পূন্নমক মতমগী মতুংইন্না ওক্তরক্কদবা ঙাক্তনি, মসিদা নঙ ঐম্না য়ান্না নিঙবা কায়রুবস্তু য়াদে অত্তুগা য়াম্না চেন্না অপা তৌরুবস্তু চুনদে।

নরেশতি তশেংনমক হায়রবদা রীনাগা নুংঙাইবা রারী রাতায় থরা শামিন্নত্তুনা ঙহাক্তা ওইরবস্তু অরা পোথাজগে লাকচবনি। রীনাগা নরেশকসি মহৌশাদগী ছৌনা কয়া হঙোইনদে অত্তুগী মথক্তা অথাপ্পগী মরীয়োমদা য়েংলুরগা মবুংগুম্বা অমস্তু থোকপনিনা, লাকপদা গমত্তিনীনা থোইদোকপা অথাবা মীৎয়েংনা য়েংদে। নত্রবদি মশক খঙদবা হুপা

অমত্তা রীনাগা রারী শানবং নম্রগা ময়ুমদা থিরবা য়াবা নত্তে। অদুবু ওসিদি নরেশম রা অ'স তয়াং-তশোইদা ইথোক থোকথিন্রে শানরিবা রারীমু অয়াংবা রারী অমত্তা ওইদ্রে। নরেশ ওহাক খল্লগা রাগী মত্তাঙ ওইদা হায়রকই, রীনা, নহাকনমু নঙগী মরুপকী মরমদা রারী কয়া শান্রে ঐমু মত্তাঙ অসিদা নিঙশিঙলকই।

কনানোনে ?

সুরেশ।

ও, ... মহাক কদৌরবা !

নহাক মাগী মরমদা করি'মত্তা তাদ্রা !

ঐদি থোরকপমু কুইদ্রি থোইনমু মপাল থোক্তে করয়া তাগনি।

মহাকী মনে অমত্তং লৈজবত্থমু লৈথিদ্রে, হৌজিক্তি মতোমদা মঙায়রে।

ও ! অদুদি মহাক . .. ...। রীনা মমায় লৈথোকুনা অহাওবদা য়েংসগা রাখল অমা তৌবগুম তৌই।

নহাক নোংমদি ঐনা মহাকপু ময়ুমদগী পুথোকুনা মপাল থোকহন্নুই, মহাক্তি হৌজিক মপাল শুকথোক থোক্রবনি, নরেশনা হায়রকই।

নহাক্না নঙগী মরুপত্তা উংলিবা থৌজাল অদুগীদমক ঐনা নঙবু থাগওবা ওমদে। অদুবু মহাকী ইঞ্জিনিয়ার তম্বত্থ লোইহৌদ্রবরা, রীনানা হংই।

কদাইদগী লোইরগদগে, মনেং অনাবা পাউ তাবদা অদুম থোরক্লবনি।

অদুবু মহাকী তম্বত্থ লোইশিল্লরোইদ্রা ? য়াম্না লাংতক্লনা হংই।

হৌজিকমক্তি থোইদোকপা তম্নিঙবগী মওং উদে।

নরেশ, নহাকী মরুপপু কনবা হায়বসি নঙগী নথৌনি। রীনানা থরায় য়াওনা হায়রকই।

নহাকীমু মরুপ নত্রা, নঙগী নতেংদি পীবা য়াদ্রা। নরেশনা থরা য়াংলগা হায়খি।

অদুবু ঐদি সুপীনিনা ওহাক লৈতনা উনবগী খুদোং চাবত্থ ফংদে। মরম অদুনা সুরেশকী অফ ফত্তা পূম্মক য়েংশিনবসি মরুপ অমা ওইনা ঐনা নত্তোন্দা শিন্ননিঙ্ঙি।

ক্ষরে, ঐস্থ ঙম্নিবমখৈ হোৎনগে অহুগা নহাকস্থ মতোং পাংবা তাই। থল্লায় য়াওনা য়ারী শানখিবনা অমিমক মতমগী মাইকৈরোমদদি থোই-দোকপা নিঙশিংলুবা তৌরুদে। নরেশনা ঘড়ী য়েংলুবদদি হুমিং য়ুংলয়ে। মতম থেংখ্রে হায়হুনা নরেশ হৌগংলগা চংলগে হায়হুনা মপাল থোকখ্রে। গমভিনীস্থ তুলশীবোংদা চাক চাগদবগী খোৱাং তৌহুনা লৈরি। মহাক্কি কুইমনখ্রবা অহুদা নরেশকী ৱাদি কাউবু কাউরুরে। মরম অহুনা নরেশপু উবদা ঙরুপতৌনা হায়রকই, হৈমা, ঐদি চংখ্রবোই নিঙতি, নঙদি লৈরম্রি-বোরে। থেঙমনখ্রে চাক চারগা চংলোদনা অস্থক থেঙলববু চাক পীজরক্কে হায়হুনা নমানা শাউরমগনিনে। নবেশস্থ ফাগি ওইনা খুম্নকই, চাহুনা চংখ্রগা হোরেল অমুক য়ুমদা চাজিক চাবিনিংঙায় লৈতে হায়হুনা চৈরমগনি। চংচরগে, হায়ম্নগা নরেশস্থ চংখ্রে। গমভিনীস্থ চংলো-চংলো হায়রগা চাক চানবা থৌৱাং তৌহুনা লৈহৌরে।

হুমিদাংৱাইরমগী মতম্নি। হুমিংনা য়ুমজিলোম্নকপা, নিংথমথাগী মেঙবা হুমিংনা অরোইবা মঙাল পীরম্নগা মালেমদগী বিদায় লোবগে থৌৱাংলক্রে। ৱীনাস্থ ঙসিদি নুংশুক নুজানৈ পুক্লিঙ মকা লামদে, খঙদবা অমনা থম্মোইবু তত্তনা ওংপগুম তৌরি। দলাল মথক্কী নোংচুপকী মাংগোন্দা ফম্নগা চাউরগা পুখ্রি অহুদা তারমদাই হুমিংকী মঙাম্না যৈবহু মুম্না য়েংলি। মরক-মরক্তা ঈংলবা নুংশিংনা মাইগৈ খংহৌদনা হুম্নকপদা ঈথক্কী জগোই য়েংলগা ৱাখলগী ঈপক হৌরকপগুমস্থ তৌই। হুমিং চুপ্পা চাক্তারুবা উচেকশিংনা পুখ্রি মপান্দা হৌরিবা হৈনৌ পাম্বীদা হনজিল্লক্তুনা চেক্লা কায়দোং থিরকপা উবদা অমুকস্থ পাইমা নুংঙনবগুম তৌই। অরোইবদা অসিমতং থল্লকই, মহাকপু হৌজিক করম তৌরমগদগে। কনানা মহাকপু থেমজিনবিরমগনি। থেমজিনবিবা য়াঙত্রবা থম্মোইনা করম্না খাঙলমগনি

অৱাবা পুম্নমক। অহুগা ঐদি।

ঐদি মাগ্নীদমক করিস্থ তৌবা ঙম্নরোইদ্রা !

অহুগা মহাক্কী চিক্লবা পুন্সিদা ঐবু নিঙশিংলমগদ্রা ঐগা মাগদি কুইরে

ঈ পাউ কাওনখিব্বা। অদুবু মুংশি থওবা থম্মোইদি মাগীসু ঐগীসু লৈনৈ। নত্রবদবু মাগী মুংঙাইতবা পাউ তাবদা ঐনা করিগী থম্মোই শোকনি। মহাক্কী থোম্বাংনা করিগী য়ৈগনি ঐগী থম্মোয়দা! মহাক্কী রাববা মতম অসি ফাওবা মহাক্না ঐঙোন্দা করিগুম্বা অমতা খওহল্লক্কবা অসিনদি মহাকনা ঐবু লাম্না লৌবদু হৌজিক ফাওবা লৌরম্বা তাই। অমরোমদা ঐনা মহু হৌজিকমক শেংদোকপসু ওমত্রি, অদুনদি ঐ হৌজিক করি তৌসিগে। হৌজিকমক মহাক্কা উম্নদুনা নত্রগা উপায় অমা তৌদুনা শেংদোকনসিরা। মহুসু ঐহাক পামফাত্রি মবমদি ঐসু পুন্সিগী তৌগদবা ইথৌ অসি মপুং ফানা পাঙথোকক্রিঙৈদা পুন্সিবু লমথাংদা মাঙংনবদি পামত্রি। ঐ ইশামকনা উরে, মুপী মচা কয়া কয়ানা পুন্সিগী থৌদাং মপুংফানা পাঙথোক্রিঙৈদা মুংশি লাংদা থুবদগী লমথাংদা মাঙখিবা কয়া অসিগুম্বা হান্নগী ফত্রবা লম্মী অসিদা হন্না হন্না চংলবদি শোয়দনা নাম্বু-গনি, খুদি থীগনি। মসিদি ঐ কয়া পামফাত্তে। অদুগা অমরোমদা ঐনা ঐগী মুংশিববু পুম-মাঙ মাঙহনখ্রগে হায়বদি নত্তে,- অহোইনদুম ঐদি মুংশিবগী পূজারীনি, ঐগী মুংশি রাথলসি মপুং মরে ফারক্লগা মহয় চাব-হুনি ঐনা পাম্লিবা। অদুগা ঐনা মহাক্কী পুন্সিবু অফবা মায়কৈরোমদা চঙ শিন্নরুবা খল্লিবসিগু মুংশিবগী খুদম নত্রা!

শোয়দনা ওইগনি।

পুম্নমকসু ওইসসু ঐনা মহাকপু কন্দব, য়াদে। মহাক্কী শেরাম্নবা রাথল কয়ামরুম চুমথোক্তবা য়াদে, নত্রবদি মহাক শোয়দনা মাঙগখ্রনি, অদু ওইর-বদি ঐগীসু অমাঙবনি। রীনানা অসুম্না পুন্সিগী মায়কৈদা খল্লিঙৈদা তুংলোমদগী হায়রকই,—ইবেম্মা চা লৈজরে। রীনানা হন্না য়েংথোকখিবদা থম্বালনা চা কপ পায়দুনা লেপ্তুনা লৈরম্নে। রীমানা মহাক্কী রাথল লোতুনা নোকক্কেং তৌনা হায়রকই—তা থম্বাল কয়া কুইরবগে. ঐদি পুথ্রিদা ওয়াকপীনা ঙা ফাদুনা চারিবসে য়েংবা মুংঙাইমনগ্রদুনা লোইনা কাউ-থোকউরে। থম্বালসু মপুগী য়াকা মতুংইন্না খুমখি,—তোয়, মুমিদাংরাই-রমদা অসিগুম্বা কুম্মৈ য়েংবসিসু কনা মুংঙাইবনি.। থম্বাল চংখ্রবা মতুঙদা

ঋীমাসা চাহু মরূপ-মরূপ লোংচুপকী মায়কৈরোমদা অমম্বগী কিজং খজিন্নরে, লোয়ননা শাংলবা খার মপী অমা হোৎনগা ইবুঙোলোমদা চত্তশিনগ্রে।

(৮)

নোংমত্তদি নরেশস্থ মতম কুইনা লোইশিন্দুনা থমগ্রবা রাখল অমনা মকম ইখণ্ড খণ্ডদনা থম্মোইবু ওৎপগুম তৌরি। মতম কুইনা মঙখিত্রবা মঙনি অহুব্ শুসিদি নৌহৌনা মঙলরে। নরেশকী মঙদা চিত্রলেখানা নোক্লহুনা অস্থম্না হায়রঙম্না তৌই,— করিগীনো ফংলরোইদবা ঐবু অমুক হন্না তান্নগে গোংনরিবা। নরেশ ইকাইবন করিগুম্বা পাউথুম অমতা পীবা ঙমদনা মক লুকথহুনা লৈরম্মি। মঙ অসিগী মতুঙদা অমুক হন্না তুম্বা যাদ্রবুনা ফমুঙদা ঙাওন-শাওন্দুনা লৈবে। মতম অতুমকস্থ নোংঙাইল্লমদাইগী মতম্নি, খাবন-না রাপল লোল্লকপা ঈচিক হুনবা মালংনা `লিবি লিরি তরুকপা, পুমঙত্রবা রাখল কয়ানা পুমথহল্লবা হকচাংবু খজিক্তা ওংরবং যাংহল্লবা মতম্নি। নরেশকীদি হৌখিবা পুন্সিগী থৌদোকশিংনা অগুক্না হেন্না লুংহল্লি।

চহী অহুম্লোমগী মমাঙদনি। মতম অহুদদি নরেশ খাইফ-মুংঙাই ইমুঙগী মচা হাযবতুমা ওইরম্মি। চিত্রলেখাবু মহাক্না খোইদাজৈ অতুগা চিত্রলেখানস্থ নরেশপু য়াদবা নত্তে। অতুম্নদি ওইরগা চিত্রলেখানা চিংনজবা অমতং লৈজৈ মহাক অসি লাইরবী ওইবনিনা, নরেশকী অহল লমম্না থৌশাবিবোইদ্রা অতুগা মহাক্কী অতোপ্পা রাখল অমনা মহৈ তম্বা লোইদ্রিফাওবদি তম্বগী লম্বীদা অকাযবা অমত্তা পিরোই অসিনি।

পারিক্ষ লোইখিবগী অহাঙবা মতম অমদা নোংমা নরেশনা চিত্রলেখা পুহুনা কোযবা চৎখি। মসিনা ইহান হানবা মখোয় অনিগী শাংলবা

মুংশি লম্বীদা অভিসার চৎমিন্নবনি মুমিংনি। মখোয় অনিমক লম্ব য়েংউসি হায়দুনা মখারোমদা হায়খরকই। অদুবু ম্রাইখৌ চীংগোল ঐরকলদা চিত্রলেখাসি য়াম্না ম্রারদুনা চৎপা ভম্মরোই হায়দুনা ম্রাইখৌ পাং য়েং-লগা হল্লসি হায়নরে নরেশস্মু খোইদোকপা আপত্তি তৌদনা ম্রাইখৌ পাংকী পাংচি অমদা ফন্দুনা ভা ফাবা ময়ামগী কুম্মৈ য়েংমিন্নৈ। নরেশনা অহাংবদা য়েংলগা হায়খি, চিত্রলেখা, ঐখোয় অনিদা মফম অসিদা লাক্লিবসি করিগীনো? চিত্রলেখানা খুমফম খঙদনা মমায় লৈ-খোক্লুনা খুমখি, খঙদে। নরেশনা অমুক্কা মখা তারকই,—ঐনা খল্লিবসি নহাক খঙলম্বা যাই হায়না খল্লি। চিত্রলেখা ইকাইবনা মমায় লৈখোকই। হায়যুনে, নঙবু খঙদ্রনে।

কনানা খঙগনি, মঁনা শনববু। চিত্রলেখানা পাংকী ইশিংদা য়েংলগা হায়রকই।

নহাক্কী থম্মোইগী মচি অমদা ঐগী লৈফম মচেং অমতং ফাওবা পীবা ঙম্মোইদ্রা?

মদু ঐহাক খঙদে

ও! অদুদি ঐনা ও স্লুক কুইনা নঙগীদমক খল্লিক্লিবা অসিদি অরেম্বদা তারদ্রা। মতনগী মতুঙ ইনবনি। অনিমক ঙহাক তুমিন্না লৈনৈ।

নরেশ মুংশাগ্বর মপী অমা শাংনা হোন্দোক্লগা হায়রকই, খঙলে, ঐগী পুক্নিবু নহাক্না লেতাহল্লরোই হায়বসিমদি কম্না খল্লমাল্লে। চিত্রলেখানা ম্রাখল য়াম্না তৌনা হায়রকই— নরেশ মদুদি নহাক্কী অবানবা ম্রাখল ওইগনি, ঐদি কদৌঙৈদস্মু অদুম্না খন্দে।

অদুদি করিগীদমক অয়েপ্পা হায়যু হায়বা য়াদে।

মদুস্মু মতম্না লৌইনা পুরকনি। তুংগী ম্রাবু কৌজিক্লা হায়দোকপা য়াদ্রা? ঐনা নঙবু চিংনাবিবসে অদুদা।

চিত্রলেখানা অমুকস্মু বাখল যাম্না তৌনা হায়রকই.- নবেশ ঐ ম্রা অমতং হংগে।

হায়যু।

পৃথিবীসিদা হুংশিনবনি হায়দনা তৌরিবসিগী মতুঙদা থুংনবনা করানি অতুগা থুংনদনা থম্মোই কায়না হন্দোকখিবগু করানি। হুংশি পাম্হুনা হন্নাঙ্তন্নামগা লোয়নবা লেপ্লিবা পুন্সি অতুত্তবু হুংশি মহয় য়াম্লবানি হায়না লৌশিন্না অতুগা কায়না মরিতনা মশা পুম্নমক চাকথেক্তুনা তাং-ঙোই ওনথ্রবা; হুংশিবগী যজ্ঞদা মশাবু দান কথোকচরবা মথোয়শিং অতুদি হুংশিবা মশক খণ্ডদবনি হায়গদ্রা ?

নহাক্কী মত্তি কায়নো ? নরেশনা হুংগুক্লনা হংলকই।

ঐগী মত্তি অকোমবগী অসিনা হেন্না ফজে হায়না খল্লি।

মরমদি ?

মরমদি অসিগুম্বা অসিতনা হুংশিবগী থম্মোই শোল্লবা কাউবা য়াত্রবা রারী কয়া থোকহল্লক্লিবনি।

ও .....খণ্ডলে, নঙস্থু মহু পাম্মি অসিনিনে..... । অনিমক ঙহাক তুমিন্না লৈনৈ।

চিত্রলেখানা নোকফেৎ তৌনা মথা তারকই, নঙ ঐগী পুন্সিদদি মহুমকমু থোক্তবা ওইসন্থ, ফজবগী রাফমত্তবু হায়বনি।

অনিমক রাত্রিদা মুনখিবনা মতমগী রাথন্দি থল্লুত্রে। পাৎলোমদ য়েংথোক-খিবদদি ঙা খিব। কনাগুম্বু লৈয়মত্রে। ভাওরাম্নবা কোরৌহনবগু নোংচুপ মাইকৈ পাংলম্লে। চিত্রলেখা, হুংশাথীবগা লোয়নননা থেঙত্রে ইমানা হুংশা থীরম্লগনি হায়না ফুক হৌগৎলগা, চংলসি হায়রহনা অনিমক হল্লক্লে।

মতম অসি ফনা থেঙজিনগ্রে, হুমিদাংগী পুং তরেৎলোম তাশিল্লক্লে। চিত্রলেখাগী মমা ঙহাক্তা পুক্নিঙ লৈতাবা ওম্লক্লে; মাঙোন্দা থাউমৈ থান্দুনা ফম্লি, ফম্বা ওম্লক্রহনা থোজান্দা অমুক থোকই। অমুক চঙলক্তুনা মাঙোন্দা ফম্মি। অম্মুম্না পুক্নিঙ লৈতাদনা মচাবু ঙাইহনা লৈরিঙৈদা থোঙাল্লোমদগী সাইকেল অমা ইন্দুনা চিত্রলেখা চঙলকই। মচাবু উবদা অশংবা অরাবগী খরহু খরদি হোন্দোকখ্রে। মমা-মচা তুংথ মাঙথা ইমুঙদা চঙখিন্নরক্লে।

অশংবীনা মচা মুপীদা অথীবা অমসুং অশাওবা রাহৈ অন্না ফাওবা শিজিন্নদনা, মুংশিবগী পিরাংনা থু মহৎলবা মিশ্না অনিনা অমতা ভায়জরবী মচাদা য়েংলগা হায়বকই,— ইবেম্মা, ইমান্না নঙবু পোকচৈ হায়বছু মঙ্গায় অফ ফত্তগী জ্ঞান্দি নঙনা হেন্না লেরবনি। নঙনা অসুক থেঙলবা ফাওবা কনাগা লোয়ননা কদায়দ চৎলবগে। চিত্রলেখা থোইদোকপা পাউখুম পীবা ৬মখিদ্রে, হকাহ-মুংশি য়ান্ননা ফমুঙদা মখোঙ য়াম্বহনা ফম্নগা মরু লুকথচুনা লৈখ্রে। মমানা অমুকস্থ মখা তারকই.—নঙগীদি নঙ্গোন্দগী হেন্না কনাস্থ পিত্রবনি, মুমিৎ হেক তাখিবদা থেঙলে হায়দুনা থিবিরুনবা কনা লৈরি. অহুগী মৎক্তা নহাকসু লৈশাবানিদো, মুংশিৎ খজিক্তং কন্ন শিৎপদা ননম শান্না চৎখিগদোবিবনি. এনা হায়দুনা কান্নদে এা পুন্নমব •শাদা লেবে। চিত্রালেখা, তৌজিক ফাওবা রা অমতা ভাংদনা তুমিন্না খল্লি মা হবল তানাদ খল্লি, — এনা চেন তৌক- রিবা থবকদি যান্না এ নানা মেথুদা মখা ভানা হই, নঙনু কনাগা চৎমিন্নকবগোন, হমাদা শেনা হ য়দোকউ। চিত্রালেখা শমাগ রাহৎ অসিদা থাওবা ভয়ত্রে, খনকহ এন ভসি তৌরুরিবা থমক অসি ইমাদা হায়দোকুনা হশানা লাকো হানা য়াজবা তাউ চত্রবদি ইমানু মমথাক তৌবত নৈনে এগা অহুা থমোইবু নমথাক তৌবা লোবই।

চিত্রলেখানা তপ হহক হমা, এবু ভাকপীযু। এনা ভসি তৌরুবি- বসি খুাংদগী লামবা থবাক্ক।

করি তে ফুবগেনে হবেম্মা ?

এইহাক......এইহাক . . . ।

হায়যু, করিসু চিংনগনু ।

এইহাক নরেশকা চৎামন্নকবে ।

অশংবী রা ভাংদে, তুমিন্না মরু লুকথচুনা লৈখ্রে ।

চিত্রলেখানা মমাগা রাবা অমসুং মুংঙাইতবা মতৌ উবদা অমুক্তা শেংনা হায়দোরকই—হমা, মসিনা এগী অহানবা ইরাম্নি, মসিমতংদি ভাকপীযু।

মতুংদা অসিগুম্বা থবক অসি ঐহাক অমুক হন্না তৌজররোই। ইমানা য়ানিংদবা করিগুম্বা থবক অমত্তা ঐনা মিংচিনা কাওবা ঙম্মজরোই ঙহাক্কী রাখননা ঐবু ইমাগী মথাদা লৈ হায়রবসি কাউহল্লুরে। মমানা স্বর মপী হোল্লগা হায়বকই, চিত্রা, ইচানি হায়দুনস্থু নঙগী মুংঙাইবদা ঐনা পল ওইনা থিংবদি পামদে অদুগা অক-ফত্ত পুম্নমক্তি নঙগী নথুত্তা শিন্নরবনি।

নোংমচুংগী থোকপ্রিবা থৌদোক্কী মরীদা অস্তুন্না রাবী গরা শানয়গা মমা-মচা চাক চানিন্নরে। মতম ওইশিল্লক্লদুনা ঙহাক্তং তারা পোথানবা থৌবাং তৌখ্রে। অশংবীস্থু ফমুংদা হিপ্ন-হিপ্না মচাগী রাখল কযানি,— করিগীদমক চংলুরিবা! নবেশকা মহাক্কা লৈনবিরা মরীনা কয়াযান্না নক-শিন্নখ্রবা মহাক্ক হৌদ্রিক কুমারী ওইবগী অশেংবা মংংহু লৈরমখিগদ্রা। অরেইবদা অমুক হল্লকই,—মসি পুন্নমক পাপকী মশক ওইবা রাখন্নি, ঐনা খনবা চনদ, পুন্নমক অকবা ওইসস্থু। রাখল অসিগা লোয়ননা ঈশ্বরবু থম্মোংন্দা চেংনা কোনশিঙ্গবগা তুমখ্রে।

চিত্রলেখাস্থু মচুংায়, মহাক্কা ঙসি তৌকরিবা থবক অচুংগীদমক মশা মত্তোংদা শাংবনা লৈফম থঙদে। নরেশনা ঐবু কবি হায়না খল্লম-গনি, খুংদনী মমন হোংবা মুপীনচা মসিদগী তেন্না করিস্থু থম্নিঙত্তায় লৈত্তে। ওংেকপনি, গীওইবগী রাখনগী ঈথক হায়বসি থিংবদা য়ান্না রাবা পোংনি। ওাক্কগী তৌরকপা নাথনগী ঈথক্লা ঙমখিদুনা ঐনা ঙসি ইমাগী নফংদস্থু ইকাইরা ফংলদা অদুগা নাবশনস্থু ঐবু মমল যাওদবা মুপীমচা অমগম খল্লনগাদনা। অদুবু ঐ নরেশকদি থদিক্তং থাজবা লৈ মহাকমচি অমা শংমগানিদি নিঙদে পুম্নমকস্থু ওইসস্থু, হৌখ্রবস্থু হৌখ্রে, ঙসি কাযদ কনিং তাসিদগী হৌনা ইমানা হেক হিংলিবমখদি মহাক্কা যানিংদবা পলক অমত্তা ঐ তৌখ্ররোই, ঐগী থবক খুদিংমক মঙোন্দা হায়রগা মহাকনা যাবা মতুঙ ইন্না তৌবা তাই। অস্নুন্না চিত্রলেখানা অচেংপা রাশক লৌখ্রে।

অযুক্কী পুং তথাবোম তাবা মতমনি। সুরেশন্না ভূম্বা হৌগৎলগা থোইদোকপা থবক্কি তৌনিঙঙাই লৈত্তবম্নিনা মতোমতা চা লোন্দুনা থক্লগা Pearl. S Buck কী 'Good Earth' পাহুনা লৈরি। 'Good Earth' সি সুরেশনা কয়ারক হুন্না পারবনি অহুবু মহাক্কা য়াম্না পামজবা লাইরিক অমা ওইবদগী হুন্না-হুন্না অম্মুম পাই। Wang Lung গী পুন্সিসি মহাকনা য়াম্না পামজে। য়ুমজাওগী মথাঙংবরোমদা মহাক্কী লাইবিক পাকম ওইনা কা মচা অমতং তপথোকই। হায়রিবা কা অসিদা মহাক শঙাং শইরিবৈদগী হৌনা মতোমতা লাইরিক তৌবসি হৈনরকই। কা অসিদা মহাকী মমা, মপা অমস্রুং মনে অহুমগী ফোটো থেংলি অতৈ থোইদোকপদি থেত্তে। লাইরিক হাপ্পা আলমিড়া মচা অমা টেবল অমা চৌকি থরগা কা অতুগী লৈত্তেনি। সুরেশনা লাইরিকী চেনা অম্মুম হায়দোকপদা মন্নুংদগী চেজেং অমা তারকই, করিনো হায়হুনা থেংবদা থাইনগী চিঠি অমা ওইরম্রে, মথাদা 'রীনা' হায়না থারম্মী। সুরেশ মুম্না য়েংলগা, নহাকনা ঐঙোন্দা অমুক ওৎপদি য়াররোই হায়-হুনা মচেং-মচেং কুপ্পা শেগায়রগা লংথোকখ্রে। থুয়াদা তারিবা চে-জেং-শিং অহু টুরগা অমুক নিঙঙমদবা পোক্লকই, — করিগীনো মরাল লৈজদ্রবী চিঠি অসিদা ঐনা অমুক তাথিনা তৌকরিবা, মহাকনা করিগুম্বা মরোল থোক্লম্লবদি ঐবু থুংশিহৈত্তবনি হায়না চৈরম্লোইদ্রা। অম্মুম্না কদায়দগীনো ওইথোক্লরোইদবা রাখল অমনা পুকনিঙবু খুহুম চন্দুনা লৈরিবৈদা মপান্দগী মী অনি অহুম লাকপগী মখোল তারম্মি।

যহুনা মাঙ থানা চঙশিল্লকই, অহুগা অতোপ্পা পাথঙ অনি অমস্রু মতুঙ ইম্নবকই। সুরেশনা ওক্লপ তৌনা হায়রকই, এ, করিগীনো হৌজিকপু অয়ুক্কা ....! যহুনা নোকুনা খুম্মি, ঐথোয় অয়ুক্কা কোয়থোক্লবদগী

ঈশিং থোৎন্নাংমনগ্রহনা থজিক্তা থক্কে চঙলাক্লিবনি।

অমুক্তা ঈশিং থোৎন্নাংবা ! স্থরেশ মতোমদা ওকই।

স্থরেশনা কন্ধু, হায়হনা মথোয় অহুম চৌকি অময়মদা কমহল্লে।

যত্নুনা মথা তারকই, ঐখোয়গী মরুপ অনিনি থুজ্ৰা ?

স্থরেশ গুহাকং গুকচাননা য়াথল তৌই। মখোয় অনিহু করি গুম্বা মফম অমদা উথিবগুম তৌখ্রে, থরম্ব নিংশিংবগুমম্ব তৌই অহুগা মপুং ফানা নিঙশিংবস্থ ওমত্রে। মহাক্কী গুকচানবা মওংহু উরহনা প্রতাপনা হায়নকই স্থরেশ বাবু, নহাক হোটেলদা উন্নখিবহুনি।

ও .... ও ..... নিঙশিংলক্লে, ঐস্থ কদাইদনো অমা উথিবগুম তৌই হায়হনা থল্লিবনি।

নবিন্না ইমুংগী অমুক্কং কোয়না য়েংলগা মাগী মত্ত পীরকই,—স্থরেশবাবুগী মুমসিদি য়াম্না চিকখ্রেদা কনাস্থ লৈতব্রা, য়াম্নবু হুংঙ্গাইদোবা মাল্লি। যহুনা ওক্নুনা খুমথি, স্থরেশকীদি অহুল নমল লৈত্রে মহাক মতোমতনি লৈ-ক্লিবা, চাউরবা যুম অসিদা ওল্লোকনা মরাং কায়না লৈরবনি।

স্থরেশ থোকদোকপা পাউথুম পীদে, মখোয় অহুম অহুদা য়েংই।

যহুনা অমুকস্থ মথা তারকই,—স্থরেশ বাবুনা থজ্জহনা তৌবনি, মখোয় অসিস্থ ঐখোয়গা ছাদর ওইমিন্নরকপনি, স্কুল তোঙান-তোঙানবদা তম্বহুদা ও..... ....।

ঈশিং হায়বহু খজিক্তা পীবিয়ু।

স্থরেশ ঈশিং লোগে হায়হনা হৌগত্নুনা চৎখ্রে।

যহুনা বেক পোকেট্টগী অচেপ্পা লিক্লি মচা অমা পুথোরকই অহুগা প্রতাপ অমস্থং নবিন্না থোংগ্রাউগী পোকেট্টদগী গ্লাস মচা অমমম পুথোরত্নুনা টেবল মথক্তা থম্নে।

স্থরেশ, গ্লাস অমদা ঈশিং হাপহনা পুথোরক্লে, টেবল মথক্তা থম্নে। টেবলদগী পোৎশিং অস্থ উবদা থোইদোকনা গুকখ্রে। নহান নোংমদি যহুনা মখোয়গী মযুমদা লাক্ক থবক্কী মরমদা থক্সি অহুগা মহাকনা অহুল্লা

লাকনি হায়বসিদি সুরেশনা থক থমুলে'। গ্রাম অহুমদা থরা থরা হৈরগা ঊদিং য়াবসিন্দুনা 'থকলা হৌরক্লে। অহুমা গ্রাম অমদা থরা হৈরগা সুরেশকতু লামশিল্লকই। সুরেশনা মতুক থাই-য়ানিঙদবা উৎলি। সুরেশতি পোকপদগী ওসি ফাওবা যুমনম 'কাম্রিবা মীনি। মরম অহুনা মখোয়না তৌরিবতু মতোম্নদি ইনৌ নৌবা অভুকপা অমা ওইনা থোকখ্রে।

মখোয় অহুমতু নেশা থরা-থরা কারক্লমাক্লে, অনমকনবতু হেনগৎলক্লে, মখোয় অহুমতু নেশা থরা-থরা কারক্লমাক্লে, অনমকনবতু হেনগৎলক্লে, প্রাতাপ্পা গ্রাসতু অমুক পায়তুনা সুরেশকী মচীন ময়াদা শমতুনা থাকিক-তদি মহাও য়েংউ, হায়না তকনরক্লে। সুরেশনা মমায় লৈথোক্লনা থাওতি। যতুনা নওনা য়াত্রবনিনা ঐনা ওমশিনবা তারে হায়তুনা গ্রাস অতু অমুক্তদা লোইশিনখ্রে। সুরেশনা থেৎলিবা ফোটো 'অকস অদদা খুদোম্বীনা থীল্লগা তপ্পা হায়রকই,— যতু থাবু, ঐ পূমমক তৌবা ঙম্‌গনি, অতুগা মখোয় অহুম অসিগী মমাওদদি অসিগুম্বা থবক অসি ঐহাক শুম্লোই। প্রতাপ্পা নোক্ত্‌না হেক্তই সুরেশবাবু পুন্সি হায়বসিবু মুংঙাই-নবা নত্রগা য়াননবা লাকপ্রা, অশিবগীদমক করিগী অচত্তবা ঐখোয়না য়াগনি, অচত্তবগীদমক শচত্তবনা য়াগদবনি। চুম্মি, অহুবু ঐনা মখোয়বু মুংশিজবদগী ইকাইখুম্মজবনি। সুরেশনা তপ্পা থুম্মি।

নবিম্মা মথা শমথবকই,—নাগে হায়রবদি ঐখোয়গী য়ান্না বাবা য়াই অহুদা য়াবা হায়বসে মুংঙাইবা শিনকম নত্তে হায়তুনা থাদোক্লবনি। য়েংউ, ঐখোয়না মেট্রিক পাশ তৌরিবসি কন্না ফুইরে অহুবু ওসি ফাওবা থবক অমতা ফংদতুনা শোরোক্তা ককতাওনবদগী, মুংঙাইবা থিরকপদা যুদা তারক্লিবনি। মসিবু থকথ্রবদি অন্না-অনা পুম্মক অমতা চওবা ওমত্রে। ওসি ফাওবগী মমুতদা করম্বা ভাক্তরনা অরাবা কাউনবা হিদাক থমত্রং পুর্থোকপা ওমথ্রবগে, মসিতনি অরাবা কাউবা হিদাক হায়বসু। সুরেশনা তপ্পা থুম্মি,—মরান্না হায়বিরিবতুগু অচুম্মনি, ঐবু 'য়াননবা' 'থাঙ্গ-শিজিনবি' খাহুনা। ঐহাক অসুম য়াবিবদগী হৌজিক ঐহাক অরানবা হৈনবা

মী লমা থুইনা, কৌরে, শাগা, ঐখোয়না, অমসুঙ, থোইদোক্না অচৌবা অমা নত্তে। মরম অদুনা লোকতুনা লাকখৈ,—মতম তাঙা, করিগুম্বা নতনা য়াম্না ৱৌরিবসিদা, মখুত্তি সকল লমলমতি লুংসিবা, হুংতাইনবগী মশক শেন থুম, নত্তে মশিং কৌরিঙ্গু বাক্তেনা। ঐৌরিক মহাক্কী লৈংহিবা শেন অমুনা থক্চ কৌখোক্তুনা লশা হুংতাইকবা হোৎনৌ। হুংতাইবগা লোইরে, শিরগা অমুক চম্না লাক্তুনা হুংতাইবা য়াবা নত্তে, শিত্রিট্টেসিদা য়াবমথৈ হুংতাইনবা হোৎনগদবনি।

হোয়, যদু বাবু মসি য়াগী য়াগী অপাম্বা হায়বতু ওইরে. সুরেশনা খোঁশাদনা থুম্মি।

প্রতাপনা মরক থতুনা হায়রকই, অদুবু সুরেশ বাবু, ঐখোয়না ঙসি খঙ্গিক্তং মহাও য়েংবিয়ু হায়বাসিদা য়াবিদবা অসিদি ঐখোয়বু হক্তাইবা পীবিরেদকো।

সুরেশ, নোকফে, তৌনা তায়।

হোয়, ঙসিদি ঐহাকপু ঙাকপীরো হয়েংমুক তৌজরগে।

যতনা শান্তিশিল্পকই করে, সুরেশবাবু, হয়েংমুক্তি লম কোয়রুসি মদুদা বাপুম্ব হৈনবা শোৎনরসি। হুংতাইগে হায়ববদি এখোয়গা সঙ্গ থরা থোক্নমসি সুরেশ বাবুদি ইমুঙদতা অসুম নৈশিন্দুনা কৈরবনিনা জগৎকী অসা না পসমন্দি বাবুনা অদুম কোকথোং নারবনি। মপাল থরা থোক-পিদুনা মযামগী ঈরাংসু থরা ময়াওবিয়ু। জগৎকী ঈরাং য়াওদবা মী হায়বসি হৈবোং মহুত্তী তীনগা অক্ষানি মতাঙচাত্রবদি ঙাওবা কাওবা য়াবনি

ঙাওবমক্তি ঙাওজরোইদা। সুরেশনা নোকখেং তৌনা থুম্মি।

মখোয় অদুম লাঙবা হৌনবা থরা লাঙলপা হৌগতুনা চৎখ্রে।

সুরেশ মতোমতা ঙায়হৌরে। মতোমদা খঙ্গহৌই, ওন্থোকপা হায়বদুনি, জগৎ অসিদা লৈরিবা মীসি মথল কয়াগীনি,—কনানা অসিগুম্বা থবক অসিদা হুংতাইতুনা পুন্সি লুপ্তুনা লৈ, মত্মকা মরম ওইদুনা পুন্সি

তেনবন্থ য়াওই, অহুনা কনা অমনা অঙাওবগুম তৌকনু খত্তনা চিঙ্গাগী পোৎলুম পুহুনা পৃথিবী অসিদা মহাক্কী লৈকাই হায়বা মচেৎ অমতা লৈতবগুম চত্তুনা লেল্লি, অমুক কনা অমনা জ্ঞান লৈবগী মতৌগুম পুন্সিগী মিংকুপ অমতা অয়েংবদা হাওহন্দনবা হোৎনল্লি। মরাম অসিগী মরক্তা কদাইনা অচুম্বনো! অচুম্ব অমাল খাঙ্কনবদি লাক্লি মরমদি মী খুদিংমক মানা মানা তৌন্নিবহুনা খ্বাইদগী য়েন্না মকয়ে হায়হুনা লৌনত্তিবা ঙাক্তনি,—সমাজনা য়াবা থবক অহু অকনবনি, য়াম্বহু কত্তবনি।

মতম অসিদা মপাল্লোমদগী খোঙউপ মখোল অমা তায়কই স্নুরেশ ভাব খংতা তারকপগুম, ফুক হৌগত্তুনা মপাল্লোমদা য়েংখোক্লবদা উরে, নরেশ মরু লুকথহুনা চঙলকপা। স্নুরেশকী য়ান্না থঙইখিত্রবা মিকুপ অমনি, টেবল মথক্তা মখোয়না চাইরম্বা অমস্নুং থকপগী লৈরম্লিবা মরাম অহু করি'মতা লোইশিলহোবা নংহৌত্রে। নরেশনা অহুম্না থৌওইত্রবা মিকুপ অমদা লাকনি হায়বহুম্ব মহাক্না থাজরুদে।

নরেশ অপনবা তৌদনা ইমুঙদা প্রপ প্রপ চঙলকই। নরেশনা ইমুঙ চঙলকপদা মনম অমা য়া লাউনা ফাওরকই। মনাতোন মেন্দুনা হায়রকই,—এ, মনমসিদে। কোয়না অমুক য়েংলগা টেবলদা লৈরিবা লিক্লি অমস্নুং গ্লাসনচিংবহু উবদা নিঙবা কায়না হায়রকই,—করিনো স্নুরেশ! নহাকস্থ হৌজিক অসিগুম্বা থবক অসিদা হৈনরত্রা! স্নুরেশ ইকাইবনা মমায় ঙাংশং ঙাংগ্রে, ঙহাক্তংদি খুম্রকম থঙখিত্রে। ঙহাক হুমিম্না লৈরুরগা খুম্নি,—নরেশ ঐবু শেয়াম্বনা লৌগম্বু, ফমথৌ ঐ য়া হায়গে।
উম, ঐহাক থওলে, নহাক অসিগুম্বা থবক অসিদা শোয়দনা হৈনরম্লগনি। স্নুরেশনা মহাক্কী কাদা থেংলিবা ফোটো অহুম অহুদা খুদোম্বীনা থিল্লগা হায়রকই,—নরেশ, ঐগী পুন্সিচুপ্পা পুজা তৌনিঙ্ঙায় ওইরবা মখোয় অসিগী মমাঙদা অহুগুম্বা নিন্দাগী মশক ওইরবা থবক অহু তৌগনি হায়না থাজত্রা! ঐদি খ্বাইদগী নিঙবা কায়রবা অমস্নুং আশা পুরমক

লোইশ্রবা মীনি, অহূম ওইহন্নহু ইশাগী মুন্ডাইবা থিবদা অসিগুম্বা থবক্তদি থক পুক্লিঙ লুপশিল্লোই।
অহুদি অসিকুমী পোৎশিং অসিদি করিগীনো ?
মহুনি, ঐনা শোধোকে তৌরিবসে। ওসি অমুক মহুগা মহাকী মরুপ প্রতাপ অমসুং নবিনগা, মখোয় অহুম্না লাক্লগা তৌরম্লিবা থবক্নি।
মখোয়না ঐবুহু কয়া য়াম্না তক্করম্রে অহুবু ঐনা ওমহুনা নাম্থোকচহৌরবনি।
নরেশনা মুংশাথীনা হায়রকই,—ইস, মখোয়মহু অসি য়োরম্নত্রা ! মখোয়দি অহুম্না মপুন্দি লেপ্লবা হোৎনরবা মীনি। মখোয়না ঐবুহু চিংশিন্নবা কয়া হোৎনরম্লবনি, ঐহু উচিন মাচিম্না নাম্থোকহৌরিবনি অহুদা নওনীদি ঐনা য়াম্না চিংনবা অমা লৈরে।
করিগী ?
নহাকী থিংবিনবা কনাহু লৈত্রে অহুগী মথক্তা নহাক শেল থরা লৈ হায়বসি মখোয়না থওভি মরম অহুদগী মখোয়না ওম্লিবমখৈ নওবু থা-দোক্তনবা কয়া হোৎনরকনি। অসিদগী মখোয়না নওবু অহিং মুংথিল নাইদনা মখোয়গী সঙ্গদা পুশিন্নবা হোৎনরক্লগনি। নহাক শোয়দনা মাঙবা তারে। সুরেশনা হাইফেৎ লোক্লগা থৌশাদনা খুম্নি,—হৌজিকপু ঐবু মাঙহনবদি কন্নানহু ওম্মোই, ঐনা মাঙজগে হায়রগা মাঙজগদবা মঙায়রে।
নরেশনা অমরোমদা নাথৈহ্না হায়রকই,—অহুদি নহাক হৌজিক ময়াম অসিদগী নাম্থোক্লবা নহাকী তম্বহু লোইথোকউরো। অমরোমদা নঙনী তম্বহু মপুং কানা লোইশিন্রবদি থবক তৌবহু য়ায়রোই। ঐখোয়গীদি জেনেরেল লাইন-নিনা য়াইদো অহুগা নখোয়গীদি টেক্নিকেলনিম্না মপুং কানা লোইশিন্রবদি কায়রোই।
ঐহাক হৌজিক মথা তমথনিঙবগী য়াদি থোইনা লৈত্রে।
করিগী ?
ঐগী আশা ভর্শা পুম্নমক অমতা লৈত্রে। করিগীদমক ঐনা মথা তমথ-গদৌরিবনো হায়বহু থমুবদা করিহু তমমিঙত্রে।

ও .....মিঙন্না কায়বগী য়ান্না ! অদোমগা থম্মুরবদি নহাকনা ঐদোম্দগী করিস্নু হেনবা নত্তে। অহুবু শিবদি পাক তমলবনিনা হিংবা তাবনিদা, হিংনবা লম্বী য়েংবা তাই। হিংবা তাৱবদি পুন্সিসি থবক্তা চঙবা তাই নত্রবদি হাওলবা পুকনিঙদা মাঙনবগী মশক ওইবা তীল কয়াগী মহুম শাই। মথোয়মশিং অসিদগী ভাকথোক্লবা ঐথোয়না থবকী পুন্সি ওইবা তাবনি। অহুবু থ্বাইদগী লুম্নিবদি ঐগী হৈনিঙঙ্রবা পুকনিঙ অসিনা করম্বা থবক্তনো চঙলুগদৌরিসিবো, সুরেশনা হৈনিঙদনা খুন্নি।

নরেশ শকতম হন্থিল্লগা য়াম্না জ্ঞান তানা হায়রকই,—সুরেশ নঙগা ঐগা পিশক পিক্লিঙৈদগী তিম্নরকপনি, নহাকী লমচৎ কৈদা পুম্নমক ঐহাক লোইনা খঙতি, নঙনস্নু ঐগী খঙলিবহু মঙায়। নহাক ঐনা হায়রিব-সিদা য়াদহুনা নঙগী নপুন্সি মাঙবা তারবদি কনাগুম্বী অমগী নিঙবা কায়থিবা য়াই।

কনাগী। সুরেশনা শাওরম্না হংই।

রীনাগী।

রীনা !

ঐনা মাঙথ্রগা মাগী করি মাঙবা তোংবা লৈ। ঐ হৌজিক কনাগীসু মুংশিবা, চানবি-মিৎযেং পামজদে। কনাগী মুংশিবনা, কনাগী চানবিযনা ঐগী মৈচাক কয়াসি মুৎহনবা ওঙ্মোই। ঐনা হৌজিক থ্বাইদগী পাম্নিবদি ঐগী মুংঙাইনবা লম্বীনি, অন্না-'না কয়া কাউবা ওম্বা উপায়নি।

নরেশনা তপ্না থেমজিল্লি,—শাউথিনুনে, ঐহাকসু করি'মতা থঙলমদবনি অহুবু নহাল নোংমা মথোয়দা চৎলুবদা মহাকী রাঙাং শাঙাংদগী মহাকনা নঙবু মাঙহন্নিঙদে ফহন্নিঙতি হায়বসি থঙলকপনি। অদুগা মহাক্না ঐদোম্দা নঙবু য়াম্না চেকশিন্না শিন্নরকই। সুপীমচা অমগী অসিঙঙ্বা নোঙ রাহৈ কয়াবু নহাকনা ইরায়-লায়না হন্দোকে থনত্রা মহুমক্তি চুমদে হায়না থজি।

ঐহাক হৌজিক কনাগী মরাসু তানিঙদে।

সুরেশনা য়ায়োরপ তৌবা থুন্দি,— নরেশ, নহাক ঱ীনাবু য়ুম্না মশক খঙ্ববা মাঙ্ক্ল,—মহাক্তি লৈমা বিংথৌকোননবী, য়াইক-হুংওাই মচানিনে, ঐদি ইমা-ইপাগী মাউকোল্লত্রুবা, পিতং-পাত্তংগা মচানি, মাপা ঐগী লাম্বা তৌনবদি মক্তিক থম্না চাকাওনাজে হায়রতুনা ঐহাক হন্দোকচরবনি। হৌজিক্তি ঐহাক মহাকী নত্রগা কনাগুম্বগী য়াথল অমতা তৌজে, ইশাবু ইশানা যুংওাইহনবগী য়াথত্তুনি ঐনা খল্লিবা।

নরেশনা তঙ্গা হায়রকই,—অহুবু মহাক্তি হৌজিক ফাওবা নহাকী য়াথনসি কাউদনগুম তৌরি। অহুগা মথোয়গী ইমাসি-স্থ মহাকী তঙসি লোইরগদি বৃন্দাবনদা মহাকী পুন্সিহু লেল্লুগদবা মওং মাল্লি, অহু ওইরবদি নখোয় অনিগী পুন্সিগী লম্বীদা থোইনা অকায়বা লৈয়োই হায়না খল্লি। ঱ীনাস্থ মহাকী তঙ্বা লোইগদবা মতমস্থ শাংজে, চহী অমরোমদা মওায়রে, নহাক্না লোইরকপাগা মপা চানবা য়ারে। অহুনা মহাকহু লোইশিল্লবা তৌরো।

নরেশ, ঐ অচাওরম কাবা মীসে কয়া য়ানিগুদে।

ঐনা হায়রিবসিনি নহাক সেরাম্না থনগনু, অয়েম্বদা পুন্সি মাগুহল্লবা তৌগনু।

নরেশম্না হম্বনা থড়ী য়েংবদা হুমিং য়ুংবা মতুঙ ওটরম্রে। থেগুলে চংলগে হয়েংমুক উম্নসি হায়ম্নুনা নরেশ চংখ্রে। মতোমদা অমুক লৈহৌরে।

(১০)

চিত্ররেখাগী নিলোখেরিগী পুন্সি থোইদোকনা খৌচিল্লবা পুন্সিনি। পুংশীং ককনা থবক খুদিংমক তৌবম্নিমা অয়েম্বদা মাগুহম্নবা মতম লৈজে। চিত্ররেখা মকম অসিদা চুম্নতগী থবক তঙ্বা-নজে, মহাক মশামকী থবকনি হায়না খজহুনা তৌরিবনি। মমা মপা লৈজত্রবা অঙাংশিংবু য়োকপি

থাকলিবা, মী ওইনবা শেম্বীবা, শুকম চংকম খঙবা লৈরবা হুপী কয়ানু মহৈ-মশিং খিংখিনা ভম্বিদুনা পুন্সিগী মহাও শীনবা হোৎজনরিবা, মশামকা সমাজগী মীওই অমনি হায়রজবা ওমদনা লৈরম্লবা মীওইশিংনা মখোয়গী সমাজগী জীব অমমম্মি, মখোয়না হিংলিবসি মীওইবা সমাজগী য়াইফম-বনি হায়বা য়াখল অসি মশাদা ফাওহল্লিবা,—অসিগুম্বা থবক থৌরমশিং অসিদা চিত্ৰলেখাগী থৱাই হকচাং লুপংশ্রে। মশাকনা মীগী সেবা তৌবদা করিগুম্বা মতমদস্ম হন্থবা থবকনি হায়না খনখিদ্রে অহোংইনহুম মশিবা খ্বাইদগী হেন্না ফবা অমত্তুং হুংঙাইরবা পুন্সিনি হায়না লৌবা ঙম্রে।

নিলোখেল্লিদা লৈরিবসি রাজ্য খুদিংমকী মী ওরবনি,—অমসা অমগা শকথঙ-মায়থঙনবা, য়াখল লৌশিন্নবা, লৈবাক অমগী মীনা ইমুণ্ড অমগী মীগুম্না চান্না-চিন্না লৈবস্ম ওম্বনি। অতোপ্পা লম কয়াদগী লাকনবা থঙনদবা মীশক ঙাক্তনি অহুবু অন্নম লৈমিন্নরকপা অমত্তুং য়ারী য়াত্তায় শান্নরকপদা অমদি পুকচেল থঙনরকপদগী মচিন মনাওগুম অমগী অয়াবা তারবদা অমনা মতেং পাংনৈ। মসিমকস্ম পুন্না লৈমিন্নবদগী ওন্নকপা চাউরবা পান্না অমনি। চিত্ৰলেখাদি মহৌশানস্ম মীয়ুংশি চাউবা অমত্তুং মীগী অয়াবদা য়াবীবা হুপীমচানি। মরম অহুনা লৈমিন্নরিবা মমান্নবা অমত্তনা নারক য়েক্রকপদা মহাক্না হান্না হোংচিন্দুনা সেবা তৌবা হায়বসি মহাক্কী মথৌনি। অহুনা লৈমিন্নরিবা ময়াম অহুনস্ম মহাকপু য়ান্না য়ুংশি। অহুগা থবক্তস্ম থৱায় য়াওবনিনা লৈম্লিবা ওজ্জা গুরুশিংনস্ম চানবিবা মিংয়েংনা য়েংবি। অহুম্না ওজ্জা-গুরুনা লুনা চান্না তোই হায়রদুনা মহাক্না থোইদোক্না মখোয়বু উশিং-থৌওইদবস্ম তৌরুদে অহুগা মমান্নবীশিংগী মফমদা অচাওরম কাবস্ম তৌরু.দ, অহোইনহুম নোঙ্গুকপত্তনা মহাক্কী শরুক্কি।

হৌজিক্তি চিত্ৰলেখাগী শুকমিত্তসি অথুবা লোকহুং অমদা তুংহুনা লৈত্রে, মশাদত্তা কেন্দ্র ওইদুনা থম্নবা য়াখল অহু নোংম নোংমগী হুংশাগী মঙাম্বা লৈতিম্না মাঙখিবগুম শাঙম্রে, মমৈথাংদদি মহাকন্না হিংলিবসি

মহাক্কী মরক্তাইগীত্তা অত্তে, সমাজগী অমদি লৈবাক্তীদমক হিংলিবনি হায়বা থাখল অসি লাক্লে। মহাক্কী থবক থৌরম থুদিংমক্তা মীয়ামগী কান্নবনা লমচিং ওইনা তৌগদবনি হাইবসিনা মহাক্কী অয়েক্পা থাখল্লি। মরৈবাক্কী হুপী কয়ানা থুম্না উকুলগুম লম্বীদা লমজাওদা তাহ্নুনা লৈরিবসি অমুক্কং লৌথংপা ঙমদ্রবদি, মহাক্কনা অফবা ওইহন্না কন্নি কান্নগনি, অসিনি মহাক্কী থাখল। সমাজগী অমদি লৈবাক্কী য়াইফবনা মহাক্কীগী য়াইফবনি। য়াইফ-থৌরাং অসি শেমগৎপদা মহাক্কীগী শরুক চাউনা য়াওগনি। অদুনা মহাক্কী থৌদাংদি মহাকনা পাংথোকফম থোকই হায়বসি মহাকনা য়াম্না খাজে।

চিত্রলেখানা থুদম কয়া মরুমদগী উবা ফংই মতুংদি মী হায়বসি মহৌ-শানা ফত্তনা পোক্লকপা নত্তে, করিগুম্বা মরম থরনা ফংহন্দবনি। ফত্তনা লৈরম্বা মী কয়াবু মতিক চানা ওন্থিরগা অচুম্বা লম্বীদা পুরকপা য়াই হায়বসি মহাক মশামক্কী মমিংনা তশেংনা উজরবনি। থবক শুফম থঙত্রবা পুন্সি, তাউহনা লৈরবা মী অদুদি ফত্তবা মায়কৈরোমদা লাকপা হায়বসি মশানা তাবা য়ানি। মরম অদুনা পুন্সি হায়বসি অরেম্বদা হিংবা নত্তে। য়াফম অসি য়ুম্না থজ্জরগা চিত্রলেখানা মহাক্কী পুন্সিদা সমাজসেবা তৌবা অমম্বুং মী ওইবগী কান্নবা থম্না তৌরম্বা হায়বসিমদি মহাক্কী পুন্সিগী মথৌনি হায়না লেপ্লে।

অয়ুক অমনি চিত্রলেখাস্থু ওসিদি থম্না থেঙত্রে। মপান্দা থবক তৌবা চুমিং থোকপা অসিদি মহৌশানা থম্না থেঙগল্লি মরম অসিনা চিত্রলেখাস্থু ওন্সি থেঙলিবনি। থেঙনা হল্লকপসিদা চিত্রাসি চাক য়াম্না লামখ্রে। অদুবু মহাক্কা লাম্মি হায়হ্নুনস্থু হেক চাবদি য়াত্রি। ময়াম পুম্না লাইনিঙ লাইশোন লোইরগা চারিবনি। ময়াম পুম্নমক হেক হল্লকপগা চাক্কীদমক ঊক-মাইথঙ্হনা ঈমাং লাওনম্নি। চিত্রলেখাস্থু [illegible]বা লোইরগা ফিশেং শেত্তুনা চাক চাফম তাম্না চংখ্রে। মহাক্কী থোইদোকপা মওং অমনা কনাগুম্বীশিংনা মরমদগী মপান থোকখ্রগা মীরমগী ফিজেং চাকচা তমহ্নুনা

মচাক্তী জাংকী ফিজেৎ থাদোকপসি মহাক্তি থক তৌগে। যুমগী মতৌগুম ময়ুম অসিদস্থু পুংত্তৌ ফনেক অমা শেংলগা কি মতুপ অমা ইন্নহনা খোয়কই।

চাক্তীদমক মিপাইনখিবনা ইমুঙদা কয়ি লৈবা হায়বহু খোইদোক্না য়েংনরুদে চিত্ররেখানা চাক চাবা লোইরগা হত্রকপদদি মহাক্তী টেবল মথক্তা চিঠি অমা লৈরম্মে। চিত্ররেখা চিঠি অহু উবদা হয়াওই, পুথক্তা ইম্নিবা থুংই অহু মহাক্না মতম কুইনা খঙজরক্লবা থুংইনি। চিঠি অহু হেক ফাক্তোকপদা ইরম্মি।

মরূপ

ঐনা ইম্ফালদা লৈরিঙৈদা নহাক্তী চিঠি অমা ফংখি অহুবু ঐগী থুদোং চাদবা অমদি পুক্নিঙ চরাংনবা রাখল থরদগী মতম চানা হলহৌবা ঙমখিদ্রে, মহুক্নীদমক য়ারৌবিরোই। ঐনা নত্তোন্দা বা থয়া হংনিংঙি,—মী ওইবগী অস্মোইগী খোৎলাংবা হায়বসি খোৎলাংলিবা পোং অহু নত্তনা কয়িগুম্বা মহুং শিনবা য়াবা পোং অমত্তা লৈত্তে। লল-থুম অমদি হয়াও-কুম্মে কয়ামুকনা পুকনিঙগী খোৎলাংবা কোকহনবা ঙমদে। মখোয়শিং অসিদি মপাম্মোংগী ওইবা পোং ঙাক্তা ওইরম্রে। হৌজিক নুরেশকী ফিত্তম য়াম্না ফত্রে মহাক্তী মনে অমতং লৈজবহুম্থু লৈত্রে,—মহাক্তীদমক ঐ য়াম্না লাঙতকনরে। অহুবু ঐস্থু ঐগী ইথৌদি লোইত্রিবঙিনা ছুপীমচাথোক্না থবক তৌবদি ঙমত্রে, হীরম অসিদা নঙগী কয়ি মত্ত লৈবগে হায়বঙুমস্থু খঙনিঙঙি। অহুগা য়াকম অমনা নরেশস্থু মহাক্তী হুপী লৈত্তবদগী কিবগী খোইনা মুংঙাইনা উত্রে। ওস্মোকপনি! ঐনা হন্দক ছুটি চৎনুবসিদি পুক্নিঙ মকা লাম্বগী মহুত্তা, য়াই চিন্নবা হায়বহু ওইরে।

নহাক্তী
মীনা দেবী
দীঘি, নং ৮

চিত্রলেখা চাক-চা তোকপগী ওহাক্তং পোথাবগা জোইমনা চিঠিহু পাবনি। পাখা লোইরগা ওহাক্তং রাখল তোগে হায়হুনা কমুক্তদা চেণ্ডি।

অহানবমক্তদা চিত্ররেখানা থল্লকই, মী হায়বসি মকোক্তা মশক্তু হোৎ-খদি লায়দে, হায়বসিমক্তু ফনা চুম্বা য়ানি। মীনাগা ইথানি য়ারী শা-মিল্লবদা মহাকনা কদৌঙৈদস্তু সুরেশকী মরমদা পনখিদে, ঐনা শামিল্লা থঙজল্লবস্তু। মহাকসি জ্ঞানদি নিঙথিনা লৈবা মী.নি, থবক খুদিংমক মতম-চানা তৌবা পাম্বা মীনি। অতুগা ঐনা থনবদি সুরেশ হায়রিবা মুপা অহুস্ল ইরায় লায়না মাঙগদবদি মান্দে, মহাকস্তু বুদ্ধি য়াওনা থবক তৌবা পাম্বা মীত্তানি। অহুবু মী ওইবা হায়বসি তম্বদি ওমদে ফিবম অমদি মতমগী চক্রদা লৈত্তুনা পুবা ঙাক্তনি। মীনা-না হৌজিকমক মহাক্কী তমজল্লিবসি লোইদনা পুল্সি থোঙচং হোংবদি অফবা ওইরোই, অহুগা সুরেশস্তু হৌজিকমক য়াম্না থিনা মাঙবমক্তি তৌথিরোই। মহা[illegible]জলল্লবা ফাওবদা মীনানা চুমথোকপা য়াগনি হায়না থল্লি।

অতুগা নরেশকী মুপী শিরে হায়রবসিদি থোইদোকনা থম্মোই শোক-নিংত্তাই য়ানি। করি মরমদগী, করম্না শিরিবনো! মহাক্কী লাইবক্তা থিথিনা কুইমা পুল্লিয়ু হায়না তন্স্তুত্তনা শিরত্রা নত্রগা নরেশনা মহাকপু লুনা তৌবিদবদগী চিন্তানা পেংথলুম ফাবক্তুনা শিরত্রা। অহুমক ওইরম্লবদি ঐনা নরেশপু মুপা অমনি হায়না লৌনিঙদে। অমরোমদা মুপা ওইব-শিংনা মুপীশিংবু শাম্নপোংকুম থল্লি অমস্তুং লৌই হায়বসি চুমজ্রা। অহু ওইরবদি মুপাশিংগী অত্যাচার কয়াদগী মুপীবু কনবা হায়বসে ঐখোয়গী ইথৌ ওইকম্ম থোকই। অতুগা অমুকস্তু মহাক্কী মুপীনা ঐগা নরেশকা মমাঙঙৈদা লৈনরম্বা মরীহু হৌজিক ফাওবা লৈনরমখিনি হায়না থনবদগী মথানি নিঙায় শাংদাল্লনা মঙ খেল্লরকপদগী মতেংদা শিজবা ওইরম-গজ্রা! পুম্নমকস্তু ওইসত্র মহাক্কী মুপীনা শিথিবগী মরমদি নরেশনা শোয়দনা ওইগনি, মী অমা হাংগুগী দণ্ডি মহাক শোয়দনা ফংকম্ম থোকই,—পুল্লিচুম্না তেংথাহুনা লেনবাঁ, মহাক্কী ওহাক্কী ওইবা পুকনিঙগী নিঙশকপা

আশাবু থুংমনবা করিগীদমক ভনৌ ভনৌরিবী চম্ম নিঙ্গোল অমবু থাঙ-ঙু থক্তা মাঙহল্লি। মসি পুম্নমক নরেশকী রাথল থেনবনি, শোয়বনা দণ্ড ফংগনি। মহাক্কী মুপীগী আত্মানা মহাকপু ভজনা ওৎকনি, মহাক পুন্সিচুপ্পা শাস্তি ফংলোই।

অদুগা ঐদি!

ঐগীদি ইরাল লৈতে থল্লি।

অদুদি নরেশকী রাদি করি মত্তা থজ্রবরা?

ইবানিগী পুন্সিগী লম্বীদি কাইনখ্রিবা কুইরে।

অসুম্না মেন তাম্রবা চময়বা রাথল কয়ানা চিত্ররেখাবু মকম থঙদনা ওৎলিদুনা থিয়োরি ক্লাসকী কংশি য়ৈরক্লহনা, কমুঙদগী কুক হৌগৎলগা চিত্ররেখা ক্লাস য়াঙবা চংখ্রে।

চিত্ররেখানা থজ্রবদি চাকচা তোল্লগা থবকী রিপোর্ট ইগে থজ্রবনি। অদুবু চিঠি পাক্লবদগী লাইনা জৌথিক্লনা রিপোর্টকা করি মত্তা ইদৌরে। মরম অদুনা ইকাইরদুনা মহাক ঙসিদি মনিঙদা কয়ে। ওজানা ব্লেক-বোর্ডতা ইদুনা তাক্লি, ঙাংলি, চিত্ররেখানা খল্লি,—করিগীনো মুপানা মুপীবু অসুক থোঔইবিখ্রিবা! করিগীনো মখোয়না মুপীবু থম্বায় পাক্লবা লাইকদিবীগুম থল্লিবা, মসিগী রাথল অসি ১ৎথৎনবা হোৎনবদা রাদে। মসিগী রাথগুনা চিত্ররেখা ক্লাশতা কল্লি তৌরিবা করি তাক্লিবা হায়বদু করি অমত্তা খঙদে। ক্লাশ লোইরবদসু মহাকনা মসিগী মরমতদা খন্দুনা লৈখ্রে। অদুক্কী মতীক থজ্রবা মুপা ওইবা জাৎপু থোইদোক্লা নরেশকী মথক্তা মৈ হৌনা শাউনিঙঙি। লমন থুগ্নিঙবনা মশাপুম্বা মিকই। য়ারবদি হৌজিকমক, তাক্লা অসিদা, মিকুপ অসিমক্তদা নরেশকী মমাঙদা লেপ্লুনা হায়রনিঙঙি,—মীচুংশি থঙদবা, অমান য়াওবা করিগীনো মহাকনা থবক জৌজিগৈদদি থলহৌজগা, অমতানি হায়দুনা তৌকখ্রগা মরাল লৈতবী মুপা অমবু মথরায় মাঙহল্লিবা, মদুনা মুংশিবুগী পুম্নমা। মহাক অসে খ্বায়দগী তুক্কচনকম ওইরোইদ্রা।

চিত্ৰলেখা। ওসিদি মহাক্কী রাখল অসিদা অনুকীমতীক পুকনিঙ লুপখ্ৰে মহুদি সুমিদাংবাইরন ময়ামা শান্নবর্দচিংবা পুন্নমক অমতা থোক্তনা মহাক্কী কাদা অহুম হিপ্পুনা লৈয়ে সুমিদাং বাইগী চা থকপগী কংশী খিংলক্তনা চা থকপা হৌগৎলে। ময়ান্না মাবু ওসিদি ইহৈ হৈনিঙদনা উবদা মহাক্কী মমান্নবী তিলোত্তমানা হংই,—করি তৌরবগে চিত্ৰা? নহাকপু ওসি'সি সুংগুক সুংজানরিসিবো,—চিঠিদা করি হায়রম্লবগে?

করিসু হায়দেদা।

অহুদি করিগীনো, নহাকনা ইহুংহুংঙাইত্রিবা।

মুপী হায়বসিবু য়াম্না তোনব্ৰনে? চিত্ৰলেখানা খর মপী শাংনা হোন্নগা হায়রকই।

তিলোত্তমানা হায়খেত্তুং নোন্নগা থুম্মি,—ওম্ভোকপা রাহং অমবু হুংলেদা মুপীবু খরা হুম্বা মিৎয়েংনা য়েংবা হায়বসিদি লৈবাক খুন্দিংগীদি, সমাজ খুন্দিংগীনি সরকারনা আইন কয়া শেমহুনসু, খুদোংচাবা কয়া পীহুনসু মুপানা মুপীদগী হেল্লি হায়বা রাখল অসিমদি থক কোকপা ওমজি। মসি ঐনা খনবদি মুপীশিংনসু মখোয় অসি মুপাদগী তোল্লি হায়না লৌবনসু মরম অমা ওইরিবনি।

অহু ওইরবদি অসিগুম্বা রাখল অসি কোরুবা ঐখোয় মুপীনা হোৎনফম থোক্ত্রা।

অহুমক তৌফম থোকপনি।

চিত্ৰলেখানা অমুকসু মথা তানা হায়রকই,—ঐখোয় অসি তোঙান তোঙানবা লম কয়াদগী লাক্লবসু মুপী হায়বা জাৎ অহুদি অমতা ওইবা মরম্না ঐখোয়গী মুক্তি ফংনবসিদি ঐখোয় পুন্নমক চঙহুনা হোৎনফম পোকইনে।

অওইরমকনি।

অহুদি ঐখোয়না মফম অসিদগী ট্ৰেনিং লোইহুনা হুনখ্ৰগা হীরম অসোমদা খন্না হেন্না পুকনিঙ চঙবা তাই।

মখোয় অনিনা রারী লোইশিন্নকপদদি হোল মপুংদা কনা'মতা লৈরমখ্ৰে। মখোয় অনিসু কনাসু লৈরমখ্ৰে চৎলসি হায়হুনা চৎমিন্নখ্ৰে।

শরুকপুৰী মরুকবা অক্রিংনি, মাকনী ইচংমা মমকম পুস্তক লীনত্রে। থাক্কনী ইমা ইরোইকনী চেক্লা শরুক হুকংখুবং পাইনি। ইমাকনা থাকনী ঈপোয়মদা চিত্রলেখাসু ওহাঙং পোখোকলে হোৎনরি। থাকনা চিন্না য়েংলগা রীনাবু নীঙশিংলকই,— মতাং ওইরিবৈগী মরুক কম্রিপ্রগী অকোক তপ্রিপ্রেগী বা কয় লোয়ননা মহাকনা হৌজিক স্থরেশকীমক বাক্নিবা। অমুকসু থককই,—স্থরেশসু নরেশকুমা রীনাবু অনোকপিরম্দি, স্থরেশপু ঐনা থাজগদ্র, মহাকসু মুপানি! নরেশকীসু থকাকপী মরুক্ত্রি। অছুবু ঐনা থেংনথিবা স্থরেশ অচুদি অমকা স্থরেশনি, হৌজিক অকম তৌরমগদগে হায়মচুদি থঙদে। মহাক্তি য়ামা ইকাইথীবনি, রীনাবু উবদা মমায় পুবা ঙমদহনা লৈথোক্কুনা থাঙবা মীনি। স্থরেশতি অমকবা মী ওইরমগনি হায়বসি ঐনা হৌজিক ফাওবা থাজরি। মরু ওইবা রাক্ষসদি হৌজিক ঐনা রীনাগা স্থরেশক অনিগী মরি অসি কয়া য়াম্না নকশিল্লিবা মরুগা থাপ্পিবা হায়বনচিংবসি ঐ করি অমত্তা থঙদ্রি। মরম অনিদগী মুখায় অনিগী মরমদা ঐগী মত হেক্ক পীবস্থ য়াদ্রি।

অস্তুম চিত্রলেখাগী য়াখলদি লোইবা নাইদে, অহুগা থাবলগী খোঙ-চত্তি লেপ্পা লৈত্তবনিনা অস্তুম লোইশিল্লকই। চিত্রলেখাসু থাদোকনিঙদনা ঙঙায়ফদনা যাদোক্কবা য়াদবনা ঈংলবী থাজবু মত্তোমদা থাদোক্লম্লগা ইমুঙ চঙখিহনা য়াতারগে থোরাংলে। নোংমতুমগী মহাকনা তৌরুবা অমদি থল্লুবা অচুম-অরাল পুম্নমক ঈশ্বরগী মফমদা শিম্নরগা চিত্রলেখা, —তুংগী লাকদবা পুম্নমক্তি অমত্বদা শিম্নরম্লে।

(১১)

ছুখিজাংবাইরম অমনি। সহরগী মী অয়ামবস্থ লম্বী শরক্তা লোইনা খোকনমকনবা মতমদি, কনা-না হুংগিং ফংপোবা কংগে হায়বগী, কনা-রা মীগী

মতৌ য়েংনিঙবগী, কনা-কমাগুম্বনা মখাগী-মাগী মথৌগী, পাখঙ-নহাশিংনা মাগী মাগী চান্নবীশিং হুৎশি নায়রোকনরবা। মতম অসিদা থোমজিন্নবা শরন্ডী মীয়াম অসি অমুক্তা লোয়না থোরকপা নত্তে, মথৌ অম-মমগা লোয়নমন থোরকপা ভাত্তনি। মখুহ্ সুরেশকা উনগে নাবকি লোয় থুম খরা পুথোক পুশিন ভৌর্গে হায়রকপী কামলগা লোয়নবা শুরেশ ছোয়রোমদা লাকই। সুরেশকী কোল্লোও মৌবদা মহাক্তী চিঙবা ক্বথা নিংখিজবা কারক্লে, মগ্যবক্তি সুরু শো লোন্দুনা লৈবা উবদা।

হুমিং থরগী মমাঙদা সুরেশ ময়ুম থাদোক্নুনা সহরগী হোটেল অমদা লৈগ্রবনি। মহাক মতোমদা য়ুমদা লৈবগী খুদোংচাদবা অমদি চিন্নবা, পুন্সিনা মঙোন্দা ভক্তনা ওংলকপত্নুনা ময়ুম থাদোক্নুনা ঈরাং থরা লৈবা মক্তমদা লৈবনা হেল্লা ফগত্রা হায়না খল্লুনা হোটেলদা লৈগ্রবনি। মহুনা অমুক্তদি য়েংখিগে হায়নুনা চঙশিন্দুনা য়েংবদা চে অমদা ইত্নুনা থেংলম্মি,— কনাগুম্বনা ঐবু উন্ননিঙলবদি হোটেল টাউন, ফ্লেট নং ৪ দা লাকপিয়ু। চে অসি উবদা মহু মুংঙাইরত্নুনা হোটেল টাউনলোমদা চংখ্রে। হোটেলদসু উন্নবা কংত্রত্নুনা অত্নুম হুনখ্রে।

হৌজিক সুরেশ মহৌশাগী সুরেশ অহু মত্তে। মশক-মমা মক্কে থোক্না হাংলে মফি মতমগা চানবা য়োত্নুনা লেপখ্রে। হুমিদাংবাইরমদিদা মহাক্তু ফ্লেটকী মাঙোন্দা চৌকি অমা থারগা হুমিদাংবাইগী কুন্নে য়েংলি। মমাঙদা টেবল মচা অকোয়বা অমা থারি, মথক্তা গোলফ্লেক টিন অমগা চুরুট ডাব্বি কন্তোকনবা এসট্রে অমগা মশামক্তনা নাম্নবা ফিবুং হুমিদাং-বাইগা চানরবা ভোরবা পাইজমা অমত্তুং খুদাং লাউরী পাঞ্জাবি পুম্নং মাংনি। মহাক্তী মায়থোংহু করিগুম্বা হিম্ম অমদা পুক্নিঙ লুপ্পা থনম্বা মাল্লে। অমরোম্মদা ইমুং মুংঙাইবা করিগুম্বা ঔকা-অপুন অমক্তা লৈত্ত্রজম উই। সুরেশকী হৌজিমক ওইরিবা মরু ওইবা পুন্সি হায়বক্ত শনক য়াওরম্বা লোম লিংত্নুনা মুংঙাইরা থিবক্তি। অহুমক্তি ওইরবা কুহার ক্লদৌইরমহু অন্নবা

খবরশিংদি পুকনিঙ খক চংশিন্দে। চুমগী শরোক্তা কোয়বা, হোটেলদা চঙরনা খরচ তৌবা, মরুপ-মপাঙ উন্নরগা পীজ-পীথক তৌবা অসিনি।

ছুমিদাংবাইরম অসিদা শানৌ নহা কয়া'মস্থ ভুংথ মাঙখ চংখিররি। মুমিদাংবাইরমগী ভগ্না শিংপা মালংবনা মুজাগী পাররা নমথাংদা যৈবদা ছমফিররক্তুনা পাখঙগী মায়দা কুপশিল্লি, পাখঙনা নোকফেং তৌনা পা-ররা ইন্ন-ফিচু খুৎনা ছাটদোক্লি, শানৌনা হাইফেং ওনশিন্দুনা মোমোন নোররগা মায়খোং লুকথজে। অসিগুম্বা দৃশ্য অসি উররগা সুরেশ মুংঙাইজে মসিমক প্রকৃতিনা শেম্বা ভাইবং মিৎ পেল্লবা খুৎশেম্মি হায়না খল্লি। মসি নওবা দৃশ্য কয়া অমস্থনি। পুম্নমক অসি য়েংতুনা ওম্মোক্লা মুংঙাইররবা মওং অমদা ভাউবি।

সুরেশকী মপাসি কারবার কনা চাউনা তৌরম্বা মীনি। মশানা খুল্লকা লৈজরবস্থ মহাকী কারবার সহরদা তৌবনিনা, থাইরবন্দা ছকান অমা লৈরম্মি। মহাকনা হিংলিভৈদা ছকান অচু কল্লম্বনি। মহাকনা লৈখি-ত্রবা মতমদা সুরেশনস্থ অঙাং ওইরিবনিনা কম্বিনবা লৈতজুনা মীঙোন্দা শান্দোকপনি। শাল্লিবা মী অচুনা মখাদনা হোটেল তৌরগা মথক্তনা মী লৈনবা শেম্মী। মথক্কী মী লৈনবা কা মরিচুদগী সুরেশনা মরিগুবা কা অচু শংদোকুনা মহাকনা লৈরিবনি। অচুনা সুরেশতি হৌজিক লৌ-শীংগী রা নওনা ছকান ভরাদনা থা অমদা লুপা ২০০ রোমদি ফজনা লাকই। মচুনা খরচ তৌচুনা অরাবা মশক খঙদে হায়রবা য়াই।

ভুংলোমদগী হোটেলগী অঙাংনা খবরগা চাগা পুশিল্লতুনা মহাকী টেবলদা থনল্লে। মহাকনা পারিবা খবরগী কলমস্থ শুরে, ভারত চীনাগী রাথোক, ভারতকা পাকিস্তানগা খৎনবা, বিশ্ববিদ্যালয়গী পরিক্ষাগী ফল লোটনা শুরে। পরিক্ষাগী ফল অস্থম য়েংলকপদা কদাইদগীনো দিল্লি বিশ্ববিদ্যা-লয়গী পরিক্ষাগী ফল থ'য়েং য়েংনিঙলকই। অচুবু খবরচুদদি য়াওরমত্রবদা ছারবু হায়দৌক্লিবরা হায়না খল্লকই।

চা অচু অমুক্তং চুমগা সুরেশনা খাল্লি,— হরেং হংচিন্না মঙায়রে মহাকনা

উকিল পাশ তৌহুনা থোরকদবা। অহুনগী মথোয়গী কোহোঙদা থেংল-গনি,—রীনা দেবী, এডভোকেট। মতম অহুদা ঐদি খিবম অসিদগী হেন্নরোইদবা, কনা য়াম্না ইকাইনিঙঙাইনি। অমরোমদা ইকাইনিঙঙাইস্নু পাংলে লৈতে, মরমদি ?

মরমদি মহাক্না ঐগা মরী ভংনখিবসি কনা য়াম্না কুইরে। ঐনা মঙোন্দা হায়খিবা মহাকনা ঐবু নিঙশিংলত্রিবা ফাওবা ঐনা মঙোন্দা করিগুম্বা মতমদস্নু ওৎলরোই অসি নত্রা !

মাস্নি।

অহুদি মহাক্নীদমক করিগী লাংতকনরি।

মহাকনা করিগুম্বা মতমদা মতম চারে থন্দুনা নিঙশিংলকপদা ঐদি মতিক চাহৌত্রবনিনা মহাক্না মরী থম্নবা ওশোইদৌরি। মী খুদিংমক মতিক মপা চানবা হায়বসি লোইনা পাম্নরমগনি। অহুদি মহুগীদমক ঐহাক অসি মী অমা ওইনবা হোৎনগত্রা। মহুদি পামদে। মহাকনা য়ানিঙনবা মহাক্নী মতিকচাবা মী অমা ওইবদি পামদে, অহুগা ইশাগীদমক্তদি হোৎনবা পাম্মি।

সুরেশ মফি-মরোল শেংচিন্নগা হুমিদাংবাইরমগী কোয়বা চথোকখ্রে। সুরেশনা কোয়বসি অককনবা মক্কম অমদা নত্রগা কনাগুম্বা মী অমগী ময়ুমদা কোয়বা শঙ্গে। অচিকপা মক্কম থিহুনা, কনাগুম্বা মকুপ মপাং উরগস্নু মকুম অমদা লৈশিন্দুনা লৈথোকই। করিগুম্বা মতমদস্নু অথাম্বা লমদা চৎলি, অহুগা অয়াম্বা মতমদা কবরথানা অমস্নুং মহাকনা তমজয়কপা কলেজগী অকোয়বদনি।

ঙসিস্নু সুরেশ মহৌশাদৌনা কবরথানাগোমদা চঙশিল্লক্রে। অহুবু মোটোরফুল অশাংপা অমা উরুবদা খিংজমত্রবঁং বাথল অমনা কয়া লাকশিনবগুম ভৌত্রে। মটোরফুলহুবু উরুরগা নিংশিংলকই, থুপচিন্দুনা থমপ্রবা পুক্নিগী পন্দুপ কয়া, মাঙলা শাং-শাংমা উরকই নোংমতং লৈকোল অসিদা চঙহুবা মপাল নাইকনা হুংঙাইরবা ঊপাক্তা তাউখিবা। লৈরাংবু

পামজবী খাঙ্গীনা হেক্কুনা নাপদা টিনখিবা, মহাক্না মাদে হায়না খামখিবা, অদুবু ওপিদি কদাই, – লৈরাংতনা মহীকপু ওমায়া ওক্নিম—মনানৌদি—!

লৈকোন্দগী থোরক্লগা কলেজগী অকোয়বদা অমুক য়েংই, করি কাই-দনা লৈরম্মি মহৌশাগী ফিবম, মহাক্কী লাইরিক পাকম লেঙদনা লৈরম্মি লোয়নন্না নিঙশিংলকই কলেজগী মরুপ-মপাং পরিক্ষা হায়দোকপা মুমিৎ-কী থৌদো ! পুন্নমক নিঙশিংলুরগা সুরেশ, হৌখিবা পুন্সিগীদমক মুংশি-পিরাং চেন্নকই। মিৎকুপ খরদি হৌখিবা অমমুং হৌজিকমক ওইরিবা পুন্সিগী ওইরিবা ফিবমদা লুপ্ত না লৈরে।

লম্বাংগী ঈংলবা মুংশিৎ অমনা য়ৈরককপদা তাক খংতা তারকপগুম তৌরকই, জ্ঞান তানা অমুক খল্লকই,—অসুম্বা মুমিৎ খুদিংগী কোয়হনতা লোনবা পুন্সি অসিনা করি কান্নরিবা !

মীওইবা হাম্নবসি রা-মামগঞ্জি, থবক্তম তৌহনা লৈরবসু থবক তৌনিঙবগী ঈরাঙ পুন্নমক মাঙখিহনা থবক তৌনিঙদে অমরোমদা থবক শুমল্লবসু পুন্সিসে তুফক-তুফাই চনশিল্লক্ না বুদ্ধি লৌশিং পুন্নমক মাওরক্তে পুন্সিসি অর্থ মাওল্লবগুম খঙিল্লকই।

মতম ফনা মায়া শাংলক্লে সুরেশনা ক্বিশুম্বা থবক তমক্তা তৌদনা লেললক্লিবা। থবক মাওদনা পুন্সিদা মুংঙাইবা ফংত্রা হায়হনা চাং য়েংখনি, অদুবু মুংঙাইবগী মহুত্তা পুন্সিসি লোংম লোংমগী হৈনিঙবা মাংপা রাক্ষস ফকচিল্লকপা অসুম হেনগৎলক্লে। মমৈখংদা খল্লকই,—মীওইনা ক্লিশ্যম তারবদি পুন্সিগী লাল অসিদা চঙবা তারে, অয়াম্বা মীদোনা শক্তিকচাবা মনগুম্না কুম্মৈ য়েংবতনদি হিংবা ওম্মোই।

সুরেশনা চংমা-চংনা বাখল মল্লাম অসি তৌরকই। মসাক্না কিরোক মনিংকী গেট অহু হেক কাবোরকনমজনা কদাইদনীবো খনিঙ্ক নিংশিংলকই মুংলকনা পাখি Good Earth কী Wang Lung গী পুন্সি।

Wang [illegible]গী পুন্সিগী এমিহু [illegible] অমুগী প্রেজিন [illegible] [illegible] [illegible] [illegible] মীওইবগী [illegible] অমসুং শোকখোনন ঠৈ হাঙনদে মহাক [illegible] [illegible]। হৌজিক্কেম সুরেশকী করিসু [illegible] নত্তে, [illegible] থরুবা শেল-থুমগী মরীদা অরাবা করিসু লৈত্তে, থবক শূক্সিনভাই লৈরবগী রাবদা মওঙহন্নর। সুরেশ-কারখানগী শেলসু মত্তিকচানা লৈ অহুবু কারবার তৌবদি পামদে, চাকরিসু পামদে, মহাক্না হৌজিক [illegible] মথুংদা থবক শূহনা চার্বানি। মহাক্না হৈবা থবক্কি য়োং খাঙগী শেম শাবনি। মহাক মোটোরগী কারখানা অমা তৌগে হায়না লেপ্লে। মহাক্কি থবকী লবুক-তদি অমুক্তা কুমত্রিবনিন', হায়না থবক তৌরবা মীশিংগা মিন্নবা ফাই হায়না থনুনা ইম্ফাল মোটোর ৱার্কশোপতা চঙলগে থন্নে'।

তুমিদাংবাইরম অহুমক্তদা ইম্ফাল মোটোর ৱার্কশোপকী মেনেজর রাজেন্দ্রবু উম্নবা চৎলি। রাজেন্দ্রগী ৱার্কশোপ' মী থরদি থবক শূরম্মি। রাজেন্দ্রনা সাম্না চাংশেল্লম্না ফম্মি, মমাংদা ফাইল থরসু কাক্লেংজনা পারম্মি। সুরেশনা চঙশিন্দুনা মমাংদা খারিবা চৌকি অহুদা ফম্মি। রাজে-ন্দ্রনা মমাংদি হাইগদ্রনা হংই, করিগীনো? সুরেশনা তপ্না খুম্মি,—ঐ কারিগুংগা অমা তাম্নজগে লাকচবানি।

হায়যু করিনো। রাজেন্দ্রনা লেম্না খুম্মি।

ঐ থবক্কী মরমদা করিগুম্বা থরদং হংগে তৌবনি।

ইন্দকমুক্তি রাজেন্দ্র মমাম্ন হায়গৎলগা সুরেশতা য়েংলকই। সুরেশপু উবঙ মক্তদা হায়বা য়াগদবা মীতা মাল্লি হায়বসি রাজেন্দ্রনা মুম্না খঙলম্মী।

রাজেন্দ্রগী কারখানা অসি য়াম্নদি য়মিঙ চৎলি, মহাক্না য়াম্না হৈ-শিংব দগী অহুগা মহুক্তদদি থবক শূবা মীশিংগী শেল পীরিদবা অমসুং কোম্পানিগী শেল ফজনা তোপ্নবা কারখানানি। মহাক্না মী কয়ামরকমসু কারবার তৌ-মিন্নসি, থবক তম্মীগে অসিনচিংবা কয়া তৌশিন্দুনা শেল হাংলসু য়াম্নগ্রানি। [illegible] সুরেশপু হেক উবদা মহাক্না হাংলা য়াগদবা মী লাক্লে হায়বসি [illegible] মহাকী চালাক হৌরক্লে। রাজেন্দ্রনা অঙাং অমা কৌহনা বাবুগী

চা লৌরুতো, হায়রুনা থাগ্রে. মথংদা সুরেশতা ওনশিল্লগা হায়রকই,—বাবুনা করি পাম্বিরিবা, কারবার তৌমিন্নসি হায়রা মত্রগা থবক্ত ফম্বিনিওত্রা ? সুরেশনা নোঙ্গুকনা খুম্মি, ঐহাক থবক থরা তমজগে তৌবনি। হায়দি থরা হৈরত্রা ?

ঐ থবকমক্তি তৌজরুত্রি অদুগা ইঞ্জিনিয়ারদি চহী থরা তমজরুরে।

ও, মতুমকনি ঐনা পাম্নিবসু।

অঙাং অমা চা পুরক্তু্না তেবলদা থম্লরে।

রাজেন্দ্রনা চাহু ফানবিয়ু, হায়রগা মখা তারকই,—ঐগী কারখানাসি মমিঙসু স্তাবিরয়গনি, মসিদগী হৈদুনা চৎখিবা মীশীং য়ামগ্রে, হৌজিক্তি মশা-মশাগী কারখানা অমমম লেপ্রবা ঙাক্তানি। বাবুসু থবক তম্বিগে হায়বিরিবনিনে।

অহোয়।

অদুনা রা অমত্তং লৈ। ঐগী'সিদা য়াওবা মীশিংসি সেক্যুরিটিগীদমক লুপা লিশিং অহুমদি থম্বা তাই, হয়েং লোইবগা অহুম লৌবিখিবা য়াগনি।

দলিল্দি ইনরোইদবরা ?

ও, অদুগী রাহু চুম্মি অদুবু য়সি ঐনা শেল পুবা নত্তে, অদোম্না থবক তম্বদুনা ঐগী কারখানাগী করিঙম্বা খুৎয়ু-খুৎলায় তেকখিবা য়াওরবদি হায়দুনা থম্বনি। অদুনা অসিগুম্বা সেক্যুরিটি থম্বগী রাকম অসিদদি খোইদোকনা দলিল ইবগী দরকার লৈত্তে।

সুরেশ ঙহাক রাখল তৌরগা হায়রকই,--ফগনি, ঐহাক ঙসি য়ুমদা রাখল অমুক্তা তৌরুখিগে অদুগা হয়েং অরেপ্পা রা হায়জগে।

মরে অদুদি হয়েং অমুক উররসি, হায়দুনা রাজেন্দ্রসু হৌগৎপ্রে, সুরেশসু হৌগৎলে।

সুরেশ অহুম থোয়কপদা মহাক্কী কারখানাসি কয়া চাউবনো মঙং করম তৌবগে অমুক্তদি য়েংগে হায়দুনা চঙশিল্লুই। সুরেশপু হেক উবদা বাহাদুরনা ঙকনা হায়রকই—ইবুংঙো মহাক্তি অসিদা কম্নি তৌবা লাক্লিবা ?

সুরেশ ওকনা খুম্মি,—ঐস্নু থবক থবা তৌগিরা হায়জনা প্রোপাইটর ঊরকপা' লাক্লিবদি ?

ঊবরব্রা ?

অহোয় !

করি হায়নবে ?

মহাকনা হায়বদি কারখানা অসিদা থবক তৌগে হায়রবদি লুপা লিশিং অহুম সেক্যুরিটি থমগদবনি হায়রি। খুড়াহোয়প্নু থম্বিবরা ?

বহাদুরনা নুংশাথীনা হায়রকই, - নত্তে, নত্তে, ইবুংঙো থম্মপ্লু, ফংলরোইদবা শেলনি। ঐখোয়না মাগী কারখানাদা থবক শুরিবসে তৌনিঙ-ঙাই লৈমন্দবগী তৌরিবনি, থা অমতা তলব নিংথিনা ফংদে, নঙগুম্বা মী করাদগী মহাকনা অচুম্বা শেল হাংলিবসি য়াম্লবনি। ঐবুদি নহাক মশক খঙব্রা ?

নিঙশিংবা খোক্লে।

বহাদুর মতম অমদা, সুরেশকী মপা অমসুং মমানা হিংলিঙৈদা মখোয়তদা লৈরম্বা মীনি। সুরেশকী মপাগী হুকান্দা থবক তৌরম্বনি। মপানা লৈখিত্রবা তুংদা কারবার লেপখ্রবদা মহাকসু মুপী অঙাং থাকপা ওম্রবা হায়দুনা থবক অমতং শূনবা কোয়থি-খিরকপদা রাজেন্দ্রগী কারখানাদা থবক তম্বনি। হৌজিক্তি মহাক মতম কুইনা তৌরক্লবনিনা মোটোরগী কারখানা অসিগী হেড মেকানিক ওইদুনা লৈরিবনি। মহাকী মপুক শেংবা অমসুং থবক নিংথিনা তৌবদগী রাজেন্দ্রনা মহাকপু য়াম্না থাজদুনা কারখানা অসিমক মঙোন্দা শিন্নদুনা থম্লিবনি। সুরেশনা কুইখিদুনা বহাদুরবু কাউরবস্তু, বহাদুরনদি সুরেশপু মশক খঙলি। অসিদসু নত্তনা মপা লুপা তৌখিকপানিনা সুরেশপু রাজেন্দ্রগী মথুক্তা থাহল্লিঙসে। বহাদুরগী ওবা ফারকই,—মহাক্না অনুগুবা থবক তৌনিঙবা লৈরবদি ঐগা মিত্রগা তাম্মিসি অচুম্বা খোম্না তৌসি। অদুবু নহাকপু হৌজিক লুপাশিং লুপাশিং তাকপিরনে।

ঐহাক বি, ই, অমুরে লোইহনি লোইশিন্নরে।

অহুদি ইবুংঙো মচু-মুম লোইথোকখোদনা, করিগীদো [illegible]
নঙগীদমক সম্পত্তি অচুক য়াম্না থনম্লগা নহাক্না তমজিবনো। য়াম্না থবক
শূগদবগী শরুকপুদি, চৌকিদা কমচুনা চাবচুনা মুংঙাইজা।
ঐহাক তমনিঙজে, ক'রথানা অমা লিঙথত্তুনা থবক শূনিঙজে।

ও, করে, নঙনা মচুবু শোয়দনা তৌগে হায়না থাজবদি ঐনা লোইবা
শীনগনি। নপাবুংনা ঐবু শেম্বিরম্বনি ঐনা করিগী নঙগী নত্তে পাং-
লোইদগে। করে, ঐ নোংমা লাকখিগে অহুগা নঙগা ঐগা [illegible]
থম্নসি। নহাক্তি হৌজিক হায়গী য়ুমথুদা অহুম লৈরিদন্না।

লৈজে।

অহুদি কদাইদা হোংলবা!

চুকান্দা লৈরে।

চুকান্দুদি ভায়াদা শান্দোক্তুনা মীনা হোটেল কমপ্রবদাইদে।

কা অমা ঐনা লৌশিন্দুনা লৈরে।

হোয়নে, ইবুংঙো য়ুমথুদা নত্তোমদা লৈবদি মুংঙাইবা হৌনদেদো। করে, করে, চংলো, ঐ লাকে। বহাতুরম্ন মহাক্তী থবক শূবা হৌজে। সুরেশম্ন হল্লক্লে।

সুরেশ লবীদা রাখল তৌনা লাকই,—কনাকম্নু চুপ্লিবনো, রাজেন্দ্র নত্তগা বহাতুরনা চুপ্লিজ্রা। মী হায়বসিবু অসিনা, মচুঙনা অমা কপান্দা অমা—রাজেন্দ্র হায়বসিনা মপান্দদি কয়াদা পুকচেল চাউনা ভাব অমা উৎ-লিবা অহুগা মচুংদদি তীন চত্তি হায়রি। মসিনা অচুবা ওইরবদি কনাবু [illegible]রিবা, কনাবু [illegible]রিবা! [illegible] মথুঙদা অমা তৌরম্নবদি। অহুবু ঐদি [illegible] তৌগে হায়না [illegible]-বসিনা মথোর কনাগী মত্তে [illegible] তৌনবদি য়ারে। ঐদি [illegible] শেল [illegible] অসিগা লোয়ননা থবক [illegible] [illegible] [illegible]। মথক্তীগী কায়থানা অমা তৌবা হায়বসি মথক্তী [illegible] ওই অহুনা [illegible]

মতমদি কয়া থুনোং চাত্রাই। থুকাঙদা কাঙখানা শুহোক্লদিয়া, —খাম্বা ছেক হৌবনা লোল কনৌবদি মথে। লোল খঙ্বা তৈবিবনিদু লোইথোকদি অমত্তোকনদু মাইগী চাত্তৌবা থৌজ্বা মতম থাওখরা। অদুমদি মহাত্নুমনা হায়কতকদুনা মতুংগী থারিবা ওয়ারি। ত্রাথক খঙা-খঙা লাকপনা হোটেল মৌবা মফম খঙহৌদে।

(১২)

নিংথম লোইত্রে, বসন্ত চঙলক্রে। মাকচৌংগী উয়া থিকথরয়রবা উনা বানা পূন্নমক অনৌবা পুন্সি কংহুনা নৌনা য়েম্নিং হুন্নক্রে। নিংথমগী লৈচিল মরক্তা পাইরুত্রবা চেক্লাম্নু বসন্ত হকচিক লাংলমে। চহীগী মতাঙ খায়দনা মালেমগী জীব পূন্নমক নৌনা য়েলহৌনরক্রে।

কনঙগী মুক্তাইরবা মতম অসিদা অনংবীনা মাঙোন মচি অমদা কন্নহনা কোহোং মরাদা হৌক্লিবা তোখাল শাবীগী মপাল অদু য়েংলদুনা অরিনো অমা খনবগুম মিংকম হোংদনা লৈরি। করম্বা মতম অসিদা অনংবীনা নিঙশিংলকই মচান্নুপী চিত্রলেখাবু। চিত্রলেখানা ছেক চংখিদা মুমিতগী অনংবীনা থা মশীং কল্লাংদা লৈই ওইনা চিংশিন্নুনা খল্লি। ওলিদি হৈলই অদু মশীং থিন্নুনা য়েংবনা অনাআথোই ওবে, মুমিং খরম্নু লেক্লক্রে। চহী অমা মাংলক্রে মচান্নুপী থোক্লকপলি হায়বগী থাখনদা, মহৌ-শাবী লৌখনবা করম্বা মতমদি অনংবীনা অমুক্তা হেন্না মকল্ত্রে। মচাগী থাখনদা মুংথোইনা অঙাঙরিঙৈদা কোহোংথোমদগী ডাকপিয়ন অমা চিঠি খাই অমা য়াদহনা চঙলকই। অনংবীনা হঙাউজমনগ্রহনা থুক হৌগং-দনা থুমাংদা লোঙথোকুনা,—ইবুংঙো মচনগী চিঠিনা, হায়না হংই। ডাকপিয়নদু তোয়না লাল্লখনিনা মশক খঙলহনা, লোককেং তৌনা,

মাগী, হায়রগা, চিঠিহ্ লৌথাকুনা পীরে। অশংবীনা মতমগী অমাই তানিঙমনগ্রহ্না, ইবুংঙো, অমুত্তা শাথিরম্মুবা, ইনাহোয়গি মিং অতঙবগা অম্মা ওইরবনি, হায়দুনা হায়রে। ডাকপিয়নগুম্বা, ইমা, তমিদি এইহাক অথুবা টেলিগ্রাম অমা অনি য়েংহোকউবা তারি, কনাগুম্বা অমবু পাহন-বিরুরো, হায়রম্মগা চংখ্রে।

অশংবীনা মতোমতা অহল-লমন অমস্তুং মশাগী মমাইবকপু নিন্দা তৌজহৌই—অহল-লমম্মা মুপীনা লাইরিক তম্বা হৌনদে হায়দনা য়াদবদগী কযাদা য়ারবনো, ঐখোয়না তমজগে হায়বহ্রদা মখোয়না য়াবম্মবদি অম্মুা থোকক্ৰসে। কনাবু পাচম্নুসিগে, কান্নরোই য়াহনবীহোয়দা চংলগে। গমভিনীশিজদো চাউদি চাউথোকখ্রবনিদা অহুবু করমদি তৌনি, ইচাগন্থ খরা মতিম্নবা মখোয়দা হেক্তা চংলগে, হায়না খম্নহ্না চিঠিহ্ পুম্নহ্না হোবে-হোবে চংখ্রে।

থবক অমা ফাওবা শূদনা চাক থেংনা চাগনবীসি গমভিনীশিজগী হৈন-বীনি। মহাক্কা চাত্রবনিনা লৈম্নিবা মচা মমাইশিং অহুম্মু চাত্রে থাইহ্না লৈবে। চাক থেঙনা চাগনবগী হৌনশা হুমিঙ্গাংবাইরমগী পুং অহুম্নোম অ্যা-রকপা মতমদা চাক চাবা তোকপদা মতাংয়ি। মহাকম্নু মাঙোন্দা মোরকা অমদা ফমহ্না লৈরম্মি। অশংবীনা কোম্হোঙলোমদগী প্রপ-প্রপ চঙলকই। গমভিনীম্নু হাইফেত্তি ওক্লুমে মরমদি অশংবীনা অম্মুমা মখোয়দা অমাকম্নি হায়বসি কম্না থাজদবনি। গমভিনীনা তরাম্না ওকই,—ইনম্মা অম্নি খইক-কীনো, চঙবিরকউ। মচা উম্নগে তায়হ্বা লাম্নিবনি,, অশংবীনা খুম্নি, অহুগা মপুম্নিঙদদি খম্নি, - ইবেম্মা শিজসি মমাঙতৈদগী য়াম্না হোৎলম্নেনা কনানা তম্বিম্নিবনো। তো, অম্মুমা মী থাইগী হৌমবী চৎলবী মী অমা লাক্লগা নীংথিনা কৌ, ফিদা থা, তৌরবদি চঙনিঙম্তিদমা, কনানম্নু মহাকী হান্নগী মী লাক্লগা কৌদবা তুমিম্না উশিন্নদনা লৈথোকপাহৌই কঁনা-গী চঙনিঙগনি।

হাই, থম্বাল, কিন্দা পুথোরকউইদ্রে নত্তেমগী, গমভিনীনা লাউনা হায়-রকই। থম্বালনা মোয়া অমা পুথোকুনা থাই· অহুনা মহাকম্ভু ময়া অত্নবাইদা করি· মথা তারকখিগনগে হায়দুনা ভাইহুনা লৈরি। গমভিনীনা হিদাক হান্নকউ হায়না থম্বালদা থৌদাই। অশংবীনা ঐদি হিদাক থকচনিঙদে হায়দুনা য়াত্রে। গমভিনীনা অমুক মথা তারকই,—অহৃদি করি তৌলিগে ঐদি কা য়াম্না চারম্বনি অহুদা হৌজিক্তি লাই-ভীনগী থবক য়াম্না তৌবসিদা কয়া মুংঙাইজহুনা চাত্রে।

ঐন্তু হিদাক, কা কৈকাসি থয়ায় কয়া য়াওজগ্রবনি, ঐনা লাকচরিবসি স্নাহনবীবু নচাগী চিঠি অমতা পাহঙগে তৌবনিনে। অশংবীনা লাংতকনা হায়বকই।

হৈবা মাদি অসিদস্তু লৈতনা মহাকম্ভু লাইরিক তম্বা চংখিনে, তাত্রনে ইনম্মবো।

ইসে, কাউবু কাউরুরেনে, অহুদি নচাগী চিঠিসিদি কনাদা পাহল্লুসিগেদো। মী লৈ পাবিনবা, গমভিনীনা থম্বাজ্ঞোমদা ওনশিন্দুনা হায়রকই,—থম্বাল নত্তেমগী চিঠিসি মরোল করি হায়বগে তুক পাবিয়ুসে।

অশংবীনা থম্বালদা চিঠি পীরে, থম্বালনা পারকই,—ইমাগী মফমদা হায়জখিবনি, ঐহাক থবক লোইরে, হৌজিক লম থরা য়েংবা চংলি, মসি হেক লোইবগা থোরক্লগনি। লমতাগী নঙানি পানবদা ইম্ফালদা থুংলবা য়াই। ঐহাক থোইদোকপা অনা অয়েক লৈজদে, অহুগা ইমাস্থ থোই-দোক্না খুদোংথীবা লৈরম্মোই হায়না থঞ্জে।

চিত্ত্রলেখা দেবী

চিঠিগী মরোল তারগা গমভিনীনা খুশি —অং ঐথোয়গী স্নাহনবিস্থ মহাল চিঠি অমা পীরকই, পরিক্ষা লোইরে য়াম্না থুনা থোরক্লগনি হায়রকইনে।

এ, করে, করে ইবেম্মা শিজ, মথোয় অসিনা য়ুমদা লৈমন্দবা অসিদা ইচানি হায়বহ্ মঙায়রে লৈমিয়বা ইকং করত্রে। অশংবীনা খুশি। অমুকন্থ

মথা তাম্রকই,—ইবেম্মা শিজ অমরোমদদিনে কন্ত্রেকো মখোয়না তৌরি-বসে, য়েংউ মক্তোয় ঐখোয়না তৌরিবসে,—লাইরিক হায়বসি ইদিদা মচেং অমত্তা উহৌদবদগী কয়াদা য়াম্নিবা। কপ্রশোংনিকো মহোয়না হৌজিক খরা ওমজহৌরিবসে।

খণ্ডদেদ। ইনম্মা, গমভিনীনা থৌশাদনা হায়রকই,—ঐদি য়াহকনীদা থোয়কপা ওাইরিবনি, শ্রীধামদা চৎলগে হায়না কয়া মিওজয়ে। করিবু তৌরুগবনো, নহা ওইরিবৈঙদা ওাওগদবা মথৈ ওাওয়ে, হৌজিক্তি অমন ওইয়বনিনা. তুংগী লম্বী য়েংবা থয়স্থু ময়ারে।

ওমদবগী য়ানিয়ে, ইবেম্মা, অত্থদগী হেম্রা ফবা কদাইদা। লৈম্নিবগে অশাং-বীস্থু য়াওশিল্লি। ইবেম্মা নহোয়দি নরায়বক ফৈদো, অহল-লমজা নপু-রোইবনা বৈভব চাউনা থমম্বনিনা,—ঐখোয়দি হৌজিক হৌজিকী লৈত লায়রবগী খনবদা, তুংগী লম্বীস্থু য়েংবা ওমজত্রে। গমভিনীনা নোকফেং তৌনা খুম্মি,—খণ্ডেদা ইনম্মা, মসি আ-কর্মগী কল হায়বহুনিদা, নহাক মপোক্তা ঐনা ৺য়া থমজরম্বনা হুন্দক মপোক্তা ফংজরিবনি, নত্রদয়ু ঐ গুম্বনা করিবু ওম্রুগবনো।

অত্তদা ইবেম্মা, মরল মথুম্না নিংথায়বা ওমদবা মী কয়াস্থ লৈ, মখোয় অহুনা নোংমক্তস্থু ঈশ্বরগী য়া নিঙশিংদবা, মরলহুত্তবু শণ্ডবদা য়াজরবা চোকথরবা অহুগা অমরোমদা অযুক চায়গা স্নমিদাং হেনবা ঈশ্বরদি ভক্তি লৈজবা মী কয়াস্থ মবৈ। মসি মী মী অতুগী পুক্নিঙগী মতুং ইনবা হায়বহুনি, অশাংবীনা শমথরমই।

হোয় ইনম্মা, ঐখোযস্থু নহা ওইরিঙৈদদি লন-থুমগী অপাম্বসি য়াম্না লৈরম্মি, অত্থবু হৌজিক্তি চহীগী মতাঙনা ওটরমাক্লে, কয়া থোইনা খঙজত্রে, গমভিনীনা মহাক্কী অপাম্বা ফোংদোকই। অশাংবীনা, ইবেম্মা শিজনা নিঙবিরিবহু য়াম্না কথ্রে, শোয়দনা ওইসহু, ঐখোয়স্থু ওমজরবাদি তৌবনা চুম্মি, হায়রগা চৎলগে হায়তনা হৌগৎলক্লে। গমভিনীনা অহুদি ইনম্মা লেংবিরো, করিস্থু চাদে থক্তে হায়রবনিনা করিস্থু সেবা তৌত্রেদো হায়রকই।

মায় হুৰতাইৰকয়ে, হায়ৰনা অশংবী চংখ্রে।

অশংবীগী চক্লো-চকনা থাদি,—মৰায়ৰক কৈনকো মীয়দি, মপা মপুনা কৈরাঙ্ক থাৰবা হায়ৰনে, মহাক্না হৌজিক কাহুনা চঙলিদো, ঐখোয়দি কদাই ইপা-ইপুনস্থ থম্বীরমত্রে অহুগা ইচা-ইশূগীদমক ঐনা থম্বিরম্বস্থ ঙমত্রে। ইচানা হয়েং করিগুম্বা অয়াবা তারবা মতম অমদা ঐবু অমদি মপাবু য়ারৌগনিকো, অহুবু ঐস্থ ঐনা ঙমজবা থরদি মহাক্কীদমক হোংনরিদনা মহাক্না উত্রবস্থ ঈশ্বরনদি শোয়দনা উবিফম থোকইদনা। য়াথল তৌন-তৌনা লাকপনা অশংবী মযুম য়োবা থঙহৌদে। মযুম য়োরগা মচাগী য়া অমুক নিঙশিংলকই, —লমতাগী মঙানি পানবা ঙাইহুনা লৈখ্রে।

অশংবী, চংখ্রবা মতুঙদা থম্বালনা হংই,—অজ্ঞা ইবেম্মা হৌজিকীহুবু ঐখোয় ইবেম্মগী মরুপ চিত্রলেখাগী মমা ওইরব্রা?

মাম্মি। গমভিনীনা লেম্না খুম্মি।

ও, ইতৈম'সিদি ওম্বোক্না পুকনিঙ তপ্না উখ্রেদা, করি'মতা হেক মোং'হান্দে মচামুপী ইবেম্মগুম্থ ফনা তপ্না বুদ্ধি তানা উই তুংদা মুংঙাইরকখিগনি। অং মুপীমচাহু ঐস্থ অহানবদদি থঙলমদবনি অহুবু মহাক্কি অহুক য়াম্না ফত্তবা মীদি ওইরমদ্রে। গমভিনীনা অমরোমদা ওম্বোক্নুনা অমুক হায়-রকই,—থম্বাল ঐখোয়গী কৌ কম্না য়াম্না লৈক্সিবা, শেল ওইমা কয়া লৈবা, নঙগা হিসাব অহুক য়েংঙদনা।

থম্বালসি মতম কুইনা গমভিনীহোয়দা থবক তৌহুনা লৈরক্লবনি অহুগী মথক্তা মহাক্কী পুকচেল শেংবগীদমক গমভিনীগী চুম শো পূমমকসি মঙোন্দা থাদোকই। গমভিনীদি চিনফাদা থরা থঙজবঙনি অকুপ্না হিসাব-ত্তি থঙবা নপ্তে। মরম অহুনা থম্বালনা খাট্রা পুথোক্নুনা য়েংলগা হায়রকই, —কুমসি কারকপা ফৌপোংনা চামঙাংোমনি অহুগা শেলনা লীশিং ফুনলোম লৈরি।

হাকুমদি ফৌপোং চাঙরুকলোম কারকপদাইনে।

অহোয়, কুমসি'সি ঈশিং ঈচাওন। মথারোমগী লৌ থরা শিবস্থ য়াওরমাম্লে।

ও, ফরে, অহুদি ঐ রা হায়রগে. গমভিনীনা মখা জারকই,—ঐগী ভাগিদা সম্পত্তি অসি মাঙদনবা নহাক্না শীন্নগদবনি। অদোংবনি ঐদি [illegible] চৎলগনি। হৌজিক ঐহাক অহলনগা ওইশিন্নকপগিদা ময়াম অদি খবা শুম্মরোই।

অহুবু অজ্ঞা ইবেম্মা........।

নহাকনা করি হায়নিঙলিবা? স্নাহনবীগী রায়া?

অহোয়।

মাদি করিস্ন হায়রোই।

এ ..এ ননাই ঐনা হায়জরিবদি লন-থুমগী রা নৎচদে, ঐখোয়গী ইবেম্মনা ময়ুম-মকৈ পানবা ফাওবতদি অজ্ঞা ইবেম্মা লৈবিবনা ফৎলোইদ্রা। চুস্থুদি চুম্মিনে থম্বাল, অহুদা হৌজিক কালগী অঙাংশিং অসিগী মতৌ অসিদা ঐদি রা কয়া ঙাংনিঙদ্রে। ঙাইখো মহাকনা নহাল খোরকনি হায়বহুবু করি থাদনো করম্বা তারিক্তনো' নহাক নিংশিংলিব্রা?

চৎলিবা থাসিগী থামৈদনি।

ঙসিদি তারিক কয়ানো?

ক্বায়।

ও, অহুদি ঙসি তরানিরোমদা মঙায়রেদনা মহাকনা খোয়রকদবা।

অহোয়।

ফরে থম্বাল, গমভিনানা মখা শমথরকই,— মহাকনা খোরক্লগা থাজ-য়োঙবা য়াহুনা ঐনা হায়বা ইল্লবদি ফরে, নত্রবদি ঐগী সম্পত্তি শরুক খরা মাঙোন্দা পীরম্লগা ঐ থুনা চৎপ্লগনি।

অহুদি হৌজিক্তগী হৌনা স্থুপা অকবা অমা য়েংবিবা য়ারেনে। হয়েং ইবেম্মা লেঙখোর গা ঐখোয়স্ন য়াওনা হায়জগনি। ঐখোয় ইবেম্মহুস্ন ফনা ফবনিদা, হে পখোং থোংঙোইদা। বুদ্ধি অতুক তাবা মী অহুনবু করিগী অহল লমন্না হায়বা ইল্লোইদগে।

থম্বাল ঐ চহী য়াম্না য়াম্রে, য়াম। উরে, গমভিনীনা থম্বালগী রাহু থৌশাদনা,

থুম্মি,—হৌজিক্কী মঙ্গারোল অসিদি ইচান্নু মীচান্নু চপ মান্নবনি, মখোনগী রা লৌদনা মমানি মপাম্নি হান্নলনা থবুক পাক হেক তৌবা য়াবা নত্তে। মচাগী পুন্নিও থজদনা থবক তৌরুবদগী অহল-লমন কয়া য়ায়া চোপ্পা য়াওগ্রে। অতুগী মথক্তা ঐখোয়গী য়াহনবী'গিদি মীওং অমনি মাগী রা কৈকা লৌদনা থবক তৌবা য়াবা নত্তে।

হোয়নে অঙ্গা ইবেম্মা, মতমগী চৎনবীনিনা মচুমন্নু সুপ্রবা পোৎনি, থম্বালন্নু মত্তেং পাংই।

মতম অছু কনা য়ায়া থেঙজিল্লক্নে সুমিদাংয়াইরমগী অমম্বা কিজং হাই-থরক্নে চীংয়া তময়াদা লৈচিনগী মৈথু কারক্নে, উচেক য়ায়াশিংন্নু সুংথিল চাক্তাবা লোইহুনা মযুম মাইকৈ পাংলক্নে। গমভিনীনু থম্বালবু সুমিদাংগী থবক তৌকনবা থোদাম্ভ্রগা, মালা চত্নুনা নাম শোনবা হৌগ্রে।

(১৩)

ওসিদি থম্বাল অযুক্তগী হৌনা পুয়াও লাওগ্রে। ওস্তা হৌগত্নুনা শূমাঙ-মাঙোল, ইমুও, ইজি, শিংপগা চপ মান্ননা নান্না থমগ্রে। চহী অমা মী লৈখিত্রবা রীনাগী কাছু ওসিদি থোঙ হাংদোক্নে। মহাকী পোৎ পুম্ন-মক মকম চানা থম্বিরে, কমুও থাজিল্লে থোঙ মিছুৎথোঙদা পকপ উফুল নচিংবা পুম্নমক শেংনা কম্নোক্নে। মমথি-হাউঙে মনম চৎখিনবা হায়রুনা ধুপ থাউমৈ থাজোক্নে। পুকম্ভি মপাম্দা হৌরিবা কবোকলৈ থরা হেক্রু-হুনা কুল য়াসম্ভা থরা অমা হাপ্লে, থরনা গোন ময়াদা কমুওদা, চথায়রুহুনা থম্নে। তশেংনমক ওসিদি রীনাগী কাসি হৈনম লৈনন্ন চুরবা হায়বহু ওইরে।

থম্বালনা রীনাবু য়াম্না নুংশিল্লা অমসুং য়াম্না নুনা চাম্না তৌরি। করিগুম্বা মতমদা মহাকপু য়োকপিরিক্লা মপুগুম খল্লি, করিগুম্বদা অচন মচাগুম খল্লি অদুগা রীনামসু মহাকপু নুংশিদবা নত্তে, রীনাগী অকংকত্তা বারী পুম্নমক মমাল্লবগুম মত্তোন্দা শাদোকই অদুগা করিগুম্বদম্ব মহাকমকী অহল-লমম্নি হায়নসু লৌই। মরম অসিদগী ওসিদি রীনা থুংলনি হায়বসিদা থম্বাল মতোমদা পংহৌদ হরাওই, থবক থুদিংমক চেননোম নোম্মি। থম্বালনা থবক ময়াম অসি লোইশিনবদা ফনা নিংথিজনা থেওলে। পুং মরিরোম তারকপা মতমদা গম্ভিনীনা হায়রকই—থম্বাল নহাক্কী থবক লোইরবদি নচনহুবু ওহাক ওকপিরুগেরা ? থম্বালদি হায়ত্রিদৈভেদগী হৌনা মহুগী দমক থোরাং তৌহুনা লৈরবনি,— ফগনি হায়হুনা মফি মরোল শেংচিলগা গাড়ী থাকমদা চংখ্রে।

রীনা উকিলগী ক্লাসকী পরিক্ষা পীরম্লগা, মরুপ-মপাও অমসুং ওজাশিংদগী বিদায় লৌরদুনা মমম-মায়কৈ পাংলক্লে। দিল্লীদগী মণিপুর য়ৌবা থোঙচংনি ফনা শাংই য়ামদ্রবদা মুমিৎ মরি, মঙানি রোমদি চঙঙি। রেলদা শাংনা চংপা হায়বসিগী থোইদোক্লা দুঙাইবা নত্তে, অদুগী মথক্তা মহাক মতোমদা লাকপদি, লম্বেল তেম্নবা রীরী য়াওদবনিনা অমুক্তা হেন্না চোকথখ্রে। শাংলবা থোংচং অসিদা তৌনিঙঙাইদি লৈতবনিনা লাইরিক থরা পা থবর থরা পা তৌদুনা অতুম লাকই। মহাক্কী ফার্ষ্ট ক্লাসকী কা অদুদা চমু অমদি ফম্মি অদুবু মরোল তিন্নদবনা য়াম্না শাদে। মরক মরক্তা রাখল অমতংসু থল্লকই, — মহাকপু করম তৌরমগদগে। মহাক্কা ঐগা ঈ পাউ ফাওনদবসিদি ওখোক্লা কুইরে- চন্নী মঙা তরুকপু শুরম্লগনি, মহাকপু মী অমা ওইরমগদ্রা নত্রগা লম মাংনরবা লম্বী চংপগুম কক-ভাওনদুনা লৈরমগদ্রা।

রীনাগা সুরেশকা ঈ পাউ ফাওনদবসি ফনা য়াম্না কুইরে। সুরেশনা গৌহাটিদা ঊরিদৈভেদা চিঠি অমুক্তং থাখিবা রীনানা অমুক হনখিবা অদুদগী শুল্লি ফাওবা মশকসু উম্নথিত্রবনি পাউসু থানদ্রবনি। রীনানা পরিক্ষা লোইবগী অমুক্তং থোরক্লবা অদুদা ক্লরেশতগী পাউ থরদংদি

ফংখি, মহুদস্থ রীনানা মহাক্কী জম্বা লোইত্রিবা কাওবা লমটৈ চৎলরোঁ থনবদগী নবেশতা খর যেংশিনবিযু হায়না শিক্ষরম্বদগী হেন্না করিস্থ থোই দোকপা তৌবা ঙম্মদে। ঙসে সুরেশকী করি ওইরিবগে হায়বত্থু রীনা করি মতা খঙদে। মরম অসিদগী রীনাদা য়াম্না খঙনীঙবা অমস্থুং লাংতক্লবা অ পোক্লকই, সুবেশ কবম তৌরমগদগে হায়বসিগী মরীদা। অমুকস্থু খ লকই,—মহাক হৌজিক থ্বাইদগী তেন্না ফংবা মী অমা ওইবম্লবদি ঐ চুমথোকপা ঙমগদ্রে মদুদি কংকপু লাইবি, লুখিনদি মহাকনা ঐবু হৌজি ফাওবা নিঙশিংলমখিগদ্রো নত্রগা কাউনবা পাংথে কযানা কাউবম্লগদ্রা অদুবু মহাক্কী চিংদা হায়খিবা অমদি লে.--মহাকনা মতম চা খল্লবা মতমদা হাংবকউ মাসিন অচুম্বা, অইনদি মহাক শোয়দনা ঙাইফম থোকই।

অহিং. নংথিল, গথং মথং হৌখিবগা লোয়ননা বেল গাড়ীগী থোঙচং লেপ্পুনা লাক্লি বীনাগী ব্রাহ্মণ পরোইব লৈতনা চংখি, মবক অমি কদাইদগীনো চিত্ররেখাগী বাস্থ মবক্তা থেংনিলকই, মহাকস্থ ঐ লোইতুনা থোব নানি, অদু নৈবদি নুংঙাইবনি, মহাক্তা ঐগা তাম্নব থবক খুদিমক পাংথোকপা হোৎনংনি মাইস্থু ঐস্থু। ব্রাখনগী মঙলিঙৈসিদা মহাক্তা খোংচৎ ওইনা তোংসিমহিং লেঙহনবী লৈনা অ তপ্না ঈংনা মীগী পুকনিঙ উনগম হায়নকই, ইবেম্মা কবি খল্লিবনো, ব্রা অমদা য়াম্না পুকনিঙ চঙবগম উই। চংসি লাইরিব লাইশু হৈবী ও তাই. মহাকনা ঙাংলিবা লোন্দু ইংবেজিনি। বীনাস্থ মহাকনা খল্লিবত্থু খং বোই নিঙতুনা ইকাইরপ তৌনা খুম্মি,- করিস্থু নত্তেদা যুমগী ব্রাখল থনব চন্নুতুনা মতে পা শিল্লি, —অচম্বান লংথৈ কুইনা চৎলুরগা যুমদা হনর্বা ওন্থোকনা তুংঙাইখ্রব ব্রাখন ঙাক্তা এনবনি. মক্তম মপাঙ [illegible]গা, যুমদা হ লমন উম্নবগী, ব্রাব রাস্তায শান্নবা, পুংঙাংবা ব্রাখল ঙাক্তনি। অচুম্বনি, বীনানা লোকফেৎ তৌনা খুম্মি।

ইবেম্মদি যুম পাঙ্গুব্রা ?

পাজত্রি। মীনানা হজোইরগ তৌন খুম্মি।

ওঁ, মহুনা হেন্না মুংঙাইগনি।

করিগী !

হুংশিনবা মী কৈংকা লৈহৌত্ত্রনে, মহুগী থনবদা অমুক্তা হেন্না মুংঙাইবনি। মীনা রা ঙাংদনা তুমিন্না মনায়হু রেলগাড়ীগী মিহুৎলোমদা য়েংথোকই। চম্মহু ময়ুম মকৈ পান্নবী ওইনা তৌই, মঙোন্নদি সংসারগী ময়ুম মকৈ পানবগী রারী রাতায় শাবসি থোইদোকনা ইকাই হজোইনা থোক্ত্রে। মহাকনা ঙাংনিঙবা রাহু অপনবা লৈতনা ঙাংবা ঙম্রে। মীনা ইকাইহরে হায়বা খঙলহুনা চম্মহুনা অমরোমদা নাথৈহুদা অমুক হংলকই—ইবেন্মদি করি লমদগীনো, কদাইদা চংলুবনো ?

ঐহাক মণিপুরদগীনি, দিল্লিদা উকিল ওয়া চংলুবনি।

ওঁ, অহুদি য়াম্না অফাওবা লম অমদগীনিদনা, জগোই হৈশে য়াম্না হৈ হায়নৈ চুমত্রা ?

মী খুদিংগী হৈবা নত্তেদা অমুবা মী থরক্তনা হৈবগী রানি।

ওঁ, অহু ওইরে ! মণিপুর হায়বসি চীং ঙাক্তনি হায়বা চুমত্রা ?

চীংনা কোয়শিল্লি হায়বত্তনি, মহুঙদা কজরবা ঙম্পাকনি। রীনানা হৈনিঙ-দনা খুম্মি।

লক্ষ্মৌ জংশন য়োবদা চম্মহু কুমথহোরে। মীনা থর থরা হোদোক্তুনা মৃত্তোমত্তা অমুক লাক্রে।

মী হায়বসি মত্তোমজবু লৈরবদি রাথলনা হেক্তা চঙলকপা হৌই। হন্দকমুক্তি ইত্তোপ্ তোন্না রাথল্লি,—গমভিনীশিঙ্গা অমসুং মহাক্কী তা-থ্বালগী মরীদা। গমভিনীশিঙ্গী মরীদনা অহুম্মা থল্লি,—ইমাসিগা ঐগা ত্তিন্নগদবসি ওম্মোক্না লুপ্রেদা মহাক্কদি হৌজিক্কী যুগকী মঙাল ফংবা মীদি নত্তবনিনা ঐথোয়না হায়বা পুন্নমকপ্ন য়ানিঙদেদো। অহুগা ঐগী তা-থ্বাল অহুদি মুংশিল্লে্রা, মহাকনা ঐবু লুনা তৌজবদো, মহুগী থল্লুরবদি তা থ্বালহু হৌজিকমক হেক উরনিঙ্গইদ্রা। ঐনা হুম্মেং ইনিং তৌনা শিজিনবা ওম্নবা মতমদা মঙোন্দা লৌশীং থরদি শোরদনা পীলনি।

অমুক্না মথল,মথা কয়াগী রাখল তৌদুনা লাকপনা অহিং মুংথিল কয়া হৌথিদুনা ডিমাপুর হৌরে। ডিমাপুর হেক য়ৌবদা য়ুম য়ৌনিঙবা হায়রদগী শরুক চামা হেনবগুম তৌই। ডিমাপুরদা অহিং অমতং ওনবদু ওয়োকনা রানা পল্লে। নোং হেক ভানবগা মণিপুরদা মায় ওল্লক্লে।

হুমিদাংবাইরম পুং মরি মঙারোম তারকপা মতমদা গাড়ী থাকম য়ৌরে। লাপ্পপ তৌনা থম্বালনা মঙক থাঙতুনা য়েংবদু রীনানা উরে। রীনানা নোক্লা-নোক্লা থম্বালবু মথুং হত্তুনা কৌই। থম্বালদি মঙক থাঙত্তুনা য়েংখিবদগী থরায় য়াওমনখ্রদুনা রীনানা মথুং হংলিবদু উদ্রে, মনাক্তা লেপ্লিবা মুপা অমনা উরদুনা মঙোন্দ, হায়বদগী মহাকন্সু খংউ উরদুনা তোয়, মাই হায়রমদনা গাড়া মনাক তাম্না চেনশিনখ্রে। রীনানা ফাগি ওইনা হায়রকই,—তা থম্বালদি থরায় য়াওনা য়েংমন্দুনা ঐনা কৌবসি উত্রমাল্লে। অওইবনিনে ইবেম্মা, ঐ য়ায়. কুইরে হায়রগা মথক্তগী পোং-চৈ পুন্নমক থাংথরে। পোংশিং অদু রিকস। অমদা হাপকংলগা অনিমক মথুমলোমদা লাক্লে।

মাঙোন্দা এলেকট্রিক্য পুমঙাল ঙাল্লি। মাঙোনগী উথোকতেন্দা ঙারদুনা গমভিনীসু মালা চংলি। গেট হাংদোক্লগা রীনাগা থম্বালগা চঙলকই। রীনানা ইমুঙদা প্রপ-প্রপ চঙগে তৌই, গমভিনীনা থাম্মী, ঙাইখো মাচনবী ইমুঙদা চঙবা য়াদ্রি, নফি নরোল হোংদোক্লগা ঈরুজথোকখো অদুগা কোয়া চঙও। রীনাদি মমাগী রাদু পাক হাইদোক্তুনা চংপা ওমল্লে। মাঙোন্দা ওকচানন লেপ্তুনা লৈরে, থম্বালনা ইমুঙদা পোং চৈদি পুশিনখ্রে। রীনানা তপ্না হায়রকই, ইমুঙদগী ফি হোংদোক্লখিগে অদুগা কোয়া লুজগে। গমভিনীসু ভাব তারক্লমাল্লে,- চো-চো, নফি অমা হোংদোক্লগা শেংনা ঈরুজথোকউ অদুগা তুলসী মচুম থক্তুনা নশাদু শেংদোকউ নক্সবদি কনানা থঙগনি, ভাঁল-লাই ফত্তবা লৈরম্সু য়াই মীরৈবাক্তা কুইনা লৈরুবনিনা।

গমভিনীগী রা-ঙাং তারগা রীনানা থল্লি,—করিনো ঐখোয়মা'সি মঙং অমা তৌরম্লেনা, মহাক্লী-মমাঙঙৈগী ফো-চেং লৌ-শীং, শেল-থুমগী রাদু

তোকখ্রেনা, মসিনা করম্বা অনৌবা মং অমনো। ফনবু ফরেনে, ঙক্ল ওইবক্লবসিদা অম্বম্মা লাই তৌনগী মনীদা পুক্লিস্ত চঙবসে থম্ন-থম্না বীনা, মহাক্কী কাদা থুনা কাথংখ্রে। মহাক্কী তৃমফম কা নওবা অকোম্মা কা অমদা থম্বালনা মহাক্কী পোং মচৈংদু ধনশি। পোং থম্লিবা কা অতুদগী মফি মরোল লৌথোক্লগা ফকঙাদা চাংনা ইংঙথোকউরে। মশম মনা নিংথিনা হাক্তোক্লগা তোকং পোথংং হাংদুনা মাগী তৃমফম কাদা চঙখ্রে। মহাক্কী কাতু চন্না নিংথিনা হৈরেংনং টংদা চোকংম্নবা মশাতু থবদং তেকখংপাংম তৌই মহাক্কী কাংদন তেংবা নিংথিজনা হৈবরী গুগী অমনা শেম্নম্বদগী থোইদোক্লা লাদে। নিঙংকী অংকোবদা চঙলক্লিবা মুংশিংনা যৌবদা হকচিক লাদুনা শাংলব পোংনক্কী অরাবা পুংক কাউদুনা লৈবিচৈদ, থম্বালনা চা বপ অমা পুংন চকই, ইবেম্মা চা লৈজরে হায়দুনা টেবল অকোয়বা মচাদুদা থি। শীনানা নোকদুনা হায়

তা-থম্বাল, তাদনরা ঐগী কাসি শম্নক যজনা শেম্লিবসে।

অহোয়, থম্বালনা মপুং নোইবদুনা হরাউনা খুম্মি।

ইস, তাদাদ যাম্না হৈবস্মিদ এদি খঙব থঙলুদে।

হে, কনাইদ নোদা পাঙনবা অম্নম চেংশিনবনিদ, থম্বালনা হরাউনা খুম্মি। তাদনা তৌবিবসিগী লমন শোযদনা শিংগনি। মীনানা নোক্লুনা হাযরকহ।

ইবেম্মগী কৃপানি, হাসবম্নগা থম্বল চোকখিগে তৌরে। ম্নানানা থাম্নগা অংক মথা তারকই, তাদ। ঐখোযগা থংজ্জাসবু করম তৌরিবগে লাং-কৈকা যাম্ন নাওনা উরেনে এদি হদহপু জক্ক রে, মহোয়গী নাম লোবা হাযবতুকা তৌবরনে।

কুইরেনা ইবেম্মা, ইবেম্মনা লেঙনিবা অংরাইদগী অতুম চৌবেনা অজ্জা হবেম্মসি মমাংচৈঙগা নত্রংনি যাম্না তোংলশনি।

ও, কৈনে, অতুন তেগদবনি। ফবে তাদা পোথাকয়ো ঐম্ন ঙহাব পোথাখিগে।

শজিবু থাগী পানথংলকপা মতম্নি। থাজগী মকোয়স্থ মপুংদি ফাবাত্রি, হুবু বসন্তগী লোইরমদাই, ওলাংথাস্থ হৌরমদাই ঋতুগী লাংদাই মরক্তি, চিক-অশা মাম্নবা মতম ওইবনা থোইদোক্লা পুক্লিঙ লৈতারবা মতম্নি। মপুং ফাদ্রিবা থাজগী মকোয়ন শ [illegible] বা অতিযা মকোয়দা মনিঙ তম্না নিঙ-[illegible]যদনা চংলি, অদুগা থাজ মহাক্ক কদাইদগী হৌরক্লগা কদাই ফাওবা [illegible]কদৌরিবনো হায়রবসিদি কনানা থওদে। থাজগী ঈংলবা মঙানতবু মাওই-[illegible]না থৌরাংস্থ নোংইন কৌবা চেক্লাংথম। মপুং ফাদ্রিবা থাজ ওইবনা [illegible]ঙালস্থ মপুং ফাদ্রি [illegible] যাদ্রিবা থাজগী মঙাল অসিবু যেংলহুনা [illegible] মহাও চুপ্লহুন। [illegible] নিঙাশবা [illegible]লতনা খাবলগী ঈপোমদা [illegible]ক [illegible]প অ[illegible]ক তাউথং [illegible] [illegible]ব্রগা শংলবা ঈশিংদা। [illegible] পাম্বৌগী মনি তাবদা [illegible] উনাগা অহাংবা [illegible]না লাংঙ। মহু উক্তরগা [illegible] তারিবা অ[illegible]বা মমি অহু [illegible] ই। ওস্থোকপানি [illegible] দোল ওইরব। পোৎ অসিগী ফজরবা [illegible]নিংবা কাযবগ [illegible]।

গমভিনীস হৌম্ভিক [illegible] লোইরহুনা থম্বালদা [illegible] পুরকউ হাযনা য়াথং পাবক [illegible] থম্বাল চা কপ অমা পুরহুনা চঙলক্লে। [illegible] হংই, হাঙ, [illegible] তুমিম্না [illegible] করি তৌরবগে [illegible] ওমদে [illegible]?

[illegible]দোকপা তৌদে, [illegible]।

[illegible] ফ কৈ [illegible] মশাকৈক [illegible] মহুদি চাক ঈশিংহু [illegible] থুনা হোংনো।

[illegible] হায়রম্লগা [illegible] চাক [illegible] যেংগে হাযহুনা [illegible] চঙবিবদা চাক [illegible]। পুজারীদা চাক [illegible] থুনা অমুক [illegible] তাম্লবে। রীনাস্থ হৌগংলগা [illegible]ক চাগে হাযতুনা চা[illegible]। চাবশঙদা হেক চঙশিনবগা [illegible]না হংই, তাক্লা কনম [illegible], হব [illegible]?

[illegible], ইবেম্মা, লেম্ন-লেম্নবা অম্নুন [illegible] হায়রহ্লান। পুজারিনা থুম্মি।

অজ্জা করি করি এঙ্গাং থোংলিবগে, কুইরেদা মণিপুরগী এঙ্গাং চারক্তমা রীনানা মথা শমথরকই।

ঐখোয় মৈতৈগী ইরোম্বা হায়বসিস্থ ফাগী য়াবা নত্তে, ইবেম্মা। পুজা-রীনা ফাগি তৌই।

চাক থিদোক্তনা পুখোরক্লে, রীনা চাবা হৌরে, চাক চানা চানা হংই—অজ্জা মণিপুরসিবু করম তৌরিবগে ঐখোয়দি মপাল থোকউবনিনা কয়া খঙজ্রে। ইবেম্মা মহৌশাগী অচুমঙায়দা, অদু হেনগৎলকপা হায়ববু মুপী নহা শরোক নত্রগা লৈরক থুল্লক চিক্লা চৎপদা খুদোংচাদবা থরদি হেনগৎলক্লে। কবয় !

ইবেম্মা হৌজিক্কী মতম আসদা মুপী চিংবী হায়ব'মা কয়া চনরক্লিএ—মশানা য়াবা য়াদবা খঙদে, মুপাচুনবু পায়বদি হেক্তা লৌরে।

এ, মচুদি অজ্জা, য়ায়া ফত্তবা পোৎনিনা, —শা মন লমচৎ নাইদবা জীব-তনা চৎকদবা মচৎনি, রীনানা মুংঙাইত্তনা হায়রকই।

হোয়নে ইবেম্ম হৌজিকসে তম্বা ওম্বা মতম নত্রেনে, ইচা লৈশাবীনগা চাউশিল্লকপসিদা ওয়োক্লা মুংশা থীরে।

অজ্জা, অচুগীদমক্তি ঐখোয়না উকিল তম্মুরিবসে।

ইবেম্মা উকিল ফন। যায়া লেপ্লিদা অচুবু, ইয়া হেক য়াদে, পুজারীনা ওকই। অজ্জা, উকিলশিংচুদি মুপাঙাক্তনি, মুপীদি অমতম্ম য়াওদে, অচুনবুদি মুপীগী ফনবদি কদাহদগী তৌবিগদগেদো। পুজারীরোমদা ওনশিন্দুনা হায় অজ্জাবু মুপাগা মুপীগা থৎনরগা কনাগী মীচঙ চঙনিবগেনে শেংনা অমুক্তা হায়বিয়ু

হোয়নে ইবেম্মা, ইম্মেনা হায়রিবচুম্ম য়ায়া চুম্মিনে, পুজারীনা থুম্মি। হৌজিক্তি, অজ্জা মুপানা পংচুম চুম্বা য়াররোই থরা চ্যেকশনবিয়ু, রীনানা ফাগি ওইনা হায়রকই। মখোয অনি ঙহাক নোকমিন্নৈ।

ইসে। য়ারী শারিভৈদা ইবেম্মাগী শওক ওক্ত হংবা কাউরে, করি হাপং লকখো হায়বগে ?

রীমানা,—ঐদি ঙসাইনা পুক থল্লবনি, অজ্জাগা রারী শাবছদা অস্মুম মুংঙাইছুনা কম্বনি, হৌগৎচরগে হায়ছুনা হৌগৎখ্রে।

রীনাগা গমভিনীগসি মহৌশাদগী হৌনা কয়াস্মু রা ঙাংনদে খোইদোক্লা মুংশিনদবগী রাস্মু নত্তে, মত কয়া তিন্নদবছদা রীনানস্মু তঙায় কদবা রাতমক হায়রগা মতোকই, গর্মভিনীনস্মু মহাক্লা হায়বা ইনগদবা লৈত্তে হায়ছুনা মহাক্লা হায়নিঙবা লক্কা অমা লৈরবস্মু খোইনা কায়রুদে। চুম্নগী মপাম্থোংগী রা চবেৎ-চবেৎ কয়া ঙাংনদবগী রাফমতনি অছুগা মমা অমস্মুং মচা ওইবগী মরী অহুদি তংনবা নত্তে। নত্রবদি গমভিনীনা রীনাবু অমুক থরচ চঙনা মহৈ তমহনগদ্রা। অমরোম্নদা রীনাস্মু মচীন্দা কয়া ঙাংথোক্লবস্মু মপুক্লিঙদদি মমাগী হায়ববু মহাক নত্তনা কনাস্মু লৈত্রে, মগাকপু মুংঙাইহনবদি চুম্নি হায়বসিমদি থক কাউদে। মপাম্থোংগী মত খেন্নবগী রাতনি, মমুঙগী ওইবা মমানা মচাবু মুংশিজবা হায়বছুমদি লেঙদনা লৈরি। রীনানা হন্দক থোরকপাসিদা খরগা মুংঙাইজবনা মমাগী হান্নগী লমচৎ থরা হোংদোক্লম্বা অসিনি। মহাক্কী হান্নগী লল থুমদা য়াম্না পামশিনবা, অতৈ পুম্নমক্তি কর্রিস্মু খোশাদনা থনবছু হন্দাক্তি থরা উদ্রে। মসিমকনস্মু রীনাদা মফম খঙদনা মুংঙাইবা অমা পী। অছুবু ঙসিনা খোইনা হেন্না ঙাংনরুবগী মওংদি নত্তে। মহৌশাগী মত্তৌগুম খোইনা রা-লাং ঙাংনদনা রীনাস্মু মহাক্কী চাগদবা থরা চারগা পোথানিঙলছুনা মথক্তা অছুম কাথংখ্রে। মথক্তা ওইবনিনা খোইদোকনা কিফম লেত্তে। মরম অছুনা মনিঙ-মমাঙগী মিহুৎ অনিমক হাংদোক্লগা কমুঙদা পোথাবগে হায়ছুনা চঙখ্রে। থাউমৈগী মঙান্না থাবলগী ফজবা মাঙহল্লে হায়ছুনা থাউমৈ মুথৎলগা হিপখ্রে।

মতম অসিদা নিঙশিংলকই মহাক্কী মরুপ চিত্রলেখা.—অরা মুংঙাইগী রারী কয়া শামিন্ননিঙঙি মহাক্কী মরুপকা। কুইদি কুইররোই মগাকস্মু খোররুগনি,—মহাক খোররুগা রারী শামিন্নগনি, নোকমিন্নগনি, মুংঙাইমিন্নগনি, থন্না থন্না তুমথখ্রে।

(১৪)

স্বরেশ ফনা য়াম্না কুইরে মপাল থোক্তবা থবক্কী ঈরাঙদা কম্না লুপ্তুনা লৈখ্রে। মহাক্কী বেঙ্কতা লৈবা শেল অতুদগী লুপা লীশিং মঙারোম লৌথোক্লগা অহানবগী চঙদবা য়াদবা খুৎশু খুৎলায় খরা লেরে। অতুগা কারখানাদি মহাক্কী কোম্হোং ময়া হায়বদি শরোক্কা তাইনবতুদা য়ুম অচৌবা অমা শারগা মতম খরগী ওইনা মতুদা কৌবা তারে।

নোংমা বহাতুরনা মঙোন্দা হায়রম্মি, নঙন এবক হৌরমদ'ইদা ঐঙোন্দা তাকলম্মু, নহাক্কী থবক্তুনা খুদোং চাগদবা লৈরবদি ঐস্মু হোংদোকলক্লগে, মসিদা তৌবসি তঙায় ফদবগী তৌবনি। থবক্কী মতাঙ য়ৌরকপসিদা স্বরেশ বহাতুর নিঙশিংলক্লে। বহাতুরনা স্বরেশতা কান্নগদৌরিবসি মরম অনিদনি,- মহাক্কী থবক তম্বা অতুগা কারখানাগী শীন লাওবা। মতম থরদি স্বরেশস্মু থবক তমদবা য়াদবনি, মহাকনা থিওবিদ কয়ামুক তমজক্লবস্মু থবক্কী শবুক্তদি কুমত্রিবনিনা থবক্কী মরীদদি থোইদোকমা মপুংফাবা জ্ঞান লৈত্রি। মরম অসিদগী থবক হোবগী পোৗরাং পুন্নমক লোইরপা স্বরেশ বহাতুর উম্নরুগে থল্লে।

সুমিদাংরাইরম বহাতুর থবক থারম্লগনি হায়বা মতাঙ অতুদা স্বরেশ মকি মরোল শেতুনা চথোক্কদবগী থৌরাং তৌরে। স্বরেশনা কৈরাক্কী থাক অনিমং কুমথরকপদা উরে, যতুনা কাখৎকে তৌবদগী মহাক কুমথরকপা

উরহুনা কৈরাক মখোঙদা লেপ্লিবহ্ । সুরেশনা ঙকনা হংই,—যদু বাবু করিগীনো হৌজিকপু, ঐদি চখোক্তে হায়রহুনা খোরক্লিবনি।

কুমথবিরক্লো চৎমিন্নরবসু য়াগনি, যদুনা তপ্না খুম্মি।

মখোয় অনিমক মপাল খোকমিন্নরক্লে। লম্বেল ভারগা সুরেশনা কাপি তৌরকই- যদু বাবু, ঙসিদি লিক্লি য়াওবিরক্লবরা ঐসু ঙসিদি মহাও খজিক্কং য়েংগে হায়রহুনা অসুম খঞ্জরম্লিবনি।

যদুনা থরায য়াওনা খুম্মি, সুরেশ বাবু ঐবু অমুক হন্না ইকাইবা পীবিরগনু। ঐনা নহাল তৌরম্বা অদুগীদমক লাঙবে হায়জবা লাক্লিবনি।

হেরা, যদু বাবুদি য়াম্না থরায য়াওনা লৌবিরম্নমাক্লে।

ঐ ইত্তোমতা খস্তজকবদা ওম্মোক্ল ইকাইজখ্রে। মথংগী সুমিত্তা লাকচগে তৌবনি, খুদোং চাথিদবনা ঙসি লাকচরিবসিনি।

মদুগীদমক্তদি কবিস্তু খনবিরুগনু। সুবেশনা খৌশাদনা খুম্মি।

হৌজিক কদাযদা লেঙবিগদৌরিবনো? যদুনা হংই।

ঐহাক ঐখোযগী খুবা বহাদুর উন্নরুগে, মহাক্না ঐগা থবকী মরীদা রারী খরা শানগদবা লৈ।

করি থবক তৌবিগে হায়রিবা?

ঐহাক মোটব কারখানা অমা তৌগে, মদুগী মরীদনি।

বাবুহোয়গীদি তৌগে হায়বা মতমদা শেল-থুম করিসু রাত্তবনিনা ইরায়-লায়না তৌবা ঙম্মি, ঐখোয়গীদি মদুসু নত্তবনিনা ওম্মোক্লা রায়, শীনফম অমা হৈত্তৌবসু নত্রবনিনা, যদুনা থরায় য়াওনা অমসুং জ্ঞান ভানা হায়রকই। সুরেশসু থরায় য়াওনা খুম্মি —বাবু থবক তৌবা হায়বসি শেল ঙাকসু নত্তেদা, থবক তৌনিঙবগী রাখল, পুক্নিঙ হায়বা অমা চঙ্ঙি মদুবু লৈরদি শেলদি অবায়বা পোৎনি, অদুনি মরু ওইরিবদি। অদুগুম্বা থবক তৌনিঙবগী রাখল অমসুং পুক্নিঙ অদুবু লৈরবদি ঐনা তৌগদৌরিবা থবক অসিদসু য়াওবিবা য়ায়। যদু না অমত্তা ঙাংদে, সুরেশনা হায়রিবদু তুমিন্না তায়। ঙহাক তুমিন্না লৈরুরগা খুম্রকই—অদুবদি মতম কুইনা থবক তৌরুদ্রবনিনা, থবকী ঈরাং পুন্নমক অমত্তা লৈত্রে। রারী শাদুনা চৎলবদি লম্বী তেঙ্লি হায়বসি অচুম্বনি। মখোয় অনিনা

রারী 'শাহুনা লাকমিন্নবনা ইন্কাল মোটোর রার্কশোপ য়ৌবা খঙহৌদে। কারখানা য়ৌবদা বহাদুরস্মু থবক থান্নহুনা ময়ুমদা চৎকে হায়না থো-রকপদা স্থরেশকা থেংনরে। মতম অসিদা স্থরেশ থেংনবদা বহাদুরনা হংই—ইবুংঙো নঙদি কদাইদনো? খুরা উম্নজগে লাকপনি নোংমা ঐঙোন্দা হায়বিরম্বহুগী মতুংইন্না, স্থরেশনা শন্না খুম্মি। মহুদি অনিমকী রাহু তুমিন্না তাহুনা লেপ্লি। বহাদুরনা অহুদি লাকও কদাইদনো মফম অমদা রাবী শারুসি, হায়হুনা লাকমিন্নরে। স্থরেশনা অতৈ মফমদা চত্রবস্মু মহাক্কা শারিবা কাবখানা অদোমদা ল'ক্লে। লম্বীদা থবক হৌবগী বারী রাতার অস্থম শাহুনা লাকপহুদা মহুগী থোইদোকপা ঙাংনিঙঙাই রা য়াওত্রবনিনা লৈহৌরগে হায়রক্লে। স্থরেশনা মহাক্কী কারখানাগী মওং য়েংখো হায়হুনা মহুবুস্মু নমহুনা পুরক্লে।

মফম অহু য়ৌরবদা মখোয় অহুম্মক ফক্লে। মতম কুইনা থোঙলোন্দুনা থমলুববা য়ুম্নি, ঙসিদি মপু লাক্লবদা থোঙ হাংদোক্লুনা ইমুঙদা ফমিন্নরে। অহানবমক্তন্দা বহাদুরনা শোন্নকই,— মুংশিগ্রেদা য়ুম অসে, ঐনা পিশক পিক্লিহৈঙেদগী লৈরক্লবা য়ুম্নি। স্থরেশলোমদা ওনশিন্দুনা অমুক হায়রকই, —ইবুংঙো, কদৌগে য়ুম অসি থাদোকস্মু, নয়ুম-নকৈ পান্দুনা ইরেম্না লৈয়ু। অহল লমন্না থনম্বা সমপত্তি হায়বসে য়ারিমথৈ মাঙহন্দনবা হোৎনগদবনি। অতোয় মাঙহন্দনবা হোৎনজগনি, স্থরেশনা হংনা খুম্মি।
তৌজিক করম তৌসি হায়রিবা, বহাদুরনা মথা তানা হংই।
ঐগীদি পৌরাং লোইজন্নিবসিনি খুরাগী রা মঙায়রে।
মফমবুদি চাবু চামনখ্রে, লম্বী অচৌবা অমা লৈরিবনিনা কারখানা অমা হিংবা হায়বহুদি ইরায় লায়না ঙমগনি। লম্বীসি গাড়ী য়াম্না চৎপা লম্বী-নিনা খুদোংদি য়াম্না চায় অহুদা অরুবা অমতং হায়ববু থবক শুবিনবা মীগী রাফম্নি। মীক্রাংস্মু য়েংবা তাবনি অহুগা অহানবদা মী য়াম্না লোশিন-বস্মু মাদে, হয়েং থবক্কা থুদোং চান্নক্লবদি ফরিস্মু কায়দে।
মহুস্মু অস্থম তারম্বদগী রা অমতং থেংলকই,—ঐখোয়স্মু থবক তম্বা ওইনা অস্থম য়াওশিনবাদি য়াইনা।

করিগী য়াদদগে, সুরেশনা খুদ্মি অদুগা বহাদুররোমদা ওনখিল্লুনো,—ঐনা পামজরিবদি খুয়াবুনি।

হোয়, তৌবগীবুদি য়াই, অদুদা............।

অদুদা হায়বদি।

বহাদুরনা চিংনরিবদি অসিনি, সুরেশকী কারখানা অসিদি হৌবদা ওায়গদৌরিবনি। থবক য়াম্না লাকপা য়াই লাক্তবা য়াই। থবক লৈরবদি ফরে করিগুম্বা মতিকচানা থবক লাক্লবদি, বহাদুরদি ইমুঙ পুন্নিবা মীনিনা খরা রানা থোক্কদৌরি। অদুগা অমরোমদা মহাক্না থবক্তি মতিক চানা শূদনা সুরেশপু অরেম্বদা শেল তিংহনবস্থু পামদে। মহাক্না খল্লিবা য়াথল অসি তশেংনা হেক হায়দোকপস্থু ওমজে মরম অদুনা মহাক্না খরায়ননা খুম্বনি। মমৈথংদা মহাক্না হায়রকই.—ঐনা মপুং ওইনা তৌবদি করা সুংওাইরোই মরক মরক্তা নওগী অরুবা মতাওদা নত্তে পাংগে অদুগা নওগী অসিদা থবক শূননবা অরুবা মীদি পীরক্কে।

ঐনা পামজরিবদি থবক তম্বনি য়ামত্রবদা থা অহুমলোমদদি লৈবিন্নু। ঐনা পীগদৌবিবা মী অসিদগীন্থু তম্বা য়াগনি, ঐগা অম্মানি।

মথোয় অনিগী রা অসি তাবদা বহাদুরনা করা য়ানিওঙ্গে হায়বসি খও-লহুনা যহুনা মহাকী মত ফোওদোরকই,- ঐখোয়গী তাদসিনা মহাক্না মাম্নবা মী অমা পীগে হায়রিবসিদ্ন অম্মানি কৈদোগে, থবক হৈরগা লোইযে। ইবুংঙো'সিনা হয়েরিবসি অচুম্বনি, থবক হৈরগা লোইয়ে, মীগী মী অম-হানি, বহাদুরনা খুম্মি।

সুরেশ অমস্থুং বহাদুরগী রায়েপ্তা, বহাদুরনা মী অমা পীহুনা সুরেশকী কারখানা হৌবা হায়না লেপ্পরে। বহাদুরনা মহাকী কারখানাগী অকোয়বা চত্নুনা য়েংলে, কচচা ওইরবস্থু থবক শূবা য়াবগী ফিবমদি ওইরে। মহাকী চেন্নিবা খুৎশু-খুৎলায়বুদি মহাক্না হায়বগী মতুঙইন্না চেন্নিবনি য়ারে। শম্না হায়মবদা অহানবগী ওইনা সুরেশকী লৈন্নিবা পোৎ-চৈশিং অসিনা মহাকী কারখানাদি হৌবা য়ারে। ছুমিং অকবা অমা য়েংলপা শজাহুনা

থবক" হৌবা হাল্লবা লেপ্পরে। য়া লোইশিন্নরুদুনা অহুমক চংকদবগী হৌগৎনরক্লে, সুরেশনা হায়গী মংগোঙয়া মহাক্কী য়ুম অহু শো লোনশিন-গদবগী হোৎনরিঙৈদা বহাদুরনা হায়রকই,— ইবুংঙো নহাক্না অশুম্বা য়ুমসি শো লোনশিন্দুনা থম্বসি যাম্মা লাল্লি, নহাক্না থবক হেক হৌবদগী য়ুম অদিম্বা লৈগদবনি য়ুম ইংখোল থাদোক্কুনা চৎপা হায়বসি য়াম্মা তৌদবা পোৎনি, তৌবগীবুদি নহাক্না লৈবিবা মফম অদুস্ম নঙগী নয়ুম্নি অদুম ওইনমক অহল-লমন্না লৈরম্বা লৌরী-ংম্ফম হায়বসি হেক থাদোকপা হৌরদে।

থবকপু হৌরবদি ঐ লৈজরনি, সুরেশনা তপ্না খুম্মি।

অহুমক চৎলসি হায়দুনা থোরক্লে।

চয়োল অমগী মতুঙদা সুরেশকী কাবখানা হৌখ্রে। মহাক্কী কারাখানা অসিগী মমিঙ ইম্ফাল মোটোর য়ার্কস হায়না থোল্লে। সুরেশ থরাম য়াওনা থবক শূবা হৌখ্রে, বহাদুরনা গুলাপ হায়বা থবক নি শিনা হৈববা মুপা অমা থারক্লে অদুগা গোপাল কৌবা মুপামচা অমস্ম থবক তম্নোই পাংখোল শিজিন্নবোই তৌদুনা থম্লে। কারাখানা অসি মখোয় অদুম্না পুবা ওয়বা হোৎনরে।

(১৫)

ওসিগী মুমিৎ অসিদি অশংবী খ্বাইদগী মুংঙাইজরবা মুমিৎনি। চহী অমা কারক্লে মমাগা মচাগা উন্নদবা। ওসিসি চিত্ররেখা থুংলগদবা মুমিৎনি। অশংবী অবুক য়াহৌরকপদগী হৌনা কোম্মোঙলোমদা য়েংদুনা মচাবু খোৎরাংনা ঙাইজরি। অশংবীনা ওসিগী মুমিৎ অসিদি য়াহৌরকপদা মুংখিল ওইহল্লিঙভি অদুবু মহৌশাগী খোঙচৎতি কায়বা য়াদবনিনা মুংখিল

ওইরকপত্থ ওফোক্কা ৱাবা ওাইজরে। অমুকী চাক্ত মতোমতগা ওাইবগা চম্নাওনবোই-কন্নিবোই নিংখিনা থোৱথাক্তনা ফাম্নে, সুমিদাং মচাগা পুন্না ফামিন্নরগে ফায়হুনা। ওসি অশংবীগী মথুম মরাও হৌবসি উবদা মুম্নোন্নবী থরোমচানা হংই,—ঈচেমহল করিগীনো ওসি'সিবু থৌ য়াম্না চিন্না উখ্রেদা। অশংবী নোকফেং তৌনা খুমজে,—ইবেম্মা, নচাদো ওসি থুংলনি হায়নে, অত্থুদা খরা নোমশিন্নিবনি, কনা-না খঙবনোদা ইবেম্মহোয়, ৱাখ্রেদা। ,ও, ইবেম্মা চিত্ৰলেখাত্থ ওসি থোরকনি হায়বোরে, কয়ে-কয়ে ইচেমহল থরো-মচানা লোইশিল্লি।

উচিন নাচিন্না সুমিদাংৱাইবমগী পুং মরিবোম তাশিল্লক্লে, অশংবী মিহুল পিং পিং চো'বা হৌরক্লে মুংশাথীবগী র', মুংওাইবগীরা হায়বত্থদি খঙদে। কোম্নোওদা অমুক থোকই ইমুঙদা অমুক চওভি, মতোমদা হজং হন্দা পং-চত্তা চংলি। শবোক্তা মুপী অমতং রিক্লো তো'ত্থনা চংপা উবদা মঙক থজং-তুন' যেংই, মনাক নকশিল্লকপদা নচা ওইরমত্ৰবদা নিঙবা কায়না মমায় লুকইং অমুকস্থ থুন্নি, ওসি'সিবু নাক্লরোইত্ৰনে মবুং মোপুৱা অমা লৈত্থনা য়েংহল্লুগনি হায়বস্থ নত্ৰেদো, অত্থগা ঐগী ইচা মুপীত্থদি মহৌশাদি হায়খিবা ৱাদি কযা শোযগন্দনি লাকপস্থ ময়াযনা, মতম ৱাংলিত্থনা তৌবস্থ য়াইকো। অস্থুম্না মতোমদা অমুক থেমজিঙজন্দুনা ময়ুমদা অমুক হল্লিলি। হন্দকমুক্তি ইমুঙদা কনা য়াম্না কুইনা লৈখ্রে। সুমিংস্থ তাশিল্লক্লে, সন্ধ্যাগী ধুপ থাউমৈ থাগে হায়ত্থনা লালটেল অমগা ধুপ কম্বী অমগা পাযত্থনা অশংবী মপাল থোরবই। মহাক মাঙ্গোল হেক কুমথরকপদা কোম্নোওদগী থাউমৈ থানবা রিক্লো অমা শুমাঙলোমদা চঙলকই। অশংবী হরাওবগা থগৎপগা য়াম্নত্ৰত্থনা ধুপ থাউমৈত্থ বৃন্দাদেবী মখোঙদা থনম্নগা প্ৰপ-প্ৰপ চঙশিনখ্রে। মচাবু উবদা অশংবী হায়কম খঙদত্থনা—কদোরে ইবেম্মা, অমুক থেঙলিবদি হায়না হংই। চিত্ৰলেখানা ইপা-পাখত্তনা থুন্নি, লম্বীদা গাড়ী খরা বেন্না তৌত্থনা থেঙগ্রবনি।
রিক্লোত্থ মাঙ্গোলনঙদা থ'রে, পোৎ-চে পুম্নমক থাংথরগা পীকম থোকপা ভাড়া পীত্থনা চংহনখ্রে। অশংবীনা মৈ ওক্তবদি ইমুঙ চঙবা কত্তে

হায়রুনা চক্ক খুদাপ অমা মৈ থারগা ওকহল্লে, মতুঙদা মমা-মচা লোয়ন-হুনা ইমুঙদা চঙশিল্লরক্লে। য়ুমলোম্নবী থরোমচাম্নু অশংবীহোয়দা ঈমাঙ লাঙই চিত্ত্রলেখা লাক্লত্রা য়েংগে হায়রুনা লাকই। 'চিত্ত্রলেখা উবদা মহাকম্নু মুংঙাইরহুনা,—ইবেম্মা লাক্লেদনা করেদা, অমুক চংলমুকো ইচেম্মহনসি নঙনা চংখ্রগা মতোমদা লৈবসিদা ওষ্হোক্লা য়ায়। হোয়, চংচ-রয়োই চংলবম্নু লরায় থবায় থরদা চংকদবা মঙাক্লরে, চিত্ত্রলেখানা নো-ঙুক্লা খুম্নি। অশংবীনা মথাঙানা ওকই হন্দমুক্তি লুপানা লেপ থুম্না কংগনি হায়রুনম্নু চংপা য়াররোই।

থরোমচাদি চুম্না হংলম্লগা চংখ্রে। চিত্ত্রলেখাগা অশংবীগতা মঙায়হৌরে। চিত্ত্রলেখাদি মহৌশাদগী হৌনা থবক তৌবদা হৈনবী মুপীমচানি অহুগী মথক্তা ইমুঙ অহুদা মহাক নত্তনা থবক তৌবিনবা মী লৈতবনিনা মহাক্লা পুরকপা পোংচৈশিং অহু লোইশিল থোমজিল হোংনরি। মমানা চাক-খুমদা মচাগীদমক চাক থোংবা চঙখ্রে। ঙসাই অয়ুকনা লৈহুনা থম্নবা ঙাহু নিংথিনা থোংবিরে। চিত্ত্রলেখাম্নু পোং লোইশিনবা লোইরগা শেংনা ঈরুজথোকউরে। মহাকনা থবক লোইশিনবগা মমানা চাক লোইরকপগা চপ মাম্নরে মমানা চাক চাররো হায়না কৌশিল্লক্লে। চিত্ত্রলেখানা মমা মচা চাক চামিল্লসি হায়হুনা চামিম্নরে। মমা মচা য়ারী শাবসি মথোয়গীদি হৈন-জবৌনি। অশংবীনা হংই,—চিত্ত্রা নঙবু লংকৈদা করি করি চারকপগে, মীনা হায়রিবদি লংকৈসিদি চাহৈ থকহৈদবা পোং কয়া চায় হায়নে।
চিত্ত্রলেখানা নোক্লুনা খুম্নি,—অতৈগীদি থঙদে ঐখোয়না চংলুরিবহুদি ঙা কাওবা চাদে, মনা মশীং ঙাক্তা চায়। হোয়নে, ইবেম্মা ঐখোয়গী থর্ম্মগী মনায়নিদো, পংচা চাবা য়াবা নত্তে, অশংবীনা মথা ভারকই। চিত্ত্র-লেখানা নাত্তে অমরোমদা হংলকই,—ইমা য়ীনাগী পাউ ভাজ্রা ?
মহাক্তি কনা কুইরমাল্লে থোরকপা।
থবক তৌবা হৌগ্রবরা ?
মহুদি থঙদেবো ঐদি!

চাকচাবা লোইরহ্নুনা মমা মচা তুমত্রিঙৈদা ঙহাক্তং অহুক রারী শামিন্নরি। ঙসাই চিত্রলেখানা রীনাগী রা পনখিবহু অশংবীনা হৌজিক্তা শমজিন্নরকই —মীগী মচাদি মতম চঙনা তম্নুরবস্ু খোরক্লগা শেল খোক্তদৌরিবনিদো নঙগীদি কমদৌরিবা। চিত্রলেখানা নোক্লহুনা খুম্মি,—ইমা শেল য়ান্না পামত্রনে, পাম্মুনুদা, শেল য়ান্ন পান্নবদি পুক্তচেল য়ান্না পিকশিললকপনি, ঐগীতা খনবনি মীগী খক খন্দব ন। য়েংউ, রীনাগী মমাদো শেল পাম্মন্দুনা, ময়ুমদা চঙবা মী ফাওবা মীতা য়েংহুনা কৌরিবদো শেল হায়বসে কা হেন্না পাম্বা ফত্তে, ইমা ঈশ্বরনা ঐখোয়গীদমক খরা পীবহুত্তা মরৌসি।

য়েংঙোই রীনাগী মমাশিক্তদো, মচৌশাগী নত্রবনি, হৌজিক্তি য়ান্না ফর-বনি, লাইককা য়ান্না নিঙলবনি, শেল-থুমগী মরীদা থোইনা খত্রবনি, অশংবীনা গমভিনীগী মরমদা শেংদোকই।

ও, খরবু ওন্নবদি ফরেনে। চিত্রলেখানা লোইশিন্নকই।

অহুবু নহাক্তী থবক অসিবু তলব চাগদৌবিবরা, চারোইদৌরিবরা, করম তৌগদৌরিবনো ?

ইমা, মহু ঐনা হৌজিক তশেংনা হায়বা ঙমত্রি, তৌববুদি সরকারনা থাবনিনা মখোয়না ঐগী থবক পীফম থোকই অহুবু পীত্রবস্নু ঐহাক লনাইগী ওইনা তৌগে হায়ন খল্লি।

লনাইগী ওইনা তৌরগা তলব ফংগত্রনে ?

ফংলোই।

অহুদি করি কান্নগনি, মতম অহুক চঙনা, শেল তিংনা তম্নগা তলব চাত্রবদি করিদি কান্নরি।

কান্নবা হায়ববু মীগী কান্নরবদি ঐগীস্নু কান্নবনি। চিত্রলেখানা খুম্মি, অহুগা অমুক মখা তান্নকই, -ফরে মসিগী মরমদা কোন্না ঙাংনরসি ঐস্নু হৌজিক কবি তৌসিগে হাযবহু লেপ্পা ঙমত্রি, রীনাগস্নু তান্নগদবা রা লৈরি, মহাক্ত উন্নবগা তৌগদবা থবক কোন্না লেপকদবনি। অশংবীনা রাকৈ অমরোমদা হায়রকই,—মরাহবক কৈদা মী মচাদি শিক্তহুত্র

শ্রীধামদা চৎলনি হায়দো, মীগীদি মচাক মন্নল রাজ্জবনিনা তৌগে হায়বদা হেক ওম্মিদো। ঐখোয়দি লাইবকথীবমিনা হুন্দকী মপোক অসিদা শ্রীরাধা গোবিন্দগী মফমদো য়েৌবা ওমগনি ওম্মোই খওত্রেদো।

ইমাস্থ চৎনিঙত্রনে?

করি য়ানো ইবেম্মা শীধাম অঙ্কুং য়োৌজবা হায়বছুদি চঙনা স্বর্গ কাবগা অম্মানিনা। অশংবীনা খৌবাংনা খুম্মি।

হয়েং ইনাক খুল্লবা মতমদা চৎপা হায়বছুনিনে, চিত্রলেখানা কাগী ওইনা খুম্মি।

রারী রাতায় খরা শান্নরবা মতুঙদা চিত্রলেখাস্থ লম্বী শাংনা লাকপনিনা পোখানিঙলহুনা মহাক্কী কমুঙদা চঙখ্রে মমাস্থ চঙখ্রে। চিত্রলেখানা হিপ্না হিপ্না খল্লি,— ঐনা তৌগে হায়না খল্লিবা থবক অসিদি রীনাগী মতেঙ য়াওদনা শুকওম ওম্মোই অদুবু রীনানা করি হায়রক্কদগে। মহাক ঐ লাক্লে হায়বসিস্থ খঙলমখিরোই। অদুগা মহাকসি ঐনা পিশক পিক্লিঙৈদগী তিন্নরকপা মরূপ অমা ওইনা খঙবদি মহাক অসি ইনাক খুনবা ইমুঙগী মচা মশু ওইরবস্থ রাখন্দি লায়ববশিংগা তিন্নবা য়াই, মখোয়গী অন্না-অনংদা রাবিব। ওম্মি। ঐগী ত্রেনিংগী মতাংমক্কদস্থ মহাক্কা শেলগী মতেঙ পীবিখ্রবনি। শন্না হায়রবদা মগাক অসি পুকচেল চাউবী মুপীনি। অদুবু করম তৌরমগদগে হায়বছুদি খঙবা ওমদ্রে। মহাক্কী মহৌশাগী মত অমদি য়াম্না পামশিনবা অদুস্থ খক য়াদবনি। মাগী পুকচেলহুগা হায়রবদি ঐনা হায়গদৌরিবা রাসি য়াগনি হায়না খল্লি। রাখল খন্না-খন্না চিত্রলেখা খঙহৌদনা তুমখখ্রে।

মথংগী মুমিংনি।

চিত্রলেখা অঙুক ওস্তা হৌগৎলগা ইমুঙ মনুঙগী থবক খরা তৌরম্নগা লাইকল অমা ইস্তোকুনা খোরক্লে। মমানা কদাইদনো হংবদা রীনাহোয়দনি, হায়রম্নগা চৎখ্রে।

রীনাস্থ হৌজিকমক্তি থবক হৌদ্রি, মহাকস্থ উকিল রাজেশ্বরগী মনাক্তা চত্নুনা অহানবগী কেশ শুবর্নাগংবা খরা তম্লি। রীনানা হেক খোরকলগা

শেল তাঞ্চবদি য়াদে হায়বস্থ খোইদোক্লা লৈতবনিনা প্রাক্তিশ তৌবগী রাখলসি কয়া কন্নস্থ লৈতে। অতুগা মণিপুরদা মুপীনা উকিল ওইবা হায়বসিমস্থ মহাক্লা অহানবা ওইবনিনা মীনস্থ কয়া কন্না মশক্ক খঙনজ্রি। মহাক মশামকস্থ হীরম অসিদা নিংপিনা জ্ঞান লৈরবা মীওইশিংগা তিন্নহুন' মখোয়দগী তম্বা য়াবা, লৌবা যাবা কয়া মকম তন্নবা লৌরবা মতুঙদা কোন্না কেশ লেপকে হাযনা খল্লি মরম অসিদগী মতম কুইনা হীরম অসিদা থবক তৌবল্লব। রাজেশ্বরগী মনাক্তা মতম খব' লৈ গে খল্লম্মি।

রাজেশ্বর, মণিপুরগী খ্বাইদগী অফাওবা উকিলনি। মশাগী চহীহুমফুরোম গুরে অতুবু মশাদি চহী কুন্থ্রাগী মীওহঙম কল্লি অমস্থং শেংলি। মহাক পুন্সিচুপ্পা ব্রহ্মাচাবি চংলবা মানি মহাক্কী ঈমুঙ মনুঙদা মহাক নত্তনা কন'মতা লৈত্রে। মহাক তসি রীনাগী মপাবুংগা য়াম্না লুনা তিন্নরকপা মকপ্পি। শিনফম'দি থেম্নে অমনা লৌ-ইংখে লগী মপান চাহুনা হিংবনি অমনা উকিল ওংহুনা শেল তানবনি। রাজেশ্বরনা তানবা শেল পূন্নমক লোহনা তুংশিন্দুনা থম্মি অরেম্বদা মাঙহন্দে। রাজেশ্বরনা তুংশিল্লিবা শেল অসিগী রাখল অমদি মহাকস্থ তত্তনা খল্লি, -করিগুম্বা মীয়ামগী কান্নবা থবক খবদা শিজিন্নবা।

মপাবুংনা পুন্সিগী অরোইবা খোঙচৎ তাল্লমদাইদা রাজেশ্বরদা মহাক্কী ইমুঙ অমস্থং রীনাগী ভার পূন্নমক শিন্নরম্মি। মরম অতুদগী রাজেশ্বরনা মখোয়গী অফ-ফত্ত পূন্নমক যেংশিনবি অতুগা রীনাগী মচৈ-মশিং তম্বগী হীরম অয়াম্বস্থ মহাক্লা শীনবি। অতুবু সমাজ হায়বসি ওম্নোক্লা মিনোক চাউখ্রে,-খঙদবনা কনা না রাজেশ্বরনা গমভিনীগী ইমুঙদা তোয়না চঙবসি চিংনবা য়াওনরক্কুনা মুগুক মুগুক ঙাংনরক্লে। রাজেশ্বরস্থ গমভিনীস্থ অনিমক তারে। রাজেশ্বরস্থ মহাক্কী শেংলবা পুন্সি'সিদা করিগুম্বা অমুবা মরিক অমা ফাওবা তাহল্লিঙদে অতুগা গমভিনীস্থ মপা মপু চেত্থবা, খোইদোক্লা মপুরোইবগীদমক খঙবমা অসিগুম্বা ফত্তবা মিংথোল অসি কয়া পামজদে। মরম অসিদগী নোংমা রাজশ্বরনা গমভিনীহোযদা লাকলগা হায়রম্মি,—ইচল, ঐ নহোয়দা তোয়না লাক্লরোই' কনাগুম্বনা চিংনবা

য়াওরগা ঐগীস্থ নহোয়গীস্থ ফত্তে, অদুনা নহোয়গী করিগুম্বা তঙায় ফত্রবা ঐ য়াওদবা য়াত্রব। থবক অদুতা মহায়রক্লো। গমভিনীনা রাখল তৌরুরগা খুন্নকই,—অহোয় য়াম্না ফগনি, অদুবু নচাগী মহৈ মশিং ত্তম্বা অসিতদি খরা খরা য়েংশিনবিয়ু।

মচুগীদমক্তদি নহাক করি'মতা চিংনরুগস্থু হায়রম্নগা রাজেশ্বর চৎখি। মুমিং অদুদগী হোনা রাজেশ্বর গমভিনীহোয়দা তোয়না লাকখিত্রে। অম-রোমদা মহাকস্থু অফাওবা উকিলনিনা কেশ অসি শুবা ঙমদবমথৈ লাকই অদুন' চথোক্লবগী মতমস্থ লৈতে। অদুগা মরক মরক্তা রীনানা মঙোন্দগী পাউত্তাক লৌনবা চিঠি ইরকপশিং অদুদি ফজনা পাউত্তাক পীদুনা ছল্লি।

রাজেশ্বর মহাক্কী কনাস্থু লৈজত্রবনিনা রীনাবু য়াম্না লুনা তৌজৈ, মশা-নস্থ মীগী য়াইফনবা খনবা মীনিনা, মহাক্না মতমলৈবাখিবিক্তা রীনাগী য়াই-ফনবা থল্লি। অদুগা রীনাস্থু মহাকপু থোইদোকনা অতোপ্পনি হায়না খুত্রে। অঙাং ওইরিঙৈগী রাখল লৈতাদ্রিঙৈগী মতোদুগা হৌজিক্তদি য়াম্না খেন-নরে, মহাক্কী মরু ওইবা থবক থৌবম কয়াদা রাজেশ্বরগী পাউত্তাক য়াওদনা থবক থক তৌদে। মরম অদুনা মহাকনা হেক পোরকপগা রাজেশ্বরগা উন্নবদা করম তৌসিগে খন্নবদ' মতম খরা মহাক্কী মনাক্তা লৈদুনা তমখো হায়বদগী মহাক্কী হায়গী অরিবা কেশ খরা নৈনদুনা য়েংনবা রীনানা ময়ুমদা পুরক্লগা পাবিবনি।

অয়ুক অদু মহাকগু য়াঠৌরগা অরিবা কেশ খরা পাদুনা অস্থম লৈরম্মী গমভিনীগীদি থোইদোকপা থবক অমা লৈতবনিনা অয়ুক্তা ঈরু মাইথজবা লাই খুরুম্বা অসিমঙায়। লোইরগা মাঙ্গোন্দা ফমদুনা মনাই মশল লৈন্নিবশিংদা থৌদাবা। ঙসিস্থু গমভিনী, মাঙ্গোন্দা ফমদুনা করিনো অমা খন্নবগুম তৌদুনা লৈরি।

কোম্বোঙ হেক কানশিল্লকপদা, চিত্রলেখা গমভিনীবু মচৌশাগী রা খংনিঙ নিঙশিংদুনা কয়াবু চঙনিঙম্বত্রে অদুবু মহাকনা লাক্লিবদুদি রীনাগা

তান্নদবা য়াত্রবা য়াফম অমা ওইবদগী চঙদবা য়াত্রহুনা চঙলকই। ঙসিদি গমভিনীস্থ মংগৌশাগী হেনবীত্থ নত্রে, চিত্রলেখাবু উবদা তয়াম্না কৌই— নঙদি কৈদৌঙৈ থোরকই স্নাহনবী উন্নগেরা ?

অহোয়, মহাকপু লৈত্রা, চিত্রলেখানা ব্যেবহার তৌনা খুম্মি।

চঙঙু চঙঙু মথক্তা লৈরিনি।

চিত্রলেখা জুরিদা খোঙউপ পনম্নগা রীনানা লৈরিবা মথক্কী কা অহু তান্না প্রপ প্রপ চঙলকই। রীনাস্থ মী লাকপগী মখোল মাল্লি হায়রুনা তুং জন্না যেংথোকখিবদা চিত্রলেখাবু উবা রীনা মিকুপ অহুমদা হয়াউবা, মুংঙাইবনা লুত্তোন কাথ্রহুনা মফম ইং ঙ-খন্দনা ফম-ফমদগী ফুক হৌগৎলগা চিত্রলেখাগী মথুৎ চেৎনা পাযশিন্দুনা চিংশিল্লগা চৌকিদা ফমহল্লে। রীনানা হয়াওন হায়রকই,—ইস নহাক কৈদৌঙৈ লাকপগে, নহাক লাকপতা ঙাইহুনা লৈবরনি, রা য়াম্না লৈখ্রে ঙাংনগদবা। করিগীনো নঙনা ঐগী চিঠি হল্লবখিদবা।

ঐস্থ নঙগা শাগদবা রারী যাম্ন লৈখ্রে অহুননি ঐনা ঙরাং থোরক্লগা ঙসি লাক্লিবসে, চিত্রলেখানা খুম্মি।

রীনানা থম্বাল কৌহুনা চা পুরকনবা হায়রম্মী। থম্বালনা চিত্রলেখা উবদা হয়াওনা হায,—ও ইবেম্মস্থ লেঙঙক্রেদনা নহালমুক ইতৈমনা ঐঙোন্দা চিঠি অমা পাহনখিনে কদৌঙে লেঙ্গারকপগে ?

তাদা ঐ ঙরাং লাকৈ, তাদহোযদি করম করম পাল্লি ?

এ, ইবেম্মা শিবা ঙাযনদা হি বা হাযবনি।

থম্বাল চা লৌবা চৎখ্রে।

চিত্রলেখানা রীনাদা হংই, করম করম তৌরিবা, নহাকী থবক ইংখাং খন্না হৌরবরা ঐনা নিঙবদি মণিপুরদদি মুপী উকিলসি ইরৈ লৈতবনিনা হৌজিকমক্তি কেশ পংয়াম য়াম্না লৈরমগনি হায়না খল্লে। অহানবগী ওইনা মীনা খঙনবা থবক খয়স্থ তৌবা ফে। লৈ হাম্বহু খঙত্রবদি মী ইন্নাক লাক্লরোইদবমিনা।

অচুম্বু অচুম্বনি অচুম্বু ঐদি কেশাসি য়াম্না তোযনা লেপ্পম্বু পামদে অমুক্তং কৈকা লেপ্পদা থরা নিংথিজনা লেপ্প। পাম্মি অচুমা ঐহাক হৌজিক য়াম্না কন্না নৈনরি। ঐগীনা ঐগী ওইরে নওগীদি কমদৌরিবা?

ঐগীদি পুমত্তোপ তোপ্পনি, ঐগী অশাসিদি য়াম্না চাউখ্রে কমদৌবনো ঐম্বু খঙজ্রি।

করম তৌগে হায়রিবা?

ঐনা হৌজিক তৌগে হায়না খল্লিবসি থবকওইনা পাঙংাকনবা হোংনবা ঙমগদ্রা ঙম্মোইদ্রা য়াম্না চিংনৈ।

হায়ঝুনে।

ঐহাক হৌজিক সরক্কাবগী থবক তৌনিঙদে। সেবাগী থবক হাযবসি তলব চাহুনা তৌবদা কয়া মুংঙাইগনি খন্দে। ঐনা হৌজিক কন্না খল্লিবদি আশ্রম অমা তৌগে হায়বসিনি। মসিদা লুবিবদি শেল অমম্বু মফম্নি। মত্তাঙ অসিদা নওগী করি মত নৈবগে অমুক্তং হায়যুদনা। অচগা ঐনা তৌগে হায়না খল্লিবা থবক অসি মশানা অচৌবা থবক ওংবনিমা ইতোম-ভমম্বু ঙমগনি হায়না খন্দে থবক অসিদা থরায় য়াওবা মী পরদি চঙদবা য়াদে।

মচুদি য়াম্না ফবা থবকনি ঙমদবগী তৌবনি, বীনানা যাম্না থরায় য়াওনা খুম্নি। নহাক্না হায়বগুমচুনা মসিদি মী অমতনা ঙম্বগী থবক্তি নৈতে, মী থরা য়াম্না খোমজিল্লগা তোবা তাই, খোমজিনগদৌরিবা মীশিং অচুম্বু অমরোমদা খল্লুরবদি য়াম্না নুবা রাফম্নি। চিত্রলেখানা অমুক মশাত্তানা হায়রকই, মী অচু ফাওবা য়াওবিদ্রবদা অহানবা থবক অসি হৌনবা ফঙ অমম্বুং লম মচেং অমত্তং ফংলবদি ঐ ইতোমতনা থরা থরা তৌজবা ফাওবা ঙমগনি। মত্তাঙ অসিদা ঐনা নঙোন্দ হায়নত্তিবা অমত্তং নৈ। করিনোনে?

নহাক্কীদি লৌ য়াম্না নৈবনি, লৌশিং অচুগী মরক্তা কৌথোক রাংপা লৌকমম্বু য়াওরমগনি, অচুগুম্বা লৌফমশিং অচুগী মমুঙদগী থরা নকপা মফম অমদা লৌ পরি অমগী লমদা দান কৌথোক্লবদি, থবক অসি হৌবা

য়াগনি হায়না খল্লি। অতুগা হৌগদৌরিবা আশ্রম অতুস্ত নহাক্না থোল্লিওবা মিং অমা থোল্লু। মফম অতুবু লৈরবদি শেল অতুদি ময়ামদগী খরা খায়রগা, সরকাবদগী মতেঙ খরা লৌরগা খরা পিক্তকনা হৌবা য়াগনি হায়না' খল্লি। অসিগুম্বা থবক্তীদি হৌজিক্তি সরকাবনসু মতেং নিংথিনা পীববনি।

চিত্রলেখাগী রাসি তাবগা রীনানা ইশি-শিনা নোকুনা খুম্মি—ঐনবু লৌ পরি অমা পীরগ' নহাক্তী থবক অতু হৌবা য়াগনিবু হায়রবদি কদাই-দনো নঙনা অপ'ন্ডু হায়যু হেক্তা পীগেনে। চিত্রলেখা আশাগী মঙাল খবা উাবদা ওন্থোকনা মু'ঙাইরে। তাঞ্জা অসিমক্তদা থম্বালসু ট্রে অমদা চা কপ অনি হাপ্পুনা পুথোবকই। চিত্রলেখানা মুংঙাইবা ফোংদোকপা ওইনা থম্বালদা হায়রকই—তাদ, তাদহোযগী ইবেম্ম রীনাসে ওন্থোকনা পুকচেল চাউখ্রে, মীগী নিঙবা আশাসে হেক্ত থু'হনবা ঙম্মী। থম্বালসু নে ক্লতুন মতেঙ পাংশিল্লকই,-ইবেম্মদি ঙসিত খঙবিরিত্রা, ঐখোয়গী ইবেম্মসিদি মনাচনি ন ্নি চাযনা হাযবা নত্তে, ঐখোয়সু ইনাক-লৈবাক শ্ব মগা মগুশিংসি ফন যাম্না থেংনজরে অতুবু ঐখোয় ইবেম্মা-গুগ্রীসি কয রাওদে। রীনাসু নোক্লতুনা য়াওরকই—ঙসিদি নহোয় অনিনা থাঙৎপদা ঐগাক স্বর্গ যৌবা তারি, থাদদি থাদবিরকনুকো। অহুম্মক ইশি-শিন নোকমিন্নৈ।

চিত্রলেখানা মণিপুবদা আশ্রম অমা লিংখৎপা হায়বসি মহাকনা নিলোখেরীদা লৌবিঙৈদগী হৌনা খল্লরবনি। মহাকনা লিংখৎকদৌরিবা আ-শ্রম অসি ময়াম্না খঙনরিবা লাই নিঙফমতু নত্তে। মহাক্তীদি ইতোপ তোপ্পনি অমবোমদা মহাক্তীসিদি মী অসি যারিবমথৈ অফবা ওইরকনবগী মওংনি। মহাকনা মরু ওইনা খল্লিবদি লাইবক থীরবী মুপী কয়া কয়াগী মরায়বক শেম্বনি॥ চিত্রলেখানা মুম্না খঙলম্মি মতুদি মী হায়বসি পোকপদগী হৌনা ফত্তনা পোকপদি নত্তে, ফিবম কয়ানা মাবু কৎহন্দবনি। মরম অতুনা অফবা ফিবম কযা শেমতুনা থম্বিরবদি মীসু ইরায় লায়না ফবা ওমগনি। হৌজিকমক সমাজদা মুপী অঙাং কয়া মরুম শ্রুম নোমফম

খওদবদগী সমাজগী অমাওবা মচাক অমা ওইরি, মখোয়শিং অসিবু নিংথিনা মানা-মানা হৈনবা শিনকম নত্রগা থবক নিংথিনা তম্বিরবদি সমাজগী কান্নরবা মীওই অমমম ওইরকপা য়াবা ঙাক্তনি। অন্থবু মখোয়বু শেম-গৎ শাগৎপিনবা মতিকচাবা সংস্থানশিং লৈতবদগী মমল য়ায়বা মনি কয়া অরেম্বদা তাত্থনা মাওলি। মসিদস্থু নত্তনা চিত্রলেখানা পাম্মি, অশোল অনা, মাগী কনা লৈজত্রবা ভিখারি কয়াবুস্থ য়োকচপ্না মহাকী কজরবা মণ্ডগী ব্লাখল অসিদা চিত্রলেখানা লুপখিবা কুইরে ওসিদি মহাকী মতম কুইনা মণ্ডজরক্লবা মঙ অসিগী শরুক খরদং মহাকী চান্নবী মরুপ রীনানা চিংনবা লৈতনা মণ্ডফাওনহল্লবদা কুইনা কোকথোং পুরক্লবা পোৎলুম অমা থাখিবদা খজিক্তং য়াংবস্থগা অম্মা ওইখ্রে। চিত্রলেখা মহাকী পুক্লিঙগী আশ্রম অত্থতা হন্না হন্না উবা ছোরক্লে।

চিত্রলেখাগী অচেৎপা ব্লাখল অসি য়েংলগা রীনানা অমুক হায়রকই,—কবে, নহাক্না হৌজিক করম্বা মফমদা পাম্লিবা, খল্লো নঙগী অপাম্বা। চিত্রলেখানা থাজবগা লোইননা খুম্মি,—পংথাপস্থ থাপ্তবা মাইল মরী মণ্ডারোমগী মনুঙদা লৈবা লম অমা লৈরবদি মত্থনা খুদোংচাবা হেনগনি। রীনানা মখোয়গী ইরোইশেম্বদা লৈরিব৷ লোকোল অত্থদগী পরি অমা পীগে হায়না য়ারে। মতাঙ অসিদা চিত্রলেখানা চিংনবা অমা পোক্লক্লি, মমাশিজা গমভিনীগী ব্লা—মহাক্না করিগুম্বা য়াত্রবদি রীনানা পীবা ঙমগত্রা। মরম অত্থনা মহাক্না খরা তেল্লপা হংই,—ইমাশিনা করি-গুম্বা হ্লায়ত্রম্বদি?

মস্থীদমক নঙনা ব্লাগলবা নত্তে, ঐনা য়ারে।

মঙনবুদি য়ারে অত্থনা......।

রীনানা নোক্লত্থনা হায়রকই,—নঙনা চিংনম্নিকয়ো চিংনরুগম্থ, ইমাশিদি কুইনমোইং থৌনাং ওইরকনি।

করি তৌগদৌরিবা?

রীনানা নোকুনা হায়রকই,—বৃন্দাবন চৎকনি হায়ত্থনা পোৎ য়োম্মে মহাকী সমপত্তি পূম্নমকস্থ ঐগী ইমিওদা পানশিল্লে। অমিমক লোকমিত্রে।

অহুদি ঐখোয় ইমানা হায়বা চুম্লিরদ্রা, চিত্রলেখানা মখা তারকই। ঐখোয় ইমাসু চংনিঙভি হায়না শোল্লি, শেনসু লৈতবনি অহুবু ঐদি মসিগী তাবসি কয়া শামদে শাই নিঙবসু যুমদা নিঙলসু অন্নাশি করিবু তোরলব-নো থাপ্পা চত্তুনা। মীনানা নোক্কহনা খুম্মি,—ঐসু য়ানিঙদবনি, নহোরনা খঙলিবহুমতায় ঐখোয়গী ইমাগী মতৌবু কনা-না তম্বা ঙমগনি। অমম্নো-দগি ঐদি কনবু করে হায়না খল্লিবনি, ময়মদি মহাক চংখ্রবদি য়াই থমা শংলগনি, অহুগা মহাক্কা চংকদৌরিবসিসু কত্তবা থবক্তি নত্তবনিনা ঐসু কয়া খামত্রবনি। চিত্রলেখানা য়াকয় অহু তোক্লগা অময়োমদা অযুক হায়রকই,—করে, মহুগীসু মকরে, হৌজিক আশ্রম অসি হোংগনবা ফগুগী মরীদা ইবানি অমুত্তা থম্মসি, নঙগী মত করিনো ?

মীনানা রাখল তৌনা খুম্মি,—মসিদা হৌজিক তৌগদবা হায়রবু ফগু থরা খায়বা তারে মহু নত্রবদি মী অমনদি পূম্না পুখোকপদি থম্না য়াবা তাই। তৌখবুদি কনাগুম্না মহাক্কী মিংদা নত্রগা অহল-লমনগী মিংদা থোনগে অচঙবা শেল পূম্মক পুখোকচগে হায়বস্ত্র ময়াওনি।

হৌজিক্কী ওইরিবা মণিপুরগী কিবম অসিদা অহুঙবা মীতা হেক থোরকপা হায়বসি ঐহাক কয়া থাজদে, চিত্রলেখাগী মতনি।

ওলিগী মবানিগী য়ারিসি মরু ওইনা চিত্রলেখাগী থবক্তী মরমদা থম্মবা ওইনা থোকখ্রে। চিত্রলেখা উম্নরগা মীনানা শাগে থম্মবা য়ারীদি য়াম-খ্রবনি,—মতম কুইনা তুংশিন্দুনা থম্মরুবা থম্মোইগী য়ায়ী কয়ানি, হায়কম লৈতবনা কোওকম লৈতবনা, মকা লাম্বা ঙমত্রবা রাখল তাক্তনি। চিত্র-লেখা উবমত্তদা পুকনিঙগী য়ারি থরা মখৈদি শাবা ফংলগনি থন্দুনা থরদি মুংতাইজরম্বনি অহুবু চিত্রলেখাগী খর হোনবা কাওবা শংদবা চেকশিল্লবা য়ারীশিং অহুগী মরক্তা মীনাগী লমাইগী ওইবা য়াকয় অহু পুশিনবদা ওহোকনা শাত্তে লাদবা অমসু ওইদে অম্লগা তাংনরিবা য়াকয় অহুগী মরক্তা মহাক্কী য়াহু হোদোক্লবসু মশানা ইকায়রজহনা মহাক্কী য়ারীদি অমতা শাহোত্রে। চিত্রলেখাসে মমাঙতৌদদি মীগী পুকনিঙ কনা য়াম্না উপনবনি অহুবু ওসিদি উমমাক্ত মীনানা শানিঙলিবা য়ারী মহুগী

মরীঙা মরেক অমা কাওবস্থ হৌদোকখিরে। মমক্তা অথওবা মী অমা য়াওহুনা হৌদোকপীবস্থ নত্রবনিনা, রীবাগী রারী মতম চাবা ওাইহুনা অমুক থমজিনখিবা তারে। চিত্রলেখাগী রারীদি লোইশিল্লবনিনা চৎক-নবগী মতাও য়োশিল্লক্রে। অরোইবা ওইনা হায়রকই,—ফরে, অহুদি শেল খায়নবগীদমক থৌবাও তৌবা তারে অহুগা নোংমতংদি নওগী পাড়ীহু পুথোরকউ।

ঐগী গাড়ীবুদি নওনা অহুম শিজিন্নরবস্থ য়াইনে, অহুদা নও নতোমদরা শেল খায়দৌরিববো? মীনানা হংই।

নোংমতংদি নওস্থ য়াওবা তাই, চিত্রলেখানা নোক্তুনা খুম্মি। মরমদি ..।
মরমস্থ অমুক লৈরিত্রা? "

নহোয়গুম্বা মীনা হেক-য়েংবদা খাজবা য়াবা মী থরা য়াওরবদি মতৌ মাল্লিদনা?

হোয়, মহুস্থ চুম্মি হৌজিক্কা মতমসিদা মতৌ মানবদস্থ য়াম্না চৎনরবনিনা। অহুদি ঐস্থ চৎলগে।

ফরে, মরক মরক্তা থরা খন্না উম্নশি।

মরক মরক্তা নত্তে, যাম্না তোয়না উন্নগদৌরিবনি। ঐগী থবক অসি মহাক্কী মতেঙ য়াওদনা ওইবা ওম্মোই।

চিত্রলেখা রীনাদগী বিদায় লৌহুনা থোকখ্রে। মাঙ্গোন্দা গমভিনীনা হংই, —উন্নরত্রা স্নাহনবীগা, রারী রাতায় শানরত্রা? অহোয়, চিত্রলেখানা শন্না খুম্মি।

ফরে, ফরে চৎলো গমভিনীনা হায়রকই।

চিত্রলেখা সাইকল তোংহুনা ময়ুমদা হল্লকই। লম্বীদা মহাক্না লাকপসি করিগুম্বা অচৌবা থবক অমা পাওথোক্লম্বগুম য়াম্না মুংঙাইনা লাকই। ময়ুম হেক য়েৌবগা চাক চারগা মহাক্কী ফমুঙদা ওহাক্তং পোথাকহুদা মহাক্কী শাথিবা রাখলগী মলালদি অওকপনি, আশ্রম অহুগী মওং মতৌ মহুদা লৈগদৌরিবা মীওইশিং মহুগী শীল-লাওবা অসিনচিংবা মথং মথং অসিনা মহাকপু ওহোক্না মুংঙাইরবা [illegible] অমদা পুহুনা চৎখ্রে।

(১৬)

চিত্ররেখা চৎখিবা মতুঙ ঙহাক লৈরগা, রীনাদা চিঠি অমা থুংলে। চিঠি অসি দি'ল্লদগী রিডাইরেক্ট তৌরকপনি। হায়রিবা চিঠি অসি নরেশ-তগীনি। নরেশনা ইরকই,- রীনানা মঙোন্দা শিন্নরম্বা সুরেশকী রাকম অদু মহাক মপুং ফানা পাঙথোকপা ঙম্নমদ্রে মরমাদ মহাক্কী পুকনিঙ অমসুং রাখল কবিগুম্বা থবক অমতদা লৈত্তাবা অমসুং খোয়জংবা ঙমদ্রে। সুরেশতি শোয়দনা অফবা মী অমা ওইরগনি, মহাক্তি কবিগুম্বা রাখল অমত্তা চঙদনা থবক্তা পুকনিঙ হৃকচাং লুপগৌরবনি, মরান্নাইগী থবক তৌরগনি সরকারগী থবক তৌরোই হায়বসিনা মহাক্কী অরেপ্পা রাখল ওইহৌরব'নি।

অদুগা নরেশ মশামক্তি শক খঙনবা সমাজদগী থাপ্পা লৈবা পান্জরে হায়দুনা চীং-মান্দা লৈরে। মরম অদুনা মহাক্কী অহল-লমনবু খরা খরা য়েংশিনবিয়ু মদুগীদমক মহাকনা তৌবিমল খঙবা উৎচরি।

চিঠি পারগা রীনানা মতোমদা অমুক খল্লি,—নরেশ অসিমক্তি ওন্থোকনা থম্মোই শোনখ্রেদকো, করিগীনো মহাকনা নিঙবা কান্নবনি হায়দুনা অহল ওইরবা মমা-মপাবু থাদোক্তুনা চৎখ্রিবা, মদুনা মহাক্কী মৈ-চাক কোক্রদরা। মদুদ নত্তে। করিগীনো মহাক্তা সুরেশকুম্না মুপাথোক্না থবক তৌত্রিবা! অদুবু মহাক্কীসিবু তশেংনমক পদ্মাবতীগীদমক ওইরম-পত্রনে।

মুপী শিখিবা মুপা য়াম্না লৈ,—মহাকত্তৌনবি ত্তৌরেনা অহুনবি মহাক্তীসি খাইদগী হেন্না থম্মোই শোকপা থৌদোক অমা ওইরম্বা তাই।

ওসি মুমিদাংবাইদম অসিমক নরেশহোয়দা চত্তুনা মহাক্তী অহল-লমনগা উন্নরুগে নরেশকী মরীদা বা থন্না হংলুগে হায়না লেপ্পহুনা হুংখিলগী পুং অহুম্রোম তারকপা মতমদা মীনা গাড়ী থৌদোরকই। গমত্তিনীনা কদাইদা চংকদৌরিবনো হংবদা মীনানা নরেশহোয়দা অমুক্তা চংলুগে হায়রম্লগা চংখ্রে। গমত্তিনীস্থ অতৈ মকমদা চংকনি হায়রবদি বেন্না থন্না ত্তৌগদবনি, নরেশহোয়দনি হায়বহুদা থোইদোক্লা বা মথা তাখিত্রে।

নরেশহোয়গী মমুমসি সুরেশহোয়দগী থজিক্তং চখরগা লৈ। নরেশহোয়দা চংপা তারবদি সুরেশহোয়গী মমাও শরোক্তা চংপা তাবনি। মীনাহোয়দগীদি মাইল অহুম্রোম ওইবা য়াই অহুবু গাড়ীনা চংপনিনা পুংখায় অমা ফাওবা চঙদে। মীনা অপনবা লৈত্তনা থৌরকপা গাড়ীনা য়াম্না থুনা নরেশকী ময়ুম য়ৌরে। কোম্বোঙদা গাড়ী থারম্লগা মাঙোম্রোমদা প্রপ-প্রপ চঙশিন্নি।

নরেশহোযগী ইংখোলসি মতম অমদদি য়াম্না ফজরম্মি। হৈ, লৈপাম্বীনা মমাও কায়না হৌরম্মি, লফু পাম্বিনা চথ্রিক্লনা হৌহুনা লফুবোনগুম নিংথিজহল্লম্মি। নানবগী জাত্তা লৈকাই অহুগী মনুঙদা মখোয়গী ইংখোল ফায়নরম্লিবনি। চৈরাওবা খুদিংগী লৈকাও কম্বা অমদি অনৌবা য়াই ত্তৈবনা য়ুম অহু অহনবত্তা ওইহুনা লৈরম্মি। য়ুম ইংখোল অহু মশা নাম্লবনিনা মহুদা লৈরিবা মীশিং অহুস্থ শোয়দনা মশা নানফম থোক্লবনি। নরেশকী মপা যাত্রাসিংস্থ মশা নানবা অমস্থং কেবা মৌবা পামজবা মুপা অমা ওইরম্মি, মতমগী চংনবী মতুঙইন্না থবক ত্তৌবা পাম্লম্মি। অহুগা নরেশকী মমা ত্তোম্বীমচাস্থ তক্ক-তহেনবী ত্তৌখি-ত্তৌয়ানা চংচবী ফি অমত্তা শেং-চাবদা ইশূত্তানা শেং-চাবা পাম্বী মুপী ওইরম্মি। ত্তোম্বীমচা কয়াস্থ মোং হাদে, চীং লেমজৈ অহুগা মীত্তোন্দা লৈত্ত-লায়না কয়াস্থ উংচদে, অচাওরমস্থ কাজদে, মহাক্তী লৈজরিবা ফিবম অহুদা চপ চানা লৈজবা পাম্বী মুপীনি। যাত্রাসিং মশামক লাইরিক লাইত্ত হৈজত্রবস্থ

মচাগি মতমগী ঈরাওগা চুননবা হায়রুনা লাইরিক তমহল্লি । বি, এ, ফাওবদি পাশ তৌগ্রবনি, লাইবক থীবদগী মখা তমথবা ওমখিত্রবনি ।

ওসিদি যাত্রাসিংগী লূরবা ইংখোলছু নাপীনা খুকউ য়োথ্রে, কল্লাং রাই তৈবীদবনা মচেৎ মচেৎ কেত্রে । লফু লতঙ গুল্লমক মাঙত্রে, হৈ, লৈ পাম্বী মহুত্তা শিংনাও পাম্বীনা শিলহৌরে । যাত্রাসিংগী ইংখোলদা প্রকৃতিগী শায়কম মচেৎ অমা ফাওবা লৈখিত্রে ।

কায়রবা মাঙোল মচি অসিদা যাত্রাসিং চৈস্প্ অনিহু মনাক্তা থম্নহুনা কল্লি, তোম্বীমচানা চুবা মেৎলহুনা মচি অমদা কম্নগা অহাওবা মালঙদা য়েংলি । তোম্বীমচাগী খুইরি খুইরি তোরবা খজাই অনিদা অতংপা লৈতনা শিল্ল-রক্লি পিরাংনা, যাত্রাসিংনা মহু উরগা খাওবা ওমত্রহুনা মমায় লৈখোক্লুনা খাওলি ।

তাঙ্গা অসিমক্তদা রীনা চঙলকপা উবদা তোম্বীমচা কিজিনা মপি তৈথোকই, খজিত্তং খর হোন্দোকপগুম তৌই, মচাগী পাউ পুরকপা মী ওইরবোই নিওহুনা । রীনা প্রেপ-প্রেপ চঙলক্লগা মহাকস্থ মচি অমদা কপ্মি । অহল অনিমক্লা মঙোন্দা ওক্লপ তৌনা য়েংখি, মরমদি মখোয়গা রীনাগা উম্নদবসি ফনা য়াম্না কুইখ্রবনা, অতুপী মথক্তা রীনানা অস্তুম্না লাকনি হায়বসি কয়া খাজদবনা, মহাক্লি হায়বসি কয়া খাজবা রাংলি । রীনানা মহাকপু মশক খঙবা খরা রাবে হায়বসি খঙলহুনা মশাবু তাক-চরকই, -ইন্দোন ঐবু খঙত্রবরা ঐহাক স্নাহনবীনি । তোম্বীমচা ভাব তারকপগুম খুম্নকই,—ইবেম্মা, ইমাদি অহলনগা ওইশিল্লকপনে নবুংগী রাখমগা ননথরকপনে জ্ঞান মাঙলে । রীনানা হুংত্তাইতনা খুম্মি,—ঐস্থ মহাক্তী মরমদা রা খরা হংগে লাক্লিবনি । মহাক হৌজিক করম তৌরিবগে কদাইদা লৈরিবগে ? তোম্বীমচানা মমিত্তগী মপি তানা হায়রকই,—করিবু হায়সিগে ইবেম্মা ইচাগী মশক উদবা কুইরে, মরা মপাউ অমত্তস্থ তাখিদরে । মহালরাইদি ঈ-পাউ খরা-খরস্থ থারক্লম্মি; শেলস্থ খরা খরা পীরক্লম্মি, হন্দক্তি কুইরে, কমিওবা অমক্তা তাখিদবা । ওহোকপগী

লাইবক্কি, অহল ওইরক্লবা মতম অসিদা রানা লোইয়্ হায়না তমশ্রুমাক্লে।
রীনানা মমায় লুকথত্নন। তায়। যাত্রাসিং মমায় লৈথোক্নুনা খাঙডি।
ওসাইমথৈদি মহাকস্মু তুমিল্লা লৈরম্মি. অত্নবু ভোম্বীমচাগী মত্তৌ য়েংবা
ওয়ক্রুত্নুনা হায়রকই;—রারুত্নবু কদৌদগে, অহল ওইরবা মমা-মপাবু
থাদোক্ত্ুনা চৎপা ওয়বা মহাক অত্নগী পুকচেনস্থ কয়াদা কনশ্রবনো।
ঐথোয়না চরা হেনবগীদমক রাবা নত্তে. মগাক্কী মরা-মপাউ তানিঙবগীদমক
রাবনি ভোম্বীমচানা হায়রক্লই। অত্নবু হৌজিক মাবু কদাইদা লৈরি
হায়বগে? রীনানা থরায় য়াওনা হংই।
খঙদেনে ইবেম্মা, কুইরেবো, মহাক্লা চিঠি হল্লক্তবা।
ও, অত্নবু ঙাওরব্রনে মহাকপু।
অঙাওবগী থৌওং নত্তনা করি ওইগনি।
রীনানা ওহাক লুকথরগা খল্লি,—ভৌরিবা মত্তৌসি য়াম্না চুমব্রে, নরেশ
অসি ফংনবা থিদবা য়াদে।
ভোম্বীমচানা মপি তৈথোক্লগা হায়রকই,— ইবেম্মা, নবুংত্নবু ফংনবসি কম-
দৌসিগে। যেংউদো, নওগী খুড়া অসিস্থ শোল্লেদো, ঐস্থ শোল্লেদো
ঐথোয়নবু হৌজিক মহাকপু থিক্লগদবা কদাইদনো।
রীনানা ওহাক খল্লগা হাযরকই----শোয়দনা ফংগনি, করিগী ফংলোইদগে
মগাক্কী ঠিকানাদি খঙলিব্রা, মত্থ'মতং পীবিয়ু, ঐহাক থিজগে। অত্নগা চান
থক্লবনা করম ভৌরিবা, মহাক্লস্থ শেল-থুম কয়া পীরক্রবনিনা করম্না চারিবগে,
লৈবদা খুদোং চাত্রগা ঐথোয়দা লৈরবস্থ য়াগনি। য়াম্না চিকমনশ্রেনে
লৈবদা কয়া ফুংঙাইররোই, সেবানগা লৈত্তবনে। ইবেম্মা, যাত্রাসিংনা হায়-
রকই,— ইপা-ইপুনা থনম্বা লৌ ইংখোল হেক থাদোক্ত্ুনা চৎপা হায়বসিস্থ
ফুংঙাইত্তেদনা, য়ারিবমথৈ অস্থম মরৈথিগে, য়াদ-য়ারক্রগা হায়রক্তে।
ইমাস্থ বৃন্দাবন চংকদবগী থৌরাঙ তৌত্নুনা লৈরবনি। ঐথোয়গীদি মহাকস্থ
চৎশ্রবদি মীসি লৈত্রে. লৈবগীদি ফুংঙায়রগনি, রীনানা অমুক শমথরকই।
ও; ইচেমম্বি বৃন্দাবন চংকদৌরবা, ফুংঙাইসনু., ফুংঙাইয়ু হায়না আক্লবা

লাইবক্তি, তোম্বীমচানা পেম্না হায়রকই। রীনানা ঠিকানাগী মরীদা অমুক্তা নিঙশিংলকই। যাত্রাসিংনা সুরেশতা লৈখ্রে, নহাকী লম্বী থোকই থরা লৌখ্রো হায়রকই। রীনানা মচীন্দি থোক্তনা মদু কনা লুবা রানি হায়না থল্লি। কোংনা অমুক হায়রকই,—কয়া কুইরবগে লৌখিবা? নহাল মহাকসু চিঠি ইগনি হায়দুনা লৌখিবনি, যাত্রাসিংনা খুল্মি।
মহাক্তি অসিদা লাকপ্রা? রীনানা হংই।
মহাকসি কয়া তোয়নদি লাক্কে, মরক মরক্তা লাকই, অদুবু মহাক্কী মপাল্লা হিংলিবনি, যাত্রাশিংনা খুম্মি।

নরেশনা শিল্লরম্বগী মতুঙইন্না সুরেশ হৌক্তুনা লাকই অমসুং মখোয়গী অরাং-অপা হংই। মখোযগী খুদো চাদবা কয়াসু সুরেশনা লৈহন্দনবা তোংনৈ। সুরেশ মমা-মপা লৈজদ্রবনিনা অহল অনি অসিবু যাম্না লুনা তৌ জ। মহাক্তা করিগুম্বা থবক চিন্দুনা চৎপা ঙমদ্রবা ফাঙবা মহাক্কী থবক শূরিবা অঙাংশিংবু থাদুনা য়েংহল্লি। নরেশনা শেল থারক্কবদি কুইরবনি, অদুনা যাত্রাসিং অমসুং তোম্বীমচা অনি অসি সুরেশনা থাক্তুনা তিংলিবনি। সুরেশনা করিগুম্বা মতমদসু নরেশপু নিন্দা তৌনিঙঙি— অহল অনিগী দাযী মহাক্তা পুহোবগী নত্তে, অহল ওইরক্কবা মমা মপাবু থাদোকই হায়দুনা। মরম অসিদগী মহাক্তা লাক্লম্বা সুমিৎ অদুদা নরেশ থিগে হাযদুন মহাক্কী ঠিকানা পুদুনা চৎখিবনি।

হৌজিক রীনানা অহল অনিগী ওইবিবা ফিবম অমসুং নরেশকী মওং মুম্না খঙলে। ফিবম পুম্নমক অসি য়েংলুরগা রীনাগী অরোইবা রাথন্দা নরেশপু ময়ুমদা অমুক হন্না পুরক্নবা হোৎনবা অসিনি হায়না লেপ্লে। অদুবু লুরিবা রাকমদি নরেশ হৌজিক কদাযদা লৈরি হায়বসি করম্না খঙগনি। সুবেশনা লৌখিবা ঠিকানা অদুদা মহাকনা চিঠি থারমগনি অদুবু কবিগুম্বা পাউথুম অমতা যংই হায়রবগী পাউদি ফংদে, অদুনদি মহাক হাম্নগী মফম দগী অমদা হোংদোকখ্রবরা নত্রগা মহক্কী খুদোংচাদবা থরা লৈদুনা পাউ পীরক্ত্রবরা মহাকনা তুমিন্না মরৈখ্রবনিনা কন্নি'মতা খঙবা ঙমদ্রে।

রারী রাতায় অসুম শারিঙৈদা মুমিৎ তাশিল্লকদোয়ে, থেঙদ্রে হায়দুনা রীনা চৎকদবগী থৌরাং তৌরে। তোম্বীমচানা হংলকই,—ঙসাইমথৈ কাউবু কাউরুরে, নহাক্তি তম্বা লোইরত্রা, করম তৌরবগে ?

রীনানা নোম্লুক্লা থুম্মি,—অহোয় লোইজরে, হৌজিকমক্তি থবক তৌজদ্রি থবকী রাদি কয়াবু থঙদ্রি।

ফরে, ফরে, ইবেম্মা থবক নিংথিনা তৌদুনা অহল-লমনগী সেবা তৌনবা হোৎনৌ' তোম্বীমচানা আশীর্ব্বাদ পীরকই।

রীনা, চৎলগে, হয়েং'মুক লাক্কে হায়দুনা হৌগৎলে, অরোইবা ওইনা হায়রম্মি,—করি'মতা রাবিগম্বু নরেশপু অমুক পোয়দনা য়ুম অসিদা পুরুক্লবা হোৎনগনি। মণিপুরদগী রাংমা লাম্লা চৎপ্রবদি থঙদ্রে মহু ওইরবা কাওবদসু ঐনা ঙম্লিবমথৈ হোৎনদুনা মহাকপু থিবা থঙনবা তৌগনি। অদুগা করিঙবা সুরেশ লাক্লবসু থরা কম্না থিনবা হায়বিয়ু। রীনাগী রা তাবদা অহল অনিহু অশাগী মঙাল মরিক অমতং কাওরকপগুম তৌই অদুবু কুইদে অমম্বগী শরুক্লা য়াম্বনিনা মঙালগী মরিক অমদুদি অমম্বা মরক্তা অদুম তিনদ্রে।

রীনানা লম্বীদা গাড়ী থৌদুনা হল্লকপদা ঙসাই সুরেশকী রা থরা হায়রকপদু নিঙশিংলকই। মহাক্কী য়ুমদুবু কদাইদা ওইরিদগে, হৌজিক্কী লৈরিবা ফিবম অসিদি মহৌশাদগীসু কনা য়াম্না হোৎপ্রে; ইংথোল লমহাং অমা কাওবা উবা ফংদ্রে, শরোক্কী নাকল অমতা হাঙনা লৈত্রে দুকান শাজিল্লে, কনা য়াম্না নিংথিনা হোৎপ্রে কদায়দলো মহাক্কী য়ুম থিরুগদবা মথোয়গী মপা কাওবা কাউবগুম তৌরে। অমরোমদা অমুক কুইনা উরুথিত্রবা ঈ-পাউ অমা কাওবা কাওনথিদ্রবসিদা হজোইনদবা শাবসু থোইদে।কনা হজোইবগী মশক ওইরে। অদুনদি তাঙা য়েংদুনা উরবা তারবদি।

---

(১৭)

সুরেশ হৌজিক্তি হান্নগী পুন্সিদগী পুমওন ওহ্মোক্লবা অনৌবা পুন্সি অমা ফংলে। মহাক হৌজিক থবক্তা সুংঙাইবা ফংলে । মহাক্কী হান্নগী ওইরম্বা পুন্সিতুগা চাংদম্নতুনা য়েংবদা মতোমত্তা ইকায়জবা পোকই। মী-ওইনা পোক্লগা থবক য়াওদনা হিংগে খল্লিবা পুন্সিতু খ্বাইদগী হেন্না য়ারবা অমস্তুং নিন্দা তৌনিঙঙাই ওইরবা পুন্সিনি হাযনা খল্লে। নোং হেক ডানবদগী সুরেশ অত্তে করিস্থু তৌদে থবক হেক্তা পায় মতুনা সুমিং তাবা ফাওবা করিগুম্ব। মতম্নদা য়াম্না চিল্লগা সুমিদাং ফাওবা শূথৈ।

অহানবদদি মহাক্কী কারখানাসি অনৌবগা ওইবনে মহাক্কা গুলাপকনা অয়াম্বা পুবনিনা কয়া খুদোং চারমদে। খুদোং চাদবা হায়বদু থবক লা:কমন্দবনা গুলাপতু অরেম্বদা তলব চাতুনা লৈবা ইকাযরক্লতুনা তোক্লগে হায়তুনা তোকখ্রে অতুগা মহাক্লা হান্না তৌরম্বা কারখানাদা তৌখ্রবনি। গোপাল হায়বা সুপামচাতুম দি চৎলো হায়বা য়াদতুনা অতুম লৈহৌর-বনি। গুলাপ চৎখ্রবস্থ সুরেশতী থবক নি'থিনা হৈহৌরবনিনা তাবাকপা থরগীমথৈ অতুম মশূরে। মীগী থবক শূবদা মতমচানা অমস্তুং ফজনা তৌবিবা মরমদগী হৌজিক্তি মহাক্কী কারখানাসি থবক্লা ক্রিক-ক্রক ঈম্নখ্রে ঙহাক্তা শংদে। করি অমুক হায়গনি মকোয় কোকপা ফাওবা শংদ-যনা সুমিদাং কোকই। অতুবু সুরেশকী মশাদদি থবক্কী চোকথবা থক ফাওদে, অহোয়নতুম থোইনা সুংঙাইবা পোকই। সুমিৎচুপ্পা পবক শূক্লরগা

ঋমিদাংদা মশা-মঙ শেংনা ঈরুজথোকুনা চা গ্লাশ অমতং থকুনা গোথাবা অসিমুক মুংঙাইবা অনি শুখিদ্রে।

থবক থারগা গোপালনা চাক থোংই, সুরেশনা চাক ঙাইবা ওইনা মহাক্কা পানিংবা য়ারী লাইরিক নত্রগা থবক্কা মরী লৈনবা টেক্নিকেলগী লাইরিক পাই। গোপালনা চাক লোইরগা মবানি চামিন্নৈ। অমুক্কী চাকলেন্দি মথোয় অনিমক শংদবনা চাক থোংবিনবা লৈতে মরম অদুনা অয়াম্বা মতমদা হেটেলদগী লোদুনা চায়। করিগুম্বা মতমদা সুরেশনা গোপালদা মতৌ য়েংগে হায়দুনা, শেল য়াম্না ফংবা মফম য়েংদুনা শূরুরো, ঐগীসি কয়া জুগোং চাররোইস্ন হায়শিন্নৈ। সুরেশকী অদুগুম্বা ৱাহৈ অদু তারগা গোপালনা যাম্না শুকথনা খুম্মি, তাম্মো, নহাক্কা ঐখু থাক-পদা য়াম্না থারবদি ঐহাক চংখিগে মঙুদুনা ঐগী শেল ফংনবগীদমক ওইরবদি ঐ মফম অমদা চংচবোই অমুম লৈজগে। সুরেশনা চুম্মতা মহাক্কী মপুকচেল য়েংগে তৌবনি, গোপালন অদুম্না খুম্নকপা অদুনা অমুক্কা হেন্না মুংশি, মনাওগুম অফ-ফত্ত পুন্নমক য়ারক য়াতেম্মি।

গোপাল মম-মপা লৈজদ্রবা পিদং পাদংপা অঙাং হায়বদু তশেংবা ওইরবনি। মহাক কারখানা কযাদা থবক শূবা যাওকরবনি, অদুদগী হেন-দোকুনা ঠিকাদারশিংগী থবক জুগালি ফাওব শুংকরবনি অদুবু মহাক অসি কনা'মতন খঙং খঙনা তৌবিদে। থবক শিজিন্নবিরগা শেল ফাওবা পীবিরকবর যাওখ্রনি, মতাঙ অদুদা মহাকন কপ্পুনা হুন্নকপা নতনা অতৈ উপায লৈখিদে চন্না হেনবা নোংমা কয়াম্ন য়াওখ্রবনি। অদুবু মহাকনা সুরেশকী মফমদ হেক লাকপদ দি মখুম্বা অবাবা অদুদি কংখিদ্রে। মরম অসিদগী গোপালনা সুরেশকী মনাক্তগী লেংথোকনিঙ-খিদ্রে, ঈশ্বরনা মহাকপু যোকপিনবা থাবিরক্রবা মীনি হায়না খনগ্রে। গোপাল মশানস্ন য়াম্ন মিংশিং নাশিংব, অঙাং ওইবনা সুরেশকী মঙংস্ন মুম্না খঙডি। অদুনা মঙোন্দা য়া চপং-চগং ঙাংদে, মহাকনা য়ানিঙদবা থবকস্ন থক তৌদে। মসিনস্ন মরম ওইদুনা সুরেশনা গোপালবু য়াম্না মুংশি অমমুং লুনা তৌই।

কালেনগী পানথৎলকপা মতম্নি। অয়ুক থুংথিলদা থগ্না শামবম্নু, থুমিদাংদি থাবলগী মণ্ডাম্না থরদি ঈংহনবা মতমনি। ওসিগী থুমিৎ অসি অয়ুকতগী হৌনা অতিয়াসি পূমশোং শোংই, নোং তাগনি হায়বসি কনানস্নু থাজদে। থুমিদাংব্রাইগী মতমদা থওহৌদনা অব্রা'লোমদগী নোং-মতুম অমা লাকখি, মতুনা শন্দোকখিত্নুনা অতিয়া পুম্বা পুম্নম মমখ্রে। সন্ধ্যাগী মতমদদি মিৎ-মায পাংবা চমদনা জম জম হেক্কো তাখ্রে। স্বুরেশকী কারখানাসি শরোক মথাদি ওই হাগববু থক্কিকং কুথবা মরম্না ঈশিং ক্ষয়াম্বা চেনশিন্নকপগুম তোঃ, অতুবু তুংদি তুংতোদে ৎজম হেক্ক চেন্থখি। স্বুরেশস্নু নোং মবক অসিদা খবক শূবদি লেপত্রি • শী অচিনপা থবক থবা লৈতুনা।

নোং মরক শসিদা অথাম্নদ গাড়ী মৈথাক অমা উই, মৈওাল অসিনা নকশিল্লকপং লোইনন নোংং, থব থব পাশত্রে। স্বুরেশকী কারখানা য়োৗগদবা লম অত্তম নরি য়াংলিৈেদা গাড়ীগী থ ফ মতু খংমুৎ মুৎখ্রে। ড্রাইভরনা কুনথরগা গাড়ীগী বোরনেট হা দোক্ননা করি কবি শোয়রবগে হায়হুনা যেংলে, মৈস্ন যারি, থাউমৈস্নু যাশবি অহুবু ষ্ট তি হো হাযবা য়াত্রে। গাড়ী মম্নণ্ডদা ফম্নিবা মীশিং অতুগী মমাণ্ডদা ড্রাইভর অতুস্নু ইকাযরে মখোয়গী মম্নণ্ডদা অননা হাযরকই ড্রাইভব বাবু করি তৌরবগে, ঐখোযবু ওসি মফম অসিদা লেকপা তারত্রা। ড্রাইভরনা ইকায়না খুন্মি- করি শোয়রবনো খণ্ডক্রে, অসদগী কারখানা 'সিদা অমুক্তা হংজরুখিগে। মতম অসিমক থোইদোক্না ফজরবা মতম ওইরে। নোং হাংখিবগী অতিযাসি পুমশং শংখ্রে, থাবলনা ইরং লংলে। কারখানাগী মমাওদা হৌন্নিব, খোংনাং পাম্বী অতু॥ মরক্তা থাবলনা কেকু লোংপী শান্নহুনা উনাগী মরক-মরক্তা থাবলগী মণ্ডাল লিংথোকহল্লি। মরক মরক্তা লেমহৌবা নোংলিক্না উনাদগী তপ-তপ লাউনা তারি। স্বুরেশস্নু করিগীনো গাড়ী'সিনা মফম অসিদা থারিবসিবো হায়হুনা থন্দি খল্লি অহুবু থোইদোক্না অদোমদা পুক্সিঙ চণ্ডলুবদি লৈত্তে, থুংথং শায়হুনা মহাকী থবক কন্না শূরি। মতম অসিদা ড্রাইভরস্নু চণ্ডলক্কুনা হায়ররে,

—রা অমত্তা হায়জগে হায়বয়্......।

সুরেশনা মমায়দি হায়গত্তনা খুম্মি,—করি ওইরবনো হায়খিয়্।

লম্বীদা থারিবা গাড়ীসি য়েংবিবা য়ারোইজ্রা ?

য়াগনি ইনশিনবিয়রকউ, সুরেশনা শম্না খুম্মি।

অদু, ইনশিনবদু ঐতনদি ওম্মোইদৌরি।

ও, গোপালদা খরা য়াওরুচো, হায়রকই সুরেশনা।

মথক্তা ফম্লিবা মী অনিদু কুমথহৌরে, গোপাল অমসুং ড্রাইভর অনিচুনা গাড়ীদু ইন্দুন কারখানা মনুঙদা পুশিল্লক্লে। সুরেশনা লেংলিবা ফিদি খোজ্রাওগা ফুরিংকা শম্নবা অদুনি, অদুগী মথক্তা মশম মনাগা কক্ক-বনে, মকোয়নগা কোক্তবনে মী অমনা মহাকপু মশক খঙবসি হাইফেংনা রারবনি ' কুমথহৌরিবা মী অনিচুনা খোংনাং মকমচুদা লেপ্তুনা চিবোন -চিবোন শাংনবদু সুরেশ খর খরা তাবগুম ভৌচুনা য়েংথোকখিবদা মুপী অনিথক লেপ্তুনা লৈবা উরে। সুরেশনা গাড়ী বোরনেট হাংদোক হাংদোক্না গোপালদা তপ্না হায়রকই, আ-দগী লেপ্লিবা অনিসি কৌশিন্দুনা ফম-হল্লু। সুরেশকী থবক শূফমগী নাকল অমদা ফক্লোংনা খাজিনবা পিকথ্রবা কা মচা অমতং লৈ, চৌকি অত্তেকপা অমা অনিগা টৈবল মচা অমগা থাই। গোপালনা চংখিচুনা মখোয় অনিদু কৌশিললুরগা কা মচা অদুদা ফমহল্লে। চৌকিগী ফিবমদু য়েংবদা মখোয় অনিদু রাদি ঙাংদনা য়েংনরগা মচিন মেন্দুনা নোক্‌ই মবমদি খজিক্তং হৌনা নোকপদা ক্কেত্তা ভাগদৌরিবনি। সুরেশনা গোপালবু থাচুনা চা কপ অহুম অমসু লৌহন্নুচুনা মখোয় অহুম পিথক্লে।

সুরেশ রা অমতা ঙাংদনা গাড়ীদু কদাইদা শোয়রিবগে হায়বদু টোর্চ-লাইট কাপ্তুনা কোয়েং য়েংলকই। থিবমখৈ থিরগা মমৈদদি ষ্টাটর শোয়রম্লচুনা মদু শেম্লে। গাড়ীসি শেম্বদা কনা য়ায় কুইনা চঙথ্রে পুং অনিরোম ওইরমগনি। কা মচা অদুদা কমচুনা ঙাইরিবী মুপীশিংচুসু কুইমলম্না ভৌকন খঙথ্রচুনা টৈবল মথক্তা লৈরবা লাইরিক অমা অনিদু

অস্থম ফাক্কনা য়েংবদা গুদআর্ট 'লরম্বত্তুদা মখোয় অনিগী মরক্তগী অমনা খুল্লি—ও, মহাকসি লাইরিক হৈবা মীদি ওইবা তাই। অস্থম হাইদোক্কনা য়েংবদা ইরোই লোইবদা 'সুরেশ সিংহ' হায়না, পারম্বা উবদা অমিত্তু ইণ্ডক গুক্কনা য়েংনৈ।

হৌজিক গাড়ী শেম্বা লোইরত্তুনা চংপা য়াবগী মতাঙ য়ৌরক্লে গাড়ী থৌদোরক্লে। ড্রাইভরনা মখোয় অনিবু কৌথোবক্লে। মখোয় অনিস্তু প্রপ প্রপ থোরক্লে গাড়ী মনাক য়ৌবদা ড্রাইভরনা অশেস্নগী বা হৌদোরকই। মখোয অনিমক গাডী মস্থুণ্ডদা ফমখ্রে অত্তুগা মপূনা হায়রকই,- কয়া পীবিরমগদবনো লুপা তরাদং থনমসি, ড্রাইভরনা খুম্মি। বেগতগী লুপা তরা লৌথোক্কনা পীরে। ড্রাইভরনা লুপা তরাত্তু সুরেশতা পীরুরে। সুরেশনা য়াম্মল্লি হায়ত্তুন মণ্ডাদং কৌহৌরে, মণ্ডা হল্লল্লে। গাড়ী থৌখ্রে। সুরেশন্তু ঙসিগী থবক্তি লোইরে হাযত্তুন ঈক মাযথক্তথোক্লগা, শমজেং হাত্তোক্লে হাযত্তুনা কা অত্তুদা চণ্ডি। মখোযনা ফাক্তোক্লম্বগী লাইরিক লাইশু ইচাই চাইত্তুনা লৈরম্বত্তু লোইশিল্লি। মিংশেল্ল য়েংত্তুনা শমজেং হাত্তোক্লে। মতোমদগী মশক্ত মহৌমদ যেংজরগা ইকাযজবত্ম পোকচৈ মশম্মা শাংলিবা, মকোয়ন চেপ্লিব হাযত্তুনা। শমজেং হাংপা লোহরগা মখারোমদা য়েংথক্তবদা অহৌবা মাংৎংমা তাত্তুনা লৈবা উববদা চেজেং ওইরমাল্লে হায়না শুনগত্তুনা যেংবদা চে-জেত্তি ওইরমত্রে — রুমাল মচা অমা থুপ্পনা তাবা ওইরম্লে কমালত্তু তিংখোক্কনা যেংবদা মচি অমদা চাংমান্নববা ময়েক্লা 'বীনা দেবী হায়না থাবম্লে। সুরেশনা মমিঙ'সিবু চুম্লত্রা হায়ত্তুনা হম্লা হম্লা যেংখি।

ঙসিগী মুমিংসি কালেনগী তয়ানি পানবনি। বীনা অমস্থুং চিত্ররেখা অনিমক মখোয়গী মরুপ কল্পনাগী লুহোংবা চংলুবনি। লুহোংবা থিল্লরগা হল্লকপদা লম্বীদা নোংগু নংলবা অত্তুগী মথক্তা গাড়ীস্থ য়াত্রত্তুনা সুরেশকী কারখানাদা চণ্ডত্তুনা গাড়ী শেম্লবনি। হৌজিক সুরেশ অমস্থুং বীনা

অনিমক হিংলি হায়বা কাওবদি খঙনরে মথংদি করম্না চথনরকনি ! চহী তরেৎ নিপানগী মতুঙদা খঙনরকপনি, কনানা হায়না হৌগনি খনবদন্থ ফনা য়ায়া লুবা রাকমি। অতুবু গাড়ী মন্থুঙদা রীনানা অসিমদি খল্লি,—লম্বী খরদংদি ঙাল্লে। মতমনপা থেঙখিবনা রীনা অমস্থুং চিত্রলেখা অনিতু গাড়ী মন্থুঙদা থোইদোক্লা রারী শান্নব্রে, মহৈ মহৈ থেঙথ্রে ময়ুমদা ফুংশা খীনরম্নগনি হায়তুনা অতুম লাক্লরে।

সুরেশ রুমাল অছু মুন্না য়েংলগা খল্লি, 'রীনা দেবী' মহৌশাগী রীনাতু ওরমগদ্রা, নত্রগা অত্তোপ্পা মিং মান্নবী অমা ওইরমগদ্রা। ঐনা খঙখিবা রীনাতুদি মহাকনা হায়খিবা অমা লৈখি হৌজিক্তি মতম চাদ্রি ...অশেংবা অমা খঙননব। হ.য়ুংদি রুমালসি হলহল্লুবা তারে, অমবু ওইরবস্থ অনবু ওইরবস্থ মীগী মপোৎ লৌশিনবা হাযবসি চুমদবনি হনবিথিবনা ফে।

গোপালনা চাক লোইরতুনা মখোয অনিমক চামিম্নরে। তুমম্নদাঃদা সুরেশনা হায়রকই,—গোপাল নহাক হয়েং অয়ুক ঙংানা থবক অমা চংলুবা তারি।

কদাইদা ওইরবনো, গোপালনা হিপ্না হিপ্না হংই।

থোইদোকনা লাগ্তে, পোৎ অমা থিল্লুগদবনি।

করি পোৎ ওইরবনো ?

রুমাল অমনি।

গোপালনা রুমালনি হায়বতু তাবদা মহাকনা খল্লবা য়ায়া লুবা পোৎ ওইরবোই নিঙলম্বতু ওইরমদ্রবদা য়ায় নোকনিংথ্রে অতুবু সুরেশপু কিবনা মখোল থোকনা নোকপদি ঙমদ্রতুনা মত্তোমতা মচীন খুমতুনা নোকই। অতুগা অমুকস্থ খল্লি,—কয়ামুকপু লুবা রুমাল জাংনো!

মথংগী মুমিৎনি। নোং হেক ঙানবগা গোপালনা চা লোন্দুনা স্থরেশকা মবানি থকমিম্নরে। মতুঙদা স্থরেশনা ৱীনাগী ময়ুম তাক্লগা রুমাল অহু পীকচো হায়দুনা গোপাল থাখ্রে। গোপাল সাইকল তোংলহুনা স্থরেশনা তাক্লকপা মতুঙইন্না লাকই, লম্বীদা বীনাহোয়গী চঙফম কোম্ফোং বেংহুনা অস্থম লাকপনা, কোম্ফোঙ অমদা 'বীনা দেবী এডভোকেট' হায়ন থাবা অমা থংনরে। গোপাল হাইফেৎ চিংনৱপ তৌনা খল্লি, করিগীনো, ঐখোয় তাম্মো 'সিন' তৌবিবসিবু, মীগী অমুক মহৈ হৈখ্রবা চাউশ্রবা মুপী অসিগা করম্না খঙনকরিবনো। চুম্ম চুম্নিগত্রা ঐনা করিগুম্বা লাল-লম্নবদি! অহুবু চঙহুনা য়েংদবদি য়াদ্রে।

ৱীনাদি ঙবাং অহিংহু তৃম্বম্ম খবা থঙলে। মহাক্লগা খেঙনা হল্লকপনে অহুগা ৱাখল্লগা খন্দবা যাদবা মতাঙ ওইহুনা খরগা খল্লুবদা পাক তুম্বা য়াখিদ্রে। ফনা কুইনা ফমুঙদা ঙাওন-শাওন্দুনা লৈরে। ৱীনানা হায়-দোকবদনি, হেক থোরকপদগী হৌন স্থবেশকী পাউ অমদি তানিঙবনি। নরেশহোয়দা চৎলুবম্ম থোইদোকপা ময়েক শেংবা পাউ ফংলক্তে, চিত্র-লেখাদা হংগদবম্ম ইকায়হুনা হংম্রে. লাইকু অমদগী মশামক্লা স্থরেশকী অরেপ্পা মওং অমা খঙজরবসিদা মুংঙাইবনরা, ৱাবনরা খঙদে অহিংহু তুম্বা ইয়া য়াদহুনা নোংঙাল্লমদাহৈ ঈচিক হল্লকপা মত্তমদা তুমথখিবনা গোপালনা লাক্লবা অহু ফাওবা মহাক্ত ৱাহৌদ্রি।

গোপালনা চিংননা চঙলক্লগা জুরিদা লেপ্পুনা হংই,—ইমুঙ অসিবু কনা কনা লৈবিবগে ? অহানবদদি তাদতুনা কনাস্থু খুম্লক্লে অনিরক শুরকপদা থম্বালনা তারক্লতুনা ইমুঙদগী থুনা থোরকই, অমস্থুং করিগীনো হংই। গোপাল ঙহাক্তুং খুমকম খঙদে মরমদি মহাক্লা হংগদৌরিবা মী অহুবু করি কৌগদবনো হায়বসি খঙদে। মমৈথংদা কাম্লরম্লোই হায়হুনা—ইচেম্মা রীনা দেবীগী য়ুমবু অসি ওইরব্রা হায়না হংই। থম্বালস্থু ঙক্লপ তৌনা খুম্মি,—মানি ইবুংঙো, করিগীনো ?

এ, চুম্না অমুক্তা উম্লজগে তৌবনি, গোপালনা হঙোইনা খুম্মি।

অহুবু, ইবেম্মদি লেঙখিন্নে, ঙহাক্তুং ঙাইগদ্রা ?

গোপাল ঙহাক খঞ্জানহুনা লেপ্পুনা লৈরে, মরমদি মহাক্লা অসোমদা কুইনা লৈথোক্লবস্থু স্থবেশনা কবি হাবেবমগদবা অহুগা উম্লদনা চংলে করি অমুক হাযরক্লনি, ঙহাক্তুংদি খনফম থোক্কে। অকোনবদা লাক্লবনিনা উম্লরগা চংপনা চুম্মি হায়না খল্লহুনা, ঙহাক্তুং ঙায়জরগে হায়হুনা মোর' অমদা ফমহুনা লৈরে থম্বালনস্থু,—হোযনে, ইবুংঙো, লাক্লবনিনা ঙহাক্তুং ঙাইরগা উম্লরগা চংস্থু, ইবেম্মস্থু কুইবরোই লেঙথংলক্লগনি, হায়রম্লগা ইমুঙলোমদা চঙখ্রে।

গোপাল পুংখাংমুক মতোমতা ফম্লে। থম্বালস্থু ইমুঙদগী থোরক্লে। গোপাল শাউনিংলক্লহুনা তাক্লম্লগা চংলগে হায়না খল্লে। মতম অসিদা থম্বাল অমুক থোরক্লনা হায়ররে,—ইবুংঙো ঙহাক্তা ঙাইবিখো ইবেম্মা লেঙথোরক্লগনি। অমুক পু' নিপাক্লোম তারক্লবদা রীনাস্থু হৌগংলক্লে। মহাক্লা হৌগংপগা থম্বালনা নিপামচা অম্না লাক্লুনা ঙাইরি হায়বসি রীনাদা হায়রবনি। রীনাস্থু মমায় মমিং তাথোক্লগা থোক্কে হায়হুনা মমিঙলোমদা মমায় মমিং তাবা চংখ্রি। মরক অসিদা গোপালদি মস্বা য়াম্লক্লে স্থরেশনা চৈরুগানি খনবদা। ঙহাক লৈরগা রীনা মথক্তগী স্থম-থরক্লে। মাঙোন্দা থোরকপদা গোপালবু হেক উবমক্তদা ঙরাংগী স্থরেশ-কীদা লৈহৌবা অঙাংহুন্নি হায়বা খঙলে। ঙহাক্তুদা হায়কম খঙদবা মঙং অমনা রীনাগী পুক্লিঙহু চনাংলরঙম ক্লোইহনখি। গোপালস্থু রীনাবু হেক

উবমক্তদা ওরাংগী মুপীহুনি হায়বা খঙলবদা ইঙক ওকই। রীনানা চঙ-শিন্নকুনা,—করিগীনো ইবুংঙো, হায়হুনা হংই। গোপালনা ফুক হৌগং-লগা অমুক্তং কোয়য়েং য়েংলগা,—ঐখোয় তামোনা মসি পীরকই, হায়হুনা রুমালহু পুখোরকই। রীনানা নোকফেং তৌনা,—লাউ ঐগী ইতুঙ শক্লকউ, ইমুঙদা ওহাক্তং ফমখো চা কপ অমতং থকখো হায়রকই। গোপালনা মুংশাথীনা খুম্মি,—ঐ থকচররোই, তামোনা চৈরম্নগনি, য়াম্না কুইরে ঐনা লাকচরিবা।

চৈরোইদা, ঐনা ফাহুনা থম্বনি হায়য়ু।

ইস, ঐখোয়গী তাম্মোদি মহুগা য়াপোৎ নত্তে, হেকতা ফুগদবনি।

রীনানা মখোলথোক্তনা নোক্লগা হায়রকই,—নহোয় তাম্মোহুবু য়াম্না ফুগন চৈগনব্রনে। গোপাল তুমিন্না লৈখ্রে করিস্নু খুমদ্রে। রীনানা ওমহুনা গোপালবু মথক্তা পুখৎখ্রে। মথক য়েৌরগা রীনাগী ম্রোয়ীং রুমদা গোপালবু কমহল্লে। থম্বালদা চা পুরকউ হায়না কৌখ্রে। রীনানা গোপালদা য়েংহুনা হায়রকই,—কদাই রুমালদে। গোপালনা রুমাল পুথোকুনা পী। রীনানা মখা অমুক তারকই,—অতৈদি করিস্নু পীরক্রো।

পীরক্কে।

করি রা হায়রকই ?

করিস্নু হায়রক্কে, রুমাল অসিদা পীরুচো হায়বনি।

থম্বাল চা কপ অনি পুহুনা চঙলকই। রীনানা টেবল মথক্তা থম্মু হায়না ইঙ্গিৎ তৌরবদা চা থনম্নগা খোকখ্রে। রীনানা গোপালদা অমুক হায়রকই,—চা থকউ। গোপাল চা কপ অহু ফনা থুনা থকচিল্লগা চৎলগে হোৎনরক্লে। রীনানা মখা তানা অমুক হংথরকই—নহোয় তাম্মোসিবু কমদৌবগে তিন্নবা মুংঙাইব্রা ?

মুংঙাই, গোপালগী চন্নবা পাউথুম্মি।

অহুদি নহাক্না অহুক য়াম্না কিন্নিবদি করিগীনো ?

মহাক্না য়াম্বা থবক তৌরবাদ মহাক্কি য়াম্না শাথি।

ও, অহু নঙবু ঐখোয়দা চৎলু হায়না থারক্লিবসি মহাক্না য়াতুনা থারক্লিবা নব্রা ?

মানি।

অহুদি করিগী মহাক্না নঙবু চৈগদৌরিবা।

তাপ্মোনদি রুমালসি থনম্লগা থুনা লাকউ হায়বকই।

মীনানা ইশি শিনা নোক্লগা হায়রকই,—করে, ঙসিগীদমক্তদি নহোয় তাপ্মোনা চৈরবম্ব, হুপীহুনা য়াদহুনা কুইনা ফাহুনা থম্লে হায়না খুম্ম, ও, নহাক্কী নমিঙদি করি কৌই ?

গোপাল।

এ, য়াম্না মুংশিবা মিংনিদনা, নশক্না মুংশিবনে, মিংনা মুংশিবনে, নহাক ঐখোয়দা মরক মরক্কসু কোয়থোরকউ হায়ববু কারি হাযবগে নহোয় তাপ্মোনা য়ারোইজ্রা ?

য়ারোই, গোপালনা শম্না খুম্মি।

ও, করে অহুদি নঙস্ব চৈরম্লগনি হায়না মুংশাথীরবনিনা চৎলো, সে, লুপা তম্নাসিনা নঙনা চানিঙবা অমা চারুচো। গোপালনা শেল অহু লৌ হায়বা মাজ্রবদা মীনানা থেম্লে,—ঐনা মুংশিহুনা পীজবনি নঙন৷ মসি লৌখিজ্রবদি ঐহাক য়াম্না মুংঙাইররোই, হায়হুনা গোপালগী ফুরিংখাউদা নমহুনা লুপাহু হাপচিনবিরে। গোপাল উপায় লৈজ্রহুনা শেলহু পুহুনা চৎখ্রে।

গোপাল চৎখ্রগা মীনা মতোমত্তা ময়েক য়াওজ্রবা ঈশৈ অমা ঙংলহুনা ঙরাওগী খবরহু পারি। মিত্তি খবরদা য়েংলি মাথন্দি অমদনি। পুক্লিঙদা মুরেশপু হম্না হম্না থাগৎলকই,—মুপা থোকই, মুপান৷ মুপাথোক্না থবক তৌবা হায়বসি মুপাগী থোইদোকপা গুণ অমান। অসিগুম্না মুপীম্ব মুপীথোক্ন৷ থবক তৌফম থোকই অহুং ওইরবদি সমাজগী অমম্বুং লৈবাক্কী ইকায়খুম্নবা শোরদনা কংগনি। ঐখোয়না মুপীবু উশিংপদে পওইবিদে হায়না তেংথারিবসিম্ব ঐখোয়গী দোষ খরদি লৈতবা নত্তে; ঐখোয়গী দোষ অসি ঐখোয়না খঙজহুনা চুমথোকপা ওম্নবা মুমিং অহুদা মুপীবু

থৌওইবিরোইদবগী মরম করিসু লৈতে। সুরেশ অসি অশেংনমক মী অ ন হায়বদা মতিক চাবা মীওই অমা শোয়দনা ওইরগনি। ঐখোয়না পান্থি-বসু অসিগুম্বা মীতামক্কি। মহে কয়া হৈহুনবু মী ওইবগী গুণ য়াওব্রথদা করি কায়গদগে। সুরেশকী খ্বাইদগী থাগৎপা য়াবা গুণসি উইন কনবা অমগুং পুকচেল চেৎপনি। রাখল অমুক খল্লি, খবর অমুক য়েংই মরক্তা অমুকসু কুমথবগা মখাগী থবক্রুচিংবসু য়েংই। রীনাসু থবক অমা নত্রগা অমদি পোথাবা লৈত্রি।

রীনানা মনিঙগী পুখ্রি মপান্দা হৈপাল লৈপালশিং করম্বনা হিংলিবা হায়-দুনা কোয়চৎ চত্তুনা য়েংলিডৈদা, খম্বালনা ঙসাইগী মুপামচাদু অমুক লাক্লে হায়দুনা পাউ পীররবদা রীনাসু তকিং তকিং থোরকই। গোপালনা রীনাগী মনাক্তা প্রপ-প্রপ চঙখ্রগা, ঙসাইগী লুপাস্সি লৌবিহৌরো হায়-দুনা পুথোক্নুনা পীরে। রীনানা শকফম হঙ্গিল্লগা ইকায় খুংশি য়াম্না হংই -কদোরে, নহোয় তাম্মোনা চৈরব্রা ?
গোপালনা তপ্পা খুম্মি. —চৈদে হন্দোকউচো হায়বনি, হায়দুনা লুপা তবা চৎপিদু পীবম্লগা চৎখ্রে। রীনা লুকথদুনা রাখল তৌদুনা লৈহৌই। গোপালনা রীনাতোযদগী হনখিবত্ত কনা য়াম্না থেঙলে। সুরেশ হাম্নদগী হৌনা কুইমনখ্রে হায়দুনা শাউদুনা লৈরম্লবনি। গোপালনা হেক য়োবগা সুরেশনা শাডনা হংই—করিগীনো অসুক য়াম্না কুইরক্লিবা গোপাল কিরপ তৌনা খুম্মি,— হৌগৎলমদদুনা ঙহাক ঙাইরক্লে।

করিগী ঙাইরুরিবনো, কোক থনম্লগা লোইরেদনা। নহাক্কী থবক হন্দোক তুনা করিগীদমক মহাক্ক হৌগৎপা ঙাইকরিবনো' গোপালনা লুপা তরাসু পীরকই হায়দুনা সুরেশতা পুথোক্তুনা পীরে। সুরেশনা লুপাদুদা মুক্তা য়েংলগা লাউরকই, গোপাল হৌজিকমক লুপাসি হন্নুচো করিগীনো নহাকনা পুরক্লিনা, নহাকপু ঐনা শেল নিরুচো হায়দুনা খাত্রা। হৌজিক-মক হৌজিকমক! খুনা হন্নুচো! ঐনা য়াদে হায়মু।
গোপাল ক পনিঙ কপনিঙ তৌদুনা অমুক চৎপ্রগা রীনাদা তম্না চৎপিদু

হল্লুবে। রীনানা মুম্না খল্লগা ৱাফম অসি অমুক্তং শেংদোকউবা চুন্নি হায়দুনা মফি মবোল থুনা .হাংলগা গাড়ী থোদোক্তুনা চৎখ্রে। থম বাল্লনা ওসিংগ .থোদোকসিব করিনো হায়দুনা ইওক ওকনা য়েংদুনা লৈহৌই। কারখানা মমাঙ য়োবদা, রীনা হোরোল খোংলগা লেপ্পী। স্বরেশনা কনাগুম্ব। গাড়ী শেম্না লাকপ্রা হায়দুনা য়েংখোরকপদা রীনাগী গাড়ী উবদা হায়ফেন্তি চিংনৈ, - করিগীনো মহাকনা লাকলিবা! রীনা, গাড়ীদগী কুম্থরগা কাবখানা মন্থুঙদা চঙখ্রে। স্বরেশতি মহাক লাক্কনি হায়বস্থু থোইদোকনা থাজরুদবনিনা ফি রোলঙ অফবা শেংহৌদে, মতাকী থবক শূবদা শেংপা ক অত্থ শেত্তুনা অত্থম মবৈ। অত্থগা ফি ফত্তে হায়দুনা থোইনা ইকাযকস্বস্থ লৈত্তে। স্বরেশনা গোপালদা চৌকিত্থ খাও হায়দুনা ইঙ্গিত তৌই গোপালনা চৌকি তেক্লিবত্থ পুথোক্তুনা থাই। রীনা চৌকিদদা ফম্মি, মশাত্থ হুমাংনা ফনা য়াম্না চোংলে। যুমদা লাকপা অতিথিনি অতগী মথক্তা মুপীনি হায়না থন্দুনা অশাও ৱাখল পুম্নমক লোংশিল্লগা হায়রকই,—বীনা দেবী করি থবক্কীনো? রীনাস্থ শম্না—খুম্মি —রা থবা হাযগে লাকপনি।

করি ৱানো?

স্বরেশ বাবুনা ক বগীনো, ঐনা গোপালদা চুম্না লুপা তরাথক পীথিবত্থ হনবিরক্রিবা?

স্বরেশনা মমাযাদি হাযগত্তুনা, মহাকী শূরিবা থবক অত্থ অত্থম শূরগা খুম্মি, —রীনাদেবী, মত্থ পামদে, মীওোন্দগী লেম্না পোং লোবা হায়বসি ঐগী নীতি নত্তে। মত্থগীদমক ঐহাক ইপাঙ্গম্না কম্না শূরগা চাজরিবসিনি।

অত্থবু ঐনা পীজরিবা শেল অসি স্বরেশ বাবুদা নত্তে, গোপালদা ঐনা মুংশিজ্জনা পীজবনি।

রীনাদেবী, গোপালসি ঐগা লৈমিন্নরিবনি, ঐমা য়াদবা থবক তৌবা য়ারোই।

রবাঙম্বা অমমা হুংশিজ্জদুনা হুংশি খুদোল পীজবসিবু করম্বা অকায়বা ইলবগেদে?

মুংশি থুদোল, -সুরেশনা রীনাদা যেংতুনা হায়রকই। মহাক নহাক্কী থুদোল কংবদা মতিক চাদবা মীনি। রীনাদেবী নহাক মফম অসিদা কুইনা লৈগনু, কনাগুম্বনা উখ্রবদি নহাক্কী নগুণ ময়েং তাখিগনি।
ঐ মতু শঙদবা নত্তে, রীনানা ভাব তানা হায়রকই।
ভাব তারবদি থুনা চৎখ্রো সুরেশনা শাউরপ তৌনা হায়রকই।
তাম্রবসু ঐ চৎচরগনি, অতুগা গুপী অমবু ইকায়বা পীবদি নহাক্কী অচুম্বা থবক নত্তে, হায়বম্রগা রীনা শাউরপ তৌনা থোংথাং থুনা চৎখিতুনা গাড়ীদা কাখৎখ্রে, অমসুং থৌখ্রে।

সুবেশ, রীনাবু তুংদা যেংতুনা লৈহৌই। গোপাল ঙসাইমখৈ মগোয় অনিনা ঙাংনরিবা অমসুং তৌনরিবা ঈরাং অতুদা ঙকনা য়েংতুনা লৈরম্মি। রীনা চৎখ্রবা মতুঙদা সুবেশসু করিগুম্বা থরা থন্দুনা মরূ লূকথতুনা লৈরি। মতো অতুদা গোপাল অমুকা হেন্না ঙক্লতুনা হংই,—তাম্মো, মহাক অসিবু কনানো? মপুকসু যাম্না ফনা উই, অতুগা ময়ুমগসু য়াম্না মুংঙাইনে, মশাসু উকিল ওইরমান্নে সুরেশনা নোকযেং তৌনা হংই —নঙদি করম্না খঙলিবা?
মহাক্কী কোম্মোঙদা থাহৌই।
ও, চুম্মি, মহাক উকিলনি, ইনাক খুনবীনি, শাগৈ জাংসু য়াম্না ফবীনি ঐগী নহা ওইরিঙৈগী মকপ্নি অদুদা মহাক্না হঙ্গে ইদতুনা পঙাং ঙাংজবনি।

অশিং-অরাম্বানি। ঙাওরবা মুংশিংনো মাইকৈ শালাই খঙদনা শিংখ্রে, অকংবা উনা রানা পূম্নমক মশাগী ম্রাক্তাকম থাদোক্তুনা হৌগত্তুনা চেরে। পাম্বীদা পাজবা উনা ফাওবা হাইনা ছম্না থাঙনরে। মফম খুদিংদা প্রকৃতিগী ঈরাংনা পূম্নাং লাওবগুম উরে। সুরেশকী পুকনিঙস্থ লৈতাবা ওম-লক্ত্রে। রীনাগা উম্নখিবা মুখিত্তুদগী হৌনা সুরেশকী পুকনিঙদস্থ হুংনাংবা অমা ইতত্তনা পোকই, অমুকস্থ খল্লি, করিগীনো মুপীমচাদ্দা অতুক থীনা হায়রুরিবা! মহাকনা ঐবু শোয়দনা হৌন খঙদবা মীনি হায়রম্নগনি। সুরেশ মরক মরক্তস্থ মখুত্তা পায়রিবা খুংখংহু থম্নগা রাখল খনবগী মওং ওইনা করিগুম্বা অমদা যুম্না য়েংলগা ফম্মি।

সুরেশনা, অসুম্না লৈতাব্রবা রাখল কয়াগা লোয়ননা লৈরিঙৈসিদা ডাকপিয়ন অমা লাক্তুনা চিঠি অমা পীররে। সুরেশ, অহানবদা ফার্ম-শিংদগী থারকপা চিঠি ওইরবোই নিংহুনা হৈনিঙদনা ফাক্তোকই। মথাদা থারিবা মিং অহু হান্না য়েংবদা নরেশকী চিঠি ওইরমলে। মতম কুইনা মরা মপাউ তাখিব্রবা মী অমগী মপাউ ফংবদা মহাকস্থ খঙনিংবনা হান্নগী রাখলশিং অহু কাউথোকখিহুনা নরেশকী চিঠিদা থবায় লুপখ্রে। মহাকী চিঠি অহুদগী খঙবা ওমলে মখুদি নরেশ হান্নগী মফমদা লৈত্রে অথাম্না লমদম অমদা চংখ্রে হায়বসে।

নরেশনা চীংদা লৈখিবসি মতম কুইরবনি। মমাঙৈদদি হুটিনচিংবা মতমদা ময়ুমদস্থ লাক্ললম্মি অহুগা লাক্তুবস্থ মম' মপা অনিগী শেল থুমদি তত্তনা থারক্লম্মি। থৌজিক্তি মহুস্থ তৌখিব্রবনি, চিঠিনচিংবস্থ করি'মত্তা থারকখিত্রে। নরেশকী থম্মোয়গী মৈচাক্তি কনানস্থ খঙবা ওমদে মহাক নত্তনা। মহাক্লা চীংদা হরাওনা চংখি তমগী রাখল কাউনবা। নরেশনা মতম অসুক কুইবসি আশা অমতংগী মপাল তাংহুনা হিংই,—করিগুম্বদা চিত্রলেখাদগী পাউ অমত্তং ফংলবদি হায়হুনা। ওসি কম্না চংখ্রে হয়েং কম্না হৌখ্রে, ডাইজরিবা মহাকী মফমফদি করিগুম্বা পুক্লিং মখোল চোংবা পাউ অমা কাওবা লাকখিত্রে। মরেবংদা মহাক মশামকসি হিংবা ওমগনি

হায়বগী আশাসি উশিন্নক্লে, করম্বা মকমদা চৎলগা থম্মোইগী থৌরাংবসি কোকপা ওমগদগে হায়বা থল্লক্লে। মহাক্কী লাইবক কবনি নত্রগা কত্ত-বনি হান্নগত্রা, নোংমা মহাকনা খবর অস্তুম পাক্লবদা মচি অমদা থেংন-রুরে,—চীনানা ভারত্তা লাল ভাৱক্লে, মরৈবাক কনগদবা নহারোলশিং চোংথোরক্লো। পাউ অসি উবমক্তদা নরেশনা খনগ্রে, ইত্তোমত্তা শিজগে হায়বস্তু ওমত্রবনিনা লান্দা চৎলগা শিবা য়াত্রা য়েংলুরগে অত্থগা করিং-গুম্বা শিরবস্তু চঙনা স্বর্গ কাবগা অন্না ওইরবনি—ইরৈবাক্কীদমক শিব-নিনা। মসিমক্ক মহাকনা থনখি ঈশ্বরনা মহাক্কী পুবা ওমত্রবা রাথল অসিদগী কনবিগে হায়থুনা থৌরাংলিবনি। মরম অথুনা নোং হেক ওানবগা মহাক লাল চৎলগে হায়থুনা দরখাস্ত থাগ্রে।

নরেশ লাইরিক লাইশু নিংখিনা হৈবত্তা নত্তনা চাউ-শাংলথুনা মুপা ওইবগী ফিবম মুর্তিস্তু চপচানা লৈ। মরম অসিদগী মহাকপু হেক উবদা লাম্মী ওইনা খনগ্রে।

নরেশনা লৈরিবা য়ুম অসি ওজাশিংগীদমক শাথুনা থম্বা য়ুমদনি। মহাকনা লৈরিবা কা অত্থু মত্তোমদগী ওইবনা পিকই। পিক্লবা কা অথুদা কমুও অমগা টেবল মচা অমগা থাই. লেনটন মচা অমা দোবিথু পিক্লা লৈথ-থুনা থাল্লি। মহাকনা মত্তোমদা কমুণ্ডা হিপ্লগা খল্লি,- মীওইবগী পুন্সি হায়বসি অসি ওইরে, হৌজিক কাওবদি ঐহাক কা অসিগী মমুণ্ডা লৈরি মথংগী মিকুপ্তা কদায় চৎকদৌরিবা। অথুগা অমুক 'মুংশিবান' হায়থুনা তৌরিবসিনা করিনো! মহয় য়ান্দবা থবক অসিদা মীওইবা কয়ানা চোং-শিন্দুনা মশাবু অরাবা কয়া পীজরিবসিনা করি কাল্লরিবা। অরাবসিদস্তু মুংঙাইবা লৈরম্বা ভাই নত্রবদি করিগীদমক মীওইবনা মুংশি ঈপাক্তা চোংথগদৌরিবনো। ঐদি হয়েংদগী চৎলগনি, মহাক্কী শককমদি কায়ন-থিবা মুমিত্তগী ওসি কাওবদা অমুক হন্না উদনা চৎলেদো। উদবনস্তু করে শেংত্রবা লাল্লুরবা ঐগী থম্মোইনি, চিন্নদবা লৈরাংগুম শেংজরিবী মতোন্দা অমুক হল্লা অরাবা পীরুবা চুমগ্রে।

নরেশ অহল ওইরবা মমা অমসুং মপা অনিগীদমক খন্নবদি নত্তে, মমা মপা অনিগী তুমিং থা ওইদুনা লৈরবা মহাকনি, মহাক লৈত্তবা তুমিন্না মখোয় অনিগী পুন্সি লোইরে হায়বসিসু খঙলবনি অদুবু মী ওইবা হায়বসি পুন্নমক্তগী মশাবু হেন্না মুংশিবা অমসুং লুন খনবসি থক থাদোকপা ওমদে। মরম অসিদগী, ওসি নরেশন' মশাগী নিঙবা থুংনব' মমা মপা অনিমকপু হুন্দোক্লগা চৎলগে হায়বসিনা মহাক্তী অরেপ্প' রাখল ওইখ্রে। চৎলমদাইদা সুরেশতা চিঠি অমত্তংদি ইরম্বা চুম্মি হায়দুনা ইরম্মি।

মতম্না থেঙজিল্লকপগা লোয়ননা থাউমৈদুসু থাউ য়াওশিক্রমাক্লে খর-খরা মমথরক্লে। নরেশ অমুক হন্না ফমুঙদগী হৌগৎকে খন্ত্রে, মম্নবা কা অদুগী মনুঙদা মম্নবা রাখল মরক্তা মমিং উইশিন্দুনা লৈখ্রে। মতম অদু কদায় য়ৌনা থেঙখ্রবনো হায়বা ফাওবা খঙখিদ্রে। রাখনগী মঙ বয়াগী মরক্তা য়াম্ভারিগীদা খঙহৌদনা চৌংন্নুংগী দেক্লা অমা খোংলকই, নরেশ মঙ কায়বগী মতৌঙম ফুক হৌগৎলি। নোং ঙাল্লবদি মহাক্লা চৎপদা মী উরগনি খল্লদুনা নোং ঙান্দ্রিবৈদা চৎহৌরগে হায়দুনা মপোং মচৈ য়োম-শিল্লগা নরেশ তুমিন্না ইমুঙদগী মপাল থোকখ্রে।

সুরেশ নরেশকী চিঠিদু পারগা ওহাক্তং রাখল তৌই,—অহল অনি অসিবু ঐনা য়োকপদি থোইদোক্লদুম লাইবক ফবা রানি। অদুমু নরেশকী পাউ অসি মখোয় অনিদা করিমত্তা ভাতন্দবদি চুমগত্রা, মদুদি কয়া চুমকাস্তে। মহাক্তী পাউ অসি তাবদা অহল অনিগী থম্মোয়দি শোক্লনি অদু ওইদুনসু হায়ফমদি থোকই।

তুমিদাংরাইদু সুরেশ মশম মনা নিংথিনা হাত্তোক্লগা মফি মরোল নান্না শেংলদুনা নরেশহোয়দা চৎখ্রে। নরেশহোয়গী কোম্থোওদা জিপ মখোল তাবদা যাত্রাসিং অমসুং তোম্বীমচা হন্না রেংথোকই সুরেশপু উবদা মচাগী পাউ ভানিঙবনা খৌরাংনা ঙাইরম্মি। তোম্বীমচানা সুরেশপু উবদা হরাওবগী পিরাং চেন্নদুনা হংলকই,—ইমাগী ইবুংঙো মহাক্তী করি পাউ তাবগে মহাক কদাইদা লৈরি হায়বগে? যাত্রাসিংনু মতেং পাওশিললকই,

—ইবুংঙো করম করম তৌরি হায়বগে করি পাউ তাবগে? মখোয় অনিগী য়াম্না লাওতরকবা অমদি অঙ্কবা অমসুং হুংঙাইবা পাউগীদমক খৌ-রাংশিবত্থু উবদা সুরেশ মশামকী পাউত্থু হায়নিঙ্ড্রে। মহাক্না হায়গদৌরিবা পাউ অত্থুদি অহল অনি অত্থুদদি থম্মোয়দা তাশোম্না খিনবগা অমঙ্বা ওই-রবা রাকম্নি। অত্থুম ওইত্থুনসু লোত্তুনা থম্বদি চুমদে, মরমদি মকম খঙড্রে হায়রবদি মত্থুনা অমুক্তা হেন্না হাইনবা য়াই। মবম অসিদগী সুরেশনা থেমজিনবা ওইনা হায়রকই,—ইমা মহাক হৌজিক্তি য়াম্না করে তোম-বীমচানা হরাওবনা লুতোন কারত্থুনা খুম্নি,—অং, ইবুংঙো কমদৌবা মহাক হৌজিক কদাইদা লৈবা?

মহাক সিপাহী ওইখ্রে।

এ, ইবুংঙো করি রানো, অত্থুদি মহাক লাল চৎখ্রবা নত্রা! তোম্বী-মচানা ওক্না খুম্নি।

যাত্রাসিংনসু অমুক হংই,—ইবুংঙো অত্থুদি করম্না মওংদা চৎখ্রিবনো?

সুরেশ রাখল তৌনা খুম্নি, -মহাক্না চৎখ্রিবসি লাইরিক লাইশুদি খরা হৈরবনিনা ফমদি খরা চাউনা চঙলবা য়াই অত্থুগ থবকসু অত্থুক হাকনা যাম্না রারমদবা য়াই।

অত্থুবু ইংবুঙো লাল চৎপা হায়বসিদি তম্বা ওম্বা নৎতেদো, হল্লকানি হল-লক্লোই হায়বা কনানা খঙগনি, তোম্বীমচানা পিরাং চেন্না হায়রকই।
যাত্রাসিংনা থেমজিল্লি,—মুপা মচা খোক্লবু থবক তৌখ্রবদি ফবে মরায়বক চাং য়েংলুসমু শিববু নও ঐনা তম্বা ওম্বাপোৎলা, পোকপু পোক্লবদি শিবা হায়বত্থুদি শোয়ত্রবনি। সুরেশন্থু মতেং পাংশিল্লি, হোয়দ, ইমা করিগীসু পংবা রারুগবনো, মুপা মচা থৌদাং য়েংলুসনু ইমাহোয়ানাদি ঐ েরিদন।। ইমাহোয়না অপাম্বদা হাযবিযু ঐখোয়দা লৈকরগি হাযবসু য়াগনি, ঃমসিদা অমুম লৈথিগে হায়বসু ঐন, মুংঙাইনবা অ২ম হে ৎনজগনি।
যাত্রাসিংনা শম্না খুম্নি, -ইবুংঙো মতম থনদি য়ুম পাসি থাদোকশিন্নোই, য়ারক্লবা মতমদা য়েংবা হায়বত্থুনি

ওমিদি সুরেশনা সুমিৎংরাইদগি কোয়থোকনিংবদা ইরাং অমা কাওদনা কুইনা লৈরমগে, চংলগে হায়রদুনা চংখ্রে। সুরেশ গাড়ীদু থংবক-কোয়দা থোক্লকে। কৈশামপাৎ গুণসম য়েঙবদা কদাইদগিনো খঙদ্রবা হাইবং হাউবং চত্নবা লৈরম্মি। মহাকনা মতোমদা চংপদা সুংঙাইত্রবনা থঙবু কৌথংলগা কোয়রুসি হায়দুনা পুবকে।

কোয়রুগে হায়দুনদি লাক্লে অদুগা কদোমদা চংকদবনো হায়বদুদি কেন্না অমরদুনা থদুদা কদোমদা চংসিগে হায়দুনা হংই। থদুনা থোইদোকপা অকককনবা মফম অমদি লৈত্তবনিনা, চংনিঙবা মফমদা চংলু হায়রে। সুরেশ থোইদোকনা থল্লবা ভৌদনা মনিংলোমদ অদুম থোথখ্রে। যদুনা কদায়দা চংকদৌরিবনো হায়না হংই, সুরেশনা কেশেংনা খঙদবনিনা অশ্বাই ক্বাওবা অদুম চংলুবা হায়বদুনি হায়দুনা অদুম মখোই বীনাহোয়গী মপ। য়েঙবদা হাইকেং য়েংশিল্লি মহাকী কোন্থোক্তদা থেংলিবা শাইনবোর্ড অদু উরুরে। শাইনবোর্ড অদু উরুবদা ওন্থোকপা রাখল অমা পোকখি ইকায় খুমদি য়াম্নবা রাখখি, ঐগোন্দগী অদুক রাংবা থাক্তা লৈখ্রবা মী অসিবু ঐনা আশা তৌরবা চুম্নিব্রা? সমাজগী মিংয়েংদা মহাক্তা ঐগসিবু থাক চায়রিব্রা? মহাকনা ঐবু করম্না খল্লমগনি। মহাকী পুকনিঙ মুম্না খল্লদনা ঐনা মহাকী আশা তৌরবা চুমদে মদুমকনা মহাক্তা অমসুং ঐগী পুন্সিগী লম্বীদা অকায়বা কয়া থোকপা য়াই।

সুরেশনা য়া অমত্তা হাংদনা ভুমিন্না করিগুম্বা রাখল অমদা লুম্না উরবদা যদুনা হায়রকই,—সুরেশ বাবু করি খল্লিবগে ভুমিন্না অদুগা কদায় য়োনা চংকদৌরিবনো?

ও, হন্নবদু য়ারে।

সুরেশ বাবুনা চংলিবসিদি থবক য়াওদন চংলিবনিনে।

য়াম্মি, কোয়থোক্লবা কুইরদুনা অদুম ওহাক কোয়থোকপনি।

গাড়ী য়মাংদা লৈদুনা অমুক হল্লকে। লম্বীদা যদুনা রাখে অমা কুরকই, —সুরেশ বাবু থবক্তী পুন্সিসিবু করম তৌবগে? সুরেশনা য়াম্না হৈনিঙ-ঙনা খুম্মি,—যদু বাবু থবক্তী পুন্সি হায়বসি য়াম্না ক্বংঙাইদবো, যদু বাবুহোয়নু

থবক তৌবিদ্রনে। হোয়, যম্না থুদ্দি,—মদি মীনী নীনি [illegible] হায়রদু ওইরে, সুরেশ বাবুহোয়না থবক্তা মন্থও-তাইবা অদুদা ঐহোয়না শরোক্তা হবৎ হন্দা চৎপসিদা মতুঙ-তাইবা, মুংঙাইবদি যাম্ননি মতং থেন্নবতনি। অনিমক ময়ী শাহুনা গাড়ী থৌগৎলকপদা খ্বাইরমবন্দ য়োক-বদা হোটেলদা চঙছুনা চা কপ অমমনতং থকমিন্নরে।

ওসিদি সুরেশংসি পোন্দগী থোরকপা উচেকুম মহাক্কী পুকনিঙসি মকা-লায়া উই। থবক্তগী ওহাক্তং পোত্থাতুনা কুম্থে য়েংবা কোম্নথোকপসিদু মুংঙাইত্তবা নত্তে, হায়ব। রাখল অদিমসু সুরেশত্তা পোকপগুম তৌই। লম্বী শরোক্তা চৎলিবা পাখঙ শৈশাবী কদাবুসু উরুরগা পুক্লিঙদা অনৌবা ঈহুল অম। ফাওরকপগুমসু তৌই অদুবু তশেংনমক মহাকনা ওইম্নিবা ফিবম অদু কয়িনো হায়বতুমদি মন্না থওদে। চা থকপা লোইরম্নুনা সুরেশনা যহুদা চৎলসি হায়বক্নে। যহুনা মহাক্কি নৈজৌরগনি থবক নৈরি, হায়রবদা সুরেশ ম'তোমদা হনখ্রে।

গোপাল মুংশুক মুংজানত্তুনা মতোমদা ফমহুনা লৈরম্মি। সুরেশনা প্রেপ প্রেপ চঙখিবদা গোপালনা ফুক তৌগত্তুনা হায়রকই,— তাম্মো ওসিদি কদাইদা চৎলুবগে মী য়াম্না লাক্রম্মি। সুরেশনা ফিংনা হংই,—কনা কনানো!

গাড়ী শেম্বিয়ু হায়বা মীশিংনি।

ও, হয়েং মরাইনা লাকচগনি, সুবেশনা হৈনিঙদনা খুম্মি।

গোপালসু সুরেশসি মওং অমা তৌরে হায়বা কাওবদি থওদে, অদুবু মহাকনা মথাক্তানা রা হংগদবদি হঙোইহুনা মথা তাত্রে। চাক লোইরে হায়[illegible]। মবানি চাক চানিন্নরে অদুগা মাগী মাগী ফমুঙদা চঙনখ্রে। সুরেশনা হিপ্পা হিপ্পা খঙ্লি,— ঐনা য়ীনাদা তৌখিবা লমচৎ অদু কায়ে, য়াম্না চাওখত্তবগী মওংনি, রাহৌগদ্র, হায়হুনা চিঠি অমত্তং ইহুনা পোং-থোকলিরা! অদুবু মহাকনা কদি থাবগদবগে হায়বহুদি খওদেলো। অদিগুম্না চিংনবা রাখল কয়াগা লোয়নদা সুরেশ তুম্নখ্রে।

(২০)

রীনাগা উন্নকল্লবা মতুংদগী চিত্ৰলেখা, অনৌবা আশা অমগা লোয়ননা য়াখল থনবা হৌখ্রে। মহাক নোংমত্তা ময়ুমদা ফমহনা লুংঙাইনা মতম লেপ্লে, অয়াম্বা মতমদা মপাল থোকুনা সমাজগী ঈমাঙ য়েংই, মহাক্না ত্তোবা য়াবা থবক করিনো হায়বসি মুন্না খল্লি।

হৌজিকমক্কী সমাজদা ওইরিবা মুপীগী ফিবম অসি য়েংবদা মহাক ৎহাক্তা পুকনিঙ লৈত্তানা লৈখোকপা ঙমদে। য়াইফ লুংঙাট ইমুঙগী মুপী অমা অনি উরুরগা অমদি লাইরিক লাইগু হৈবী সহবগী মুপী খরা লৈরগা মুপী পুম্নমক অনি লোইনা ফরে, মত্তিকচারে হায়বা থক য়াত্রি মরমদি মখোয় অসি নত্তবা মশীং লাকঙমল্লবা লাইবকথীবীগী মফুঙচন্নবা মুপী কয়ামরুম লৈরি, মখোয়শিং অহুবু অরাংবা থাক্তা পুখংলকপা ঙমত্রি-ফাওবদি মুপী কাঙলুপ অসি ফিবম ফরে হায়বা য়াত্রি।

চিত্রলেখানা মমিংথুদিংগী তত্তনা থেংনৈ মুপী কয়ানা পূবম থঙদনা লম্বীদা শরোক্তা চংলিবা; কয়া অমনা মপুরোইবনা হুন্দোপিবদগী ওক্তবী শীংদা চল্লুনা সমাজনা য়েংখিবা মিংয়েংনা য়েংবিরিবা অমুকন্থু কয়া'মনা শেল পুখোকচনিঙঙাই লৈত্তবদগী মহাকনা হৈজবা শিনবম অমু কাওবা পূজবা ঙমজদহুনা লম্বী শরোক্তা নোংমগী অচা শেল অম্লুনা চোক হোনবা, মুং হোনবা, কাংক্রিক হোনবা অমিনচিংবা থবক্তা য়াওরিবা।

অনিংবসু নত্তনা মমা মপা লৈজরবা অতাং কয়াসু মাউকোনবীনবা লৈতবগী লম্বীগী চাকনিবা ওইরক্লিবা অমদি ফত্তবা থবক কয়াদা হৈনরতুনা সমাজগী মাঙননবা মচাক ওইরক্লিবা। অদুবু মথোয়শিং অসিগী মরক্তা শেমগৎলগা মমল য়াম্রবা লৈবাক্তী মণি ওইবা য়াবা কয়াসু য়াওরিবনি। ময়াম অসি উকরগা চিত্ৰলেখানা খল্লি. অসিগুম্বা তোল্লবা জীবশিং অসিগী হিংনেবা লম্বী অমতং পীবা ওয়বদি পুন্সি'সি মহয় য়াম্লে হায়বা য়ারে। অদুবু মহাক্তি লায়রবীনি, য়াখল বুদ্ধি, লৌশিংতনি মহাক্কা লৈজখিবা, থবক ওইনা পাঙ-থোকপদা চঙলিবা মরু ওইবা পোৎচঙ, শেলদি মহাক্তী লৈজদে। মরম অদুনা অয়োইবদা মহাক্তী মরুপ ইনাকখুনবী য়ৌনাগী মনাক্তা চৎপা তারকই. মহাক্তা তাম্রদনা থবক অসি পাঙথোকপা ঙমগনি হায়বা খক থাজদে। চিত্ৰলেখাগী থম্মোইদা য়াখল অসি অসিয়োনা চুপ্তে মতুদি য়ৌনানা করিগুম্বা পীবিজ্রবা ফাওবদা মহাকনা নিজ-হুমজতুনা অমসুং অয়াবা মীশিংদগী শেল খরা খুরা পূজরগা মহাক্তী আশ্রম অসি লিংখৎলগে হায়না।

চিত্ৰলেখা য়াখল খল্লবদগী ফম্বা য়ারক্রুহনা হৌগৎলগা সাইকল ইম্থোক-তুনা তুমিন্না থোকখ্রে। অশংবীসু য়াদি হংদনা চিত্ৰলেখাগী মওংদু তুমিন্না য়েংহনা লৈহৌই।

মতম অদু নিংথম থা লোইরমদাইগী তুকক তুফাই চল্লবা অয়ুকনি। অয়ুক্তী পুং তরেৎলোম তাবা মতম ওইশিনখ্রে। য়ৌনা তুমদি তুমখ্রে অদুবু কমুঙদা য়াখল তোত্তনা হিপ্লি। মহাক্তী য়াখনসি অতে থোইদোকপা অমা নত্তে, নহান নোংমা সুরেশনা মঙোন্দা তৌরকপা থৌদৌ অদুগী মরীদনি। সুরেশনা মঙোন্দা উৎখিবা লমচৎ অদু খল্লুরগা শাউবগী মহুত্তা হুংঙাই-লিঙ্ঙাইনি, মরমদি প্রেমিক অমনা প্রেমিকা অমগী মফমদা নাউথি শাজবা হায়বসিদি মহৌশানি, মদুনসু হুংশিনগী অনৌবা ঈনোং হায়মনি। প্রেমিক প্রেমিকাগী য়াখল হায়বসি ময়ামদগী ইতোপ তোম্রনি,—য়াহৈ অমনা পুন্সি'সি মপান নাইদনা হ্লাঙাইবা টপাক্তা তাউহল্লি অমসুং হিংহনবা ঙম্মি, অদুগা য়াহৈ অনজসু মিকুপ অমগী মচুঙদা পুন্সিনিবু

মসক য়াওবা য়েংবা পোংনি খন্নুনা খোইহনবা ওন্মি। মুক্কপনি।
মুংশিবগী জগৎ ফায়বসিনু। অসিদি য়ীনাসু অসিংঙবা মুংশিবগী জগৎ
ফংদিবা থুখুনা অগা মুংঙাইগী ঈপাক্কা তাউরিঙৈদা, চিত্রলেখানা প্রণ
প্রণ চঙশিন্নরকুনা কম্মাঙদা চপ লেপ্লরে। য়ীনা মুঙ-ফাওনবগুম ফিংলপ্পনা
য়ায়রকই, করিগীনো অমুক ওন্না!

মঙনা হৌগত্রগা ওল্লি হায়বা য়াল্বা, চিত্রলেখানা নোক্লহনা থুন্মি। বা
ঙাংনে-ঙাংনে চৌকি অমা চিংশিনজনগা মতোমদা ফমজরে। মথা অমুক
তাথরকই, অঙইবনি, থেঙলেনে পৌগংলো, করিগীনো নহাকনা য়াহৌ
অমুক যাম্মা থেঙলিববে? করি পাগদা তৌহ্না ফমুংদা হিংগিবনো?
য়ীনাসু নাকুনা থুন্মি করি য়াথং খল্লুগনবগী হন্দুন অমুম হিংখিবনি।
ঐমা হায়বদি নহাক সুবেশ উকন্দ্র, থাগল লৈতাদ্রবরা হায়বনি চিত্র-
লেখানা ফাগি তৌই।

এ অহুক জিবরংবো, য়ীনাসু ফাগি ওইনা থুন্মি। অনিমক ওহাক
নেংকমিন্ন।

জিবরস্থ কুইন উম্মকদ্রবদি অহাং. উম্নবংদি ঐমো নৌবংদি চিত্রলেখানা
মথা তারকই।

য়ীনানা নোকুনা থুন্মি মীগী পুরিঙকস্থ খঙবিরেদ, যণবুতমা যণশক
খঙডি হায়বহু তৌরেদনা

চিত্রলেখা ইকাইরপ তৌই, মমাযহু লোংকপ তৌই। চিত্রলেখাগী পুকনিঙগী
মওংহু খঙলহনা য়ীনানা নাতৈ ফাংলোঙবা পুংতুনা হাযরকই,—
জাতিদি অর যবনদ অমুম মুংঙাইংগী ফাগি তৌনবনি, নহাক্কী থবক্কু
কমদৌসি হাযবা। মহুগী মবমদা থবা থম্নরসি অহুগা তৌবা য়াবা থবা
তৌহুনা হৌনবা তৌবসি। চিত্রলেখানা থবায় য়াওনা থুন্মি,—অহুগী-
মকনি ঐনা লাক্লিবসিস্থ, করম তৌসিগে হায়নহু থবা থম্লসি। য়ীনানা
তাবংজানা হায়রম্মী,—ফরে থবক অহু তৌবা হায়নদি লেপ্লসি, অহুগা
থবক অসিগী প্লাউতাক পীবিনবা রাজেশ্বরগী মফমদা অমুক্তং চংলুখিসি।

মহাক্কি 'অহৌবসু ওইরবা অতৃগী মথক্তা লাইরিক লাইওসু লিংথিনা কৈবা মীনি। মহাক্কা ঐখোয়গী পাউতাক পীবিনবা অকক্ত অমা ওইনা লৈবদি কৈ হায়না থল্লি। অতৃগা মতাক মশামকন্থ' অসিঙ্কা মীয়ামগী ওইবা থবক্তা য়ান্না থত্বায় যাওজবা মীনি।

রীনা অমসুং চিত্রলেখা অনিমক রাজেশ্বরহোযদা চৎলসি হায়না লেপ্লে। চৎলমদাইদ' রীনানা হঙ্গ'লদা শিন্নরম্মি—ভাদা, ঐহাক চিত্রাগা পাবুং রাজেশ্বরহোয়দা চৎলুশিগে, অরা থেংনা হল্লক্লবস্তু, ঐগী ইতুওদা চিঠিনং চিংবা লাব্রইদি থবা কৌশিংবুনা থম্বিরম্মু। মখোয় অনিমক গাড়ী তোংথক্ক্না চৎখ্রে গাড়ী মখ্রদা রীনানা রারী শারকই,—চিত্রা, মীওইবগী পুক্নিঙ হায়বসিব্ ববম তৌবমগদগে, ঘড়ীগুম্না চাবি থান্নগা লৈহৌনা চৎলমগদ্রা নত্রগা মহৌশাগী খুৎশেমগুম্না মতোমতা চাং নাইনা থবক তৌজরমগদো। মসিমক শল্লবদা থোইনা অংকপা অমনি। চিত্র-লেখাসু পুক্নিঙদদি অমা থল্লগা নীংবানতনা ওাংবগুম ওকই,—খঙদেদা মসি মীশক মীশক অতৃগী মথা পোল্লি। অতৃগা ঐনা নিওজবা অমদি লৈ, মতমগী মতুঙইন্ন হোংবা হায়বসিদি শোয়ত্রবনি। রীনানা নো-ক্কুনা পুম্বি,- হেন্না নঙোন। শায়বাসিবু মতমগী মতু ইন্ন। ওল্লি হায়তুনবু, মমাগনা মচাগা নুংশিনবব্ শুনবা যাত্রনে। চিত্রলেখানা,—অতুবুদি হাযত্নুনা অনিমক নোকামৈ

রাজেশ্বর মতোমদা লৈ। শাস্ত্রী পুজারী অমগা চপ্রাসি ওই মালী ওই তৌব। অমগা লে। মহাক্না লৈবিবা যুম অতু কা অহুম্মি অতুগা মাগী চেম্ববদি তোঙাম্না লৈ। মহাক্কী চেম্বরসি যুমগী মমাঙ থরা চথৎনা মমাঙ ওইরপক্তৌনা লৈ। মহাক্কী গেট ফজনা শাই; গেট অতুদা 'রাজেশ্বর এডভোকেট' হায়না ফজনা থাই। যুংগী অকোয়বদা লৈ-শূ নিংথিনা থাই। ম'নঙলোমদগু হেনৌ পাম্বী খেবোং পাম্বী, লফোই পানবা লফু বাজনা থাই। মশাগী শাক্লেনগু যাম্না বনি, অমুক ওন্না হৌগৎলগা মাংল অনি অহুম কোইথোকই, হল্লগা ওক্কখোকপা, জোকরগা মহাক্কী অমুক্কী

চাগদবা থন্না চারবা কোম্না চেন্নরদা থোকই। মহাকনা চেবরদা থোরকপনি অমুকী পুং নিপান, নিপানমথায় য়োম তাবা মতমদা হেক হেক থোকই। ওনিমু মতম ওইরগুনা রাজেশ্বর মহাক্কী চেন্নরদা কান্নি। কেশ থরম্ব শূন্নি। মতম অসিদা রীনানা মাঙ থারগুনা চিত্রলেখাগা মখোয় অনি চঙমিন্নরকই। রাজেশ্বরসু মী লাকপগী মখোল তারদুনা আনোক্ক্ গা লোইননা হক্কংনা য়েংথংলকই। রীনাবু উবদা কৌশিন্নগা কমহক্লে। রীনানা হান্না চিত্রলেখাবু মহাক্কী মকুপ্থি হায়না তাক্লে। রাজেশ্বরনা খন্নম্মি,—মহাক্কী মরুপ অসিগী কেশকীদমক লাক্লিমাক্লে হায়না। মরম অদুনা কন্নিগীনো করম্বা কেশকীনো হায়না হংখি। মহাক্কী রাহং তাবদা রীনানা নোক্লদুনা খুম্মি,—কেশকী নত্তে, রা অমা তান্নবা লাকপনি। ও, করিনিনা, রাজেশ্বরনা হংই।

মতুংদা রীনা চিত্রলেখানা তোগে থন্নিবা থবক অদুগী মরীদা রান্নী শারে অমসুং মদুগী মরমদা মহাক্কী মত কন্নিনো অদুগা থবকনা মওং করম্না চথরগা কগদগে হায়না হংলম্মি। রাজেশ্বরনা মখোয়গী রারীদু মুন্না তারগা মহাক্কী মত পীরকই,—ইবেম্মা, মদুদি তৌববু ওন্নবদি খ্বাইদগী হেন্না কবা থবকনি, রীনাদা ওনশিন্নগা অমুকসু মথা তারকই, নহাক্কীসু য়ান্না করে, মমানা লাইদা কংলিবনি হায়রদুনা উচি চাকহোন তৌদুনা লোইশিনগ-গদবগী শরুকপুদি কান্নবা থবক অমদা শিজিন্নবনা হেন্না কৈ। লমগীদি ঐনা পীরে, হৌজিক রারিবসি যুম শাবগী রাকন্নি, রাজরবদা লুপা লিশিং কুনলোমগী লরকান্ননি রীনানা মথা তারকই।
রাজেশ্বর, ওহাক মক লুকথদুনা রাখল য়ান্না মুন্না তৌই। চিত্রলেখাদি মতাঙ অসিদা উপায় লৈক্তদবনি। মখোয় অনিগী রাকা তাইদুনা লৈরি। চিত্রলেখাগী মতম কুইনা মঙজরক্লবা মঙ অসি মপুং ফানা মরম য়ানবা রান্দবা হায়বসি হৌজিক্তি রাজেশ্বরগী মথা পোন্নবনি। মরম অসিদগী চিত্রলেখানা রাজেশ্বরনা করি হায়রকদগে হায়বসি লাঙতকননা তাইখি। রাজেশ্বরনা ওহাক রাখল তৌরুরগা হায়রক্লই,—করে, নহাকনা লমসু কং-লবনিনা মপুং কানা পাঙথোকবগীদমক চঙথদোরিবা শেল অদুসু

পুখোক্লো অহুগা আশ্রম অহু নহাক্কা থোক্লিঙবা নপাবুং নক্রগা নমাগী মিংদা থোক্রো। মসিদা নঙনা করি খল্লিবা ? রীনাস্থ রাসি কাগি ওইরক্লমনিনা রা ঙাংদনা ছুমিন্না মরু লুকখহুনা রাখল তৌরগা খুম্মি,— রাকম অসিবু ইমাসিনা... .....।

মহুশীদমক্তি নহাক করিস্থ চিংনগস্থ, ঐনা য়ানবা হায়নগনি।

ইবুংসিংগী মতাম্না ঐদি কয়া থাজদে।

রাজেশ্বরনা নোক্লহুন্না হায়রকই,— ঐনা হায়বসে থাজৌনে, নঙোন্দা সমপত্তি পুম্নমক উইল তৌহল্লিবহুস্থ ঐননিদো অহুগা মহাকপু শ্রীধামদা লৈক্লো হায়হুনা থাগ্রিবসিস্থ ঐহাক্লনিনে। নমাসে মথোং চাত্রবস্থ অকবা হায়রবদি খরা খরা য়াবনি। মহাকীবুদি ঙরাংদস্থ ঐঙোন্দা মন্দির শাগুনি আখায়া শেমগনি লুপা লীশিং তরা পীরকউ হায়হুনা চিঠি ইরক্লবনি। অহুদি কম্দৌনি পীরয়োইত্রা ? রীনানা হংই।

রাজেশ্বরনা নোক্লহুনা খুম্মি,—পীবা পীদবগী রাহু নঙনা কৈস্থ থনবিক্ররস্থ। ঐনা হায়রিবসে নহাক তৌরো।

অহু . পাবুংস্থ খরা পুখোরকউদনা, রীনানা মখা তারকই।

ইয়া, নহাকী লুপা লীশিং কুন্দুনা লোইরে খল্লিত্রা, য়াম্না রাংলি চঙগদবা, ঐস্থ হন্দক্তা অনাঠ আশ্রম অমা কংখ্রিবনি। অহুম ওইহুনস্থ ঐনা অঙবা মচেঙদি পীননবা হোংনগনি। হৌবু হৌখ্রবদি সরকারদগীস্থ মচেঙ লৌনবা হোংনবা হায়বহুনি। ঐনা হায়রিবসিদি নঙগী তুং মাঙ য়েংহুনা হায়রবনি। অকবা থবক তৌরবা হায়বা অসিদগী হেনবা অচৌ অমা লৈত্রবনি।

হৌজিক রীনাস্থ য়াদবা ওমত্রে, মশানস্থ খরা পাম্বনিনা রাজেশ্বরনা হায়রিবা রাকমশিং অহু মহাকস্থ য়ারে। তৌবগীবুদি রীনাগীদি লীশিং কুন অহু লৌথোকখ্রবস্থ থোইদোক্লা ময়েং তাবা নত্তে। চহী অমগী মতুং তাইথোকপদা অহুম হজিনবা পোংনি। আশ্রম অতুগী মরীদা তৌগদবা হায়বদি মিংথোনবা শাগদবা য়ুমগী মঙং, চঙগদবা শেঙং অসিনচিংবগী থবক পুম্নমক রাজেশ্বরদা শিন্নরগা মখোয় অনি হল্লক্লে। রীনানা চিঙজেখাবু অয়ুমদা লিন্থবিক্লরে অহুপা মহাকস্থ ময়ুমদা হল্লক্লে।

(২১)

য়া ময়াম অসি পাক লোইশিনবা য়াবা য়া নত্তবনিনা নৈনরিতৈনা চিত্রলেখানা মমুমদা হন্নকপসি ফনা য়াম্না খেঙলে, মুমিংমুংবা মতুঙ ওইরে। মমাখি ফনবু মুংশা থীরক্লরে, অয়ুক য়াহৌবদগী চংখিবনা মুমিং মুংবা মতুঙ কাওবা হন্নক্রুমদা॥ অশংবীদি চাকচাবা লোইরক্লনা মচানুপীবু ঙাইহনা লৈরি। চিত্রলেখানা হরাওনা প্রেপ প্রেপ চঙশিন্নকই, ইমুঙদা গাড়ী ইনশিনখ্রগা মফি হোংদোক্লুনা ইরুজনবা থৌরাং তৌগ্রে। মমানা মাজোক্কগী করিগী অদুক খেঙলিবনো হায়না হংই। চিত্রলেখানা হন্নাওনা খুম্নি, ঙসিদি য়াম্না মুংঙাইরে ঈমা, কোম্না য়ারী শাসি। চিত্রলেখা ইরু-জখোক্লুনা চাক চারে। মমানা খল্লি, করিনো মহাকনা মুংঙাইরে হায়রিব-সিবু মহাকী থবক ইনথাং ফংলত্রা, মহু ওইরবদি য়াম্না ফরে ; ঐখোয়না য়ারক্লিবসি ফুইরে।

চিত্রলেখা চাকচা তোক্লগা মমাগী মনাক্তা থোরক্লে। মহাকনা ঙসি চংলুরিবা থবক্কী মরীদা য়ারী শারে, মহাকমক্তি খোইদোকনা মুংঙাইবগী মওংনি অদুগা অশংবীদি মহাকনা মুংঙাইরিবা অদু য়েনা মুংঙাইবা ঙমদে। মহাক্তি মচাগী য়াখল অদু খোইনা পাম্বগী মওং লৈতে মরমদি মহাক্তি মহৌশাগী ওইবা অথুবা মিংয়েংদগী লাম্থোকপা ঙমজ্রিবীনি। অদুগা মহাকপু ঐখোয়না চিত্রলেখাগী চাউরবা মিংয়েংদা য়াওবা ঙমবে হায়নমু য়াহৌকম খোক্তে মরমদি অশংবীহোয়গী লেজাদদি অলিঙবা চাওথং য়াখলগী মঙাল অসি ফাওরক্লিবনি। চিত্রলেখাতবু হৌজিকী মীয়োল ওইদবা চাওথং লম্বী কয়া উক্লবা অমম্লুং খেংনরুবদগী খঙবনি। অশংবী-হোয়গী মতমদদি মগাগী অমম্লুং ইমুঙ ঙিম্নুঙগী থজবমগী হেক্না খোইদোকপা

অতোপ্পা রাখল অমা চত্তবা ওমদবা অমম্তুং ওয়নবগী পাম্বৈম্তু লৈতবা মতম্নি। মরম অদুনা অশংবীনা মচাগী থবক্তা থোইদোক্না হৈনিঙবা লোক-বগীদমক ঐথোয়না করিগুম্বা শাউক্ম থোক্কে। অদুগা মসি কাওবদি হোং-নবা য়াই, মহাকপু লৌশিং তাকপিদুনা অনৌবা জ্ঞানগী মঙাল পীবিদুনা চাওখৎলম্বীদা পুরকপা। মদু ওয়নবা চিত্রলেখানম্তু হোৎনবা তাই। মরম অসিদগী চিত্রলেখান মমাদা থেমশি,- থবক অসিদা ইমাম্তু থবা মত্তেঙ পাংবিয়ু নত্রবদি থবা রাগনি। মমানা ভাব ইতা তাদনা খুম্মি,—ইবেম্মা ঐথোয়নবু করি তৌরুগদগে, অদুগী মথক্তা নহাক্কী থবক অদুদি শেল ফংবম্তু নত্তে, মদুনবু কম্নি কাম্নগদৌরিবনো। অশংবীনা থম্লবদি মতম কুইনা য়ারক্লিবসিগী অরামনসি থরতা ওইরবম্তু ফংবা য়ারে অসিনি। মহাকনা অম্তুক কুইনা খাঙলিবসিম্তু মচানা থবক তৌরগা তলব চাদুনা মহাক থব মুংঙাইজগনি অসিনি। মসিদা তলব চাবগী শেল ফংবগী মুংঙাইবত্তা নত্তনা অতোপ্পা মুংঙাইবা অমম্তু য়াওরি,—মহাক্কী মচা মপুদি থবক তৌরি তলব চারি হায়বসিদা চাউথোকচবা অমম্তু মীগী মমাঙদা চাও-খোকচবা পোকচৈ। অদুবু চিত্রলেখাগী ওয় তৈনবা রাখল তলব ফংবা থবক তৌরিঙদবা, মশাগী কাম্নবম্তু ফংদবা থবক অমা তৌগনি হায়বসিদা অশংবীগী থোইদোকনা নিঙবা কাম্নে। অদুবু রামিম্নরক্লবা অমম্তুং মুংশিবা মচা-নিনা মহাকনা তৌগে হায়না নিঙলক্লিবা থবক অদুদা থোইদোকনা পনবা পীগে হায়নদি থদে'

চিত্রলেখানা মমাবু ভাব তাহনবা ওইনা অদুগা অমরোমদনা নহাক্কী থবক্তা চিংশিনবা ওইনা হায়রকই,—ইমা, মীওইবা হায়বসি শিংনবা ঙাকনিদো, কনাম্তু অমম্তু থুবমদি ফংগদবা নত্তে অদুনা শিম্নিথৈদো য়ানা য়ানা অঙবা থবক থরদি তৌরম্বা চুম্মি। শিরগা হিংলিবা মীশিং অসি অকবা থবক তৌদুনা মিংচৎ তাম্নবা ঙাক্কনি, অকবা থবক তৌবদা ইমাগীম্তু অমাঙবা করিম'তা লৈতে। অশংবীনা য়ামৌরপ তৌনা হায়রকই, ইমাহোয়বি কম্নিবু তৌরুগনি, লাই থবা নিঙজবা, ওমজরগা শ্রীধাম অমুক্তং মৌজবা অসিতনি, ইমাহোয়না নিঙজম্নিবা, কয়াদা মরাইবক কম্লবনো

গয়জিনীশিন্নরোঙবি, মচাক মরল রাজবনিদা বৃন্দাবনদা লাইনিংঙনা অহল ওইরকপগী হৌনবী থবক তৌগ্রবনি, ঐখোয়গি লায়রকরিদা উপায় লৈতহনা পাপ মরক অসিদা ওন্দুনা লৈরেদো, চিত্রলেখানা মখা অমুক তারকই,—ইমা, লাই নিঙবা হায়বসিবু যুমদা নিঙলগা কংগে হায়রনে ? ঈশ্বর হায়বসিদি মকম পুরমক্তা লৈবনি, মীওইবগী থম্মোয়দগী ঈশ্বরদি লেওদনা লৈরিবনি, ঐখোয়না নিঙদহনা কংদবনি। ঈশ্বরবু কংগে নিঙলবদি মীওইববু লুংশিগদবনি মখোয়গী সেবা তৌগদবনি মহৃজা ঈশ্বর কংগনি।

করি হানোদা ইবেম্মা, নহোয়না লাইরিক থরা তম্মুরগা পংহায় হায়বা য়াব্রা ? নত্তেনে ইমা, অচুম্বনিনে মীওইবগী সেবাদা মথরায় পীথোকপা ওরবা মতম অহুদা শোয়দনা ঈশ্বর কংলকনি।

অহুদি শিরমদাইদা শ্রীমদ ভাগবত মত্তেক অমতং তারিবসি করিম্ন কারররোইত্রা।

করিবু কারকগদগে, চিত্রলেখানা হায়রকই, তিংলিংঙেদা মিকুপ অমা কাওবা অতোপ্পগী কনবা খনবা শুমত্রবা মহাক অহুনা শিরমদাইদা ভাগবত তারগা করম্না ঈশ্বর কংগদৌরিবনো। মসিদি ঐখোয়গী থাজবগী মতুংইন্না অমদি সমাজগী চৎনবী ওইনা তৌবনি। অহুনা অফবা পুক্তগী লম্বী তানগে হায়রবদি থবক তৌবা ওম্লিংঙেসিদা অফবা থবক তৌহনা পুক্তগী লম্বী তানগদবনি।

চিত্রলেখাগী হা ময়াম অসি তারগা অশংবৌ থরম্ব চুমোই নিংঙি অহুগা মহাকমা হান্না থাজরিবা অহুদগী পাকম্ব হোংদোকপা ওমদে, অরি-অনৌ লংদাইদা ওন্থোকনা রায়ে। চিত্রলেখানা তৌগদৌরিবা থবকশিং অহুগী মরীদা মহাকম্ব মুন্না তারবনি অমম্বং থঙলবনি মহুদা মহাকনা করি মতেক্ত পীরুপদগে হায়বহৃদি মহাক থঙদে। অহুগা অসি কাওবদি থজবা ওমদে, শৌন ফংবা মন্ত্রবম্ব থদক অসি কাওবদি ফজবা নত্তে। মহাকমা থরুদং য়ারিবা হায়থবু মহাক থবক অসিদা থরায় হুকচাং য়াওনা য়াওবা ভরপম্রা ওপোইদরা হায়বনিদি। অময়োমদা চিত্রলেখানা খজি, মথাও মহাকী

থবক্তা [illegible] [illegible] মখাগী [illegible] [illegible] [illegible] [illegible] পুকনিদা [illegible]নি। [illegible] মচা মপুক্কী [illegible] [illegible] [illegible] [illegible] [illegible] পাংখিবা [illegible] পুকনিদ [illegible] [illegible] [illegible] ওই। চিত্রলেখানা [illegible] [illegible] [illegible] [illegible] [illegible] থবক্তা শোত্তনা [illegible] হাত্তবনে মরবক্তি [illegible] [illegible] [illegible] চাউবী পুকচেল কনবী [illegible]পীনি।

[illegible] [illegible] কনা য়াম্না [illegible], [illegible] [illegible] [illegible] [illegible] মৈশানা চাক্লবা মীওই কয়াম্ব [illegible] [illegible] [illegible] [illegible] নামিবগী [illegible] [illegible] [illegible] মৈচাক পুম্নমক [illegible] [illegible]। চিত্রলেখাম্বু হুংথিনগী মৈশানা শায়বা পুম্নমক্তু ঈংনবা হায়রদুনা পুথ্রবা [illegible]থোক্ল্রগা শুমাঙদা [illegible] হকং-হক্না চৎলি।

চিত্রলেখানা অম্নুম্না মত্তোমগী বাথন্দা তাউদুনা লৈরিইগী কোক্থোঙদা গাড়ী অমা থাবগী মখোল তারে। কনানো মতম চানবা, হৌজিকপু মীনা লাকপ্রনে হায়রদুনা কোক্থোঙলোমদা য়েংথোকখিবদা, য়াং চাউরবা থবকি মরোল নাম্না শেংবা মুপা অমা মহাক তম্না চঙশিল্লকই। চিত্রলেখাম্বু থর্না থর্না নকশিল্লক্লবদুদা কনানো হায়দুনামুম্না য়েংলম্মি। মুপাদুনা অপমবা [illegible] চঙশিল্লক্লগা নোকুনা কৌরকই,–চিত্রা! নহাক থোক্লকপদগী অমুক্তা নিংথিনা ঊরদ্রি, [illegible] থবক থিক্তং শংই হায়দুনা ঊরগে লাক্লিবনি। চিত্রলেখানা হরাওনা খুম্মি,–সুরেশ বাবু লেঙশিনবক্লিরকউ, মায়োক্না [illegible] [illegible] বাক্তাম্ন শাখিন্দি।

চিত্রলেখানা ইমুঙগী চৌকি অমা [illegible]মায়োক্নদা [illegible], [illegible] [illegible] অমদা কয়ে চিত্রলেখানা মথাক্তানা হংলকই,–সুরেশ বাবু [illegible] [illegible] তৌরিবগে? ঐথোয়না তাবদি কারবার তৌদুনা [illegible] [illegible] [illegible] [illegible] তায়রনে।

কদাইদগীনোদা, মীনা পংহায় হায়জিনবনি।

নত্তেদা, সুরেশ বাবুদি শেল লৈরবা মীগুম্না উরেদা, শেল থম্না থায়জরবা তারি।

সুরেশনা নোক্লদুনা হংই,–করি তৌগদৌরিবগেনে?

চিত্রলেখানা মগাকী থবকী থৌরাঙশিং-অহু কুন্না তারী তৌরকনি। [illegible]

য়াবীহু লোইবগী মহুৎশিনবক শেল য়াম্না টিঙ্গি, মরম অদুনা চৈন থাবনবা য়াবে হায়বদি। সুরেশনদু ঙসাইমথে চিত্ৰলেখাগী য়ারীহু লোইদোকপা থবাক য়াম্না তাকি, মরক্তা কৰিগুম্বা অমত্তা থত্তনা। সুরেশনা মুক্তা তাক্পা হায়-রকই ; মীনাওবী লাক পণ্ডিগী মপু ওইরিবী মহাক্ৰবুদি কৰিগী কাম তৌ-মোইরগে, ঐদি মহাকনা শীরিবহুদি য়ামদে হায়রিবনি, থক্তুম হেক্না পীবা য়াদ্রি। চিত্ৰলেখানা থৰগা থবায় যাওশিন্না হায়ৰকই,—মীনাদগী সুরেশ বাবুনা লোইনা তাবা নত্তেদা, পংতোনদু তোম্না থনবিগদু, শামান লেংশিন্নবনিদা। অদুবু ঐদি মহাকা হিদাৱবদি পামজদে, সুরেশনা লেপ্না খুম্মি।

মীওইবা হায়বসিবু তাজা কংবদা ফোংদোকনবা ঙাইনম্নিবা নত্ৰা ?

থাদ্ৰি।

অহুদি খুদোংচাবা মংলিঙ্গেসিদা সুরেশবাবুগীদু মত্তিক মণ্ডপ থম্না উংহো-বনা চুমত্ৰনে, চিত্ৰলেখানা, কাগি ওইনা হায়ৰকই। নাত্তে অমরোমদা অমুকদু শমথৰকই, সুরেশবাবু মীনাবু উম্নবিরত্ৰা ?

উৱজত্ৰি, নহাল হুমিদাং অমা গাড়ী শেমখিবহু নত্তনা। অদুবু ঐনা য়াম্না হুংঙাইজবা থবক অমা তৌগ্রে, মহাকী রুমাল হন্দোক্লমহুনা ঐনা শিনহনুবদা মহাকনা নুপা অমাথক ঐগী মুপা মচানুদা পীরকই। অহুদা ঐনা শাউনিঙহুনা হন্দোকহল্লুরে মত্তুদা মহাক হুংঙাইত্ৰমাক্রে, ঐত্তোন্দা য়া থম্না হায়রম্মি ঐদু শাউনিঙহুনা থম্না হায়ৰে। মহাক থম্না য়ারোওথবাক্রে মঙ্গীদমক ঐহাক থম্না নিঙ্গুমহৌত্ৰে।

চিত্ৰলেখানা লোক্লহুনা,—হেৰা অদুবু কৈদৌই হায়বগে, লোংবা লেংলো-কনবগা লোইৰে, থম্মোইবু শেনরবাদি থবক খুদিংমকদি লোইনা কবনিদ, ঐদি সুরেশবাবুনি হায়হুনা য়ারোবহুম ওইরমগনি হায়না খল্লি। অদিমক থবায় তানা লোকমিত্ৰে।

অশংবী লোইদোকনা য়া থওবী মথানি। নুপা ওইরবদু নুপী ওইরবদু মচাগী মথায়বনি হায়হুনা লাক্ৰবদি অবৈবা থৱবংবা লেবা তৌজবা হায়বসি মহাকী চৈনবীনি। ঙসাইমথে ইমুঙদা চা লোন্দুনা লৈরি। লোইরবা মচাবু চা লোক্লো লাউ য়াম্না কৌশিন্নকই। চিত্ৰলেখা,

ইথুক্লো চত্‌হনা চা পৌখোকইরে, সুরেশতা কপ অমা পিরে মহাকনু থাইগী পায়রে। মহাক্না মাহ্ অমুক্তং চুমগা হায়রকই,—সুরেশ বাবু খঙবনা মীওইবগী পুন্সি হায়বসি তঙনা চেক্সিনা ইচেলওইনিদে, ইচেল অসি করিগুম্বা মতমদা থৈদোকখিবনু মরাওই। য়েংবিয়ু লো, সুরেশ বাবুদোমসমা ঐখোয়গা হাত্র ওইরিঙৈদা তৌরবা থবকশিং থমগা রাজনীতিগী ওসি ওইরিবসিগা করা য়াম্না খেন্নবা।

অওইবসি, চিত্রা, মীওইবগী পুন্সিগী খোঙচৎ হায়বসি তম্বা উমথে, সুরেশনা খুন্নি। নরেশকী ওসি ওইরিবা পুন্সি অসিবু অসুম্বা তৌসানি হায়বসি কনানা খাজবগে। করি তৌরবগেনে, চিত্রলেখা খঙনিঙলা হৌই। হায়রক্লবু কপি কাপ্রগদবগে, নরেশ তশেংনা অতাওবা ওইরে। মহাকী অহল ওইরবা মমা মপা হল্লোক্লবগা সিপাহী ওইনা চৎলে। অহল অনিমুদি.....................।

মখোয় অনিবু ঐনা য়োক্লি।

য়াম্না পুকচেল চাউবনি।

অদুবু চিত্রা, মহাকপু করিগুম্বা উপায় অমনা মহাকী লাকী পুন্সিদা অমুক্তা পুরকপা ঙম্লবদি ঐ ওহোক্লা হুংজাইগ্রনিদা। মহাকনু মকখি উপায় অমতদি থন্নুদনা।

ঐনা করি তৌবা ঙমগনি।

মচুনিলে ঐনা হায়রিবসে।

ঐনা খনখদি মহাকনু অকবা থবক অমদি তৌসি হায়না খন্নি।

করম্না ?

মরৈবাকী লুরবা চিরবা মতাঙ অসিদা মরৈবাকপু য়েকনবগী মথুক্কী কনগনি, মরৈবাকীদমক মথরায় থাগনি হায়দুনা চোংথোরক্লিবা মহাক অসি অকবা থবক তৌরিবা নত্রা!

অদুবু চিত্রা, সুরেশনা থম্রায় শোকনা হায়রমই,—অহল অনি অসিগী মতৌ য়েংলবসি নহাকনু নমিত্তগী নপি শোয়দনা তাগনি। মহাকপু খেমজিনবিনবা মী অমত্তং লৈরবদি মহাকপি কাজিনবা য়াগনি হায়না

[illegible] । [illegible] [illegible] [illegible] চত্থুনা [illegible] । [illegible]

[illegible] [illegible] [illegible] নত্তে, [illegible] [illegible] । [illegible]

[illegible] [illegible] [illegible] সুরেশবাবু,—[illegible] হায়রগে, [illegible] [illegible]

[illegible] [illegible] [illegible] । [illegible] অমুক [illegible] [illegible]

[illegible] [illegible] য়াম্বা [illegible] [illegible] [illegible] [illegible] [illegible]

লানথি, মরম অদুনা পদ্মাবতীনা চংগ্রবা মতুঙদা [illegible] [illegible] চাকহৌদবনি,

[illegible] [illegible] [illegible] । [illegible] [illegible] পাপকীদমক প্রায়শ্চিত্ত [illegible] ।

চিত্রা, [illegible] [illegible] য়াম্না [illegible] হায়রকপাদবে ।

চুপ্পি, থোক্লি [illegible] [illegible] নত্তে । সুরেশবাবুনা নরেশকীদমক ভাং- [illegible] [illegible] [illegible] পদ্মাবতীগীদমক, অমুক্তা হেন্না শেংনা হায়রবদা চুপ্পী হায়বা ঙাংবা অদুগীদমক য়াদবা ওমদে, মথোয়গী য়াইথবা শাম্মি । অদুনা নরেশনা য়ারিবদো মতীক চাবনি, য়াপদ্রু । অনিমক য়া অমত্তা ভাংদে, মিকুপ থরদংদি মকম অদু উন য়াইমুক চিকত্রে । অচিকপা খুদাই- [illegible] [illegible] হায়রকই,—চিত্রা, নহাক্কী য়ারীদগী খঙবদি নহাকসি [illegible] [illegible] অনা [illegible] সেবা তৌদুনা নপুন্সি লোইরগে, নহাক্কী নখাসি সেবাদা কথোক্লগে অসিনিনে ।

মারি ।

অদু ওইরবদি য়ারবা পোথাকম থঙত্রবা থম্মোই [illegible] নহাকনা ইংঙ্গেবা অসিদু নহাক্কী [illegible] সেবা [illegible] [illegible], [illegible] [illegible] [illegible] নত্তনা [illegible] কম্রি তৌবগে ।

[illegible] লোতুনা খুম্মি,—সুরেশ বাবু মহ য়াম্না চুবা বানি অদুবু হৌজিক [illegible] [illegible] মতম [illegible] হায়না খল্লে অদুনা ঐ মহাক্কী মরমদা থোই [illegible] মত [illegible] । নরেশকী বানি থরসি সুরেশ বাবুগীবু [illegible] [illegible] ?"

[illegible] সুরেশনা [illegible] মরমদা ধারী খরা শানিতদুনা লাকপানি [illegible] [illegible] [illegible] ইচা [illegible] [illegible] [illegible] । [illegible]

কংলবসিদবি মহাকনু থরা হায়রিগুঙি, মরম অহুনা মহাক্না খুনখি,—মহাকীদি কবিবু তৌরুগদগে হৌজিক্তি মীনাদি খুাইদগী হেন্না মতিক চারবী হুপী অমা ওইরবনিনা মহাকা লাম্বা তৌবদি মীনামকনা য়ারবা কাওবদা মহাক মশানা ইকায়রবা পোকচে। সুরেশনা হায়রিবসিনু চিত্রলেখানা খঙদবা নত্তে, মীওইবগী মশাদা কনমক অপাম্বা হুন্নশিবা লৈহনবু মহুবু কংহৌরোইদবগুম্না প্রপ প্রপ তান্নবা হায়বসি বাখল লৈবা মী ওইশিংনা কয়া তৌনদে মরম অসিদগী সুরেশনা ইকায়রহনা লৈখোক্রি-বনি হায়বসি মহাকনা খঙি। চিত্রলেখানা শমজিন্নকই,—কায়দে সুরেশ বাবু, আশ্রম অসি লিংখৎলবা মতুঙদা নুংহোংনবা থৌরাং তৌসি কদৌনি মহাকনু হৌজিক্তি তম্বা লোইরে অহুগা মখোয়গী ইমাশিনু বৃন্দাবনদা চৎখ্রে, মতোমন্তা মঙায়রে, সুরেশবাবুনু ইতোমন্তা ওায়রবনিনা, অনিমক অমত্তা হুংতাইরম্মরোই। সুরেশনা য়ুম্না তারগা নোক্লহুনা খুম্মি,—মহু য়াঙ্গিবো। করিগীনো ?

মঙোন্দা হংউ।

ও, খঙলে, ঐখোয়না খঙদবা অমনু লোত্তুনা লৈরিবোয়ে। হোয়, মহুনু খঙনবা হোৎনগে অহুগা ঐনা হায়রিবসিনু শোয়দনা পাঙথোকনবা তৌসি। অহুগা ঐগী আশ্রমগী শঙ্গাবা সুমিত্তা বার্ত্তন তৌরকনি লাক্তবা য়াদে। হোয়, তাঙ্গা য়েংবা হায়বহুনি, ইদি ইকায়রবো, অচৌ-অশাং কয়ামুকনু তিন্ননিদো মখোয়গী মরক্তা মতিকচাদবা ঐনা য়াওগদবনে, সুরেশনা কয়েন্নরকই। চিত্রলেখানা থন্নায় য়াওনা খুম্মি,—ঐগী আশ্রমদি অচৌ অশাংগী নত্তে লায়রবা অতোল-অতাংশিংগীনি, মহুক্কিদমক কন্নিনু হুংশো-থৌখিগনু। মতম থেংজিন্নরুবদা সুরেশনু চৎখ্রে, চিত্রলেখানু কোম্বোঙ কাওবা ফিতোক্লগা লৈহৌরে। সুরেশ, চিত্রলেখাগী শঙ্গাবগী সুমিং তাইহনা হুংতাইবা বাখলগা লোয়ননা হনখ্রে।

---

(২২)

মীনা মহৌশানিদু মাহৌজনবী মুশীমচাদি। ওসিদু অমুক ওস্তা হৌগৎ-লগা ইংখোলগী অকোয়বদা চত্তুনা হৈপাল, নৈপাল, থাম্বিবশিংদু কোয়না য়েংদি। মনিঙগী চাউরবা পুথ্রিগী শিড়িদা কয়রহনা পুথ্রি মহুঙদা চাম্বিবা ভাশিং অহুবদু য়েংদি। মরক মরক্তদু নফু পাম্বীনা হাই-হুম্বা অমগা অমগা থেংনবা ক্রেক-ক্রাক হায়বগী মখোল থোক-পদুদু তায়। মীনাদু মরক-মরক্তা অমুম্বা প্রকৃতিগী ফুমৈ য়েংবসি হুংঙাইজবা মীনি। অহুবু মহাকসি মমাশিনা চংখিবদগী ইমুঙ-মহুঙগী থবক পুম্নমক্তা মহাক্না য়েংশিনবা তাখিবদগী অসিগুম্বা প্রকৃতিগী জীবন-মচিংদা মায় কম্না ওনশিনুম্নবনি। ওসিদি পুকনিঙগী থৌইবশিন অমবা অমুম কোয়বদগী মহৌশাগী শকফম উত্রবদা পুকনিঙদা মরম মরাঙ থঙদনা ইমুংদ হুংঙাইবগী মশক ওইবা মওং অমা কাওরকই। মহৌশাগী থুংশেম য়েংবদা ওমহৎখিহনা মশাগী অরবা থবক কাওনা কাউথোকউরে!

থম্ভলনা চা লোইরহনা থিরকপদা মীনা পুথ্রিগী শিড়িদা কম্লিনহু উরহনা মনাক্তা চঙশিন্নগ চা লোইরে হায়রে। মীনা থাম্বাক্লা মাকায় বঙম থোকখ্রে, খংশ্রেক খংনা,—চৈমা কমিদো এৌনা তৌরিসিবু ওসিদি কেশ অকমা ফমা দৈবন, কাউবু কাউকদে হায়রগা থুনা মাঙনা অমী লাইরিক-শঙবা চঙখ্রে। কেশ অহু কায়োকাদুনা পানা থৌখ্রে!

মীনা উকিল হেক পাশ তৌবগী ওপি কাওবা কেশ অমত্তা লেপখ্রি। মাজেষ্টরগী মনাক্তা দৈহনা কেশ ভরজনি। মহাকনা মাজেষ্টরগী মনাক্তা

লৈহুনা কেশ অম্রিবস্তু মতম কনা য়াম্না কুইশিল্লক্লে, খঙবস্তু কনা য়াম্না খঙলে। চন্দক্তি রাজেশ্বরনা মঙোন্দা কেশ অমা লেপ্পু হায়রে। হায়রিবা কেশ অসি মুপীগী কেশনি মরম অসিদগী রীনাগ্নু কেশ অসি লেপকে হায়না য়ারে। মসিগীদমক রীনানা হোৎনরকপসি অহিং মুংখিল খাক্তনা হোৎনরক্লবনি। অতুগা অমরোমদস্তু হন্দক্তি মুপী উকিল অমনা মুপীনী-দমক লেপকদৌরি হায়না মফম অয়াম্বদস্ত রা-রা নিম্নরবনি। রীনাগীস্তু অহানবা কেশ লেপ্পা ওইবনা মসি থোক্তদোক্লা লুবা মতাঙ অমনি মরমদি মশিনা কথ্রগা মাগী তুংগী ফাওবা ফগদৌরিবনি ফত্রগনা অতুম কৎলোক্ত-দৌরিবনি। হীরম কয়ামরুম অসি খঙিল্লুরগা রীনা মুংশাখীদবা ওমদে, অহিং মুংখিল থায়দনা রাজেশ্বরগী মনাক্তা লৈহুনা নৈনহুনা লাইরিক লাইশু পাহুনা লৈগ্রবনি। রাজেশ্বরনা মহাক্কী মওং মতৌ অদু উরগা লেপ্পা য়ারগনি হায়না খন্দুনা লেপগল্লগে হায়না থৌরাং তৌরগ্রবনি। মুমিৎ নি-নি ছনিসিদি রীনা পরিক্ষাগী লাইরিক পাবদগী হেল্লা পাগ্রে। রীনানা লেপকদৌরিবা কেশ অসি য়াম্না তাঙনা থোকপা কেশনি মুপী অমনা মহাক্কী মুপা হাংলুবগী কেশনি।

ওসিদি রীনা কেশ লেপকদৌরিবা মুমিৎনি। মণিপুরদা অহানবা ওইবা মরম্না খবরনচিংবদস্তু রীনা দেবী এডভোকেটনা মী হাংলুরবী মুপী অমগীদমক উকিল ওইনা লেপকদৌরি হায়বসি শন্না শনগ্রে। শহরগী মুপা মুপী অয়াম্বদি তানিঙবা অমস্তুং য়েংনিংবা ওাক্তনা থোইরেন মশা পাইগ্রে হায়না য়ারে। কেশ তানিঙবা মীশিং অমদি মুপীবু কমনিঙবা কাক্তনুনা বিচার লোয়শঙদা অয়ুকী পুং নিপাল মথায় রোম তামদগী হেল্লা ফিনবা হোৎগ্রে।

অয়ুকী পুং তম্রারোম তাবা মতমদা রীনা রাজেশ্বরগা লোয়নবা বিচার লোয়শঙদা য়ৌরক্লে। লম্বীদা লাকপদা রাজেশ্বরনা হায়রম্মি,—রীনা, করিম্মক্তা মুপা খীগনু, মীস্তু য়াম্না ফিজবা য়াই খীরামস্তু উবদা মতাক করিস্তু খগৎকনু, মরামস্তুনা নঙগী রা-তাং অমদি হৈশিংবা তাদবগী

অমত্তুং য়েংগদবগী থাইরিবনি মরম অহুনা মহাক কৰিংবক্তা পাশকক্তু নিংথিজনা ভাংগদবনি। রীনা, রাজেশ্বরগী মশিংহু তুমিন্না তায়, অমুগা পুক্কিওদনি,—হে, ঈশ্বর মনাইবু মতেঙ পাংবিয়ু, মরশত্তী ইমা ইবেম্মা মনাইগী লৈয়েংদা কন্থিনু, হায়না পোক্তনি।

রীনানা র.জেশ্বরগা লোয়নবা গাঞ্চীদগী হেক কুমথবদা ময়ামহুনা, এঃ লাকএ, হায়হুনা ঈরাঙ লাওনৈ। ভোয়বা কুচুহুদা উকিলগী অমুবা গাউন্দু লিংশিনবদি থোইদোকনদু নিংথিনা উপ্রে। রীনানা মাঙ থারহুনা রাজেশ্বরনা তুং ইন্দুনা, কোর্ট রুমদা চঙলক্রে। লৈরম্মিরা উকিলশিংনা রীনাবু কল্লপ কল্লপ য়েংনৈ। রীনা অমত্তুং রাজেশ্বর অনিমক মাগী মাগী কম কমদা কয়রে। আসামী লাক্ত্রিঙেদা উকিলশিংনা মাগী মাগী রেকোর্ড পানৈ। পুং তরা য়োম তাবদা জজ্জ লাক্রে, মহাক চঙলকপদা উকিলশিং লেপখংলি, মহাকনা কমগুগা ময়ামতুন্দু কত্রে।

জজ্জনা চঙলকপা ওহাকী মতুঙদা আসামী পুশিন্নক্রে। আসামী অসি চহী কুন্থ্রয়োম ওরবীনি অহুবু মহাকী মায়থোংহু য়েংবদগি চহী য়াথৈ হুমকু ওরবীওম উরে, মোংলবা কনেক অমা শেংলি, শেগায়রবা ইনফি অমা ইন্নি। আসামীদু মহাককী মকমদা চঙহুনা লেপখ্রে।

জজ্জনা লাউথোরকই,—ওাসিনা আসামী শ্রীমতি তম্ফা দেবীগী অয়োইবা বিচারনি, মহাক্তাগমক রীনা দেবী এডভোকেটনা ডিফেণ্ড তৌগনি। হৌজিক বিচার হৌরগনি। রীনা দেবী ভাংবা য়ারগনি।

রীনানা হৌগংলগা হায়রকই,—ইয়োর ওনর, অসামীদা য়া অমত্তং হংজবা য়াগব্রা?

য়াগনি।

রীনানা আসামীদঃ হংই,—তম্ফাদেবী নহাকী নচা অহুম লৈ হায়বনি চুম্না?

তম্ফানা মরু লুকথনা খুম্মি,—চুম্মি।

নহাকী মুপা ভোম্বসি থবক অমতা শুদে হায়বসি নহাক য়ানিওব্রা?

অচুম্বনি।

মহাকী হুদানি মু থকই হায়বনি নত্তা কৈদ্রা ?

অক্কা ঙুমিরা লৈঙ্গ্রে য়া ঙাংখিদ্রে।

মীনানা অমুকহ হংই,—অফা, মহাকনা অমুবক্তা হায়বনি হায়দুনা য়াম্ব-গুবা নত্রা! করিগীনো মহাকনা হৌজিক খুমজিবা। 'হায়মু অশেংবহ হায়-দোকউ, ঙমিদাং অমুদা মু থতুনা লাকপা নত্রা অদুগা নত্তোনা খাঙনা য়ামগে ভৌমগী নবাদি মুমবদা শোয়খিদুনা মশা মতোমতা থিজবা নত্রা। অক্কা মমিত্তা ঈরা চেনদুনা মানি হায়না খুমগ্রে!

আসামীগী য়া তারগা মতুঙদা মীনানা জজ্জরোমদা ওনশিল্লগা হায়রকই, — ইযোর ওনর, হৌজিক য়াম্না লায়না বিচার লোইবা য়ারে। অদুনা হায়,—মথা চথরকউ। মীনানা মথা শমথরকই,—য়েংখিদু, মচা অহল ওইবা মুপা অমনা নোং ঙানবদগী ঙমিং তাবা কাওবা কবিঙবা খেল খোকনবা থবক অমা কাওবা শুঙ্গবনি। মচা অহল অসি মতাকী মুপীসিনা য়োক-থাকনবা হোৎনরিবনি মতুদা মহাক অসি কয়া য়াম্না য়ারবগে হায়-বদুদি মহাকী কিত্তম অসিনা কক্না তারে, মতুদি নহাকনা লেৎলিবা ইল্লিবা কি অসি হুইমকনা কাওবা চেপ্পুনা পুনিঙলমরোই। মচা য়োকনবা হোৎনজরিব' মুপী অসিদা মহাকনা মাগী মু থকনবা থরচ চুরুট খিড়িগী থরচভু তাম্নিবনি, মতুদা পীরগা মহাকনা কুবি চৈবিরিবনি, মসিবু মীওইবনা হৌনবা চৎনবা নমচংলা? অদুনা মীনাগী য়াঙাংসি লোকফেৎ-লোকফেৎ তৌনা তারি। তোঙবু ডিফেণ্ড তৌনিঙবা উকিল অমনা হৌগৎলুনা য়া থম্না হায়রগে তৌই, অদুনা য়াদে হায়রদুনা ঈঙ্গিত তৌবদগী কর্মথগ্রে।

মীনানা মথা তারকই,—ইযোর ওনর,· মসি মুপীবু মীওঙ্গা থনবিদবা, থরায় পাল্লবা জীবঙ্গা থনবিবগী থুদমনি। হৌজিকী চাওখৎলবা সমাজ অসিদা অসিগুম্বা মীগী য়াথল য়াওরবা মুপা অসিনা হিংকম খোকরা! মহাকনা অক্কাবুদি চঙনা চঙনা হাত্তোকপিরবনি,—য়েংখিদু, চহী কুহুগী মুপী অসিগী মায়থোংসে, কনা-না মহাকপু অসিগুম্বা কিত্তম অসি ওইহল্লিবনো, মসিগী দায়ী তোঙনা পুক্কম খোকত্রা। পুমমক অসি য়েংলুরগা থহ্রেগা মী অমগী পুন্সিবু মাঙহনবগীদমক তোঙনা দণ্ডি কংজবনি

ভফাদেবীগী দণ্ডি ফংকম থোক্নে।

অমুনা রীনানা হায়রিবা রা পুন্নমক ইশিন্নুনা থদি। অন্থুনা হায়রকই কোর্টশীদমক চাংশিনবা তাংবা লৈরবনি। কনা কনা তোঙ্গশীদমক হাংদিবা রীনানা অমুক হৌরকলগা থুন্নি,—ইয়োর ওনর, ভফা মরাল তহুদেগি লৈতবী মুপীনি। সমাজগী নিয়ম নীতি মতুংইন্না মুপা অমনা মুপীগী ইজ্জৎ, ইকায় খুম্নবা তাকপিসদবনি, তোঙ্গনি মহু তাকপিখিদে, মহাক্তি মাগী মুপীদা অত্যাচার তৌই ওং-নৈবী, মহাক্তী মুপীনি হায়না থনবিদে, অমম অসিদগী মুপীবু পাক্রশীদমক ঈশ্বরনা ময়োন্না শক্তিকচাবা চৈরাক পীরকপনি। ঐনা তুসি কোর্ট ময়ায় অসিদা লেপ্লিবসি অত্তে করিগীম্নু, মত্তে, মুপীগী মান মার্যাদা তাক্সবনি অহুনা, ইয়োর ওনর ভফাবু থাদোকপিন্নু। অন্থুনা অমকোমলম্নু মহাক্তী পিক্লিবা মচা অহুম অসি কনানা য়োকপি-পগি মহাক্তা বন্দিনী ওইগ্রবদা। মসি পুন্নমক থন বিরগা, ইয়োর ওনর ভফাবু থাদোকপীয়ু তাইহথে রাজেশ্বর মা অমতা তাংদনা রীনাবু য়েংহুনা লৈরি। রীনাগী বাহাংদা রাজেশ্বর তুমহৎপ্রে, মহাক্তা নত্তনা তারিবা তাবোক কয়াম্নু ময়া কাবদগী হেন্না রাহৈ অমা কাওবা হায়নখিপ্রে। রাজেশ্বরনা নিঙলম্বদগী রীনানা তোথোরকপনা হেনপ্রবদা রাজেশ্বর মুংঙাইবগী থমথৈ লৈখিপ্রে। মপুন্নিঙদা রীনাবু হন্না হন্না থাগৎলকই, অহুনিদনা, মুপীমচা হায়দনা।

অমুনা রীনাগী রাশিং অসি তারগা মহাক্তী রাই অমা ইরে। ইবা লোইরগা হায়দোরকই,— ভফাদেবীনা মহাক্তী মপুরোইবা তোঙ্গবু হাৎলি হায়রবগীগী থোকলোকপা মতিক চাবা প্রমাণ অমা ফংপ্রে অহুগী মথক্তা তোঙ্গনা ভফাবু মীনা হৌনদবা লমচৎ চত্তুনা ওং-নৈরম্বগীদমক মহাক্তি শক্তিকচাবা দণ্ডি ফংজপ্রবনি, মহাকনা শিখিবগীদমক কনাম্নু দারী ওইরোই। মরম অসিনা ভফাদেবীবু মরাল লৈত্তে হায়না লৌরে, আইনগী মতুঙইন্না মহাকপু থাদোকপিরে।

অজগী য়াথং তাবদা কোর্ট রুম অহু রা রা লাউপ্রে। ময়াম পুন্নমক ...ংতাই, রীনাবু থাগৎনৈ। রীনানা কেশ তপ্রে তাবদা মপান্দা লৈরিবা ...মী পুন্নবকনা নহাল মথৈ মুপীগী উকিল লৈতহুনা মুপীগী কেশ অমতা ...জমজবোরে হায়না তাংনখি।

মীনা অমত্থং রাজেশ্বর অনিমক খোয়রুপা পাঙ্গী মনুঙদা রাজেশ্বরনা হায়,—মীনা, মহাক উকিল ওইবা য়াম্বগনি, ঐনা খাম্বকনী নঙনা তৌ-রকপনা হেক্রে। মীনানা মরু লুকখত্না খুম্মি,—ঐনবু কন্নি খঙহনা কৈহনা তৌকপবনো পুন্নমক পাবুংনা হোৎনবিবনি। রাজেশ্বরগী মমুম য়োরবদা মহাক লৈহৌরে, মীনা মুমদা হক্লে।

ওসিদি মীনাসু ওহোকনা মুংঙাইরবা চুমিং অমনি। মহাকী পুম্মিবা মসিমুক মুংঙাইবসি থেংনখিত্রি হায়রব। য়াই, হীরম অনিথোকননি,—মহাকী শিনকমদা মায় পাকপগী অমা মহাকী কাওনুপকী মী অমগী মথরায় কমুবগী অমা।

ওসিগী মুদিদাংবাইরম অসিদি য়েংলুবা থুদিংগী ইকম-কজত্রে। মুমিদাংবাইগী কোয়োহনবনা নোংচুপ চীংয়া থাংলকপগা লোয়রনা লমগী চেক্লা কয়াসু তুংথ মাঙথা ময়ুম মায়গৈ পাংনরক্লে। ফুগায়না শাংপী লৈরাং-শিংদসু অহিং য়ারেকদবগী লৈপাম্বা খোইমুশিংনা অপাম্বা লৈকা থন্নরক্লে। মলয়া চুংশিং নামিবনা উনালক্তা চঙত্বুন' কেক্তু লোংপী শান্নরক্লে। অথাপ্পগী চীংয়াদা মৈখুপী মপৈনা তত্তনা কারক্লে। মীনাস্থ মহৌশাগী ফজরবা শকফম অসিগী মরক্তা য়াওত্বুনা তাইবংগী অয়া-অনা কয়া কাউবগুম তৌরি। পুম্ত্রি মপানগী হৈনৌ পাম্বীদা উচেক লাবা অমোম অনিনা চিল্লোকনরহুনা লোংমহুগী রারী রাতায় শাবগুম তৌরি। মহুবু উরুপগা মীনাসু মহাকী মুংঙাইরবা থম্মোয়গী পাউদম কয়াবু পুকনিঙনা তাকবা মকমদা তমজনিঙঙি,- মহাকীদমক্ত খোঁরাংবা পোকই। অহুবু কম্নিগীদমক মঙোম্দা পাউদম্বা ওমদবনো হায়বদি থঙবা ওমজদে।

মীওইবগী পুকনিঙগী লমচৎ হায়বসিসু থোইদোকনা অঙকপনি, হেক নিঙলকপদা কত্রেবসু থোইয়াং থোইশাঙবা ইচুং-মুংঙাইত্ববা হায়রুম থঙদনা পোখাকম থঙদবা অমা পোকই। মীনাসু অমুক মুংঙাইরবা চুমিং অসিদা হায়রকম থঙদবা রাথল অমনা পোখাবা ইপী শীরে। পুকনিঙগী খোঁরাংবসি কোকপা ইঙম ওমদে।

(২৩)

মথংগী সুমিত্তা মণিপুরগী খবর পুন্নমক্তা মীনাগী মমিঙ অচৌবা ময়েকনা ইহুনা অহানবা লমায়মক্তদা য়াওখ্রে। মহা ওইরিবী উকিল অমগী থৈ-শিংবা অমসুং মতুঙদা ফুগী কয়াগী কেশতা মঙ্গল ওইরকপা য়াবা অসিনচিংবগী হীরমদা নীংখিজনা উরক্রে।

সুরেশকী কারখানাদা সুমিং খুদিংগী অমুক অঙনবদা হোকয়না খবর হেক হেক থিরমই। ওসিসু অমুক ওন্না খবর থিল্লক্রে। গোপালনা হান্না হৌগত্লুনা চা লোনবচিংবগী থবক লোইরগা সুরেশ হৌগংলি। গোপাল চা লোনবা লোইরক্লনা সুরেশ হৌগংলকপা ওাইবা ওইনা খবর অনুম ফাক্তোসুবদা, মীনাগী মমিঙ চাউনা য়াওরকপদু থেংনক্লবদা মহাকসু হন্নায়বোই করিবোই, খবর পায়দুনা চেনশিনখ্রগা সুরেশকী কন্নাঙদা খংলাউ লাওক্লয়ে,—তাখো! খবরদা মীনাগী মিং য়াওরে, হায়বগা লোয়নন্না খবরদু সুরেশকী কমুঙদা লংশিন্নি। সুরেশসু ভাব ইত্তা তাদনা খবরদু করিগীনো হায়দুনা পাই। গোপালনা হায়রকই,—তাখো, ইচেম্মা মীনাসি য়াম্না ফবা তাংনিনা, ঐদি নহাল মখে থগুবে। সুরেশনা গোপালগী বাহু থওইদনা অমরোমদা খুম্নি, চা লোইরব্রা? গোপালনা মহাক্কী বাহু থোওইনা তাবিত্রবদা, হায়রোনা, লোইরে, হায়রম্লগা থোকখ্রে।

সুরেশ নোংমকলগা মখিং-মমায় তাংখোকচরে, অমুক্কী থবক লোইশিন্নগা চা থক্রে। মা থবকপা লোইরগা কারখানাদা থোকরে। থবক পায়খ্রিবদা ওহাক্তং কমফুনা লম্বীগী মী অচং-অওক হেংলি। ওহাক নৈরগা থেঙলে হায়দুনা থবক পায়রে। হৌজিক্তি মহাকী কারখানা অসিসু চাউথং-খ্রবনিদা মতোমকা নত্তে, থবক শূবা মী অনি অহুমশু তঙাব পীদুনা থম্লে। অহুগা মী নৈরে হায়দুনা মহাক মপা নাম্বোকপদি থক তৌদে, মরমদি মহাকা মূল থঙতি থবক তৌরবদি মহাক পোথাকম নৈতে। মহাকী থবক শূবা মীশিং লাক্রিভৈদা মহাক্না হায়রা থবক হেক্তা পায়, মরম অদুনা মালিকনা মাওঙিবা মীশিং অদুসু ইকায়খুম্না ওয়া লাকই। সুরেশপু মখোয়না কিরিবা হঙোইরিবগী মরমদি মহাকনা কৈদৌঙৈদসু মখোয়বা থেঙতি নত্তনা। ওদি থক হায়দে অদুগা মখোয়গী থাগী তঙাব মতম চানা পী মরম অসিদগী মখোয়না থেঙজিবনি।

ওসিসু সুরেশ থবক্তি পায়রে, অদুবু থবক শূনিঙবগী ঊইরাংদি পুকনিংদা ইকাও কাওরক্তে। নুংথংদু অমুক্তং থাজবলগা পাবদা মতমসি রাখ্রবদা মিনিট মরি মঙাদি চঙলে। মহাকনা অপুম্না তঙদে মাদে শূরি-ভৈদা মহাকী থবক শূবা মীশিংসু লাক্রে। সুরেশনা ওসিদি হকচাংসি থবক কয়া শূনিঙব্রে কোয়কমগে হায়না খল্লদুনা গোপালদা শেলনচিংবা শিরম্মদা মকি মরোল হোংবা চঙখ্রে। সুরেশনা গোপালবু য়ামা থাজে মরম অদুবগী মহাকনা কয়িঙবা থবক অমা চথোক্লমদাইদা মঙোন্দা লোইনা শিন্নবা হায়বসি মহাকী হৈনবীনি।

সুরেশ মকি শেংন-শেংনা কদোমদা চৎলিগে হায়না থাজ্জ, থনকম থঙ-খ্রদুনা বহু হৌরগা চৎখিরদে হায়না লেপ্লে। চৎলমল্লাইদা গোপালদা, থবক ইংখাও চেকশিন্না লেংশিন্নবু, ঐ খুনা হল্লকনি, হায়রম্নগা ঙীপ খোইদুনা চংখ্রে। লম্বী হেক খোজ্জকপদা সুরেশতা ওহোকপা রাথল অময়ুক লাক্লে,—ঐনা বহুগা চৎমিন্নরবদি মীনা করি হায়গনা থনখিবা, অদুগী শকককপুদি চিক্কলেথাহোয়না চংলগা রাস্তী-রাতায় ওহাক শানবনা

হুংজাইবা তাই। অদুগা থরকুনা সুরেশকী গাড়ী মথাংগী চিত্রলেখা-হোয়রোবনা ওনখ্রে। চিত্রলেখাহোৎনবী নবীনা মীনাগীগু মচুদি, শরক মপান্দনি, মুখ মলাম মথোল অইহল্লি। সুরেশ মীনাহৌবগী ইশা মৌ-মকপদা থমুর্না অমুক্তং য়েংশিল্লুই, তাব তাবিকপদা মতোমদা ইকাইবা পোকই ;—মহাকস্মু হৌশংপা মতম ওইহল্লা মলাল মথক্তী কমিওবা এবু উংগরবদি ইকায়বা থওদে চায়িরম্লোইদ্রা।

বাখগুনি লোইহৌদবা, গাড়ীদি অগনবা নৈতনা চংথিকবিবা, চিত্রলেখাহোৎনবী কোল্লোও য়েরত্নুবা থারে। গাড়ী থারক্লগা সুরেশ কপ-কপ তৌহল্লা। চট্টগ্রাম মতম অসিদা অশংবীগু শুমাঙ-থেঙোঙহ থরা নিংথৌক নাংগোক্তুদা ইংবোলগী এহাং-থাপী মথোও শোমহনা কেরি-খোঙগুপ মথোল তাবদা হন্না য়েংথোরকই; সুরেশ উথদা—ইবুংঙো, নচন লৈবনি চঙঙু, হায়রগা ইমুঙলোমদা ওনশিন্দুনা "হাই, মূপীমচা নবুং লাকই কি দা অমা পুথোকরকই।" সুরেশ্রতি অশংবাগী বা-ঙাংহনা থোইদোক নোল্লিঙবা পোকই মরমদি চিত্রলেখাগা মহাকদি ময়ামনা কোইনবিবা অদুগা কোল্লুনদবনিদা। চিত্রলেখানু মমাগী য়া-ঙাংহনা কনাবু ওইরমগনববো-হায়না চেপথনা য়েংবদা সুরেশ ওইরম্লবদা ময়ামনা 'নবুং' হায়থিবগু নিঙশিংলুবগা নোক্লিলি।

মতম অসিমক চিত্রলেখানু থবক চংকদবগী মফি-মরোল শেংপা লোইরে। অদুবু সুরেশ লাক্লবতুদা চৌকি অমা পুথোকুনা থাক্লে। সুরেশনা হুক্ত,—কনাইদা চংকখৌরিবনো চিত্রা? ঐনা লাক্লিবকি কন্না তাজবরা নঙগী থবক অদুগা ওইরবদি ঐবুদি কক্লবগু য়াই। চিত্রলেখানা নৌক্লুনা খুন্নি,—ঙসিদি, সুরেশ বাবুক্তগী ইল্লিক চঠা নিংথোর লেপ্পুনা লাক্লিবনিনা ঐখা থবা তৌরমিরকদ্রা? সুরেশনা ওকবা খুন্নি—ঐখোঁ? 'কনাইদা।'

ঐখী থবক্তা মজেঙ থবা পাংবিয়ু।

ঐর কুরি মচুক পাংবা ওন্থরকগনে।
মচুক্কু মায়া লৈবি কোম্মা হায়রগে। অমরোমদা অমুক ওকোঁদুনা হায়-
রকই—ও, মীনাগী পাউ তাবিরব্রা !

করি পাউনে। তাদেনা।

ওসি অমুকী খবর পাবিত্রিরবদে অমুক লিংথিনা হাঙরবহুবো।
মচুকসু চিনবানা ক্লাওলপ তৌনা লোক্লগা খুদি—ও, অদুগী ওইরে।
চিত্রলেখাম অমুকী খবর পাহনা মীনাগী পাউ তাবদা থুংঙাইহনা লৈর-
রবনি, অদুগী মুথক্কা মহাক্তি মাঙ্গলম শুজাগদবা মতম থজিক্কা তায়-
শিল্লহনা মীনাগা র' থরা তাম্নবা চৎকে হায়না খন্দুনা মফি মরোল
শেংপা লোইরবনি। মচাক্লা চংলগে হৈক তৌবদা সুরেশ লাক্লিহনি।
অহুনাই চিত্রলেখাবা ওসি মসি তাজা অমা থাম্না অরে হায়না খন্দুনা
সুরেশবু পুনকক থৌরাং তৌরকই চিত্রলেখানা মকথ অয়দা লকলসি
চৎলসি লেপ্লনা। ঐকে সুত্রপাত করে চৎলসি হায়হনা হৌমৎলগা মনি-
মক থোকমিন্নগ্রা' অশংবানা থলহোই,—মহাক্ম তৌরিবনিদু করিনো,
খুনমিন্নদু মহোৎসী খরবুন। অক্কুক, নহাকনু লাকপগে তৌহ।

জীপ অহুদা মথোয় অনিতমক তোংবনিনা মমাঙদা অহুম ফম্মিরে।
সুরেশনা ভ্রাইভরনি, চিত্রলেখাবা থাক্রিকনি চিত্রলেখা মীগী পুক্রিং
থওগনবী, ংথোইলোক্লা মীতেক-মীমৌ থওগনবী থুপীমচানি। মচাকা
মুম্না থওভি মহুদি সুরেশনা করিগীমক ওসি অমুক মথোযদা লাক্লিবনো
হায়বসে মকম অহুনা মহাক্লা হংলকই;—সুরেশ বাবু, মীনানা ঙরাং কেশ
ওইদা ওসি খবরদা থ'গৎলিবসি উবদা খুংঙাইবা পে'কত্রনে? সুবেশ
না ডাংদে তুমিন্না তায়। চিত্রলেখানা অমুকন্থ শম্থরকই,—সুরেশবাবু
থীরজি খুংঙাইরমগনিদা, হায়বদি সুরেশবাবুগী রাবদা মীনান্ন থরা থাথিমে।
ঐরমা?

চিত্রলেখানা লোক্লিহনা খুদি—ও, হৌজিক্কি মরোল খোল্লক্লেকো।
সুরেশ ইকাইহনা মমায়হ হাইখেৎ লাওদ্রি।

চিত্রলেখানা মথা অমুক তাররকই,—মওঙৈবনিনে, সুরেশ বাবুনী ইনে লৈতবগী য়াম্না সুংঙাইতবা মতাঙ অহুনা মরাকনা ঐঙোন্দা ইরকপা চিঠি অহুমগী ঐনা শঙবা ওমখি।

অহুবু মতম অহুদা ঐঙোন্দমি রাঙৈ অমা কাওবা হায়বা য়াখিদ্রনে। সুরেশ বাবু, মখ মহাক্কী ভশেংনা অশোয়বনি।

মখোয় অনি য়াম্নী শাহুনা লাকপদা লম্বীদা চিত্রলেখানা খঙহৌদনা গাড়ী থাম্মো, হায়রকই। সুরেশমু ব্রেগ কাহুনা থাখি চিত্রলেখানা কুমথরক্রো হায়রকই। সুরেশনা ইঙক ওকনা, হংই কমাইদনো ?

ঐদি চঙজরোই, অমুম ভাইজরমগে।

ভাইবা ওত্রোই; য়াম্না কুইপদৌরিবা থবকনি। ঐগী থবক লোইরগা অমুকমু থিংবিরমগদৌরিবনি। সুরেশনা নিংথিনা খঙগা হায়রকই, —চিত্রা, অওইবনি, ঐ তৌজিক মখোয়দা চঙনিঙজি, মতম রাংদি, হয়েং মতম অহু লাক্লবদা চঙগে। নহাকনা থিবু হায়রো ঐ থিনগে মতম চানা হন্নকে, অমুম কোয়থোকমুখিগে, নবানিগী থবক লোইরগনি হায়বা মতম অহুদা ঐহাক লাক্কে।

সুরেশ বাবু মহু ওকয়া য়াদোই ওদি মখোয়দা চঙদবা য়াবে। মখোয়দা চঙলোই হায়রবদি ঐসু চঙলরোই। মখোয় অনি গাড়ী মহুত্রপা য়াদি কনা কুইনা ভাংনহুনা লৈরে। মতম অনিদা থবাল মপাক্কী থবক য়াম্না কন্না নোম্নি। মজোনগী বস্নী লেংলবা কোম্বোঙ মরাদা হৈদোক্কে হায়হুনা খোরকপদা চিত্রলেখানা গাড়ী মখোয়দা লেপ্পুনা লৈরিবহ উরহুনা প্রপ প্রপ চঙশিন্নরগা হায়রে,—ইবেমা কৈদৌরবগে লেঙশিন্নকউদনা, ঐখোয়গী ইবেম্মসু লেঙখংহৌরে মপাবুনা কৌরি চংকনি হায়হুনা ভোর। চিত্রলেখা থম্বালদোবদা ওনশিন্দুনা খুদি,—অং, ভাম্না চঙজরক্ত। থুনা সুরেশভা অমুক ওনশিন্নলা,—লাক-ও লে, ননাসি। মীনা কন্নি কন্নি ওইরবোই নিঙলনি।

মহাক্লি চিত্রলেখানা চঙলকই হায়রক্লা পাংলবা ইমুঙলোমদা অদুগ চংগে অদুগা রীনাদা চিত্রলেখা লাকপগী পাউ পীরমে। রীনাগী করিগীদমক মঙলক্লিনবা হায়না চিত্রলেখাবু কৌশিনবা খোয়ককই। রীনাদা সুরেশ কাওরমগদি হায়বগি ভক্কল থমুবা মরম অদুনা লাওক তৌরিঙেগী কৌরকই,—করি তৌরবগে কোত্থোক্লা অমুক ওইরক্লা লৈরিক্লবো কৌশিত্রি কাওবা চঙলোই হায়রক্লা তৌরিবা। চিত্রলেখানা সুরেশতা রেংলগা নোকই,—তারেদনসে, লাক-ও চংলগি কাম্ররোইদনে। রীনা অশনবা তৌদবা চিত্রলেখাগী মনাক তারা চঙ-শিন্নকই, মহাক্লা থম্লি পাড়ো মকুন্ডগী হাইতম ওইরমগনি, অদুবু মহাকনা ইকায় খুংশিনা ওইনজরিবা সুরেশ অদুমক ওইরম্রে। রীনা ওহাক্তং হমাঙ কাংই করি হায়সিগে থঙখিদ্রে। সুরেশতু অমরোম্না অহোতুপা লৈত্রে। চিত্রলেখানা অনিমকী ভাব থজলহনা হায়রকই,— ঐনা ওশারনা হায়রা চঙলসি হায়দনা; রীনারোমদা অমুক ওনশিন্দুনা হুবুনা কৌশিত্রিবমথে চঙলোই হায়রহনা য়াজিবনি হায়রমই। রীনাগু ওহাক্তনা অমুক থদি, অতিথি ওইনা লাক্লবগি য়েকনবা ওইমথহু থিনা থাদবা য়াদে। মরম অসিদগী রীনানা অনিমকপু কৌশিত্রি,— সুরেশ বাবু ওহাক চঙলুখিসি। সুরেশতি হায়রীদৌনা থোইদোকনা য়ানিঙবা উত্তে। রীনা অমসুং চিত্রলেখা অনিমকনা ওকশিন্নকপদা চঙদবা য়াত্রহনা চঙলে।

রীনাকোয়গী হুমলি হৌজিকী মওংগা চপ-চানা শেমসোক্লবা যুম্ন। মথক্তা কাখংগ্রিবা থাকশিং অহু লৈনা লৈনা কাখংগ্রি। মথক্তা মী লৈনবগি অদুগা মথাদনা কয়বা অমসুং লাইরিক লাইৎঙ তৌকম ওইনা লৈরি। রীনাগী মী কম-কম কাসি হৌজিক্তী মওংদা কনা লিংখিজনা শেয়ে। ফাউরবা কা অদুগী অকোয়বদা যোকা মরি, ময়ায়দা অকোয়ব চৈবল মচা অমা, চিনাই ওইরবা চিথেক মরিদা টেবল মচা মরি থারগা ফুল প্লান মরি থন্মি, মহুক্তা অদুক্তা শাংগা লৈ জাং ভনা

[illegible]

[illegible]

[illegible] ফম [illegible] লাকই, [illegible] [illegible] শগনা [illegible]

[illegible]

[illegible]

[illegible]

[illegible]

[illegible]

এঃ [illegible]।

[illegible] খবর [illegible]

ও, [illegible]। [illegible] খবকুনি, [illegible]দমক [illegible]না [illegible]-
ঙাই লৈত্তেনা। অছুপা অমরোমধন্ত মছুদি [illegible] থোকপা
ইথৌনি। মছুভা ভৌগে হা[illegible]দমক ঐহাক [illegible] নত্রা
চুপি, অছুপা অহানবা [illegible] থাগৎ-
চরিবনি, কবি হীরবগে, সুরেশ বাবু।

সুরেশ, চিত্রলেখাদা [illegible] ত্থবিরা [illegible]," [illegible]

[illegible]

[illegible]

সুরেশ, ইলষ্ট্রেটেট উইক্লি অমা কাকোতুনা য়েংলি, থোইদোকপা পাউ-, [illegible]
অহুগা অমুকস্থ মহাকনা নহান নোংমা রীনাদা তৌথিবা ব্যবহার [illegible] [illegible] ইকায়খবা তমদে, করম্বা রীনাদি [illegible] ব্যবহার [illegible], [illegible] মহাক অসি পুকচেল চাউবী অমসুং মবুক মপাঙ [illegible] [illegible] [illegible] ওইরম্লসিদা।

থংবালনা ট্রে অমদা অচা অমক অমদি চা হাবুনা পুথোরকয়, ময়ায়গী টেবল অহুদা থনগা চৎখ্রে। রীনানা টি-পোতগী চাহু হৈ দোকতুনা কপ অহুম শেখ্রে; চা শেন-শেয়া হংই,—সুরেশ বাবু, চিনি করম্বা হাপগে থুমগন্ত্রা, থুমোইদ্রা? সুরেশনা শন্না খুম্মি,—য়াগনি হাপনিঙবা অহুম হাপ্‌। চিত্রলেখানা লৈথোকুনা তুমিন্না লোকই। অহুমক চা থকলি, চারি, চীনসী বা ওাংনবা মতম লৈতে। রীনানা চাহু থকলগা হায়রকই,—চিত্রা, করম তৌরবা, নহাক থুম য়েংলুরব্রা লোইখৈরব্রা?

যুবগীদি য়াম্মে, শজাবগী থুমিং অমদি মার্জন-মচিংবগী খা থরা তান্নলি তৌবনি।

মইদি পাবুং রাজেশ্বরগী অমুত্তং তান্নবা কৈ।

টেলিফোন খিঙলকপগী মখোল তারে, রীনা মাগী চেয়রদগী কোম পায়বা চঙখ্রে। রীনানা হংই,—কনা ওইরবনো?

রাজেশ্বর।

ও, পাবুং ওইরব্রা, করি তাকপিগদবা।

[illegible] [illegible] লাকক্রিয়া, থুনা লাক-ও, হোয়েলগী থবক অমুক [illegible] মহাক [illegible]নি!

করি [illegible], হায়রগা কোম থমজা, অমুক [illegible]।

রীনানা থোরকপদা চিত্রলেখা লৈরমদ্রে।

চিত্রলেখাদি?

মপান থোকখি।

[redacted] [redacted]

৬ —

সুরেশ বাবু, করিনো তৌরিবসিবো, হৌজিকপু অঙাংবি হায়বা মিতাই তৌরিব্রা?

অঙাংনি হায়বা মিতাই তৌবা নত্তে, অহল্লি হায়বা শাউরিবনি। অনিমক মিকুপ অমত্তং নোকখি।

সুরেশনা মথাতানা অমুক হায়রকই, —রীনা, অশেংবমক ঐনা মহাক তৌখিবা কনচং অহুপীদমক ঐ য়াম্না চুংতাকখিরে, মহুপীদমক থাকখিগনি।

ঐখোয় মহুপী ময়মদগী কনিস্নবু খঙ্গুদেনে, সুরেশ বাবুনা থরিতায় লৈজন্না পংথন-থনবা ওইরমগনি। অদু হোয়েল পার্টি লাকপিদু, ঐনা বার্ডন কংচরিবসিবি।

কনিগী পার্টি?

হৌজিক্তা পাবুং রাজেশ্বরনা কোন তৌরক্লিবহুনি। মহাক্না ঐঙোঁদমক পার্টি অমা তৌবিগদৌরি, মরাম শকথঙ-মায়থঙনবা ওইনা, হোয়েল লাকপা য়াদেকো। সুরেশকী মনাক্তা থবগা চওশিল্লগা অমুকক্নু হায়রকই,—হোয়েল লাকপা য়াদেকো। সুরেশনা কয়েরকই,—ঐগুম্বা কুলী অমনা অচৌ-অশাং মরাম অহুপী মরক্তা করম্না থাওজপদৌরিবনো; মসি কনা ইকায়বা য়ানিদা, হয়েং মথম চাবগা য়াওগে।

ইলে, মখোয়গীনা মখোয়গীনি, নঙনা ঐগী নিদনা, রীনানা সুরেশকা রেললগা লোকই, সুরেশ মমায় লুকখি।

চিত্রলেখা মমুত চত্নুবা থোরক্রে। রীনানা মথা শমখংনা মতোন্দু হোয়েল পার্টি লাকপা য়াদে হায়রে। চিত্রলেখানা অমুক সুরেশকা অশিন্দুনা,—অহুদি সুরেশবাবু বার্ডন কনাগুম্বনি হাম্না থকি, হোয়েল চংবিরসিদে।

সুরেশনা তপ্না খুম্মি,—ঐদি চংচরোইদা।

রীনা অমসুং চিত্রলেখা অনিমক রাজেশ্বরগোয়দা চংসি, হায়দুনা থোরাং কৌনরক্লে। সুরেশনা চংলগে হায়দুনা হৌগৎলক্লে। চিত্র-লেখানা সুরেশপু রাজেশ্বরগোয়দা চংলুখিসি হায়রে। সুরেশ, রানিবু-দা উংলি অদুবু মথোয় অনিনা নমদুনা পুগৈরবী চক্রি তৌরক্লে। রীনানা মহাক্কী থাড়ী য়াক্লে থরা থিনবিরমদবা য়াদে হায়রবদা সুরেশ য়াদবা শমজদুনা মথোয় অনিবু রাজেশ্বরগী মমুম তান্না থিনবিন্না তাক্লে।

লম্বীদা চিত্রলেখানা ফাগী তৌরকই,—সুরেশ বাবু ঙসিগী থোক্তুনা অসিদি পুর্ণ মিলন হায়বা য়ারেনা। সুরেশনা ফাগি হন্নি—তোয়, নঙনা হায়নিঙবা অদুম হায়রে।

রীনানা অমুক ওকই,—চিত্রা, পংহায় হায়জিনবিরকহু, অমুক শাউদোক-খিহনা খেন্নবদা চহী কয়া চঙগনি, নঙ থঙত্রা! রীনাগা চিত্রলেখাগা নোকই, সুরেশ য়াঙদে।

তুপীনা অনি শুন্নি তুপানা সুরেশ মতোমতনিনা মহাকনা মথোয় অনিগা থেংনবসি থরা য়ানা থোকই। মহৌশানগা থত্রা ইকায়খিজবনে, রা কয়া ঙাংগনদবনে, অদুগী মথক্তা মহাক্না ইকায়জবা রীনাগা য়াওশিন্নে সুরেশতি কোক হোতুনা খাঙবা হায়বদু য়ৌরে। অদুগু উচিন নাচিন্না রাজেশ্বরগী মযুম য়ৌবনা হান্দুনা খোইনা চুইনরি খাঙখিন্নে।

রাজেশ্বরগী মযুমদা রীনা অমসুং চিত্রলেখা অনিবু তরায়া ওক্লপি। রাজেশ্বরনা সুরেশপুদি খঙদবনিনা রীনানা মহাক্কী লাইরিক অহ্রি-ত্তৈগী মরুপি হায়না তাকই। সুরেশনা রাজেশ্বরদা অইন অমদা উংপা হৌনবা ব্যাবহার অদু উংলি। মথোয় অহন্মক কন্নবা মতুঙদা রাজেশ্বরনা হোরেনগী পার্টিগী মরীদা কন্নি তৌসিগে হায়দুনা থন্নবা তৌদোরকই। রীনানা শমজিন্নকই রাজেশ্বরনা পাম্বা মওংদা তৌবা য়াগনি হায়না।

পার্টিগী রা লোইরবা মতুঙদা রীনানা আশ্রমগী মরমদা হৌদোরকই।

থাজোকৈবদু মহুৎকী মরমদা খুনিংহুনা লৈরবনি মরম অহুনা মহাক্না হায়রকই,—ঐখোয়না শিরবা খেক মথৈথি লোইরে, হৌজিক হৌবগী থৌং খননা য়ারে।

অহুৎথি খঙ্গানবা তৌরগিদনা, করি হায়রিবা চিত্রা? রীনানা হংই।

ঐনীদি মহুক্তা লাইনিং ওইহুনা লৈরবনি, চিত্রলেখানা খুম্মি।

অদুগা, অহুৎথি লাকলিবা শারদ পূর্ণিমা অসিদা খঙ্গানবা তৌরগি, রাজেশ্বরনা মত পীরকই।

কিদমি করি তৌনবা? চিত্রলেখানা হংই।

রীনাগী মপাবুং নম্রপা মনাগী মিংদা থোনগেরা? রাজেশ্বরনা খুম্মি।

রীনানা নোক্লহুনা খুম্মি, ঐদি মহু পামজদে, ময়ামগীদমক দান তৌজরবনি, মহুনা ঐগী সর্ব অমুক থাংজিনবা পামজত্রে।

অহুৎথি নঙনা অপাম্বা মিং খল্লোদনা।

মহুনু ঐনা চিত্রাদা শিরজরে।

ও, অহুৎথি ইবেম্মা নঙনা অপাম্বা অমা খল্লো।

ঐবু খল্লৌ হায়রবদি 'নারী আশ্রম' হায়না থোরগি।

অহুমক মিং অসিদা য়ানরে।

ঙসাই মথৈ সুরেশপতি তাবগী শরক্তা মওইরি। অহুবু তাবা অসি ক্লাওবদা মহাক থুংজাইত্তবা নত্তে, মরমদি রীনাগী পুকচেল চাওবা মওং অহু উবদা। মখোয়গী ঙাংনবা লোইরবা মতমদা চৎলসি হায়রহুনা মখোয় অহুমক চৎকদবগী হোৌগৎলক্রে। চৎলমদাইদা রাজেশ্বরনা নখোয় অনিমক হোরেন্দি ওম্মা লাকদবনি, নহোয়না খওলিবহুমতাই, কনাসু থমক লোখিনবা লৈতে। রীনানা,—কম্মি হায়রগা মখোয় অহুমক লোকমিজল্লে।

সুরেশনা মখোয় অনিমু থিনবা অহুম লাকলল। লমীদা রীনানা হায়রকই,—করিনো মীগী মরুমদা চৎলগা রা অমতা ঙাংদবসিবো। চিত্রলেখানু পাংথিরকই,—হোয়নে, সুরেশ বাবুনা রা অমতা ঙাংদবসিনু খৌগীলো, হুপানিকা হায়রুনো মীগী মবাক্তা পুথোকপা য়াবা পোৎ

নখে। সুরেশনা শন্না খুম্মি,—থওদি থওবনা করি হায়রম্লোইরিবগে। তুপী অমিত্থনা লোকই।

রীনাহোয়রী মপা য়োরহনা গাড়ী থাম্রে। রীনানা, কর্মিনী গাড়ী থাম্রিবনো, হায়রকই। সুরেশনা খুম্মি,—ঙ্গম য়োরবন্থ কুমখিরোইদ্রা। চিত্রলেখা থিনবিরুথিসি, ঐ কোম্না হোরেল হল্লকপদা লৈহৌরগে রীনাগী খুম্মি। চিত্রলেখাস্থ পাংশিন্নকই,—হোয়দ', মহুনা চুম্মি, অমাত্তনা চাম্না থিনগদবনি অনকপনা কোম্না।

সুরেশ, চিত্রলেখাবু হান্না থিনবা চংলে। চিত্রলেখাহোয়রী য়োরহনা মহাক কুমথহৌরে। রীনাগা সুরেশকা অমুক হল্লকলে। মতমস্থ তুমিং মুংবা ওইহনা শরকস্থ মী কয়া চত্তে। মখোয় অনিনমি গাড়ীহনা তোংলল্লিবা। রীনানা অমুকস্থ হায়রকই,—হোরেল লাকউকো। সুরেশ খুমদে তুমিল্লা লৈ। রীনাদি মনিঙদা ফল্লিবনি। মাগী কনং কমদগী থজিত্তং চঙশিল্লগা সুরেশকী মরেংজুম পায়হনা অমুকস্থ হায়রকই,—শোন্নবা য়াদেকো হোরেল লাকদবনি। সুরেশস্থ থরোই হুরোই-থোই তৌহনা মথুং নামনা লাখখংহুনা রীনাগী মখুস্থ পায়রগা খুম্মি,—হোয়নে, হোয়নে, হোরেল ঐবু ইকাইবা পীগে হায়হনা কৌবিরিবনিনে।

রীনাহোয়রী মপা য়োরহনা গাড়ী থাম্মে। চঙলমদাইদা অমুক্তং য়েংলগা হায়রকই;—চংলোনে, লৈহৌরগে, হোরেল্লি শোন্নবা য়াদে। সুরেশস্থ ওনশিন্দুনা অমুক্তং নোকলম্নগা গাড়ী থৌত্রে। রীনাস্থ মরোক য়াওদবা ঈশৈ থমা ওংলহনা মমুমদা চঙত্রে।

---

(২৪)

"মখোয় অহুম্‌ক হন্নরগা ইরুজহনা চাক চাবা তোকপদা মুখিদাংবাই অহুম মওইরক্নে। পাটি অসিদা দায়ীত্ব লৈখসি রীনাগীনা খরা হেল্লি মরমদি মহাকীদমক তৌরিবা পাটিনিনা। রাজেশ্বরনা অচৌবা পাটি অমা তৌহনা বীনাবু পুখোক্তে হায়না খল্লিখসি কুইরবনি। হন্দক্তি রীনানা ফজনা কেশ তৌরবা অহুগা মণিপুরগী মহুৎদা অহানবা মুপীনা লোক্তক কেশ ওইরদিদা মরামদা মশক তাকপৌবা অদিমক খুদোং চারবনি হায়না খল্লহুন বাজেশ্বরনা পাটি অদি তোংগে হায়না লেপ্পবনি। রীনাগী অইদা হায়বতু মওং অমদা হৌজিক্তি রাজেশ্বরনা ওইহোক্লে, মরমদি গর্ভিনী সিজনা বৃন্দাবন চৎলমদাইদা রীনাগী অক-ফত্ত পুম্নমক মতোন্দা শিন্নরন্নগা চৎখ্রবনি। অমম্মোমদা রাজেশ্বরনগ্গ রীনাগী ফনরক্তা শন্নুনা অমম্মুং শীন্নুনা লাক্লি। অহুবু মহাকীদি শীনবী লাওবিনবা কনাম্মু লৈজবিনিনা রীনানা থবক পুম্নমক তৌবা ভারি। মরম অহুনা খুাইদগী ভন্না চৎপা তাবনা চাক-চাবা হেক তোকপগা চৎনজবা পৌক্লাং তৌরে।

'৬' রীনা খোইদোক্লা শেল তিংনা কেবা পাম্বা মী নত্তে, মতম পুম্নমক্তা ইচম-চম্মি। কুচু তৌই. মীওয় মীতো চাউ শাংই, শাবান মুর্ত্তি য়েং-বদা চুং-ফিরান চায়। অমা শিগে হায়রবদি য়াম্না শিবা য়াব্রে অহুবু মহাক্কা মদোমদা পুক্নিং কয়া থিংজিল্লুদে,—মত্তিক চারবা মীদি ইকায় খুম্নবা ফংগনি হায়না খল্লি। মরম অস্নিবুগী মহাক থোঙ্গদোক্লা কেবগী রাখন্দি থল্লুদে অহুগা ফিজেৎ লৈতজে; জুং-চানা শেৎপা হায়বহুমদি তৌদবা য়াদে, মরমদি মীয়াম তিম্নগদৌরিবনি। রীনা, গুলাপ মচু ফনেক মপান মাইবা অমা শেৎচিন্নে. ইন্নফি পারপ তৌবা অমা ঈনশিল্লে, হৌজিক্তি লৈশ বীনা শম পুনবহু চৎনরবনিনা শমহু তাখত্ত্বা রাংলগা পুনশিল্লে অহুগা মতোন্দুনপ্ন অমতোর গুলাপ অঙাংবা মচা

অমম্থ খেৎচিন্রে, শাংলপন্তৌবা ওকপমহুন্দা স্নাগী মরীমচা অমত্তং শিজিন্নে। পুং অহুমলোম তায়কপা মতঅদা ৰীনা থম্বালগা লোয়ননা চৎখ্রে। ৰীনা-হোয়নী ময়ুমদা ওসিদি পূজারী মতোমদা /ওাইহৌরে মহাকনা থন্দুনা লৈহৌই,—ওম্বোকপনি ঐখোয় ইবেম্মসিনা চৎপা খুদিংগী তা-থম্বালদি ইত্তত্তনা পুই অত্থুগা ঐবুদি অমুক্তা হেক পুবিদে। ৰীনানা থম্বালম্ব পুরিবগী মরমদি মহাক অসি থরা মিংশিং নাশিংই অত্থুগী মথক্তা মখোয়দা কুইনা লৈমক্লবনি পুকচেল থওনরবা মীনি। থম্বালগী থোইদোকপা গুণ অমনা মহাক অকল নহা খাযদনা তিম্নবা য়াই, মরম অত্থুনা ৰীমানা লোয়নবদম্ব হুংচাট হায়দুনা মহাকপু পুবনি অত্থুগা ওসিগী অসিমক্তি থম্বালম্ব মহাকনা রাজেশ্বরহোয়দা থবক থর শিজিন্নগে হায়দুনা পুবনি।

রাজেশ্বরহোয়গী ময়ুম হেক য়োবগা ৰীনাম্ব করি করি থবক রাৎলি-বগে হাযদুনা অরাং অপা প্রপ প্রপ যেংই। ৰীনানা থম্বালদা করি ববিনো থবক অরাংপা থরা যেংশিনবিযু হায়রবদা থম্বালম্ব করি তৌবা য়াবা লৈরিবগে হায়না কোয়বেং য়েংই। মহাকনা মুপানিনা মুপাগী থবক ক্লিম্না থাবনচিংবদা য়েংশিল্লি।

রাজেশ্বরগী ইংখোলগী অরাং থংবা শরুক অতুমক যক্তরবা হৈকোল লৈকোল ওইনা তৌই। হৈনৌ পাম্বা মচা মচানা চাং নাইনা লিংখিনা হৌরি ময়ক ময়ক্তা লফু পাম্বীম্ব চৌবি। অত্থুগা চিদাই ওইরপা মনা পুংনবা তোমাল পাম্বী অমা অনিম্ব পেংগলি, গুলাপ পাম্বী, চিংগোংলৈ অসিনচিংবদি মরাও কায়না হৌই। থাগী লৈহাওগী পরেংদি থোইদোকবা পুকনিং হুনবগী মশকনি। হায়রিবা লৈকোল অসিদা মম্নাক্নী কম-কম ওইনলৌম্নিবনি। মম্নামদি মহোৌশানা অহুম হাওডি, মম্থুদা মুম্মিলাংবাইরম খুদিংগী রাজেশ্বরগী ওহাক্তং পোথাফম্নি।

ওসিদি রজেশ্বরগী পিকতকনা মগুণ লৈরবা লৈকোল অসি হুংখিনদগী মীগী ঈরাও হৌখ্রে। চুমিং খুদিংগী য়ারেককম ওইরিবা খোইমু খোইরা কয়াম্ব ওসিদি য়ারেককম ফংলমোই হায়বগী মতাওম ময়া অচুরাউদা

শাউরবনলা ঙুংঙুং ঙংছুনা পাইরি। মুরিং খুদিংগী শংছুনবা লৈবা লৈকোলদু ওসিদি অঙাংবা, অশংবা, মাপু মচু মথল মথোলা লৈজেরে। উপাম্বীগী কারক্তা, উনাগী মরক্তা মৈঙাল ঙাক্তা মঙায়রে। ওসিদি রাজেশ্বরগী লৈকোনদি মহৌশাগী ফজবগা খুৎশেমগী ফজবগা অমতা ওইনা পুল্লরে।

লৈকোলসিগী মরায়দা চৌকি পরেং টেবল পরেং, চাং নাইনা থাম্লে। মরক মরক্তা ফুল গ্রাসতা লৈ হাপ্তুনা থমগ্রে। মপানগী শেম-শাবদি মওং অমা ওইনা লোইরে হায়বা যারে। মনুঙগী হায়বদি চাবা থকপগী মরীদা অমুক মায়পুনরক্লে। হায়রিবা থবকশিং অসি মীনাগী মিংয়েংগী মথাদা লোইনা তৌরিবনি। চাকশঙলোমদা অমুক চঙশিন্দুনা য়েংই, মফম অচুদসু ব্রাহ্মন অনি অহম্না থোংবর্গা হৌবগা মতৌ অমনি। রাজেশ্বরনা বার্তন তৌরিবা মীশীং য়াংখ্রোমনি. মচুদগীসু থরা হেল্লবা য়াই হায়না থমছুনা চাবসি ফনা নিংথিনা লাওগ্রে। রাজেশ্বরগা মীনা-গনা অরাং অপা য়েং য়েংছুনা ফজনবা কন্না হোৎনরি।

ওসিদি সুরেশসু মওং অমনি। মহাকনা অমুক চথোক্ল্বদগী হেক হজিন্নকপগা চাক চারে। চাক চাবা হেক তোকপদগী মহাকনা ইশৈ ঙংছুনা মকোয় কাল্লি, থোঙগুপ কাপ থাই, ফুরিং থোঙ্গাও পুথোক্লুনা ইত্রি তকই; জজ নাম্বোকই, ওহাক্তা পোথাদে। সুরেশ ইশৈ নোংমাই ইহৈ হৈজবা মীদি নত্তে, লৈবাক মমাঙদা থোক্লুনা শন্নবসু স্কুল অমসুং কলেজ তম্লিঙৈদদি ইশৈ শকপা তাম্লবদা প্রাইজ লোরিবা মীনি অহুবু থম্মোইগী লাইনা কয়ানা মহাক্কী শামজরবা ঈশৈ কম্না কাউ-থ্রবনি। ওসিদি নোংহৌনা পুম্নমক নিংশিংহল্লে। মহাক্না য়াম্না শামজনা শকচবা :—

থম্মোইগী রাহৈ কয়ানা
লেংজবা লৈরাং পরেংনি
মুংশি ঙকশমদা হল্লবা।

ইশৈ অনিতা হল্লা হল্লা শক্লক্লে। খম্মোইদগী হৌরকপা সুমনিনা অতাবা কল্লাবুসু তমহংলি সুরেশকী মওং-মতৌ য়েংলগা গোপালসু রাখল অমা তৌরকই,—করিনো ঐখোয় তামোসিনা ঙসি তৌরিবসিবু। মহৌশাগা ইমান-মাল্লদে, সুমিৎ খুদিংগীদি থবক্তা হায়হনা লৈবা মীনি অহুবু ঙসিদি অমুকসু মকি-মরোল শেংলগা ওস্তানা চখোকখি অহুগা হজিললল্লগসু রাখল সুংঙাইনা অমুক চংকদবগী খোরাঙ তৌরি। নোংমতা কাওবা যে লাউবা তাদবা মহাক্তা ঙসিদি ইশৈ সুংশিনা শকত্রিবা অহুগা ঐঙোন্দা থবক লিংথিনা শূদে হাযহনা ঙাংহনতা লৈবা মহাক্তা করিমতা হংখিত্রে। অহুনদি মহাকসি করিনো'মা তৌরম্বা তারে। খঙদি খঙনিঙত্রেদা অহুবু করম্বা হংগনি।

লাংবন থানিনা, নিংথম থ' থর থর চঙলক্লবা হায়বহুনি। অমুক সুংথিন্দি সুংশাগী মৈশা থরা থরা লৈরবসু অহিংদদি ঈংলবা মতম্রি। অহুগা সুংখিনগী পুং মরিয়োম তারক্লবসু সুংখিল কৌরো ক্লনবনা থেঙত্রে হায়হনা মখুম মায়কৈ পাংলক্লবা মতম্রি। সুরেশসু হায়নখিবা মতুঙইম্না মতম ওইরক্লে হায়হনা মফি-মরোল শেংকংলক্লে। মহাকনা মতম কুইনা থুপচিন্দুনা থমত্রবা কোট খোঙ্গ্রাউ ঙসিদি লোইনা খোরকলে। মহাকসু কেবদি হৈতবা মীদি নত্তে, নহানমথৈদি পুকনিঙগী হৈনিঙবা রাংপদগী ওইবা তাই। পার্টি অমা য়াওবগী ফিজেং শেংপা লোইরে। গোপালনা রাদি ঙাংদনা তুমিন্না ফল্লপ-ফল্লপ য়েংই। মহাকনা ঙসি সুরেশপু উবসি মহাকনা উরকপা মীশিংগী মপুঙদা মহা[illegible]ঙত্রিবোই নিঙঙি। মহাকনা খনখি,- ঐখোয় তামোসি নহানম[illegible] অতাওবা মান্দুনা লৈরম্লিবসিদি মহাকনা নিঙবা অমা থুংদহনা তৌরম্মা ওইরে, মহাকসিদি ফিজেং লৈতেংলবদি সিংথো মচা মশূ মাল্লিদা। গোপালমা রা অমতদি হংগে হানা থম্রহনা হায়রকই—তাম্মো, ঙসি সুংদাং চাক হাপ্লমগজ্রা? সুরেশ ভাব থংতা তারকপঙম ইকারপ তৌনা নোকলহনা থুম্মি,—যুমদা চাক চাদনা কদাইদা চাক্লগদগে?

ঐ গুম্বা হন্নকনি মীশী পার্টি অমা থার্ডন তৌরদুনা চংলিকনি ।

কবাগী পার্টিনো ?

হেয়া, নত্তনা শত্তপোৎ নত্তে, আ—মীশীনি, থোঙ নুকুম নিংথিনা লোনশিন্দুনা তৈরন্মু, ঐ থুনা হন্নকনি, হায়রম্লগা গাড়ী থৌদোক্লুনা চংস্ত্রে ।

গোপালনা তুত্তনা মুম্না য়েংহৌরগা থলহৌই,—ওহোকপানি, মীওইথা হায়কলে, মাগী মাগী মতম হায়বচু লাক্লবদা কনানম্ থিংবা ঙমদে । সুরেশ, হায়নথিবা মতুঙইম্না চিত্রলেখাহোয়দা লাক্লে । চিত্রলেখাসু থেঙলে, হায়দুনা মফি মরোল শেংলদুনা কোম্ভোঙলোমদা সুরেশ লাকপ্রা য়েংলি চিত্রলেখাদি মিপাইথা অমসু য়াওরবনি, মীনামা শাউরম্লগনি থনবদা চিত্রলেখা, বেগ পাযশিন্দুনা থোক্লদবগী থৌরাং তৌরে । অশংবীনা কদায়দা চংকাদৌরিবনো হংই চিত্রলেখানা মীনাগী পার্টি য়াওবনি ঙম্না হন্নকনি হায়রম্লগা থোকপ্রে ।

সুরেশ অমসুং চিত্রলেখা অনিমক গাড়ী তোংদুনা চংখ্রে । চিত্রলেখানা সুরেশতা য়েংলগা হায়রকই.—সুরেশ বাবু ওসিদি য়াম্না থেঙনকই হায়বসিদি মকে শেম্লিউদা ওইবা তারেদনা । সুরেশ, মহাক্কী মওং মতৌ চিত্রলেনানা থত্তম্রমাক্লে হায়না থনবদগী হকাম্লরদুনা য়াংলমা খুদিং,—করিবু হেয়া কেক্লগবনো, অয়াম তিনবদা অঙাওবলৌনা চংপদি য়াদবমিনা অতুক শেংলিবা হায়রক্লুনিদা ।

শেংকদবনি চাগদবনি, সুরেশ বাবুহোয়কম্বা মতিকচাবা মীনা তৌববু কনা-না করি হায়গদগে ।

হেয়া নহোয়মা পংথা থাগৎপিবনি, ঐবু করি মতিক চাক্লগবনো, সুরেশনা মচীন্দদি অশুম্না হায় অতুগা মপুক্কিংদদি হরাওবা, পোকই । মী হায়বসিদি থাগৎলি হায়বা শত্তনা হরাওই হায়বচুনি সুরেশনা হরাওজবসু চুম্মি । চিত্রালোমদা ওনশিন্দুনা অমুক হায়রকই,—

ঐখোয়গী রাদি থম্লসি, চিত্রা, নঙগী পুস্তিসিবু লয়োইবী ওইনা অশুম্ব লেপ্লগদ্রা ?

সুরেশ বাবু ঐনা হৌজিক চথম্লিবসিমু পুস্তিনিনে।

নত্তে, হায়বা নত্তে, অদুবা—।

অদুদা হায়বদি ?

অদুদা — রাসি ঐ হায়ররোই তোঞ্জগে।

চিত্রলেখানা পুক্লিঙ তিংনা থুম্মি,—সুরেশ বাবুনা হায়রবসু ঐহাক থঙলে, হৌজিক্তি ঐহাকী পুস্তিসি অমুম্মা মীযামগী সেবাদা পীথোকচরগে হায়না খল্লরি, ঐনা খল্লবদি খোইনা অথীবা পুস্তিনি হায়না খল্লদে, করি হায়বগে।

হেম্লতুম ফজত্রবনিনে, অদুদা ঐখোয়না ওমজদবগী অতুক মহায়বা হায়বহুনি। অতুননে সুরেশ বাবু ঐগী রাদি থনবিরুরমু, অদোমগী মঙ্গল ওইনবা হোৎনরসি। অদুগা ঐনা অসিমমু হায়জনিংঙি, রীনাসে ঐগা য়াম্না লুনা তিন্নজবা মুংশিজত্রবা মরূপনিদো অদুগী মথক্তা মহাক্তি ঐগী ইত্তেঙসু পাংবিরিবা, অদুনা মহাক্না নিঙবা থুংজহনা মুংঙাইনা পাজবদো ঐদি য়াম্না য়েংজনিঙঙি।

তো, অদুনিদো, রীনানা মুংঙাইবদা মহাক্না মুংঙাইরিবা অদুগুম্না মহাকমু নঙগী মুংঙাইবা উনিঙলমগনি, চুমত্রনে চিত্রা ?

হোয রা হায়বসি ঙাংনরিবমখৈ লোইবা নাইথা নত্তে, কোম্না অমুক য়ারী শাবা হায়বহুনি হায়রহনা মখোয় অনিগী য়ামীহু লোইশিনত্রে। অ.সামদা রীনাদি লিংদোল পিং পিং চোংলে,—করিগীনো [illegible]য়না হৌজিক ফাওবা লাত্রিবসিবো হায়রহনা। মী পুম্মকমু লাক্রে পার্টিমু হৌগদৌরে, মীনা পুকনিঙ লৈতাবা ওমশিন্নক্রে কোন্দোঙলোমদা মতক থাজহনা য়েংই গাড়ী লাকপগী মখোলমু তাদে। ওসিগী তিন্নিবা মীয়াম অসি মণীপুরগী খোইদোকনা শীংথানবা য়ারবা মীওই ওাক্তমু তিন্নিবনি, মহৈ হৈবা শক ফজবা, অথীবা ফনা য়াম্না তিন্নে অদুবু

মীনানা মখোয়শিং অহুদা থোইদোকনা পুকনিঙ তানা য়েংনিঙঙুদে, অহাওবা কোৎহোঙ অহুত্তদা ময়েংই। মখোয়শিং অহুগী মরক্তা মীনাগী থৌজানগী মাহৈ অমত্তং নত্রগা চানবী মীনোক অমতং পামজবসু কোজায় থাজরিবনি, অহুবু মীনানা মখোয়শিং অহুবু থোইদোকনা থৌশানা থম্মুদে, মহাক্কী মমিত্তা ইহাও-হাওবগুম্বা উরি। মীওইবগী পুকনিংগী শমচং হায়বসিনু ওস্থোকন অঙকপা পোৎ অমনি।

মীনানা অস্নুম্বা থোরাংনা ভাইরিরৈ মত্তম অসিদা রাজেশ্বরগী কোন থোঙদা পাঙ্ত্রী মথোল তারে। মীনা ইথক থকনা ইপা পাথৎনা য়েংই। পাঙ্ত্রীদগী স্তুপী অমগা স্তুপা অমগা কুমথরক্তুনা পার্টিবোমদা থুনা চঙ-শিল্লকই। মহাক মশামক থোকখিত্তনা মখোয় অনিবু ওক্লুবে। চিত্র-লেখা অমসুং স্তুরেশ অনিমক মীনাগা লোয়ননা চঙশিন্নরক্লগা কিদা-দা পুশিন্দুনা ফমহল্লে।

হৌজিক পার্টি হৌগদৌরে। ময়াম পূম্নমক নিংশিজনা মফম মফমদা ফম্লরে। মথংদা রাজেশ্বরনা হৌগৎলগা ময়ামদা থাগৎদোক ওইনা হায়রকই,—ঐনা ঙসি পীজরিবা পার্টি অসি ঐগী ইচানুপী মীনাগীদমক পীজরিবনি। মীনা থোরক্লুনা ময়ামগা শক-থঙনবগী মওং ওইনা থুবাক লোয়নুনা থরুম্মি ময়াম্মা থুবাক থুই।

ঙসিগী রাজেশ্বরগী কৈকোলসি য়েংবগী পেনবা নাইথিত্রে, অমরা-বতীগী কৈকোল হায়বসু অস্নুম্বা থোরমগন্না। মমশ্রবা অহিং অহুদা রাজেশ্বরগী কৈকোল অমু মচু মথল মথেংগী থৱাম্মিচাকশিংনা কৈতেং-বগা অমত্তা ওইশ্রে। অশংবা উনা মরক্তা উশাগী কারক্তা অশংবা, অঙাংবা, নাপু, অঙৌবা থাউমৈশিংনা থাহরকপক্তুদি মণি-মুক্তা থাহবগা ল্যুংকরনি। মরক মরক্তা লিরি লিংপা মালংবনা অমু মুক হুবদা য়োল্লশিং মক্লুনা হায়রকপদি কুমৈ য়েংবা ভাবোকশিংনা মুংভাই-রক্লুনা মওক হাইরকপগুম্মি। কল্লিনা ময়াম অক্তুনু চানবা পুথোরকপা ভাইবঙ্গা অমগা অমগা ওনশিল্লক্লুনা মাগী মাগী শিনকমগী মরীদা

য়ামী শাৱে। কুরানা ভলবকী মরীদা, কন্না অমুনা উকাদৃত্তি জোমুন্না কামরক্তবা, কেশ লেপ্পুরগা ফি পীরমদনা চেনখিবা অসিনচিংবগী য়ামী মখল কন্নানি। ময়াম অসিগী মতুংদা থ্বাইদগী হৈনজিখসি সুরেশনি, মহাক্কি খঙন-চান্নবস্থ থোইনা য়াওদবনিনা ভুমিগ্না মতোমতা থাউমৈ য়েংতুনা কম্বা ভান্নম্নি।

রীনা অমস্থং চিত্রলেখা অনিদি ইমুংদা চান-থকুনবগী কন্না লাঙলি। রাজেশ্বরগী মন্নাম অহুগা উন্নহনা য়ামী য়াত্তা কয়ামরুম শান্নরি। রীনান্না মিহুংথোংদগী মরক মরক্তা লে য়া য়েংই, সুরেশকী হৈনবমা মজোহু উন্না মহাকস্থ মুংঙাইব্রে। অহুগা অমুকস্থ মুংঙাইবা অমা পোকই—ঙসিদি সুরেশসি য়াম্না লেমগ্রে, মুপা ওইবগী ফিবম মুত্তি ওহোকনা কজগ্রে, চুং ফিরান চাগ্রে, খল্লুবদা।

সুরেশ মতোমদা অস্নুম ৈপেবহু মুংঙাইরক্রুহনা মথাই কাঙ্গা চথোকে হায়রুনা হৌগংলকই। ময়ায় য়াইদগীস্থ মুপা অমা হৌগংলকই। মথোয় অসি থোক্রমদাই মচীন অহুব্বাইবক্তদা থেংনয়ে। অক্তোমা মুপা অহুনা ওকনা হায়রকই—হৈমা, সুরেশ নক্না!

এঃ সুরেন্দ্র!

ইস কুইনা উন্নমগ্রহনা নশকপু খঙহ্রেদে, হৌজিক করি তৌরিবগে? কদৌনি মহোয়গৌনা লাইব্রিক লাইস্থ ফাম্না ওমহোবদি নক্নবদিনা, কান্নবার খম্না তৌবা হাম্নবস্থলি।

পার্টি অসিদনা কন্নোমদগী—?

রীনা দেবীগী অফিসিনিনে, সুরেশনা চাউথোক্না খুম্নি।

ও, রীনা দেবীসিবু কমদৌবগে কন্না?

করিগীনো? সুরেশনা চিংনরগুতৌনা হুই।

চুম্না হংবনিদা, সুরেশনা নোকুক্নেং তৌনা খুম্নি।

হৈনা, সুরেশনা কংনা মহাকী মঙ পীরমই।

সুরেশ অমস্থং সুরেন্দ্র হায়রুন ভান্নিহৈদা খঙনমকপনি। সুরেশনা

থরবি শিরে অহু ওইরবনু অস্তুম তিন্নখিবদগী হন্জোইনদহুনা মিং অহুম কৌনৈ। হাইস্কুলগী পুন্সি লোইবদগী উমদবনা ওসি উন্নবিবসিনি।

চানবা য়েন্‌বা মতম ওইরহুনা অশাংবা টেবলদা প্লেট কপনচিংবা থম্লে। য়েনবগী থবকসি রীনা, চিত্ররেখা অমসুং থম্বালনা তৌই। মখোয়দনা তৌবসি য়েংবা ষুংঙাইত্রে হায়হুনা সুরেন্দ্রনু চঙশিন্দুনা য়াওখ্রে। থম্বালনা পায়রিবা টি পোত্ত, সুরেন্দ্রনা পায়হুনা রীনাগী মতুঙ কোইন-ইন্দুনা চা হৈরি। রীনানা হগা য়েংলগা নোক্লহুনা হায়,—সুরেন্দ্র বাবু য়াওবিজ্রবনু য়াগনি, ওসিদি, ঐখোয়না ষুঙুনিনা সেবা তৌজগদবনি, অভিখিনা করিগী অহুক য়ানা ... . । সুরেন্দ্রনু নোক্তুনা খুম্মি,—ঐখোয়নু অওম্বা মতেঙ পাংজবনি, য়ারৌবিত্রা।

সুরেশ মাগী ফমকমদা তুমিন্না লুকথহুনা ফম্মি। মহাক্কী মপা য়ৌ-রকপদা রীনানা ওপ্পম্বা শোন্নম্মি—হোরেশ চংমিন্নসি, ঐখোয়বু থিন্নম-গনবনি। সুরেন্দ্রনা চা হৈবদা অমুক হায়রম্মি,—সুরেশ বাবু রীনা সেবৌগী উৎসবসি হাউত্রবনু হাউই হায়হুনা চাবিয়ু। সুরেশ কনাগী য়াহংগী পাউথুম পীদনা তুমিন্না কমহুনা লৈ।

চাব-থকপা লোইনরক্লহুনা মহৈ মহৈ চৎকদবগী ঈরাং পাওনক্লে। সুরেশ না অমত্তা হান্নরমদনা কুক হৌগত্তুনা থোকখ্রে। থিজিবা ময়াম অহুনু রাজেশ্বরগা অমমম অনি-নি বিদায় তৌনহুনা অন্নাম্বা চৎনখ্রে। সুরেন্দ্রদি রাজেশ্বগা বারী বাজার থরা শামিন্নহুনা লৈরি। রীনা অমসুং চিত্ররেখা অনিসু ইমুঙদা লৈরি, থম্বালসু ময়াম্না চায়ন থক্লমহু মী থরগা লোয়ননা লোইখোক লোইশিন তৌরি। মরম অসিদগী কনা চৎখ্রে, কনা লৈরি হায়বসি রীনানা খোইজোক্না থঙজুদে। মহাকনা খনবা হায়ববু সুরেশনা মখোয়বু ওাইহুনা লৈরমখিগনি অসিওনি।

মতম অসি কনা থেংজিন্নক্লে হুমিদাংগী পূং মাপল মথায় রোম ভাশিন্নক্লহুনা রীনাহোয়নু চৎলসি হায়হুনা তৌনরক্লে। রীনানা সুরেশ লৈরমখিবোই নিঙহুনা কোয়রোং য়েংলকপদদি উবা ফংখিত্রে। চিত্ররেখাদা

হায়রকই,—করিনোনে, চিত্রা, মহুত্বু থর' থরা তাওরবরা করিনো রীনা চৎমিন্নসি হায়রগা মশক উত্রেনে। চিত্রলেখান্দু ইথক-থকনা হায়-রকই,—হৈরা, অওইবরনে, ঐদি মহাকনা থিনবিগনি হায়হনা লৈরিবনি অহুগা তুমিন অতাওবদৌনা ফূক হৌগতুনা চৎখিবসিবু চুহ্রা! রীনানা শোম্থাংননা খুম্নি, অতাওবা তিন্নবা হায়বসি ওহোকনা রাগদৌরি।

রীনানা চিত্রলেখাগা নিংজিং মাণ্ডাজংননা লৈবহু উরগা সুরেন্দ্রনা হংই,—কদৌরবগে চৎমিন্ননিওতাই লৈত্রবরা ঐবু থিন্নু হায়ব্রা? রীনানা থুনা খুম্নি,—ঐখোয়গীন্দু গাড়ী য়াওজরি, য়াগনি। সুরেন্দ্রন্দু, করে, অহুদি চৎলগে হায়হনা চৎখ্রে। রীনা, চিত্রলেখা অমত্নুং থম্বাল মখোয় অহমন্দু গাড়ী তোংহনা হন্নক্রে। রীনানা চিত্রলেখা থিনবিরম্বগা থম্বালগা লোয়্ন-ননা ময়ুমদা হন্নক্রে। রীনাদি তুমিদাং চাক চাররোই হায়হনা কমুওদা অহুম চওখ্রে। রীনানা অতৈ থোইদোকপা থম্মুক্রে,—করিদৌনো মহাক্না ঐবু তাইরমকনা চৎখ্রিবা অসিওনি।

সুরেশ ময়ুম হেক শৌরকপগা বা তাংদে, মফি মরোল প্রণ প্রণ হোংদোক্লগা কমুওদা হিম্নি। গোপালনা কিন-কিনা হংই,—তামো চাক চারোইরো? সুরেশ বা তাংদনা হৌগতুনা চাকশওদা চাক থম্বা চারগা অমুক থুনা থোরক্তুনা কমুওদা চওখ্রে। গোপালনা অহুক হংখোইনা চৎখ্রগা কৌজিক্লা কদৌরিবা! হংবন্দু ওমদে, মহাকন্দু সুরেশকী মতৌ অমুতা লোয়া রেংহনা লৈ। সুরেশ থাউমৈ মুথংলগা কমুওদা তুমুগে চওবনি। অহুবু তুম্বদি শাক য়াদে, বাথল অমতনা মহাকন্দু অংদি,—ঐবু ইকায়বা পীগে হায়হনা কৌরিবা। অত্তগনী!

সুরেশ মত্তোশাদী হৌনা মশাবু মমা তোহনা, থৌজ। ময়ুম অমুনা রীনা করিওবা মচুম্না বা অমতং বায়ুবনা হেক্লা য়ুদ্রোগনি, অমুক মহাকপু উশিবহনা তৌরিবনি হায়হনা হেক্তা মথান্নি। অদুনা ওসিন্দু সুরেন্দ্রনা রীনাগী মরমদা থমজং হংবা অহু মহাকনা 'মঙোলনী' করেংরিবনি থনবনগী ওহাক্তা তৌনা শোথাকন থমখিরে।

(২৫)

সুরেশ, অমুক ওন্তা হোৌগৎলগা মহাকী মহৌশাগী পুন্সিহ্ অমুক চপনক্লে। ওসিদি মহাকী থবক্তা থরায় য়াওবহ্ অমুক হৌজিনক্লে। অদুবু ওসাংগী সুরেন্দ্রগী করেম্বা বাঙাং অহুদি পাক হেক ক্বাউথোকপা ঙমদে। নুংথং থাবগী ওহাক্তং চাওবা মতম অহুদা হেক-হেক নিংশিংই। মতাও অসিদা সুরেশনা চিত্রলেখাগী পুন্সিবু থাগৎলি অমম্লং হন্না হন্না নিঙশিংই,—মহাকী পুন্সি অসুম্না ঐসু মতম থরা কনাগী ঙাক্না য়াও-বদা লোৎনহ্ করাদা চুংঙাইজগ্রবা। চিত্রলেখাগী পুন্সিসি হৌজিক হুংশি-হুংজোনগী বাংমদা লৈরবা পুন্সিনিদা ওন্থোক্না হুংঙাইরমগনি। য়াসগী মনং অসিদবু চঙগ্রবদি করকপা, মিহোৎরা, অপাম্বা, তুকচবা, ওন্না হেক্তা মথেনরে। অমরোমদা হুংশিগী অকা অপুন লাং অসিদগী মাথোকপন্থ থোইদোক্না অরাবগী মশকনি। ঐনা মতম থরা নোংদোন লৈবী চেক্লাওম ইনিঙ ওন্না লৈজরবদো চুংঙাইজগ্রেদা। হৌজিক চিত্রলেখায় অকা-অপুন য়াওরবনিনা হুংঙাইরমগনি।

হুংশিদা হায়বদি ওশেংবা খজিনুরেবদি কবিহ্ য়াওবা মতে, ওইবনা মঙনাদি, থাবাগী, ঈশাকনি, ঈশাক অসিদা নুংহুনা মীওইবনা পুন্সি

মায়কনমক্তু থাওরিবা,—মুন্না থজিন্নুরবনি তৈমাবীনা তৈবা তোকশিনবা-গুরনি,—মুংশি লাংবা তোংশিন্দুনা পুম্নি লোইহনবনি। অন্নুবনি কায়তে মুংশিবগী থাকথক্তি থাগ্নিবমখৈ লাগমা থবিবনা ঠৈ।

সুরেশনা অহুম্বা বাথল কয়া থপুনা মরক মরক্তা অমুবা শায়বা পোৎ ভাথিবা মঙহোঅবা মতম অসিদা, থঙহৌবনা থবাল এপ্ন এপ্ন চক্লকই। সুরেশনা থম্বালবুদি মশক থঙবনিবা, মহাকনা লাক্লিবনি কমিগী ওইবনগদবগে হায়না হাইকেং চিংবৈ। থম্বালনা সুরেশকী মবাক্তা চঙশিল্লগা,—ঐথোয় ইবেম্মনা চিঠি'সি পীরকই হায়রুনা চিঠি অমা পীরমে। থবক শুরিবা মরামচুম্ন থম্বালদা মুন্না রেলশিন্নকই। সুরেশ, চিঠিম্তু লৌশিল্লে অহুগা থম্বালদা ওহাক কম্বিথিগল্লা হংলম্মি। থম্বালনা, থবক থমা লৈহৌই কমজররোই, হায়রুনা অহুম চৎখ্রে। গোপালম্তু থম্বালবু মশক থঙলবনি, অহুনা মহাকম্তু কমিগী চিঠিনো মহাক্না পুরক্লিবলে হায়না থরদি মচিংনৈ।
সুরেশ, মহাক্কী পোথাকম কা অহুদা চৎথিহুনা চিঠি অহু পারম্মে। চিঠিগী মরোন্দো মায়া শম্মি:—

ওরাং কমিগীনো কনাম্তু তারুমদনা চৎখ্রিবা। চংবিরসি হায়রগা হৌ-গত্তুনা চেনখ্রিববু কমিগীনো? ওাংনগদবা থা মায়া লৈ ওসি মুংমিদাং-থাইরম ঐথোয়দা শোয়দনা লাক্তবা য়াদে। ঐনা হায়জরিবসি য়াথি-রবদি মতুঙদা অমুক কৌনররোইদবনি।

নহাকী
নীনা দেবী

সুরেশ চিঠিম্তু হু১। হমা কয়ারক পারে। পারগা মতোকনা থমা পেয়া লোকই,—'নহাকী নীনা দেবী ঐগীম্তু মতুনা, মহাকনা ঐবু অমুক লাং থাক্লকই। মর্থ ।ওদবা চিঠিনি হায়রুনা মচেং মচেং পুবনা য়াদনা শেগায়রগা নৈ থাদোকখ্রে। মহাকনা অমমুক ইকবা গোপালবা পীরকচো থাখ্রে। গোপালম্তু ইওক ওকনা ভাব অমা ইভা ভাবনা শাইকল তোংদুনা চৎখ্রে।

"চ-ঐ[illegible] [illegible] লীনাবি হুংঙাইবগী মাখোয়গী লোয়নবা মহাকী মথমগী মঙাইবদা মী কয়বা কা অদু নিংথিনা শৈজরনি। পুত্রি থলাক্নবা করোকচৈ, জথেঙ্গ, মতোমগী অমাংবা লৈরাংশিং অমসুং ঐরোইশিং লোয়নবা তেকচুনা হুন গ্রামকা হাপচিল্লি। অমাংবা লৈনী লৈরোয়া কা অদু ইচাই চাইবে। মখংদা লোকাশিং অদু উকনদা শাইথবা পকপা কইরকপী, ভাবনবা মোন মচামচিংবদু নিংথিনা লেংজিল্লি। চৈথন মথম চামা লাজিল্লি। মিহুৎথোঙ অমসুং থোঙজাওগী পর্দাশিংদা পকপা ঊমূন নিংথিবা কলয়রে। পন্নমক থৈ শাবা লোইরবা মতোমগী অমুক হন্দোক্তুনা কয়ুপা কলমক্তা, কদি নাংনি লেপলবা হায়দুনা নেংশিৎহৌবা মপুনবী কৌরকই,—কনা লৈবগে ইচেম্বা, লৈরা? লোক্তনা অনি মীনুমা তাপ্তবা মশক থঙনবা থোকচেল্লি, মরম অদুনা হয়াওনা মদুগুম চংশিনবকই হায়না কৌশিল্লি।

গোপাল, ইমুঙদা চঙলকুনা কল্লে। মীনামা,—মহোত্তাদোবা কল্লি হায়রকই, হংই। গোপালনা চিঠি অসি পীরকই হায়দুনা পীরে। মীনানা চিঠিদু পাম্লগা, চা থককো হায়দুনা থকানবু কৌরকই। গোপাল, হংলগে হায়দুনা চা থকঙ হায়বা য়াদ্রে। মীনানা, য়াদে হায়দুনা নমদুনা চা কপ অমা পীখ্রে। অদুগা মহাকদু ভাইশাথে রাজসিং পোখাবা ওইনা কপ অমা থল্লি। মীনানা চাদু অমুক্কং চুপ্পগা হায়রকই,—গোপাল, হমক মরমকি মহোত্ত তাম্বোঁনি কমজরেম্বগে? গোপালনদু-চাদু অমুক অনিরক চুপ্পগা থুম্বি,—ইস! ইচেম্বা ঐথোয়গী তাম্বোগী মতৌগিনি মীনা ওবা ওৎপোং নত্তে। ওয়াংদু হুংঙাইবনা ইশৈ চংদুনা মদি অমোম শৌগা কনাগিনো পাটি থাওগতৌবি হায়দুনা কয়াদা হয়াঙা চংখ্রে অদুগা হয়কপদদি বা কৈকা অমতা ভাংদনা কয়ুঙা অদুক চংখ্রে। অদুমা ইচেম্বা ঐথোয় তাম্বোগী মতৌগিনি অমৈম্বা লৈরোক হায়রম্লি।

১. মতংথকী 'নিংথিরবা থাজগী' মায়থোংদা থংহৌদনা অমুবা লেম্বা হুনশিনবিথঙম, হৌজিক্তা হয়াঙ মিনোক্তা লোয়নবা লৈজবদা মীনাকী"

থাম্লিবোতিহ্ চিংঙ্গ পষৈ থাংল্লে। রীনা, মী ওইৎনা মিবুং ঙমদে নুংকথইহনা থাবিল থৌই। গোপালনিহ্ চংলগে হায়রহনা হৌগৎল্লে। মীগী নাদা ঙম্না, চংলো, হায়রবদা, গোপাল খোকল্লে।

মতৌঅমতা ওয়রহৌরবদা রীনানা চিঠি অমহ্ কাকতোক্কনা পারে। অম্বুম্না হায়রকই,—রীনা দেবী, নহাক্কী মচমদা ইকায়বা কংগনি হায়বদি থঙনবা নত্তে। ফুংশিবা হায়বা লাই অমহ্না ঐবু বুদ্ধি মাওহন্দুনা থিং তাওহন্দুনা নঙগী ননাক নকে হোৎনকরে, মহুৎসিদমক ঐবু তাকপিগনি। মমাঙৈদগী হৌনা ঐদি মতিক চাদে হায়রহনা ইশানা মাংজরিবহুনি, মতিক মপা চানবা মীশিংগা রীনা লেনগা মন্নী মতা থরবনা হেন্না কনানি হায়না থাম্লি। ঐবু অমুক কৌবিহনা ইকায়বা পীবিয়গহ্।

সুরেশ কুমার

রীনানা চিঠিহ্ পায়গা চিঠিহ্দা মুম্না অমুক য়েংই, মহাকনা ওসাইনবী শেন শারিবা ময়াম অহদা অমুক য়েংই, অকোনবদা মিহৎখোঙনা থোক্লগা মতোমদা থম্লি,—করিনো, মহাকনা তৌরিবসিবো। ওয়াংবু কনা-না করি হায়খৎবগে, মহাকা থঙনবদি থোইদোকপা য়াওই হায়না থমো, অহবু মহাকনা করি চিংনবা য়াওহনা তৌরিবনো? ওয়াং মুরেশনা ঐখোয়গী ঈতেঙ থরা পাংবহ্দা চিংনব পোকখৎবরা! মহাদি পুক্চেল শিকপগী য়ানি। মরূপ মপাও থঙন চায়বা চায়বশিদি অমা অমগী মতেঙ পাংনবা হায়বসি লোইনা তৌনরিবনি মহুৎসিনমক মহাকনা করিগী য়ারোইকম থোকই। অহুগা মহাকনা চিংনবা লৈরবস্ পুক্নিং থিংবা হায়দোক্লগা চৎথোকনরগা য়াবা ওয়াকনি। মহাকী মওং অসিদি অঙাংগী থৌদৌ মাল্লি। অহবু ঐনা মহাকা চপ মান্নরবদি ঐগীস্ মহাকীস্ অমাঙবা থোকপা য়াই, অহনদি মহাকনা চৈংনরীবহ্ কয়াগীগী হায়না থঙনবা হোৎনদবা য়াদে।

গোপালস্ লগী চৎনা চৎনা থাম্লী,—ইচেম্মা রীনাদে, মরুক মপাক্তি ওথোকনা কপ্লেনকো, ইনাক থুম্লে, মহে কৈরে হায়রহনা চাউখোক

সেন্নমোক্‌পা অমতা হেক য়াওজরেদা চৎখিবদা মচা মনাওঙুম অমাম অমাগ, হুরাও হুরাও হেক তৌই। লাইরিক্কা হৈরিবা, উইরে পান্নবা উ পাম্বী মক লুকই, থৈহে হৈবা মীনা নোক্লুকই হায়রবসি মওোন্দা চপচানা থোক্লকই। অহুগা ঐখোয় তাম্মোনা তৌরিবসিনা করিনো! মীনদি মহাকপু হন্নাও হুন্নাও, হুংশিনা মতৌজে অহুগা মানদি হুমীং চুমগী শাউরনে-মক্তা মউই, করিনো মহাক্কা তৌরিসি ভাবপু ইত্তা তাবা ওমদে। গোপালগী লায়েঙ্গ ওস্তোক্লা তেনগ্রে, রাখন্দি লোইহৌদে, মশাদি কায়খানা য়ৌ-রক্রে। গোপালনা প্রপ প্রপ চঙশিল্লি, সুরেশ বা ঙাংদে মানা শূগদবা থয়ক্ত্ অহুম শূরি। গোপালনা কনমক পাউ তক্সিওহনদু সুরেশনা হংলক্রবনিনা, মহাক হুমিন্না লৈবা তাখি।

হুমিহু কনা য়াম থেঙজিল্লক্লবহুদা গোপালদি চাক থোংবা চঙক্রে। সুরেশনহু নিংকোক নিংকোক তৌহুনা লৈহৌরে। অতৈ থবক শূবশিংদু মাগি মাগী থবক শূনরি। সুরেশতি য়ারে ওহাক্তা পোথাগে হায়রুনা মরুওদা চঙখি। সুরেশনা হেক চঙখিবগা ডাকপিয়োন অমা লাক্লুনা চিঠি অমা পীরয়ে। থবক শূবা মী অমনা চিঠিহু সুরেশক্তা পীশিনক্রে।

সুরেশ হিয়রবদগী মুক হৌগত্ত্না চিঠিহু ফাক্তোকই। অহানবদা মথাক্তা থারিবা মিং অহু য়েংই। অতৈ কনাগী ওইরমক্রে, মহাকী হুংশিরবা মরুপ নরেশকী ওইরক্রে। মরুপকী চিঠিহু কংবদা হুংশিমনগ্রহ্না পাক্রিতৈনা হান্নবা চেকনা কোমশিনৈ, হুংঙাইখিবনা ওহাক্তং হুমিন্না কমহুনা লৈরম্মি। মরুওদা চিঠী কাক্তোক্ত্না পাবদা হায়কম থওদনা হুংঙাইবা অমা কাওক্রে। সুরেশনা হুংঙাইরিবসি মহাকী মরুপ নরেশকী ফিবম থল্লবদনি। নরেশনা চায়রকই,—ঐহাক্না নহানমথৈ পুক্সিবু শাম্নপোংকুম থল্লবদগী অরেবা রাখলদা ওহোক্রা হাকরে। ঈশ্বরনা মীওইবদা পুন্সি পীবিরক্নি, অমবা অমম্মুং কান্নবা মওংদা শিজিন্নহুনা মহয় য়ালহন্নবা। অহুবু ঐখোয়না পঙবদগী অরেবা রাখল কয়াদা শিজিন্নহুনা মহয় য়ালহক্রে। ঐহাক্না নকম অসিনা লৈনবগী মীওইবগী পুন্সিসি করম্বা মওংদা শিজিন্নগদগে হায়রবসি মুক্তা

থঙলে। ইরৈবাকপু য়েংবগী মথুংগী কনবা হোংবা মনিংদু থাইটিনী হেন্না নুংঙাইরবা পুন্সি মথল অমনি।
ঐনা খল্লবা পুন্নমক অদু অরেম্বদা আম্বাবু মাইথিবা ওইরম্লে। ঐনা অরোনবা মাখল্লা লমজিংখিবদগী ইমা ইপা অনিমকপু ঐনা কাইথোক-উরে, তৌজিন্তি মখোয়গীদমক থবক হেক লোইখিবা মখোয়বু উবা লাক্লগনি, মতম অসি কাওবদি মরুপ্পা থবা ঙম্লোইদ্রি-বিরম্। অদুগা মা অসিগুম্বদি চিত্রলেখাদা হায়রিবু,—ঐনা ঈকাইবা খোঁজামবিরবদি মহাক্কু মা অকবা মী অমা ওইবা ওইগনি।
সুরেশ, চিঠি অসি থুনা পাবা হেক লোইবগা পাউ তম্মিবনা তাইওমরে। চাক থুনা চারগা নরেশতোয়দা চৎকে হায়দুনা গাড়ী থোলোক্লগা চৎখ্রে।
তারমদাই সুমিৎকী শোম্বরকপা মতানগুম, মুংলমদাই থাউমৈগী শিথ-রকপা মৈরাগুম, যাত্রাসিং অমসুং তোম্বীমচা অনিসু অহল ওইরকপগী শোম্বরক্না পুন্সিবু পুদুনা রানা লেল্লি। অনিমক মাজোল মটি অমমদা কন্নদুনা থৌরাংবা পাউ তানিংবগুম ওইরি। থোইদোকপা রাগী অমা শাদ্রে, মখোয়না শারবদা মচাগী রারীনি অদুবু অদু শারুদগা অমাবা নংনা মুংঙাইবগী ঈরাওদি হৌদ্রবনিনা পুক্নিংদা থম্বদগী হেন্না চৌম-বান্দা পুথোক্নদুনা শানদ্রে। মখোয়না হৌজিক খল্লিবা হায়রবদু পিগী-ঙৈদা নরেশপু অমুক্তং উবা ফংবা, অসিতনি। মখোয়গী কোম্বোক থম্মাদা হৌরিবা হৈদ্রেং পাম্বী অদুদা কাক অমনা লাক্লা লাক্লা অমুক অনিরক থোংখি। মখোয় অনিমক্না মপুক্নিংদা খল্লখি,—কম্মি শাউবু ওইরিগনবা, অসুক কুইনা তাত্রবদা হৌজিকপু থম্মোই কায়বা পাউ অমা তাকখি…
খল্লিঙৈমক্তদা কোম্বোওদা সুরেশকী গাড়ী থারে। তোম্বীমচা, হরাওবা, মিপাই, থুইথরবা উনশাহুদা মুংঙাইবগী জুজু অমম্বা পোক্লক-থঙ্গ তৌই। মিকুপ অমগী মনুংদা তোম্বীমচাগী মর্যাদা অমাবা অম্মুং মুংঙাইবা অনিগী ঈচেল পুন্না চেম্বরকখি।
সুরেশনা মাজোম হেক কাথৎলকপদা, তোম্বীমচানা কক্কু মটি অমা

[illegible] [illegible] [illegible] হায়রকই; [illegible] [illegible] বাড়ি, [illegible] [illegible] [illegible]।
[illegible] [illegible] মচি অমদা কয়পা [illegible] হায়রকই,—ইমা [illegible], [illegible] [illegible] [illegible] তাদে।

[illegible] ইবুংঙো, [illegible] হায়রকপা, [illegible] [illegible] [illegible]। ইমা, [illegible] [illegible] [illegible] করে, [illegible] [illegible] [illegible] [illegible] [illegible] [illegible] [illegible] লাক্লগনি হায়রকই। যাত্রাসিংনা [illegible] [illegible],—
[illegible] [illegible] [illegible], লোইয়দ্রবা [illegible] [illegible] [illegible] হায়রবগে ?
পাজি, পাংকুই কুইরবোই, [illegible] [illegible] মরিশী [illegible] লোইশিনবা [illegible]। [illegible] মক্বি [illegible] [illegible] হায়রকই,—ইবুংঙো, ইমানা [illegible]-[illegible] [illegible] [illegible] [illegible] [illegible], মসিজুনি, ইমানা [illegible]।

ইমা, কবি মত্তা [illegible] মহাক, [illegible] লাক্লগনি।
[illegible] [illegible],—ইবুংঙো, ইচানা তৌবিরিবসে ওহোকনা [illegible], [illegible] [illegible] কব্রিনা শিংগুদবনো !
[illegible] ঐমা কব্রিন্ন [illegible] তৌরক্লা, হৌজিক লাকচরিবসিস, কব্রি কব্রি [illegible] [illegible] [illegible] হংক্লে লাকচরিবনি।
[illegible],—নুহানগী পীরকপা পোৎশিং অদু লৈরি, পীরক্রবদু মাগুনি, [illegible] ইবুংঙোনা চিঠি অমত্তংদদি মরোল হনবিখো,— মামবদি মহাকী [illegible] [illegible] চুটি লোহনা অমুক্তং খোরকউ হায়রবিখো।

[illegible] মা মথা [illegible] [illegible], সুরেশদু [illegible] যাত্রা-[illegible] [illegible] [illegible] মচাগী মরমদা [illegible] [illegible]। যাত্রাসিংদি [illegible] [illegible] [illegible], চৌথাবদি [illegible] মায়া [illegible] [illegible]। তোথোক্তাবি [illegible] [illegible] মথক্তা মমানি, [illegible] অহনা [illegible], [illegible], পুক্নুং পুখোক্না [illegible] [illegible] [illegible]। [illegible] [illegible], হায়রক্তুই,—[illegible], [illegible], [illegible] হায়রম্মিবসিবো। চুম্বগনি, যাত্রাশিংনা [illegible] [illegible]। [illegible], [illegible] [illegible] [illegible],—ওহোকপনি [illegible] [illegible], [illegible], [illegible] [illegible]

ঐনা লৈরবা অমম্থং ওইরবা ফিভম অদুদা ওসি ঐনা ওইরিবা মওং অসি তাররকনি হায়বসি মগুদা কাওবা মগুলমরবনি। ঐনা মহৌশাগী অন্থ্রা লৈরম্লবদি কম্নিনী ইচানা অস্ত্রম তৌরকপদগে, ঐনা ইশা শোনবদগী উপায় লৈথিদবনা ইচাবু পেলহনবা ওমদহনা অস্থ্রা তৌগ্রিবনি। খল্লু-বদা পুকনিঙসি লৈতাবা ওমদে। অদুগা অশেংলা নরেশনা মযুম থাদোকুনা চংখিবগী মরমদি ইমুং মচুওগী ফিওমদগী নত্তে, পুকনিঙগী ফিভমদগীনি মসি খঙদবদগী অহল অনিনা ইমুঙগী ফিভম কংলকুবনা মরম ওইহনা চংখিবোই নিঙবনি।

সুরেশ চিত্রলেখাদা নরেশকী পাউ অসি হায়বিরকসিন্না হায়নদি থল্লি। অদুবু অনিগুবা রাখন্দা চংলরোই করিগুম্বা মতমদা উন্নবদা হায়রগে হায়না লেপত্রে মরমদি মহাক্তা উম্নরবদি রীনাগী বা হৌদোকপা য়াই, মতুনা মঙোন্দা মুংঙাইবা পীবগী মহুত্তা পোইদোকনা চিংনবা, পুকনিঙ চুংনাংনবা পোকহনগদৌরি, অতুনদি উম্নরুবা চুমত্রে হায়রহনা মনুঙ্নাথরা কুমজিংনা থলক্রে।

(২৬)

ঙসিদি শরৎকী পুর্ণিমা থুমিংনি। আতিয়াগী মকোয়দা মকোয় মায়রবা শরৎকী থাজনা হয়াও-মিনোক ত্তয়ি। মশীং লাকওমত্রবা থরাঅিচাক শিংনা থাবলগী মরুমদা কুফেৎ-কাফেৎ তৌহনা কেকুলোৎপী শায়রি। থাজগী মত্তান্তবু খৌরাংজবী নোংইয়া থাবলক্তা কোয়না পায়হনা থাজগী অম্ৎতবু য়াজরি। কৈরাথকী চেক্লাস্থ, পোনগী পোম্বী কয়াস্থ শরৎ থাবলগী ঈরাংদা ঈরোইদবা কনা য়াওরি। শরৎ থাবলনা মালেম থক্তা চাট-থায়বদা, পুকচেল ত্তশ্নি মালেমগু হয়াও মথোই কাজরি। তাইবং পুকনিং কয়াবুগু শরৎ থাবলনা ঈংহল্লে। অসিগুম্বা ঈ'লবা থাবলনা পুকনিং ওমহৎলবা থুমিং অসিদনি. ·চিত্রলেখাগী মতম কুইনা নিঙজরক্লবা নারী আশ্রম শজাগদৌরিবা।

য়াজেশ্বরদা শিয়খিবা মতুঙ ইয়া আশ্রম শাবা লোইরে। আশ্রম অসি য়েংবদা ঈংই হেক উবমক্তদা পুকনিঙ চিংশিন্নবগী মওংনি। অচৌবা শঙ্গাং অমনা ময়ায়দা ফৈনা লৈরে অহগী মত্তাই অনিদা য়ুংনা অচৌবা শঙ অনি অমম্থ ঈস্থোকখ্রি। আশ্রমগী অকোয়বহদনা লেপমুক য়াংনা থিঙৎ তায়ানা খারগা মহ্দা শম্বনগী উমী য়েংহন্দুনা, মপান্দগী য়েংলক-পাদি ওক্রবা বন মচা অমগুম উহল্লি। মতুঙদগু লফু পাম্বী, হৈনৌ, য়াশপাতি, কাওনূপ কাওনূপ ওইনা থারি। মসিদগু নত্তনা লৈগী জাংগু তনা লৈকোল মচা অমত্থ শেয়িং শঙ্কাওগী মমাঙমক্তদা থং মচেৎ শাবা পুত্রি মচা অমা তৌই, পুত্রি অহ্দা থয়ো থম্বাল মরাং কায়না

শাংহল্লি। "হৈপাকপী মরক-মরক্তা শোথাঙ্কম ওইনা কুন্ডী কাল" অময়মস্তু শাহুনা থমলি। আশ্রমগী গেট অহুলা চেংকী রাংলবা মথোক্ত অলি য়ুংলি, মথক অহুদা লীরুংওম্না কোম্লগা আশ্রমগী মনিঙ্গ থাদি। অহুগা গেট অহুনা য়োংনা লোল্লি। আশ্রমগী মনিঙদনা লৈরিবা পুল্লি অমা কোই মহু নৈগদোরিবা মীশিংগী শিজিননববনি। অহুনা য়ুমজাউ অহুগী থা-রাং ওইরম্না চাউরবা শঙ অলিশুস্নু শারি, মহুনা থবক শূকল্লি। নাবী আশ্রমসি য়েংবদা কনা নিংথিজরে। আশ্রমসিগী অচানবা ওইনা শীল লাওবগী থবক্তি টে্রনিঙস্নু চংলুববা চিত্রলেখানা তৌবা তারম্মি।

শঙ্গানবগী থৌরাংস্নু রাজেশ্বরনা তৌগ্রে। মচাকনা বার্তন তৌবা রাবা মী কয়া থন্দুনা তৌগ্রে। আশ্রম অসি হাংদোকপিগদবা মীদী কনানো হায়না থম্মরকপা মতাওদা চিত্রলেখানা থরায় য়াওবা হায়রে, —শঙ অসী হাংদোকপীবগী থবক্তী রীনানা তৌবীয়ু। রীনানা থুমথী,— মহু ঐঙোন্দা হায়বীগদু, অহল ওইরবা কনাগুম্বা অমা থনম্বী। ঐনা থজবদী চিত্রলেখাগী ইমানা খ্বাইদগী ফেরা কৈ হায়রবা থল্লী, মরমদী চিত্রাগী উইন্দগী আশ্রম অসীগী ওইথ্রীবনীনা। চিত্র-লেখানা রীনানা হাংদোক্রুবদী য়ারোই হায়না কয়া য়েংথনববদগী য়াদহুনা রীনানা হাংদোকপা তাথে্। বার্তনগী শরুকসীদী রাজেশ্বরনা তৌথ্রবনিনা মথোয় অনীদী থোইনা থংগ্রে। অরাং-অপা শরুক থম্মরকপদা চীত্রলেখানা থংনীঙ নীঙশীংলজুনা স্নুরেশকীস্নু বার্তন অমা য়োথে্।

সুংথীনগী পুং অহুম তাবা মতমদা হৌগদবনী। অহুগী শঙ্গাবগী চপচানা পুং মরীদদি। মরম অহুনা পুং অমী মথামরোম জাবলদী মী লাকলবা থরা থরা হৌনরে, অহুম তাবা মতমদদী মী অমাবা লাকদরে। মরায়গী শঙ-শাঙ অহুদা অরাকপা মী পুন্নমক কমলবা শীঙ্গী অহুগা মচী অমদস্ পুক্রালচীংবা তৌরী। মমগী মী অমলুং

পুৰকী মীয়না আশ্রম পুন্নমতুংবু মনম তুংশিন্নলক্লে। অতিথিবশিং অদুগী মহুদা অপুন্নবা লৈগনবা তুপী অভাং কয়াম য়াওরে।

ওসৈদি নাগী আশ্রম অসি পুম্নাং লাওরে, কয়িগুম্বা মখমখনু আশুম্বা মহৌশাগী ওইরুবা অখিকপা শকখম মাওরে কনানা হায়রগে, মখম অসিসি আশ্রমমক ওইগদবা, মফম্নি, ঈংই, চিকই, কনা অমনা পোক্নি, কদায়েদা পুম্নিংসে, কনা-মনখু অমুক তুংশিনা হায়রমি, কনা হায়বীসে মপুকচেল চাউইদা অমুক চাউবা আশ্রম অমখু মহাক্না কংলিবসে। নহাঁনমুক্তী মপোক্তা অমবা কর্ম তৌরকপগী মহৈয়নি। তুপী খন্তুসে তুপা খন্তুসে অমবা মচা পোক্লম্বা হায়বসিদি অসুম্না অমবা থবক তৌই। খবমপু অমুক হায়রবা, রাজেশ্বরগী পুক্তিল খোয়াংশি। অসুম্না মীয়ামগী মওং কয়ামি অদুবু পুন্নমক অসিগী চপ-মান্নবা য়াথঙদি তৌদ্রিবা থবক অসি অমবনি হায়বসিনি।

" ওসাই অমুক্তগী সুরেশনা খল্লি,—ঐবু চিত্রাগী বার্তন অসি চংখক্লা চংলোইদ্রা! বার্তন তৌরক্লিবদি চিত্রানি, মহাক্কি নত্তে, অদুনা শত্রু-খুদৌনিবনা মহাকনি। মরম অদুনা থবক অসিগী মরুওইবা থৌরম শাউখোকদৌগিবদি মহাকনি। ঐদি মহাক্না উন্নরোই হায়না খক্লুবদি অদুবু পুক্নিবদি মসিদা ঐনা কয়িগুম্বা চত্নবদি চিত্রানা ঐবু পুক্নিংলিবগী কাউদ্রবোই। মখি চংনিঙখিদ্রেদা, অদুবু চিত্রানা থেংহুনা লৈরম্নি, মহাক্কীমক থেংহুনা চংপা তাগনি।

" পুন্নমক অসি হন্না হন্না খল্লুরগা সুরেশ, চংপা অসুম্না মফি-মন্নরোম শেংলগা পুং অছম মখায়রোম তাবা মতমদা গাড়ী থৌদোয়রক্লে। চংলম-দরিদা পোপালদা হংই,—তাদো গুলিদি চাক কমলৌবা? সুরেশতু নহাঁনমুক্তী মতৌদুনা ইকাইকখমাক্লে,—ওসিদি ওতাবা হলনকনি এছাং হঙিদা থোংলম্মু, হায়রম্লগা চংখ্রে।

'১—গুলিদি সুরেশকী হায়গী কিজেছু মতে, খৈত্তোম করিং তুনা ময়াম পেয়দী কীখীং অদুম্নী উবদুক তৌই। মহাকী কীজেং অদু উবদা

মপাঙোংনী শেংবা উকতা মতমা মতুঙনুংগী শেংলমলবোই, নিংঙি।
সুরেশ মশামকস্, পুক্নিঙ হকচাং পুম্নমক ইশেং-লেংবোই নিংঙি।
কিন্নেং হায়বসিনা মীওইবগী পুকনিঙদা তাবা মমি অসিস্, অককপনি,
মখিনা ওইবা অাই সাধু নৈরুবশিংনা অয়োৌবী জ্ঞান হুনবা হোৎনবদা
কিজেং তোংলিবসি। পুং মরি তাগদবা মিনিট মঙাম্রোম রাংমিংজেনা
সুরেশ চপচানা ফুংলরে। মতম অদুদদি মী পুম্নমক লাঙনরকদু জুমিন
তুমিন লৈনহনা ঊন-রাঈমুক চিল্লক্রে। চিত্রলেখাস্, প্লেটফোর্মদা কাপ্,
তুন সভাপতি কৌশিনগনবগী পোৎকাং তৌদুনা লৈরে। মতম অসিদদুনা
সুরেশ চত্তনকই, কম-কম লেংবদা মখিঙদা চৌখি অমতং হাত্তুনা
লৈরিবদুনা কল্লে। চিত্রলেখানা সুরেশপু উবদা থোকনা ফুংত্তাইবা লোকসিং
রীনাস্, মথাঙদা থমদুনা তুমিন্না কল্লিংঙবা রথল অমদা নুংশঙা লৈরমী।

মতম ওইরদুনা চিত্রলেখানা প্লেটফোর্মদগী রীনাবু সভাপতিগী
আসন লৌবিনবা কৌশিল্লক্রে। প্রস্তাব অসি রাজেশ্বরনা সমর্থন
তৌরকই। বীনাসু চঙশিল্লকুনা প্লেটফোর্ম মথক্তা থাম্নিবা চৌখি
অদুদা ফম্লে। রীনা মসিগী মমাংদা অপুম্বা মীয়াম তিনবী শঙবা
অমদা মহাকনা ময়ায় ফম্বগী থবকসি থক তৌথিত্রি, অদুম ওইদুনসু
মশানা মত্তিকচানা জ্ঞান লৈরবা মীমিনা থৌদোক অদুগা চাজবী
থবক্কি অদুম তৌবা ঙম্মি। রীনানা প্লেটফোর্ম মথক্তগী মরামদুনা
অমুক্তং য়েংথরকই, ইরোইট লোইবা পরেংদা সুরেশ কম্নিবদু উরবে।
রীনা, থঙহৌদনা মশাদু খাই লাউবা অমা পোকখি। মথংদা সভাগী
কৌনবি, মতুঙইন্না চিত্রলেখানা মহাক্কী আশ্রম অদুগী উৎকেঙনচিংবা
থরা ঙাংদুনা ময়ামদা তাইহল্লে। মথংদা রাজেশ্বরনা আশ্রম অসি ওইরবা
হোৎনবদা রীনা দেবীনা পীখিবা মতেঙনচিংবদু ময়ামদা অমুক
তাইহল্লে। রীনানসু মহাক্কী সভাপতিগী রা-ঙাং ওইনা রাজেশ্বর অমসু
চিত্রলেখানা মহাকপু পুকনিঙ থৌগৎলিদুনা অসিগুম্বা ময়ামগী কায়বা
থোইদোক য়েংলোকনা চুপ্পা হায়বা জাৎ অসিগী কায়নবা ওইরবা,

আশ্রম অমি 'চিংখংগী থবক' পুক্নিংদিদ্রিবনি, হায়রদুনা থঙ-হনখি। মরাম পুম্নমক ডাংলিবা মীশিং অসু তুমিল্লা তায়, সুরেশসু তুমিল্লা তায়।

মীনাদি মহাক্না ভৌরিবা থবক অদুনা মপানা লেমদবা মাদুদ থবক শইবগী মা-ডাংবসু লেমদ্রে, মপাসু লেপ্পা কনদ্রে. মরক মরক্তা মীয়াম্না লেংবা ওইনা সুরেশসু য়েংলকই, করিগুম্বদসু অনিসু মিং চানরুই; অনিমক লুকখনে। সুরেশনা মতোমদা থৈজে, ওম্থোকনা ইকাইনিঙ-ডাইহনি,—মতিক মপাসু চাদনা ঐনা খন্নুরিবসে। মহাকী সঙ্গ মতা অমদি ওইরিবা ফিবম, সমাজদা মহাক্না কংলিবা ইকাই খুম্নবা, অদুগা ঐদি কদাই!—চুম্নগী মিত্রি অমনি। অদুনদি মহাক্না য়ারবা কাওবদা ঐনা হক্মোকপনা চুমগদবা মাল্লে নত্রবদি মহাকী তুংগী পুনসিদা নিঙ-ঙ্গুল মৈরি কয়ানা চাক্নকপা য়াই।

হৌজিক আশ্রাম শঙ্গাবগী মতম য়োমক্কুসুনা মীনা, চিত্রলেখা অমসুং মাক্লেবমনা মাঙ থারদুনা ময়ামসু আশ্রম লোমদা চঙশিন্নক্লে। সুরেশতি চঙখিসিল্লা চংলসিল্লা হাত্রনা থল্লি, মমৈথংদা চিত্রলেখানসু উগ্রবদা চঙবদি মঙাকনা য়াম্না সুংঙাইশ্নরোই থনবদগী চঙলে। মীয়াম পুম্ন-মক্ আশ্রমগী মকম খুদিংমক গুনা চতুনা য়েংই। মকম খুদিংমক লোইনা শেমগংপা লোইবদি নত্রি অদুমকপু য়েংবদা সুংঙাইতবদি নল্লে। তিল্লিবা মীয়ামশিং অসিনা আশ্রম অসিদগী কাম্নবা থরতা ওইবনসু মংবা য়াই হায়না ডাংনৈ।

শঙ্গাবগী থবক লোইরদুনা ময়াম চা কপ অমমমদং থক্লবা থৌয়াং থৌরক্লে। চা লোনবা অমসুং য়েনবগী থবকশিং অসু আশ্রমদা নৈন-থৌরিবী মুপীশিং অদুনা তৌই। ময়ামসু অচৌবা হোলদুনা অমুক কনপা চা কপ অমমম থকনরি। চা থকপা লোইরবদা মাজেবমনা ময়ামসুবু খাদংলগা কায়নরে। তাইমথৈ চিত্রলেখাগী থবক চিন-থিবনা সুরেশকা করিগুম্বা অমতা [illegible]। অমমোমদা মীনাসু শুশিনি চীং লেখংগী খুবম অমা কংসবানিনা [illegible] মথাঙদা সুরেশকা

অপাম্বা য়া ওাংনবহু খরা হুজোইরপ চারে, মিং মথৈ শ্রেনবঙা মওায়রে। ময়াম পূক্তক চৎনমরুবদা সুরেশসু চৎকদবগী হোৌগতুনা খোমরে। মতম অসিবদি মীসু খরা পাবক্তমনিনা, চিত্রলেখানা, ওায়খো চৎমিত্রসি হাক্ষুনা খাঙ্গ্রে। সুরেশ হাইদোক্তুনা চৎকদবগী হোৎনৈ, চিত্রলেখানা চৎখিবা য়াদে, ঐবু খরা খিনবিরম্মু হায়হুনা নমহুনা খাবদগী চৎপা য়াত্রহনা লৈরে। মীনাদি খোইদোকপা হোয় মাই হায়দনা রাজেশ্বরগা য়াম্নী শাহুনা লৈরি, মরক মরক্তা মখোয় অনিনা তৌমন্নিবহু কন্নপ কন্নপ য়েংই।

মীয়ামগী অরাওবা পুম্নমক লোইশ্রবদা মফম অহূ প.মচিক চিলক্রে, আশ.ম্রগী অচুম্বা শক্তম লৌরক্রে। শরৎ থাবলগী মওাম্না নৈবদা অমুক্তা হেন্না ঈংহনগ্রে। মেরা থানিনা মহৌশানা নিংথম খাতু হৌরকপা মতম হৌরবা মতম্নি, লমহাও ওইব'ননা ঈংবসু খরা হেক্লে অতূগী মখক্তা মরক মরক্তা লৈ'চল পুবা মুংশিং শিংলূকপদা খোইদোকনসু ঈংবা হেন্নি। অহিং মতম ওইশিল্লক্রবহুদদি অহিং লিক্লানা ঊনা'থক্তা ভপ-ভপ তারক্রে। ইমুণ্ডদগী মপাল খোক্তুবদি অঈংবা চৈনা কাওবা ভমদে, মপাল হেক খোরকপদা কনা নিংথিজনা ঈংগ্রে।

য়াজেশ্বরদি অহলগা ওইশিল্লক্রবনিনা অঈংবগা লাহেংনবদা য়ানা খোক্লে। মরম অহনা মীনাদা চৎলসি হায়না হৌরকলে। মীনানা অমহোমদা নাথৈহনা চিত্রলেখাগা লাকমিন্নরগে, গাড়ী পুহনা চৎপিরমখো হায়হুনা ড্রাইভরগা য়াজেশ্বরগা থাদোকত্রে।

স.রেশপু খায়রগা চিত্রলেখাদি আজ্ঞমদা লৈরিবীশিং অহূগী চান-থরকনা লাওথোক লাওশিল তৌবদা খোরকপা ইঙম ভমত্রে, স.রেশ মতোকনা ঊ য়ুংবওম কমহুনা লৈরি। য়াজেশ্বর থাদোকপ্রবদা মীনা য়াই খরা শংলে। মীনানা স.রেশতা য়া হংনিঙলিবগি কুইব্বনি খুদোং চাবা কংলবদগী হংবা ওয়াক্তিবনি। ওসিদি মহাকনা ভাইরক্লিনা খুদোং চাবহু কংলবদা স.রেশকী মনাক্তা চঙশিল্লকলে। স.রেশ খোইদোকনা পৌশাদনা

শাৰীগী মখল্লা অহুম কয়হুনা লৈতি। মহাকন্থ থৱাপি ঊৎলহুনা মপাহ্‌ থৱা ভাৰ্মিংলা কাপ্তি। মহাক্তি ওগ্রাম হন্নকে মপুংনা অতৌথৰি ফি-ৱোন লেংনজনবি। মহাকী মওংহ্‌ ৱেংলগা মীনামা কয়েম্নকই,—সুৱেশ বাবু, থাৱা মীংলা উৰেপা, ফি-ৱোন অমত্তা য়াওবিৰক্রুমাক্রে। সুৱেশনা ছৈং-নিজনা থুম্মি,—অং, ঐ ঙমা হনগে থনথদগী ... .।

হৌৰৰি কদৌৱৰা ?

চিত্রলেখানা চংমিন্নসি হায়হুনা থাক্রে।

ও, ... চিত্রলেখাগী য়াথং ওইরে।

হয়দি।

মীনানা খিক-খিক নোক্লগা মথা তাৱকই,—চিত্রলেখানা থাম্বা মত্তে, ঐনা থাৰমি থাৰী থৱা শানিজহুনা। সুৱেশ বাবুদি কৱিগীনো থজনে, য়াম্না চাউথোকক্রে, মৰম কাওহল্লিবা হায়বহুৱা কৱিনো,—মীনা অমুক্তকৈকা উৱাসি হায়বসি ইজ্জং মাত্ত্থিনি হায়হুনবু থনত্রা কৱিনো লাকপিবা অত্তে; অহোক্লা চাউথোকমল্লিকো। সুৱেশহু য়াখলতৌনা থুম্মি,—ঐনবু অদি য়েংহুনা চাউথোক্লগনিগে, ঐদি মতম পূন্নমক্তা নোঙৰত্তা থলিৰনি' ঐনা লাক্তৰগী মৰমদি অত্তে কমিহু নত্তে, ঐহাক অসি নওগী মতিকতাবা য়ী অম্না ওইরক্রোই থনয়দগী ইংতোমত্তা ইক্লাইহুনা লাক্লুরম্নি। মীনাদা পুক্লিঙ শেংলা হায়রকই,—সুৱেশ, নঙগা ঐগা শক থজনরকপাসি হৌসি ইৰাকচী নত্তে, নঙনা হায়লিজৰা কয়াম, পুক্চেল ঙ্গিংনা হায়ৱোকপা য়াই, ঐদি নত্তোন্দা ওসি কাওবা অথুম্না অমত্তা দৈৱেজনা হায়ৱোক্লই। মহাকম্‌ হৌজিক্তি চপ-চানা জ্ঞান তারবা মীনি, পুকনিঙগী অপাম্বহ্‌ হায়কোক্লগা লোইরে, কম্বিগী অমুক লোভুপ লৌকোই তৌনক্পদগে।

সুৱেশনা থম্বা পূন্নমক অহ্‌ মীনাগী য়াহৈ তাবদা মত্তোমত্তা ইকাই-থনা লোকই, মহাকজনা পুক্চেল মাংবা ওইরক্রে থজুবদা মীনাগী য়াঙাং অমহুং মহাকী চন্নবা মায়থোং উবদা সুৱেশকী অমাংবা য়াথল ক্রয়াহু মাক্লথিরক্লম লোই, মহাকনা মীনাগী মৰমদা থজবা অহ্‌ কাওবা

হায়দোকনবা ইকাইজরে। মরমদি মহাকনা মতু হায়দোক্লগা মীনাংনা মহাকপু পুকচেল শিকপা মাঁনি হায়না লৌখিগনি খল্লুবগী। মরম অতুদগী সুরেশনা রাখল তৌরগা খুন্দি,— করিস্ তৌদেদা চুমজা ঐনা ইকাইজত্নুনা তৌজবনি।

অতুদি করিগীনো, নতগী চিঠিদা ঐঙোন্দা মরাল পীশিল্লিববো, মীনাংনা হংই।

মতু ঐগী রাখনগী অরানবনি, সুরেশনা খুন্দি। ঙহাক তুমিন্না লৈরলগা মথা অমুক তারকষ্ট,—মীনা, কনাবু থাজসিগে, কনাবু থাজরোইসিগে খনবদা য়াম্না লুবা রাকমনি, হৌজিকী জগৎ অসি মশাগী কান্নবতা য়েংবরবা জগৎনি, কজবা আদর্শ কয়া মশাগী য়েংবদা লোইনা মাঙহল্লরবা মতম্নি, অতুনা ঐসু থাজগত্রা থাজরোইত্রা হায়বসি খোইদোকনা চিংনিঙঙাই ওইরে।

অতুনদি ঐবু থাজদে অসিনিনে, মীনানা নোকনা খুন্দি।

মতুস্ ঐ হায়রা ঙমদে।

খঙজরে, সুরেশবাবু, পুন্নমক অসি থবক ওইনা পাঙথোক্লবতা খঙনগদবনি। হৌজিক ঐগীদি মওং অমদা লোইরে হায়বা য়াবে সুরেশবাবুগী মত করিনো হায়বত্নুমতং খুঙনিঙঙি, মীনানা মথাতানা হংই। ঐগীদি করিস্নু হায়নিঙঙাই লৈতে, নহাকনা মমাঙতৈদা তারম্নু হায়খিবত্নুগী মতুঙইদা লৈরিবনি, অতুদা ... ।

অতুদা হায়বদে ?

অতুদা হৌজিক মীনানা ওইরিবা কিবম অসিগা ঐনা ওইরিবসিগা য়াম্না খেন্নমনখ্রত্নুনা ইতোমত্তা থম্বজরবদা ইকাইজরবনি।

মতু ওইরবদি ঐগী অশেংবা হায়জরগে,—ঐদি তুংশিবগী জগৎ অসিদা শক্তী রা লৈতে, সমাজগী মিনোক চঙবে, মশাগী ওইজবা কাবে, হায়না খল্লি,—সুরেশবাবুগী মত্তি করিনো ?

সুরেশ ঙহাক্তং কোক ঙাওবগুম তুমিন্না লুকখত্নুনা লৈরে। মহাকী অরানবা রাখলা মীনাবু মশক শঙজুত্রে খনবদা খোইদোক্লা ইকাইবা

অমম্লুং নিঙ্গঙ্ময়বা পোকখি। তশেংবস্থু সুরেশনা মীনাবু শেন্নান্না লৌ-ন্নরনি, অতুগী মথক্তা সুরেশনা খল্লম্মি,—হুংশিবগী জগত্তসু মশাগী কান্নবা খি। অহুবু মহাক্তী রাখল পুম্নমক মীনাগী মফমদা মায়থীবা কংলবদা কল্লি থুমখদগে পাউথুম ফংখিদবনা, মরু লুকথহুনা লৈখিবনি। সুরেশকী পাউথুম ফংত্রবদা মীনানা অমুকস্থু মহাক্তী মত্ত হংলকই। সুরেশনা তপ্না মনুন্ন হাইখ্রখলগা খুমখি,—মীনা, ঐহাক নঙগী নকমদা মায়থীরে, ঐনা নঙবু মখক খঙলুত্রে,—য়াইফকোনগী তাঙনা শাৎপী লৈরাংনি, মীচম ঐঙ্গমনা হেকপগী ইত্তিক লৈতে খল্লুবদগী ঐনা নঙবু লান্না লৌরুরে, মহুক্নীদমক ঙাকপীগনি। হৌজিক্তা মহাক্তা খঙলি মহুদি,—হুংশিবা হান্নখসি মীচঙ-মীথাই নাইদে, সুরবা গঙ্গাগী ঈচেম্দগীপু হেন্না শেংত্রবনি, পন্নশ মণিনা শোকপদা পোং পুম্নমক স্না ওনবগুম, শেংলবী হুংশি ঈচেন্না শোকপদা থম্মোইগী অমাংবা রাখল পুম্নমকস্থু শেংদোকই।

অনিমক ব্রা অমত্তা ঙাংনদনা, শংবানবা অতিয়াদা খোক্লিবা মকোয় মান্নবা মাকগী মায়থোংবু য়েংহুনা তুমিন্না লৈরি। মীদি কল্লি অহুবু মকম অহু উন-রাউমুক চিকত্রে। প্রকৃতিগী অচিকপগা মথোয়গী অচিকপগা অমত্তা ওইনা তিন্নগ্রে। থম্মোই অনি তিন্নবগী চিক্রবা মি-কুপ অমিদা, মঙ্গোশা লাইরেম্বীস, মিকুপ নাহুম মুন্না য়েংগ্রে, করিগুম্নদা ঈয়াং চাউবা মালংবনা কল্লতুনা অচিকপা পুগাইগে খন্দুনা খঙহৌদনা হুম্নকলবদি, খনবদা মিপাইজহুনা মালংববু ফাজিন্দুনা থমগ্রে। অচিকপা মকক অমিদা সুরেশনা মীনাগী খুজেও তপ্না পায়রপা হায়ক্লকই,—মীনা।

হং।

ঐগী খুজা নঙগী খুজেও পায়ক্লিবসি য়ারব্রা?

খুজিগী ওইনা থাদোকপা য়ারব্রোই।

মহুমক ওইসনু।

অনিমক্তী মায়থোংদা হন্নাও মিদোক্লি, উন্নববা থম্মোই অনিমক্তা খুজিগী ঊথক ইপোম কপ্না হৌরকখি। এ অনিমক খুজিগী পাঙথোক্নবা

মরুওইবা থবক অমা পাওথোক্লবগুম ধরখি। ওসাইমখৈ সুরেশ অঙাংবা খোইনা কাওরমদে হৌজিক্তি থরা কাওরকপগুম তৌরে মযুমদা হল্লিত-বগী মওং অমা তৌরক্লে। মতাও অসিদা চিত্ৰলেখাবু খংনিঙ নিঙশিং-লতুনা রীনাদা চিত্ৰলেখা কৌথোকলুববা হায়ব্রে।
রীনাস্থ চিত্ৰলেখাবু কৌগে হায়তুনা চাক-শঙলোমদা চংখ্রে।

মতম অতুদা চিত্ৰলেখাস্থ ময়াম অতুগী মরক্তা অমগা অমগা ওয়াংন-শক্তনবা অমস্থং রান্না-রাতায় কয়া শারদা মথোয় অনিগী রাদি পুমকাউবু কাউথোকউরে। রীনা উবদা খংনিঙ-নিঙশিংলক্লনা,— ইন্দ্রে. ঐদি নহোৎগী রাদি কাউবু কাউরুরে, সুরেশবাবু লৈরিত্রা, চংলসি য়াবে. ময়ামসিগী চান-থকন অমুক্তং শীল্লমগা চংলসি। রীনা, করিগু পাউথুম অমতা পীদনা চিত্ৰলেখানা ওয়াংলিবা অমস্থং মহাকনা ওয়াংন ওয়াংনা তৌরিবা থবকশিং অতু মুয়া য়েংলগা খল্লি,=ওন্থোকপা হায়বত্থুলি মীওইবা হায়-বসে মানা পামজবা থবক্তদি কয়াদা থরায় য়াওনা হোৎনরিবা. মমানা পোকচৈদগীস্থ উরক্রিবা মীশিং মসিগা মহাকনা কয়াদা লোনশিল্লরিবা, ময়্যূম্চা, মচে-মনাওগুয়া লোয়নরিবসে। মহাক্কী থবক অসিমক ঈশ্বরনা থৌজ্ঞানবীসড়। ওহাক লৈরগা রীনানা চিত্ৰলেখাদা চংলসি হায়ররক্লে। মতম অসিদদি চিত্ৰলেখাস্থ মহাক্কী থবক লোইরত্থুনা. চংলসি, হায়তুনা থোকমিল্লরক্লে।

ওসাইমখৈ চিত্ৰলেখাদি মহুওদা লৈরবনিনা মপানগী কক্সবা অমতা উরমদ্রি। মপান হেক থোরকপদা লুপা মশ্রী চেন্সবা থাবমা মালেম-চাইথায়রমস্থ উবদা হায়রকই,—থাবল'সিদি ওথোকনা করমপ্রেদা য়েংবদা পুকনিঙ ছনবগী মশকনি। রীনাস্থ য়াওশিল্লকই,—কক্সপ্রে ওসিগী থাবল অসিদি পুকনিঙহুম ইনৌ নৌই।
চাক শঙদগীনা অচৌবা হোল অতু য়ৌবস্থ লম য়রি মডারোম লাম্লি। মরম অতুনা চাকশঙদগী অচৌবা হোল অতু তাম্না লাকপদা হাইবেং অঙংবা কাওই। মতাঙ অসিদা চিত্ৰলেখানা অমুক নিঙশিংলকই,—

সুরেশবাবু য়াম্না ঈংনম্লগনি, অহোকপা হায়বহৃনি ঐখোয়গীনমক মহাকনু পাংম্লা য়ারে।

মচিনখোকনা হংলকই,—সুরেশবাবুহৃবু লৈহোৎম্রিবত্রা ?

মতৌ য়াথংবু ঙাক্তবা হৌনত্রা, মীনানা কাগী তৌই।

অঙৌইবমকনিকো, সুরেশবাবুসি মবুক্তি কৈকো, মাগী হায়থবু থম্না ইকাই-খীগনবনিদনি, চিত্রলেখনা মখা শমথরকই।

কনানা কত্তে হায়বা য়াওরবগে, ঈংলে, থম্না খুনা চংসি হায়দুনা মীনানা চিত্রলেখাদা কৌহৃনা মখোয় অনিমক সুরেশনা কম্নিবা মকম অহৃনা লাকলে। চিত্রলেখানা সুরেশপু উবদা হায়রকই,—সুরেশবাবু কুইমন-থ্রহৃনা ঈংবনা লোইরম্লগনি, চংগসি লাকও।

নিঙশিংবিরকলিবসি লাইবক কবনি, সুরেশনা কাগি তৌই। মখোয় অহুমক লোকমিরে।

মখোয় অহুমক গাড়ী তোংখতুনা লাকলে। ঙসাইমখৈদি ঈংবা থমবু করম্ভি, হৌজিক গাড়ী খোয়বসিদদি ঈংবা য়াম্না হেজিমকম্রে। চিত্র-লেখানা মীনাদা মহাকী শালহৃ সুরেশতা ইলহনথ্রো হায়রকই। সুরেশনা ইত্রবনু য়াগনি হায়হৃনা য়াম্রে। অহুমকপু চিত্রলেখানা য়াত্রহৃনা নম-হৃনা সুরেশতা কুপশিনবিরে। সুরেশনা মখোয় অনিবু মথং মথং থিজম্রগা নম্বুদা হাম্নকপদদি কনা নিংথিনা থেঙলে, পুং তরামোম তারে। মহাকনু লোপাল হৌদোকুনা চাক চারগা বা মখা তাবমদনা কমুত্ত চঙম্রে। বাখল থম্নিঙবদি য়ামম্রে অহুবু কৈজুপা শারকপনা হেনবদগী থলহৌবা নংম্রে তুমথখিবনা হানম্রে।

(২৭)

আশ্রম অসি শঙ্গারবা মতুঙদগীদি চিত্রলেখাদি আশ্রমদা লৈবা তারম্মী। মহাকনা আশ্রমদা লৈবা তারবদা অশংবীস্থ মতোমদা চুম অহুদা লৈবদি শুমদবনিনা, য়ানিঙবা য়ানিঙদবগী য়াকম চুংওইননা থমগ্রগা মচাগী মনাক্তা লৈবা তারম্মী। য়ানিঙলোইদবগী মরমস্থ থোইনা লৈতে, অহল মতম ওইরকপগী পুন্সিগা আশ্রমগী পুন্সিগদি থোইদোক্লা চান্নবা পুন্সিনি। থবক খুদিংমকসি নিয়ম অমগী মখা পোল্লা তৌরমদি হৈনরমদবা কয়াস্থ হৈনরকই। অশংবীস্থ অহানবদদি মহাক্কী লৈকাইদগী থরা থাপতোবকপা অমস্থং লৈকাইগী মচেম মনেম কয়াগা কান্নবস্থ কয়া মুংঙাইনা থোক্লমদে। অদুবু হৌজিক্তি আশ্রমগী সমাজ অসিদা মতম থরা লৈরকপদগী মহাকস্থ হৈনরকলে। চিত্রলেখাগী থবক থৌরমশিংদা মতেঙ পাংলকলে। আশ্রমদা লৈরিবী মুপীশিং অদুগী থবক থৌরমদা য়েংশিনবা অনা-অয়েক য়াওরকপদা লেবা তৌবা অহল অমা ওইনা ময়াম অদুবু য়ায়ক য়াতেম্বা, ইংখোল শম্বল য়েংশিনবা অসিনচিংবা থবক কয়াসি মহাক্কী থবক ওইনা তৌরকলে। আশ্রমদা লৈরিবীশিংনা অশংবীবু 'ইমা' অদুগা চিত্রলেখাবু 'ইচে' কৌই।

হৌজিক্তি অশংবীস্ পুন্সিগী খোঙচৎ অমা হোংলে, আশ্রমদা লৈরি-বীশিংদু, চিত্রলেখাগা মান্ননা খনবা ওয়কলে, মতম পুম্মক্তা মথোগ্গী য়াইক-য়াখল থারকলে। মসিমক অশংবীগী পুনসিদা অওনবা খোঙচৎ

অমদি। মসিগী মরুদি চিত্রলেখানি। চিত্রলেখানা মমাংডৌনা হায়-খিবা 'মীওইবগী সেবা তৌবসু ঈশ্বর কংই' হায়বহু হৌজিক্তা অশংবীনা অহূবনি হায়বা খঙলক্লি। মহাকসু সেবাদা হুংঙাইবা পোকচরে। অমুক্তা প্রার্থনা সভাদা মহাকনা লূচিংবী ওইনা হৌদোকই, হুমিদাংগী লাইথিক লাইওং অবদসু মতাক অহুম য়াওই, শম্মা হায়রবদা আশ্রমগী করিওন্না থবক অমা তৌবদা মহাকনা মকোক থোংনা তৌরক্লে। মমাগী ওয়াক্লিবা মওং অসি উরগা চিত্রলেখাদা থোইদোকনা হুংঙাইবা পোকই। মরমদি মহাকনা খঙরম্বা মমাগী মতেঙ অহু চপচানা ফংজরবদা।

আশ্রমগী মরু ওইরিবা থবকশিংদি, ফি-রোল শাবা, ফুরা, খুমোক, পোলাং, শাবা, ইংখোল কোইবা অসিনচিংবা মুপীনা শংবা য়াবা থবক কয়ানি। পোৎথোকশিং অসিদগী ফংলকপা শেল অমসুং মরাম-দগী থাররুবা থরনা আশ্রম অতু লিংবা ঙমবা হোংবৈ। অহুবু হন্দক্তী চহী অসিদদি সরকারদগী চহীগী ওইনা লুপা লিশীং অমা মতেঙ ফংলদনি হায়বগী পাউ তাবদা চিত্রলেখা থোইদোকনা হুংঙাইবা পোকখ্রে। আশ্রম অসিনা য়াম্না মশক থোকপা কাববা অমা লীবা অমরবহু মী খরমথৈদি কাররুদে হায়বদি য়াই, মরমদি থবক শৃংখল মথন্ন খঙদনা কংদ্রাওনদা লৈরম্বা হুপী অঙাং খরমথৈদি মখম অসিনা পুন্সিন্নুনা চাবা-শেংপামথৈদি মনিঙ থুংজনবা উপায় পীবিরে। মসিদগী মেরা কারবা অমসুং মরু ওইবনা আশ্রম অসিনা মথোয়গী মরখচং চুমথোকলিরিবা অসিনি। হিংনবগী লানকমদা ইকাই-ই কি, অচোপ অসেম, মরু মরু পুম্নমক কাউথোকনা পুন্সিবু মমল য়াওদ্রবা পোং-ফুন খরম্বা মীওইশিং অহুনা হৌজিক্কি পুন্সিবু মশক খঙলরে, অশেংবা মুক্তাইবা হায়বহু করিনো হায়বা মশক মুম্না খঙলক্লে। আশ্রমদা লৈরিবীশিংনা মীওইবা হায়বসি মক্তিকচানা থুবোংচাবা পীরবদি কঙবা মী ওইরবদগীনু অরুবা ওইরকপা য়াই হায়বনি খঙলরে।

মুমিন্দাংদা লাইরিক লাইও খরা খরা ওবহুনা হৌজিক্তি মখোয়গী মতুংদা থবরনচিংবা পাবা ঙম্মে। অসংবীস্থ লাইরিক ওবা য়াওবশী রামায়ণ, মহাভারত ফাওবা পাবা ঙমজরে। আশ্রমগী মী শূরেনক হেক লোকমিয়বা মচিন মনাওশ্নো লৈমিন্নে। আশ্রমগী ফিবম অসিয়ৌমা পুথংলক্লিবা অসিদগী মরু ওইবা শরুক্তি চিত্রলেখাগী লোমজনা অমস্থং হোংমজনম্নি হায়বা য়াই।

অতুগা চিত্রলেখাস্থ মহাক্কী আশ্রমগী ফিবম অসি য়েংবদা মুংঙাইতবা নত্তে। মহাকীদি আশ্রম অসিনা থরায় হুকচাংনি, মহাকী মতম কুইরবগী মও ওসিদি পোংশক ওইনা মমাঙদা খিন্নরবনি। মরম অতুনা চিত্রলেখাদি হৌজিক য়াথল অত্তে অমা লৈখিত্রে, মতৌ করম তৌরগা লৈন্নিবা ফিবম অসিদগী থরা হেন্না ফগৎলকদগে, হায়বা অসিতনা মহাক্কী লাহনিঙ ওইরবনি।

চিত্রলেখানা আশ্রমগী মুপীশিংবু লুনা তৌবি, মুংশিবী, মখোয়গম্ব তিরে। অতুবু মুপীশিং অতুনা মহাকপুদি য়াম্না হজোইনা অমস্থং ফিন্না চংলি। করিগুম্বা মতমদস্থ মহাকনা য়ানিঙদবা থবক অমত্তা তৌরে। থবক অতু তৌরবগা মহাকনা চৈবদি নত্তে, করিনা হায়রকপাদুনা হেন্না হুকাইজহুনা কনাগুম্বা অতুগুম্বা থবক অতু মতুংদা অমুক হন্না তৌ-নিঙবা পোক্তে। আশ্রমগী ফগৎলক্লিবা ফিভম অসি উবদা লৈরগে হায়বা মীসি য়াম্না লাকখ্রে, অতুবু মখোয়শিং অতুগী লৈফম চানম মতিক চানা পীবা ঙমজরবনিনা অয়াম্বনা নিঙবা কায়না হবখিবা য়াকওনি। চিত্রলেখাস্থ মসিগী মরমদা খন্দবা নত্তে, করম তৌরগা আ-শ্রমসি থরদং চাউথোকহনবা য়াগদগে হায়বসি কন্না খল্লি। য়ামত্রবদা মী চামরোমদংগী থৌরাং তৌবা ঙম্বদি থোইদোকনা মুংঙাইগনি খল্লি। তৌবগীদি সরকারদগীস্থ শেনগী মতেঙ ফংগদৌবনি, মসি ফংজিনবিদা উপায় অমত্তং তৌদুনা চাউথোকহনবা ঙম্বদি হায়বা অসিনা অহিং মুংখিল চাবা থকপা নাইদনা থনগ্রে। মহাকনা অরোইবদা, থরক্কী, মসি য়ীনা নত্রগস্থ মুরেশ, মখোয় অনিদা অমুক্তং হায়দুনা য়েংসিনা।

হুমিবাংব্রাইরবদি, তারমদাই হুমিংকী মশেক্লা য়েংবদা অশংবা উনাহু থা মচু মালহল্লি। উরক ব্রারঙা হারিগী খোজেন্না পুমবিন নিলহল্লি, অথোক্লা চীংমায়দগী মথবীশিংনা ময়ুমদা চৎকসি হায়দুনা মচাশিংবু কৌশিল্লরক্লে। মতম অসিদা চিত্ররেখাদু মনিঙগী পুখ্রি ময়াদা অকংবা উনা ম্রানা থরা খোমজিল্লদুনা তম্ফাতোম্বীগা লোয়ননা মৈ থাবি। আশ্রমগী মী অয়াম্বদু মানা মানা থাবা হৈপাল অমম্লুং মহন্ন মরোং শিংদা ঈশিং চাইবিরি।

হুমিজাংব্রাইরমগী অস্থন্না ময়াম পুম্নমক থবক চিন্নরবা মতম অসিদা আশ্রমগী মী অমনা চিত্ররেখাদা মী অমা লাকই হায়না পাউ পীররে। চিত্ররেখাদু কনাবু ওইরমগদবনো হায়দুনা চিংনন' মমিঙলোম্নদগী থোরকই। তম্ফাতোম্বীদু য়েংনিঙদুনা মচাকী মতুঙ ইল্লক্লে। চিত্ররেখানা লাপ্পনা য়েং-লকপদগী আশ্রমগী মমাঙগী পুখ্রি মচা অহুগী শিড়িদ' মতুঙ ওম্বোতুনা কন্নি-থীদু মীনানি হায়বা খঙলে। চিত্ররেখানা য়াম্না উন্ননিঙনা লৈরবতগ' মীনানা লাকপগা মপা চানরবদা মহাকনু থোইদোকনা হুংঙাইরম্মি। হুংলোমদগী চঙব্রগা চিত্ররেখানা থঙংৌদনা হায়বরে,— করি থবকী! মীনা খংপ্রেক খংনা চোংবংলি অহুগা হায়রকই,— খংখ্রেদ' করিনো অহম-অহা করি'মক্তা হায়-দবা হুমিননা লাকলগা... । তম্ফাতোম্বী নোকনিঙলদুনা মচীন খুন্নগা থিক থিক নোকই। চিত্ররেখানা মখা তারকই,—য়েংউনে, ঐখোয়গী আশ্রমসে কনজনে।

কনজদুনবু ঐন্নু য়েংগে লাক্লবনি।

সুরেশবাবু পুবিরক্লিবা করিগীনো?

মহাকপু অঙাংলা য়েংনিঙলগা মশানা লাকচগনি, ঐনা করিগী হৌরনি।

মখোয় অনিগী ব্রাঙাং ব্রাঙা অহুদা তম্ফাতোম্বীদু ওক্রহুদা অমদা অমুক অমদা অমুক য়েংহুনা লৈরে। চিত্ররেখানা তম্ফাতোম্বীদা চা লোঙ্গুনবা হায়খ্রে। মঙোন্দা চা লোন্নু হায়বদি য়াম্না হন্নাওখৈ

মরমদি মহাক অসি চা লোনবা হৈবে কায়রহনা থম্লগা হায়রকপনি থম্লুবদগী। মরম অহুনা তম্ফাতোম্বী চা লোননবগীদমক থুনা চেনখ্রে। চিত্রলেখানা মীনাদা মহুত্তদা ফম্নুসি হায়রম্মি, মীনানা মহুত্তবুদি মক্ষম অসিনা হেননা হুংঙাই হায়বদা মখোয় অনিমক পুথ্রিগী শিড়িদা কমহুনা রারী শামিননরে।

মীনানা আশ্নুমগী অকোয়বহ্ কোয়য়েং য়েংলগা থাগংলকই,—চিত্রলেখা নহাক্কী পুন্সিসি মহয় য়াল্লে হায়বা য়ারবা পুন্সিনি।

কময়া?

নগাক্কী নোমজমল মহয় নত্রা, ওসি নারী আশ্নুম থোয়ক্লিবসিবু, ঐনা শেল লৈজহনসু অমুক কুইবনি মসিগুম্বা থবক অমা তৌগে হায়বসি থক থম্লুদে, নহাকনা ঐবুসু হৌবিবদগী ঐসু মত্তেং থয়দং পীখিবহু খোইদোক্লা হুংঙাইবা পোকই।

চিত্রালেখানা নোক্লহনা মখা তারকই, কদাইদগী, আশ্রম অসি ওইহল্লক্লিবসিগী হোয়ককফমদি নহাক্কি, নহাক্লা লম অমসুং শেল পীত্রবদি কময়া ওইগদগে অহুনা মসিগী মিংচত্তি নহাক্লা লৌগদবনি। মখোয় অনিনা কমহুনা রারী শায়রিঙৈদা তম্ফাতোম্বীনা ট্রে অমদা চা কপ অনিগা লকোই অহুম মরিগা পুরক্লে। চিংত্রলেখানা থম্নু হায়রবদা মখোয়গী মনাক্তা টেংহু থম্লগা তম্ফাতোম্বী চঙখ্রে। মীনানা তম্ফাতোম্বীগী মরমদা হংলকই,—হুপী মচাসিদি কনানো? মহাকসি মরায়বক থীরবী হুপীমচা অমনি, মাগী রারীদি কোম্লা শাসি, চা'সি থকউ, লকোইসিস ইংখোলদা পানবনি, মহাও য়েংউ।

মখোয় অনিমক চাহু পায়রহুনা থকপা হৌরক্লে। চিংত্রলেখানা চা কপহু থম্লগা রাখল তৌনা হায়রকই,—মীনা, ঐসু নত্তবু উননিঙহুনা লৈরমনি, নহাক্লা লাকপা মতা য়াম্না চাখ্রে।

কম্নিগীনো?

য়া অমত্তং হায়গে থনবনি।

মাল্লি-মানোনে-এইতোম্বা-হায়ববু নওবা-অমুক চিংনবিরা ?

চিংবকলুদি-কয়রিস্থ নৌতে অহুদা হায়মল্লহুনা ইকাইবনি, অহুনকপু হায়-রবদি য়াত্রে। হৌজিক আশ্রম অসিদা লৈগে হায়রা মীসি য়ায়া ল্যাকপ্রে অহুনা লৈরম চন্দহুনা হনখিবনা অয়াম্বা ওইরে, মসিগীদমক এইহাক য়ায়া মুংঙাইত্রে। হন্দকী চহী অসিদগী সরকারগীস্থ লুপা লীশিং, অরাগী মতেঙ পীরগনি হায়বগী পাউস্থ ফংলে। অহুনা শেল অসি লাত্রিতেদা কা খরা হাপকৎপা পাম্মি, উপায়দি লৈত্রে, কমদৌসি, হায়রগে। রীনানা নোকমি নোকমি তৌরহুনা খুম্মি,—নওনা হৌজিক পাম্মিবসিবু শেলহু এইবু পুখোরকউ অসি নত্রনে।

মায়াদি পূগে হায়বনি, শেলহু কংলগা অমুক পীশিল্লকে। কয়া য়ায়া চঙ-শরবনো, ঐস্থ-ইমাসিগী শেল খরা খরা তারি। মহাক্কী মন্দির অমা শংকনি হায়বসি য়ায়া কয়া হায়রি।

লীশিং মঙ্গারোমতদি পীয়ু।

লোয়, য়েংবা হায়বহুনি।

মখোয় অনিমক রায়ী লোইরহুনা হৌগৎলগা চিত্রলেখানা চিংলহুনা আশ্রমগী মফম পুৎমক য়েংহল্লে। রীনা, মফম অসি য়েংবদা পুঞ্জ জীংপ্র, মচী খুদিংদা শানতি লাইরেম্বীনা মনিঙ অমা শান্ননরি, য়েংলুবা খুনিংদা থল্লাইগী অমম্বুং মিংকী পোরকম ওইরি। আশ্রমগী মীশিংনা মামী মকী, মখোদা পুক্নিঙ চঙশিল্লা, কনাগুম্বা অমা লাক্লগা অরামনা ওঞ্জলিবা, অতিথিবু নিংথিনা য়েনা থৌরা, তরিননচিংবা অসি উরগা রীনানা আশ্রমগী পুন্সি হায়বসি অসি ওইরে খল্লি। মফম অসিগী পুন্সি-সিদি ওয়াক্কা শেংত্রে, করিগুম্বা লৌশুপ য়োকোই অমত্তা য়াওদে, মসিগী জগৎ অসিদা লৈত্রবদি করিগুম্বা শেংলবা মাথল অমতনা চঙলকপা ওইদ্রোই। মসিননি চিত্রলেখানা অয়থক্কী অরা অমা পুমনাক কাউহুনা মসিদা লুহুনা লৈরিবসে।

রীনা, আশ্রমগী মফম পুমনমক গুনা য়েংবা লোইরে। চিত্রলেখানা

অমুক' নিঙ্গশিংলকই, মহাক্কা লাইলিবাসিবু কাংগী ওইরমগদগী' ওৎাই মথেশু ফংলে। মরম অহুনা মহাক্কা কারি মরমগীদমক আশ্রমদা লাকলি-বনো হায়হুনা' রীনাদা হংলম্মি। রীনানা শমনা খুমখি,—চুমনা কৌম্ন-থোরকপানি, করিগ্গ হায়নিংঙ্গাই লৈতে।

নোংমদি নহাক্কা সুরেশকা চাক'কে'গে হায়না খল্লি, করি হায়রগে? রীনানা থরায় য়াওনা খুমখি,—মহু কাম্নদবা থবকনি, অহুগী মথক্কা নহাক্কী শেংলবা আশ্রম অসিদা ঐহাক' অমদি সুরেশকী মাংলবা য়া-থল অসি পুশিন্নিগ্গদে। অহুগা কমাগুমনগ্গ উথ্রগা আশ্রম অসিবু থীনা ঙাংনথিবা য়াই। অহুনা মহুগী' য়াকম অহুদি থাদোকউ। হৌজিক ঐম্ন নঙোন্দা অতোপ্পা ইশাগী ওইবা য়ারী ফাওবা শাবদা হঙ্গোইবা' পোকলবনি।

অহুনরা নহাক্কা সুরেশকী মরীদা করিগুদা রা অমত্তা হায়ন্ত্রিবলে? হায়নিঙ্গায়স, থোইনা লৈতে, হয়েং মত্তাঙ ওঙ্গরকপা মত্তমদা অমুম-মহায়বা হায়বহুনি।
মবানি ওহাক য়ারী য়াক্তায় শাক্লবা মতুগুদা রীনাম্নু মত্তম থেগুজিল্লক তুনা গাড়ী থৌরগা চৎগ্রে।

চিত্রলেখাসু সন্ধ্যা ওইরক্লহুনা ইমুগুদা চংগ্রে। চিত্রলেখাগী কাফি-ময়ামদগী তোপ্পা লৈ। মহাক্কী কাসি থোইদোক্না কে-মৌবা কা অমা নত্তে অহুগা ইচম চমনা লুবদি লুক্তে। কমুও মচা অমা ট্রেকল-মচা অমা, ফিরোল হাপবা ট্রাঙ্ক উপু অমা ঈ-পাউ তানমথা রেড্ডিও-মচা অমগা লৈ। মহাক্কী মনাক্তা থরা তোয়না চংবসি তম্ফাতোম্বী তনি। মহাকসি চিত্রলেখানা অঙাং ওইবহুদা হুংশিনা তৌবী, মমক-মমক্কা য়ারী য়াক্তাম্নু শামিন্নৈ। তম্ফাতোম্বী চিত্রলেখাবুদি' য়াম্না কিনা অমম্হুং হঙ্গোইনা চৎলী মরম অহুনা মহাক্কা য়ারী শাবা হৌরক-ত্রবদী তম্ফাতোম্বীনা হৌবসি খক ঙমজদে।
তম্ফাতোম্বীসি থুলংদা লৈবী হুপী মচা অমনি। মহাকসি য়াম্না নৌনা'

চহী কয়ামতারোম তখা মতময়া মহুক শায়ুরবীনি, অহৃদগী মহাক্কী হুপানা খা কয়েং নিপ্পান লৌয়বা মতুঙদা থাইনয়ে। হুপাহু অঙোম্বা হুপী অমা লৌয়ে। কনাসু লৈজরবী তম্ফাতোম্বীসি উপায় লৈজহুনা লৈকাইগী কৌত লঙহুনা পুন্সি হিংবা তাখি। মোংমা চিত্ররেখানা আশ্রমগী অকোয়বদা চংহুনা লৈরিবৈদা তম্ফাতোম্বীনা চঙশিল্লকুনা পুকচেল তিংনা য়াম্না চম্না থবক লৈত্রা খজিক্তং শূজগে হায়বদগী চিত্ররেখানা হুংশিহুনা মহাকপু চঙজক্ম পীহুনা আশ্রমদা অহুম থম্মীগ্রবনি। অহুনা হৌজিকসু মহাক্না লৈরিবা মওং অসিদি ইতোপ তোপ্পনি, থোইদোক্না থবক ইঙথাঙ শূবগী ঙাকসু নত্তে, ময়ামগী পাখোল শিজম, ফাগি তৌকম, লক্ককম ওইহুনা অসুম লৈজবনি।

চিত্ররেখাগী কা'হুদা মবানি অহুম লৈমিন্নে। হুমিদাংগী চা লোয়ুরো হায়হুনা তম্ফাতোম্বীসু চা লোনবা চঙখ্রে। চিত্ররেখাসু লাইরিক লাইগু থরা পাগে হায়হুনা সমাজ সেবাগী মরমদা ইবা লাইরিক অমা ফাক্তোকখুনা পারি। থাউমৈদি মোম থানবনা তেজালি থরা কৈ থন্দুনা মোম অমা মমাঙদা মৈরী ফজনা কাথতুনা থালি। তমফাতোম্বীনা চা লোয়ুরগা চিত্ররেখাগী মনাক্তা পূহনা লাক্লে, মবানিমক থকমিন্নরে। তমফাতোম্বীনা চাদু থ্না থক্তোক্লগা চিত্ররেখাগা মুম্না য়েংই। চিত্ররেখানা মহাক্কী মওংহু থঙলহুনা, কন্নি হায়নিঙবগে কন্নিনো হায়না তকলকই। তমফাতোম্বীনা নোক্রহুনা হংই,—ইচেম্মা, ঙসাইগী হুপীহু কনানো ? মশক য়াম্না ফজ্জেবো, ইম্ফাল হুপীসি অসুম্না লোইনা ফজত্রা, ইচেম্মসু ফজ্জেনে। মহাক্কী য়াতাহুদা চিত্ররেখাসু নোক্লিওলহুনা নোকনা থুম্মি,—অঙাওবী, ইম্ফাল হুপীনতা ফজত্রনে, নঙসু ফজরিবহুদি। মহাকপুসু থাগৎলকলবদা তমফাতোম্বী হয়াওজহুনা নোকফেং তৌই। চিত্ররেখানা মথা অমুক তারকই,—ঙসাইগী হুপীদো লাইরিক লাইগু য়ামনা হৈবীনি, অহুগনে ঐখোইগী আশ্রম অসিন্নুনে মহাকনা দান তৌরিবনিদো।

এ; অদুদি মহাক্তি ইনাক য়ায়া খুঙ্গিনা !

উম, খুঙ্গি ।

অহ্‌......ইচেম্মা, মহাগী মমুম পাপ্রিবরা ?

পাপ্রিনে ।

হোয়দা, ইচেম্মা মুমসি পান্দবনা কৈদা ।

তমফাতোম্বী মচীন্দদি অমুমা ইয়াং য়াংনা হায়দোকই অতুগা মপুক্কিং-দদি লুম্নবা য়াখল অমনা নঙ্গরকগঙ্গম তৌরি । নৌজরিবী, পিক্লবী মহাক্কী থম্মোইদা পুন্সিগী খাঙভমত্রবা থৌদোক্কী নিংশিঙ মসিবু তারকই, —মহাক্কী পঙলবা য়াখল্লা মুপাবু খাজরুবদগী পুন্সিবু অরা ইপাক্তা হুদ্ধ-বিরম্বা, অতুবু খল্লরগা মহাক্কা মুম পান্দবনা কৈ খল্লকই । তমফাতোম্বীনা ভুমিল্লা লৈখিবা উরবদা চিত্রলেখানা হংলকই, —কদৌরবগে নঙবো, তুমিল্লা লৈরবদি । ক'রিস্মু তৌদেদা, অতুগা অমুক মথা তারকই,—ইচেম্মা শাউরোইত্রা রা অমা হায়গেদো ।

করিগী শাউরুনি ।

শাওমুকো !

শাউরোনে, হায়মুনে ।

ইচেম্মদি পাল্লরোইত্রা ?

ও, চিত্রলেখানা নোক্লদুনা খুম্নি,– ঐনা মুম পাম্মোকপ্রবদি নহোর মরাম-সিদি কনাবা য়েংবিহোগনি, অদুনা ঐদি মুম পানবা য়াদে ।

চিত্রলেখাগী য়াসি তমফাতোম্বীনা অওইবনি হায়না লৌদে ফাগিনি হায়না লৌদুনা মহাকপু নোকই ।

চিত্রলেখানা অমরোমদা ওৎোক্ত্না অদুক হায়রকই, - তমফাতোম্বী, রেডিওগুু থরা থাগৎলু, ইশৈ মুংশিবা অমা তাসি ।

তমফাতোম্বীনা খ্বাইদগী মুংঙাইজবসি রেডিও খোজংলু, চা লোল্লু হায়ব-সিনি, মরমদি মহাকপু রেডিও থাগৎলু কৈকা হায়রকপসিদা মহাকসি রেডিও মেকানিক-কুম খজে । মরম অদুনা মহাকনা য়ামনা হরাওনা

রেডিও থাপজুনা হুংগিরবা ইশৈ অমি। তৌরবড়িক চিত্রলেখাবাক থোইনা তানিজবদি মখেং, তকাতোথীবু তাহনবা থোংবনি। মখেং অহনা চিত্রলেখাদি মহাকী লাইরিক অহ পাতুনা লৈরম্মি। চাকীং মতম ওইরক্লহনা কংশী থিঙলক্লে, মখোয় অনিম্বু চাক চাবা চথক্লে। মরাম পুন্নমক চাক চাবা লোইরবদা, নোংমগী থবক লোইরহনা মচৈ মচৈ মাগী মাগী মফমদা চওনহনা পোথানরে। আশ্রম পুন্নমক পুমচিক চিকখ্রে, আশ্রমসু নিঙতাইবা লৈতনা মহৌশা লাইরেম্বীগী অম্পাকমা চিংনা য়াতাখ্রে।

---

(২৮)

ওসিদি অমুক মাহৌবদগী হৌনা য়ীনা, থোইদোক্না হুংঙাইনা উদে। অমুকী খিনম্না নোংমচুগী ঈশিং হুংশিংকী মওং তাকপগুম মাহৌরক-পগী খিবম অসিদা য়ীনাগী ওসি নোংমগী পুক্রিওসি ইন্নুং হুংঙাইতবগী খিবম মালিঙ কালেনগী মুংশানগা শাবনে, মফম ইথও থঙদনা পুক্রিওগী চরাংনবা অমনা তত্তনা ওংলি। কাক অমসু থঙহৌদনা পাইরতুনা অরাংলোমদা হৌম্বিবা কৌবিলা পাম্বীহুদা তোংলগা লাক্ক লাক্ক অমুক অনিরক থোংলম্লগা থুনা পাইথি। য়ীনাসু চিংনবা অমদি শোকহঁ, ওসিগী হুমিংসিবু কদি থোকলৌম্বিবনো?

[illegible]নবা [illegible] কয়াদা [illegible]য়ননা মীনকপু অকৌ চা [illegible]ক্লুবা থবক [illegible]দি। থবক [illegible]-পাঙনা পুনসিগী রাঙ্খলস্, থব্রি,—কয়া কুইনা [illegible] [illegible] [illegible]য়দোরিবনো, মসাজগী মিৎয়েং অমদি [illegible]তোমতা [illegible]বগী খুদোংচাবা কয়ামুক্লন্, লৈরি। অদুগা অমরোমদা সুরেশপু মথক্তা [illegible] মহাক-কীস্, মুম ইংখোমজিল্ল মী লৈতবগী মওং ওইনা লৈরবনি। [illegible] খুদোং চাদবসি কোক্লনবা থবক অসি শাওথোকপনদি চুয়ে অহুবু [illegible]-শিগী রা অমদি লোবনা চুম্লি অদুগা পাবুং রাজেশ্বরপু লৈরি। মখোয়না রাবা য়াদবদি অতোপ্পা রাফম্লি ঐগীদি হায়কম থোকপনি। মসিগী-দমক তাঙা অমা য়েংবা তারি।

ওপেংনা হায়রবদা সুরেশ অসি মতিক চাদবা মী নত্তে, মখোয়না খওদক্লুনা তৌবনি। মহাক্কী অহল-লমন্না খখিরব্বা লল থুম অহু মহাক্না অমতা কায়দনবা হোৎনরি পূম্নমক্কী মথক্তা মহাক অসি মুপা ওইবগী শুপ চপচানা লৈবা মীনি। রা কয়া ওাংগন্দে, অচোপ অরেম মশক খওতি, মপূকচেল তপ্নি তহাদে, চীং লেপ্পী, অসি মওায়দনা অকবা হায়বনু। মহাক্না তৌরিবা শিনকম অসিমু মহাক্না হৈজবনি, মীগী পৈশারাদী শূকবপু নত্তে, অমরোমদা মরম্লাই থবক তৌজবা হায়বসিদি থোইদোক-নতুম লেমজনিঙঙাইনি। সুরেশপু মুম্না খওদবা মীশিংতনা মহাকপু মওং অমা ওইনা খনবনি অদুগা অখওবা মীনদি মহাকপু কত্তে হায়-বসি কনামতা হায়রোই মরমদি মাগী অকবা নত্রগা কত্তবা "হায়বসি মী অহুগী মহৈ মশিং অমসুং লল-থুমগী মখা পোনবা নত্রে, মী মশা অহু অকবা কত্তবগী রাক্‌ম্ন। সুরেশ অকবা মীনি হায়বসি মীনারা মুম্না খওবা মরমদগী মহাক্না সুরেশপু য়াম্না থরায় তানা য়ানিঙবনি।

মীনাপু থবক তৌদনা লৈবদি সুংঙাইতবনিনা লাইরিক-লাইও [illegible] অহুম লোরি, অদুগা মহাক য়াম্না তোয়না [illegible] [illegible], [illegible] [illegible]সি মশানা [illegible] কেপনিঙবা কেশান্তা মরেপ্পনি অহুবু [illegible] [illegible]ইও পাহনা হীরম অসিদা মুম্না নৈনদবদি য়াদবনিনা অহুদি থক

লেপ্লে। রীনানা লাইরিক লাকিও থবা পাম্নিঙ্ঙে, য়াবল থবা থগ্গি-ঙৈদা অহুকী পুং তরা মথায়য়োম তারক্লে। মহাকন্থু ঈরুজথোক্লগে হায়ন্থনা চেম্বরদগী থোরকপদা কোম্হোঙলোম্বদগী ডাক পিরোন চঙলকপহু উই। রীনানা হাউিকেং চিংননা থল্লি, ঙসাইগী কাকথোং অহুগ্য কবি পাউবু ওইরিগবা! লিঙন-লিঙনা ডাকপিয়োন্না টেলিগ্রাম অমা পীরক্লে। রীনানা চিংননা টেলিগ্রাম অহু ফাক্তোকতুনা পাবদা,—মমাশিজা কন্না নাবে লাকউ, হায়বা ওইরক্লে।

মতম অম্বুক কুইবসি রীনানা মমাশিজগী মরীদা থোইনা খল্লুবনি অহুবু ঙসিদি মহাক মমাগী টেলিগ্রাম ফংবদা মপুক্লিঙদা থুক লাউবা অমা পোকপ্লে। গমভিনী শিজনা লৈত্রবদা কনাদনো মহাক্না 'ইমা' হায়না কৌরুগদবা, স্বর্গ পাতাল অনিমক্তা কোয়না থিবদা ফংলরোই-দবা ইমানি। মহাক্না পোকপিবদগী সংসারগী হুংঙাইবা পূম্নমক মশক খঙজরিবনি। মহাক্না তৌবা থবক খুদিংদা মপুক্লিঙদা পামজত্রবন্থু মচীন্দদি য়ানিঙদে, কন্তে, হায়বসি থক হায়দবনি,—মমা ওইবগী মচাবু নুংশিজবা প্রেম অহুনা। রীনানা মমানা লৈরম্বা কা অহুদা চঙলগা মমাগী ফোটোদা মুন্না য়েংলহুনা মমিত্তগী মপি তরং তরং শিম্বরম্মী। মমাগী মজময়াক্লা লেনখিবা অঙাং ওইরিঙৈগী পুনসিবু হয়া হন্না নিংশিংহুনা মতোমতা হিক্লা হিক্লা কপ্লম্মি।

চিঠি পীরম্বা মতম অহুদা থম্বালম্বু মপান্দা থবক তৌহুনা লৈব-নিনা উহৌই। মহাকন্থু রীনানা ইমুঙদগী কুইনা থোরক্তুবদা কবি তৌরবগে য়েংগে হায়হুনা চঙখিবদা রীনানা মমাগী ফোটো মমাঙদা হিক্লা কক্লবহু উরুরে। থম্বালম্বু পুক্লিঙদা থুক লাউবা অমা পোকপ্লে. হংগদবা কাওবা চিংনরে, কবিগুম্বা হুংঙাইত্তবা পাউ ওইরম্লবদি থনবদগী। অহুমকপু হংদবদি য়াত্রবনিনা হংলে,—কবি তৌরবগে ইবেম্মা কবি-গীনো নহাক্না কপলিবনো? রীনানা মমিত্তগী মপি তৈথোক্লহুনা

খুদিং—তামা ইবানিদ্ 'কম্না মারে ঐখু ল্যাকই হায়দুনা,' চৌথিরাম পীরক্লিরমি।
অদুদি ইবেম্মা, কবোইগে লেঙবা।
তাদা, মরেমক চংথক হায়না খজি।
চংমিরানবা মীদি ?
হোয়েন কৌরগে।
ননাই ঐস্থ চংচগে হায়রবু ......।
তাদস্থ চংলবদি মুমদি কনানা শঙ্হৌগদগে, ঐহাক হায়া চঙ্লুথিগে বাদি খোইদোকপা তৌরমজ্রবদি ঐহাক খুনা হল্লকে অদুগা তাদা অমুক চংপিদু। মীনাগী মতু তাবদা থম্বাল কয়াদি হুংঙাইজে, মহাকস্থ চংনিঙবদি অদুবু চংকস্থ হায়রবদা থম্বালনা মথা তানা তাকবদি ওমদবনিবা চত্তবা তারে। মপূক্সিঙদদি মহাকস্থ নক্ষ্যা ইবেম্মত্থ অমুক্তং উরজহৌরবদি হুংঙাইজগ্রনিদা হায়না খল্লে, খোইদোকপা উপায়দি লৈত্রবনিনা খন্নুনতা মতোক্রে। মীনা চাকু মকম খঙদনা থম্না চাবোই চাদবোই তৌরগা খুনা মথুং হায়-দোক্লুনা থোকপ্রে। ওসিদি হুংথিল অমুক পোথাক্রে, খুনমক লেয়েজলগী গাড়ী লৌদোক্লগা চংগ্রে।

মীনানা খোয়কপদা অকক্লবা মকম অমদা চংকে হায়না খন্নুনা খোরকপা নত্তে, খোইদোক্লা খল্লুদনা ডাগিংত্থ অম্মুম লৌথিবনা সুরেশকী কারখানা মমাঙদা চপচানা তাক্লয়ে। মতম অদুদা সুরেশতি চাকচা তোকপগী ওহাক পোথাক্লুনা লৈরি, মহাকী কারখানাগী পোথাকম কা অদুদা অম্মুম হিরমগী খল্লা খল্লা উইথবগুম তৌক্লয়ে। মঙ-ওই হা-ওই খোজেল অমা তারকই,—কনা লৈবগে ? সুরেশ, খোজেল তাবদা খরস্থ খঙবগুম তৌই মরোক্তি কন্না শেংকাক্তে। গোপালদি হুংথিল থুমলি কন্না হৈনদত্থুনা মৈজেরোনগী লাইমিক ক্লচা অমা পাত্থুনা লৈরম্মি। মহাকস্থ খোজেলত্থ খঙবোই তৌত্থুদা মপান খোয়ক্লগা কনাদো হায়ত্থুনা য়েংবদা মীনা ওইরক্লবদা হয়াওনা খুম্মি,—ইচেম্মা,

লৈজৌশিনবিকউ, তাঁদো হৌরোকচাংগে। রীনানা হংলোইদনা হায়রকই,—কনাইনা তুম্বিবগে। ঐ হেক্তা চত্তগে। অহু ওইরবদি লৈজৌশিনবিরকউ, হায়রগুনা গোপালনা রীনাবু পুন্সিন্নুনা স্থরেশনা তুম্বিনা কা অহুনা চত্তে। রীনা চৌকি অমদা ফরি, গোপালনা স্থরেশপু হৌজারি। সুরেশনা মিং হেক পাওথোকরকপদা রীনানা মাওদা কপ্‌চুনা লৈরম্বহু উবদা স্থরেশ মংলা তাইবংলা হায়রগুনা ওহাক চিংননা মমিং লৌইহুনা থাগ্রি। গোপালদি সুরেশ হৌদোক্লগা থোকত্রে। স্থরেশকী মওং অহু থত্তলহুনা হায়রকই,—সুরেশ, ঐনা লাক্লিবসি বা অমা হায়গে হায়রগুনা লাক্লিবুনি।

করিনো ?

ঐ হন্নেং বৃন্দাবনদা চংপা তারি, নহাক য়াওনা।

ঐদি করিগী ?

ইমাশিহু কম্না নারে. ঐবু লাকউ হায়রগুনা টেলিগ্রাম তৌরক্লে, ঐহাক চংপা তারে। ঐহাক ইত্তোমদা চংপত্রু থুদোং করা চাদে অহুগা মন্না ওইনা ইমাশিনা লৈরিত্তৌদা নওগা অমুত্তং উমদ্বোবহু কৈ হায়গ্না থাগ্রি।

সুরেশ চিংনরপ তৌনা শোপ্লি,—হোয় চংপবুদি মচংকে অহুবু…।
[illegible] চিংনগী মতম, [illegible] শোয়কপা [illegible] অহুমা হৌজিক চিত্রলেখা, অমুত্তং, উজমল্লি, চংলনি লাক্‌ও, হায়রবদা স্থরেশ মফি [illegible] চত্তে। রীনা কল্লগুনা স্থরেশপু ওয়রি। গোপালদ [illegible] [illegible] ইচেদা, হায়গ্না হংই। রীনানা চাদি থক্লিগে [illegible] গ্লাস অমদা শীয়ু হায়রবদা, গোপালনা উশিং গ্লাস অমা লৌকহনু শীজে। স্থরেশমু য়াম্না গুনা, মফি শেথত্লা [illegible]। [illegible] স্থরেশকা [illegible] পোরগা, রীনাগা মরুনি চিত্রলেখাগোয়রু চত্তে।

[illegible] ইলা চাদনা মথোর অনিবু [illegible] উবদা চিত্রলেখাবু ইকক [illegible]। রীনানা চিত্রলেখাগী মনাক্তা পুনা চৎশিনদা নহাক হন্নেং চৎলনি হায়রমী। অহু তাবদা চিত্রলেখানা অমুক্তা হোজা [illegible] কনাইনবাদে

অমুবু থুনা, যাত্রা যাক্লম্বি। অহুনা মদুগী মথা অমা অমুনাবু খুঙ-মকই,—ঙাহাক্তং চঙহনা কমথিনি অহুগা লেনভানা থাংমনি।

অদোম মাকাক চত্থরুনা 'চিত্রলেখাগী ফাবা ফরে। সুরেশকি মসিনা মহাকী আশ্রমদা লাকপা অহানবনি। সুরেশনু মতমদি মাত্রা মংলবনিনা মুমা 'প্রমবি ঙমদে, অমুবু অমুকতদি কৌরনা লেপপি। হাঙ-কেংদু য়েংথিবনি অমুবু থম্মোই ঈংনবগী মথক্কি। কলাউবা, কারবপা, য়েংপীবা, নীংঙ্গোবা, মী ওইবগী য়েকপা ওইরবা মচাকনিং অসি মতম অমিদা অমতা লৈবা উমে। অইগা হোৎলোংগা লোত্তনা শান্নমিন্নবদা হিংবাগী মহক্তা হূর্শিনবা উই। শারবা মুংশা মরক্তা লাকপগী মৈশারু আত্মগী থাজিংবদা কোকপতম তৌথি।

চিত্রলেখানা অমকাতোম্বী কৌহনা হৈ মহৌ পুমকুবা হাঁয়খ্রে। অমকা-তোম্বীনু অতিথি অনি উবতুনা হরাওনা হৈ মহৌ শেম্বা চংখ্রে। মতম অসিদা চিত্রলেখানা হংই,—করিগীনো নহাক্কা বৃন্দাবন চংকদৌরিববো?

ইমাশিগী কিবম অমুক্তং য়েংলুদবা য়াত্রে। ঐনা নঙগা উদবা লাকলি-বসিগী মরম ওইবা বাকমদি নহাক্কা মহাক হারবা য়াত্রোল অমুকনি। মহু য়ারবদি ঐনা হনকলগা তৌসি নত্রগা নহাক্কা হৌজিকমক তৌদবা য়াত্রে হায়রগনা বাজেশরদা মরোল হায়রম্লগে মহাকা অমুম তৌনবা য়াগনি।

মহুশীদি নহাক্কা হৌজিক থুদোংচাত্রবনিনা কোম্না তৌবা হায়বহু ঙাম্রেদনা। করে, ঐ লাকলগা তৌবা য়াবা ওইরবদি লাকলগা তৌরগনি, ঐন্দ্র থুনা হল্লকনি।

অহুথি কনাগা চংমিন্নবা?

সুরেশকা।

ও, সুরেশবাবুনু লাইবক কবশিংগী মরুপদা ওইরেদনা।

সুরেশনা হঙোইনা থুম্মি,—ঐদি থোইদোক্কা লাইকম চংপুগী বাকম

কথক্নে, মহাক মতোমকা চংশনা থুমোং কয়া চাবমোই হায়দুনা থুঁমা মথেঙ পাংজবনি।

অদু ওইরবদু চংকদোরিবা মকম অদু অচবা মকম নত্তবনিমা, হায়না বল্লে, চিত্ৰলেখানা থুম্বি।

অমকাতোবীনা হৈ মহী মাল অহমথক ঐ অমদা হায়না থুখোরক্লে। মখোয় অহুমথক অমমম লৌহুনা থক্লে। অদোই অমকাতোবীনা হৈ মহী শেৎপী কোয়লাউ-লাউবদুনা অশংবীদু তামহুনা কনাবু লাকপনো হায়-হুনা য়েংনিঙবা পোল্লহুনা চিত্ৰলেখাগী কাদা চঙলকই। মীনানা অশংবী উথনা,—ইমা, কদাইদা লৈবগে, নহানমুক লাকপদু উরবে, হায়রকই। অশংবীনা থুম্মি,—ইবেম্মা, ঐ কৰিদু চত্তে, অমুম লৈ, মমাবনিগী য়েং-থোক-য়েংশিন তৌবদা ওহাক্নু মী অমা লাকই হায়হুনা লৈথোক্নুনা হায়বী শাস্ত্ৰ শংদে। ইবেম্মদি কমদৌরি অনা-অয়েক য়াওরা অহুগা নমাশিজগী পাউনা কৰি তাবগে?

ইমা, ইমাশিংহু হকচাং ঙৌরে হায়হুনা পাউ লাকই।

কয়া কমদোরে?

থয়া কমদারে, ঐ হয়েং চৎচগে তৌরি

এ, ইবেম্মা চত্তবা য়াদে, নমা নূনা তৌ, মংসায় অশিদা ইমাদগী হেনবা অমা লৈত্তবনিকো। সুরেশতা অমুক ওনশিন্নুনা,—ইমুংতোদি কমদৌরি? ঐদু থোইদোকপা অনা-অয়েক লৈজদে।

এ, কৈ, কৈ, পুরমক মজদ ওইগদু।

মীনা থেক্কত্রে, চংলগে হয়েংগী চংনবা থৌরাং তৌরগে হায়হুনা চংকদবগী হৌদংলকলে। চিত্ৰলেখাসু থিদোকদবগী হৌগংলকলে। অশংবীদি লৈহৌরগে হায়হুনা লৈহৌরে।

চিত্ৰলেখানা মীনা অমসুং সুরেশপু কোল্লোক্ত কাওবা থিদোক্লক্লে। চংদমদারদা চিত্ৰলেখানা মজদ ওইরকউ, থোইদোকপা অশোয় অত্তাদ লৈত্তনা থুনা হল্লকউ, হায়রবা লৈহৌরে।

ঐঁদা অমসুং সুরেশ শাড়ী তোংখুনা লাক্লে।

নহীবী ঐনানা ময়েকনবীদা চংনুবিগি হায়রকই। সুরেশনা অঁদু কনা মালিঙরে, চংনিঙলগা মহাক চংথিবা মাপনি, অদুনা মহাকি চঙ্গমোই হায়রবদা, ঐনাসু চংগা ওমজহনা মখোয়া অনিমক ঐনা হোয়না চঁ-নিরমরে।

সুরেশসু, ঐনাহোয়রবা তোয়না চংগা মী মতে। ঐনানা কনি-ওবদা তোয়না উমনিঙহনা কৌরকপদা চংগা নত্তা মহাক মখানবি থক চৎতে। হুপা সুরেশ চংনিঙদবদি নত্তে, ঐনাশীনমক তেংহনা হায়বদি মহাক্না তোয়না চংলগা ঐনাসু মীনা থীনা ঢাংনবিগি অদুগী মথক্তা মহাক্কী থবক্তা অকায়বা কয়াসু পীবা য়াই, অসিমসু নত্তা মহাক্না তোয়না চংলবদি মহাকপুসু ঐনানা পেয়ায়বা মাথস অমা পোকখিবা য়াই হায়না থবথদগী চত্তবনি।

কয়া তোয়না চত্তা মরম্না ঐনাগী ইমুংদসু মহাক কয়া থত্তে। অদুবু ভগিদি ঐনানা সুরেশপু মহাকী ইমুংগী মী অমত্তা, মহাক্না নৈতিকা খ্বাইগী মথক থংবা কা অতদা পুখ্রহুনা চঙ্গ্রে। সুরেশসু অদুক্তা চত্তবি-থনিনা কোয়েং-মেৎই। ঐনাগী কা অসু হৌজিক মতমদা চুনবা কানি, মতমগী মতুংতা ইয়া নৈতেংই। সুরেশ মখম অদুনা চত্তবদা খোইদোয়ুং হজোইবা পোকই। মহাকী কা অসু য়োমগা সুরেশপু মাগী কয়ুংলা কসু হায়হনা কমহল্লে। ঐনানা কোলিং বেল থিঙলবদা খবান মথক্তা কায়রে। ঐনানা খবানদা হায়রকই,— ভাদা চা কপ অনীগা চানবা থংগা পুনকউ। অমুকসু মখা তায়রকই,— নাকলোবনী সুরেশ বাবুনী ঐনা চংমোমগদোয়রীবনি। ও, য়াম্না ফজে, হায়রম্রগা খবান চা লোবা চংথ্রে।

সুরেশসু তুমীয়া কনা হৈনবক্রুহনা হায়রকই,—কদি তৌগি হায়বলে; ঐবু কদি মখেং পাংউ হায়রীবা? ঐনানা হায়ৌম্বা তৌবা পুদি,— কমিলো হয়েং চংনবগী থৌরাং অমা কাওবা তৌরমীনী।

মীনাগী হাতাবো মুরেশপু [illegible] [illegible] [illegible] [illegible] মীনাগী, [illegible] [illegible] [illegible] [illegible] [illegible] [illegible] মীনাগী [illegible] [illegible] হাজুনা [illegible] [illegible] [illegible] [illegible] [illegible] [illegible] [illegible] [illegible] [illegible] [illegible] [illegible] [illegible] মীনি হায়না [illegible]। [illegible] মৌপোয়কই,—কমিনো নতনী য়োমগনবা পোৎ-চৈ পুথোরক্লো।

[illegible] [illegible] [illegible] চা [illegible] [illegible] [illegible] [illegible] [illegible], [illegible] [illegible] [illegible]। [illegible] [illegible] [illegible] [illegible]—[illegible]-[illegible] [illegible] [illegible] [illegible] [illegible], [illegible] [illegible] [illegible] [illegible] [illegible] পুমনবা পোৎকনবা [illegible] [illegible]।

[illegible] [illegible] [illegible]-হায়নবু [illegible] [illegible] মতুং ইন্না পুবা [illegible]। [illegible] [illegible]-[illegible] [illegible] [illegible] [illegible]। [illegible] [illegible] পুরগি কোজখগা কোয়া অমুক হায়রকপা হায়বত্থনি।
[illegible] [illegible] [illegible] [illegible] [illegible] [illegible] [illegible] [illegible]। মীনানা [illegible] [illegible] [illegible] [illegible]—[illegible] করি করি পোকনা [illegible]।

[illegible] [illegible] য়োমিনপা পোইরক্কে [illegible] ঐ [illegible]।
মীনাবা হাত্নবা মতুংইন্না [illegible] মহাক্কী থৌদাং য়োমিন্দ্রে। [illegible] পোইরোকপা থবক তৌনিঙ্ঙাই লৈত্তবা [illegible] [illegible] লৈবগা মহাকপু চৎখিগে হায়রেংগী টিকেটনচিংবা পোৎলবগে অহুংগা মহাক্কীস্থ চৎনবা থৌরাং পোৎলবগে হায়তুনা চৎকাদবগী হৌগৎলে। মীনানা হয়েং [illegible] [illegible]-পনি [illegible] এরোপ্লেন অফিসতা উন্নগি হায়রম্বা চৎপ্রে। [illegible] ময়ুমলোমদা চত্তুলৈদা টিকেট হায়া পোৎথোক্নে অহুংগা ময়ুমলোমদা লাক্কে।
[illegible] [illegible] [illegible] [illegible] [illegible] [illegible] [illegible]। [illegible] [illegible] লাউবা মখোয়গা [illegible] য়োপ্পালগু [illegible] [illegible] [illegible]

[illegible], —[illegible] কনাহৌনা চংকদৌরিবনো? [illegible], 'সুরেশনা' [illegible]
পুশিং।

[illegible]বনো?

[illegible] মাংখ্রা নাবে,' চতবা য়াম্মি।

অদুগি ধবক ইংথাংগী ময়নাদি কমদৌবা?

ধবক 'ইংথাংগী' ময়ম পুংয়মক নহাক্না চৈথেংশিংগী শোকহনবা [illegible]-পাননি।

[illegible] কুইনা চংকদৌরিবনো?

কলা-না খণ্ডগনি, করগা থুনা লাক্লে, কদ্রগা কুইরেদনা।

গোপাল খটাংনখোক্না হায়রবস্তু মপুকনিঙ্ডগি খণ্ডদৈ, সুরেশনা চংক-দৌরিবসি [illegible]। অদুনা অময়োমদা পাখঙ লৈশাবী অমনিনা কবি-[illegible] [illegible] চংকদৌরিবনো [illegible] চিনবা পোক্লে।' অদুবু গোপালনা মখোয়গী খঙলি বাসি [illegible] নহাকনা [illegible] [illegible] [illegible] 'তুমিনা' [illegible] [illegible]

সুরেশনা মহাকী বেদিং য়োমশিল্লি, পুগদবা ফুরিং, কৈজোম, খোজাও-নচিংবা কিথুপ নাইনা স্যুটকেশ অমদা হাপচিল্লি। পুংমক লোইরগা ওহাক্তং পোখাগে হায়রদুনা চুরূপ মচে অমা চিংলদুনা কমুক্তা ছিল্লি। মহাকস্তু শেল কয়া য়াম্না পুশিগে খল্লি,-- য়ীনানা লৌশিং অমা পুয়-বনিনা মহাকনা লৌশিং অনিয়োম পুরগে, য়ায়গনা লম অতৈস্ খয়া কোয়রক্লে খল্লি।

গোপাল মশানা খওনা চাক ওয়া থোংদুনা চাক লোইরে সুরেশতা তাক্লরে। সুরেশস্তু চাক চাবা হৌগৎলক্লে। সুরেশনা হায়া চাবগা গোপালনা কোয়া চাবা হায়বসি মখোয়গী হৌনবা ওইনা অমুম লাক-নবখি। সুরেশকী অয়াং-অপা হাদুনা মহাকপু শীজলগা কোয়া গো-পাল চায়ে। হয়েংদি খয়া ওয়া হৌনববি হায়দুনা সুরেশতি অমগ্রে। গোপালমি চাক চাবা তোল্লগা ওনমল্লি হায়দুনা ওহাক্তং লাইরিক

লাইক থাদে অমসুঙ মৈতৈলোনগী লাইনিং শরা থাকহনবগুম্বা লৈরি। লাইনিংবু পুথিংবগা মরাক্তং থম্লি,— ঐখোয় তামাংশিবা হকে, মুথুং পাঙবা ঐবু যৌগিক মুলা তৌবিদ্রিবা অনিতা তৌবিগনি। মসুঙমা হুন্দিগী পুরোহীতা লৈহনা পুখিনা ঐবু তাঙ্গোকপিনবি। অহুকন থম্লি,—মহুদি কয়া যাদে, ঐখোয় তাঙ্খানি হুনীনা লেমলবা হুপাটি মাঙদে, মহাকী থবক পুদিংদা হুনা পোয়না তৌই। অমু অমুনা লো-শানা লোইশিনখই,—তৌরোইদা, মহাকনা ঐবু যাম্না হুংশিনা তৌ-রদা। মহাকনা ঐবু তৌবিদ্রিবগীদি ইশা ইমানকনা কাওনা অদুনা তৌবিরোই। অদুনা থাবক লোইশিনখপগা লোয়ননা, হুংখিলগী মৈ-থুংনা পুখবা মশা অদু হুইনা মরিং পাওবা অমত্তে অহুম উইথবে।

যৌনাহ চাবা থকপা লোইবগা হুনবা থৌমাং তৌরক্লে। মহাকনা ভুমিতৈনা থবাদ কৌশিনবা হুন-টৈ কিংখিনা য়েংশিনবা হায়রবা মহাকনু ভুমত্রে। পৃথিবী পুরুষক উম-মাইমুক টিকত্রে। যীনা অমসুং মুজেগ অনিমকনু হয়েং ইহুং ওানবা ডাইহলা ওগিনী ভূমপুন হলত্রে।

(২৯)

ইচিক হুনবা অহিংগী অচিকপা শককম মাঙখ্রে। ইথুং চুপ্পা কোয়-কয়বা শজিক থাবান্নু নোংচুপ হায়ম পাংখ্রে। অমম্বা কিজং হাই-রোকখ্রে, অঙানবা মঙাম্মা নোংপোক থংবা মায়কৈদা লোইয়োই লোই-য়োই কায়রক্রে। রীনাগী মিংশেল খোঙদা মঙালগী ময়িক কাওরক্রে। রীনান্নু মতম ওইরে থম্মুনা হৌগৎলগা ইক্ল-মায়থজহুনা খোঙশানলকপগী খৌরাং ভৌরক্রে। থম্বালনা চাগা লোয়ননা চানবা থরা পুশিনহুনা চারে। চায় হায়বহু মঙায় থোইদোক্লা পুকনিঙ তানা চাবা নত্তে। চংপগী মতম ওইরক্লহুনা গাড়ীহু ড্রাইভরনা খৌরগা প্লেন অকিলতা চংখ্রে।

সুরেশতি মিকপ থোকখিত্রে। গোপালনা খেঙখ্রে হায়হুনা মুংশা-থীহুনা হৌদোকলরে। সুরেশম্নু খেঙখ্রমান্নে হায়হুনা হোবে-হোবে হোৎনরে। মক্ল ওইরিবদি মহাকনা টিকেট পুরিবনিনা কনিঙবা নং-ঙবদি হায়বগী মুংশাথীবনা চা ফাওবা থকপোই থকতবোই তৌহুনা গোপালগা লোইননা জীপ্তু কয়া থৌরকলে।

রীনান্নু সুরেশ উত্রবদা ড্রাইভরহু থাদোকপা তমজহুনা গাড়ী-দগী কুমথদনা অহুম কয়হুনা লৈরম্মি। সুরেশনা গাড়ীহু লেঙা থান্নগা কুমথরকপা উরবদা রীনান্নু পুকনিঙ লৈতারহুনা গাড়ীদগী কুমথরে। বস থাগদোবহু পংকুই-কুইত্রে মিনিট তয়ারোয়তা মঙায়রে

সুরেশ, প্রণ-প্রেয়া রীনাগী মনাক্তা চঙশিল্লগা,—পোৎ-চৈ খাজৎশ্রবরা, হংই। রীনানা,—কদাইদগী নওদি লাক্কনা..... ।

হায়বদা সুরেশনা গোপাল কৌহুনা পোৎ চৈ ওল্লবা তৌহল্লে। গোপাল অমসুং ড্রাইভর, অনিনা পোৎ-চৈ পুম্নমক ওল্লে। গোপাল থবক লোইরগা রীনাদা হায়রকই,—ইচেম্মা, থোইদোকপা অশোয় অণ্ডায় লৈত্তনা থ-না লেঙথোকপিরকউকো। রীনানা নোকনা খুম্মি,—ঈশ্বরগী কৃপা হায়বহুনি ঐনা তম্বা ওম্বা নত্তে। বস থাবা মতম ওইরক্লহুনা মথোয় অনিমক কাখথল্লে। সুরেশনা গোপালদা, নিংথিনা লৈরম্মু হায়রক্লগা লোয়ননা বস অদুম থৌগ্রে। বস চৎশ্রবদা গোপালসু ড্রাইভরসু মাপী মাপী গাড়ী পুহনা হল্লে।

রীনানা প্লেন তোংবসি মসিনা অহানবনি। কলিকাতা কাওবা শাইরগা, কলিকাতাদগী অমুক রেল গাড়ীনা চৎকদৌরিবনি। সিট অদুদা সুরেশ অমসুং রীনা পুন্না ফ,ম্মরে। সিটকা পান্নবা বেল্ট চাজিল্লে। অমুক পুং তরামাথোইরোম তাবদগী তোংলকপনা মুংথিলগী পুং অহুমলোম তাবা মতমদা কলিকাতা ডম ডম এয়ার পোর্ট্টা লেনবগী হেক কুমথরকপদা, রীনা কোক ওাউরি ওাউরি তৌই। পোৎ-চৈ থনম্লগা করি করি থরা চাননবা তৌরসি হায়হুনা সুরেশনা হৌদোরকই। রীনানা মহাক্তি কোক ওাওরে চাবরোই কোম্না চারগে হায়না, রেটিং রুমদা লৈহৌরগা সুরেশ মতোমদা চারুরে। সুরেশনা হল্লকপদা রীনা হিগু,না পোথারম্মি। অসুম য়েংবদা ভুবগুম উরহুনা; মহাকসু ওহাক চুরুপ অমা থক্লহুনা মপান্দা হজৎ হন্দা চৎশু,না লৈরে। চুরুপ মচৈহু থকপা লোইরগা চংথিবদসু প্রমিৎ শাওথোক্লমজি। সুরেশনা হৌদোক্লবদা মমিৎ পাওলে। মহাক্না কথাজানা হায়রকই,—নমিৎ নমায় তাথোক্ল,রো অহুগা থরা ফগনি। রীনাসু হৌগত্তু,না বাথ রুমদা চঙলগা মমিৎ মমাই তাথোক্ল,রে, মখোক-মপুৎ হামদোক্ল,রে, মশাহু থরা তেশৎপগুম তৌরে। সুরেশ করি চাগদগে করি পুরকউগে হংই। রীনানা,——চা গ্লাস অমতং

থক্কে, করিম্থ চানিঙ্গদে ; হায়রবদা স্থরেশনা চহ্মনা বেয়াররদা চা পুরক্না হায়রুরে।

বেয়াররনা চা অমস্থং তোম পুরক্রে। রীনানা চাহ্ মহাক্কী অমা স্থরেশকী অমা শেল্লে। স্থরেশত্তি হৌজিক্কী হোটেলদগী চাহ্না লাক্লবনি অদুবু রীনানা মতোমদা থকলবদি হুংঙাইররোই হায়দুনা ব্যবহার তৌনা মহাকম্থু থরা থকলে। লোইরগা রীনাবু থনম্লগা মহাক্না টিকেট লৌবা চৎখ্রে। ফাষ্ট ক্লাসকী টিকেট অনি লৌরুরে। স্থরেশনা হক্কপদা রীনানা হংই, —কদাইদা চৎলুবনো ?
টিকেট লৌরুবনি।
পৈশাদি ?
ঐগী য়াওবি।

পবক্না ঐগী চৎলগা শেলনা নওনা পুথোক্লবদি, নহাক্তি য়াম্না তোং-জরেঙ্গনা, কযা চঙ্গখ্রবগে হায়দুনা রীনানা বেগ হাংদোকই। স্থরেশনা কান্না তৌই, —হিসাব কোল্লা তৌনরবস্থ য়াগনি।

রীনা, তশেংনমক ইকাইজে। মহাক্না স্থরেশ পুরকপদি মতোমদা চৎপদা থুদোং কয়া চাদে অদুগী মথক্তা মমা লৈরিঙৈদা অমুক্তং শকক্ক মায়থঙনহৌবা কৈ হায়না থনবদগী পুরকপনি। অদুবু ওম্ম তৈনবরোমদা মহাক্না থরচ পূম্নমক তৌরকপসিদা রীনা থোইদোকনা ইকাইবা পোকখ্রে। অদুনা মহাক্না হুংঙাইতনা হায়রকই, স্থরেশ অদুম্না তৌরবদি ঐনি য়াম্না ইকাইজে ; ঐগী পবকনি ঐনা থরচ তৌকম থোকই। স্থরেশনা মোতুনা থুম্মি, —নহাকীস্থ মতাঙ লাক্কনি।

হৌজিক্তি সুরেশ অমসুং রীনা থোইদোকনা কোইনবগী রাকম লৈরে, নঙ, মা, হায়দুনা অযাপা মতমদা শিজিন্নরক্লে। মসি থোইদোকনা মরী নকশিন্নরবা মীশিংগী মিঙ্গৌনি। ঙসিদি সুরেশ অমসুং রীনা অনিমক অং-থানবা য়াত্রবা মরী অমনা পুনথিবগুম থোইদোকনা মসিনা ঐগীনি, মতুনা নঙগীনি হায়বা রাথল লৈনত্রে।

চুমিথাংগী পুং তরেৎলোন তাবা মতমদা দিল্লি এক্সপ্রেস লাক্লদুনা মখোয় অনিমক চেকৎংলগা বৃন্দাবনলোমদা চংখ্রে। মখোয় অনিনা ফোংলিবা কাষ্ট ক্লাসকী থোগিচ্ছু কিজাত নি, মখোয় অনিমগী হেন্না কনাম্নু তোংবদে। রীনাকি-মকোক গাওই হায়দুনা হুংখিজনী কনিমতা চায়ক্কুম্বনি, মরম অদুনা সুরেশনা বেল্লাবদা চাক পুরকউ হায়দুনা ওর্ডর তৌদুনা চাক চাক্লক অমি পুরক্লগা মবানি চারে। চাক চাবা লোইরবদা সুরেশনা রীনাবু তুমনবা হায়রম্মি। রীনানা, কাষ্ট ক্লাসতা চংপা হায়রবসি থোইদোকনা থুমোং থীমিজ্ঞাইনি পংতুম তুমদু ফত্তে, হায়রবদা সুরেশনা মহাক শঙ্খে কনিসু তোরোই তুম্ম, হায়দুনা রীনাবু তুমহনখ্রে, সুরেশনা মহাকপু শঙদুনা লৈহোরে।

অসুম্লা চুমিথাংদনা রীনানা তুম্বা সুরেশনা শঙবা অদুগা চুং-থিজনা সুরেশনা তুম্বা, রীনানা শঙবা শিরোন শিনজিন শঙনদুনা লাকপনা চুমিং হুম্নি শুবদা বৃন্দাবনদা থুংলরে। রেলগাড়ী অমসুং বসনা চুমিং নিংনি হুম্নি লাকলবা থোঙচৎ হায়বসি থোইদোকনা রাম্লনা থোঙচৎনি। অদুবু রীনা বৃন্দাবন হেক য়োৌবগা মমাবু উনিঙবনা রেলনিঙবনা অক্লাবা পুম্নমক কাউখ্রে মমাগী লৈকম মণিপুর রাজবাড়ি তাদ্রা চংখ্রে।

বৃন্দাবন হায়বসি সাধু বৈষ্ণব কয়াগী লৈকমনি, পুক্কগী মকাহি হাপ্পনৈ অদুবু নাবক য়েকলকপা লোকনবদি ঈশ্বরগী মফমদা হজিনদুনা থদিনসু হায়নৈ। মসি থমমথৈদি চুম্বসু য়াই মরমদি মকম অক্লুবা লৈজিবা থৈক্কক্লশিং অদু কনাগী কনাসু, থোকনবা নত্তে, কনা অমম্না অথোইবা অক্ক, ওইরগে, ব্রজগী উমূলতা ওঙ্কদুনা মপোক কয়াগী পাপ কোক-চনু, হায়দুনা লৈজরিবনি। অদুগা অমুক কনা অমনা কারবারগী মওংনা বাজিক্লশিং ওক্কনা মাগী মাগী আয়োগা পুন্সিদুনা থমলগা পেন্সোং তাপ্পবা হোংনবসু য়াওরি। মরম অসিদগী মথৌ চিন্নথিবনা অমবু অমনা য়েংনবা শিংনবনা য়াই। অদুগা কনিঙবা নাজিনা মী

অহুনা শেল-থুম থরা কোয়া শিজিন্নবা মী ওইরবদি সেবাশ্রীদমক মীশু অহুমক কংবা য়াবগী মওংদু মরেবা। গমভিণী শিজনু শেল পীরনা নাবা, মীনিন্না মহাক্তী সেবাশ্রীদমক মী অমা ওনিদি মনাক্তা অহুম মরে। অহুবু শেলনা লৈবা ময়ংশিবনিনা, ময়ংশিবগী অশেংবা মশক, অহুদি উৎবা কংদে।

মীনা অমত্তুং সুরেশ তুংথ-মাতুথা চতমিন্নরকই। মখোয়বু য়ুম চিং-লক্লিবা মী অহুনা হায়া ইমুঙদা চতগ্রগা মীনাহোয় লাকপগী পাউ পীরে। মতম অহু কাওবদি গমভিণীসু জ্ঞান মাঙত্রি, মচা লাকপা ঙাইবগুম লৈরম্মি। মীনা লাক্লে তাবদা হৌগত্তুনা কপ্পা ওমগদবগুম থুনি, অহুবু খঞ্জবতনি, হৌগংনবগী পাঙম্দি মঙোন্দা লৈখিদ্রে। গমভীণীনা তপনা হায়রকই,—কৌশিল্লকউ। মীনা, ইমুঙদা চতদ্রে। সুরেশতি চতবা ওমদহুনা মাজোন্দা লেপ্পুনা লৈহৌরে। মীনাসু মমাগী য়াথদা ঙাওখিহুনা সুরেশপু কৌশিনগনি হায়বসি কাউথোকউরে।

গমভিণীনা খুদোম্বীনা থিন্দুনা মীনাবু মহাক্লী মনাক্তা ফক্লনবা খুদম তৌরকই। মীনা. মমাগী মনাক্তা চতশিন্দুনা কম্মি, মমাগী কাংলবা মায়-থোংনা মহাকপু তত্তনা অন্নাবা পীরি। মীনান অহানবা ওইনা,—ইমা, বাগসু ঐ লাক্লে, ইমাগী অনাবা ফরগনি হায়হুনা মমাদা আশাগী মঙাল পীরম্মি। গমভিণীসু মচাগী মায়থোং উবদা অনাবা পুন্নমক কিহুনা চেন-থ্রগদবোই নিঙতি।

মমা মচা চহী কয়া চুপ্পা উনক্তদ্রবা মতুঙদা উন্নবগী হরাওবা, মংশিবা অন্নাবা, তুংঙাইবা পুন্নমক মিকুপ অমতদা চপ মান্নরা থংমিন্নরবদা জগৎ পুম্বা কাউথ্রে। মীনানা মপান্দা সুরেশ লৈহৌমি হায়রবগী য়া-খনসি পুমকাউ কাউথোকখ্রে। ফনা য়ায়া কুইরে সুরেশনা মপান্দা ফমহুনা লৈরিবা। ওসাইগী মখোয়বু য়ুমাজিংবিরকপা অঙল অহুনা মপাল থোরকপগা সুরেশ ফমহুনা লৈরিবহু উরবদা মহাকনা অমুক হজিন্দুনা মীনাদা,—ইবেম্মা ইবেম্মগা লৌরনরকপা হুপোমচাসে

মপাম্দা অহুম লৈরে, কৌশিল্লকপ্রা হায়না হংই। রীনা, থংমিঙ মিঙ-শিংলকই সুরেশপু, মপাম্দা প্রপ প্রপ খোরক্লনা হায়রে,—সুরেশবাবু হালৌবা য়াদ্রে, ঐহাক ইমাগী মনাক্তা চঙলুবদগী পুমকাউ কাউখোকউরে, লেপশিল্লদি ইমুঙদা। সুরেশ মক লুকখত্লনা য়াখল তৌরগা খুদি,— রীনা ইমাগী লেবা নিংখিনা তৌরখো, ঐ ঙহাক লৈরগা চঙলক্কে। রীনানা য়াব্রে, কল্লা অকনহন্না সুরেশস্থ ইমুঙদা চঙবা তাগ্রে।

গমভিনীবু লেবা তৌবা মী অনি অহুম লৈরমহুল্, রীনা লাক্লবদা থরা হন্দোক্লনা কল্লগ্রে। রীনানা সুরেশপু পুশিন্নরগা মমাগী মমাঙদা কমহল্লি অহুগা তাকই,—ইমা, মহাকসি ঐখোয়গী লাইরিক তম্মিন্নরকপা সুরেশ হায়রবহুনি, ঐ ইতোমদা চংপা মুংঙাইতে হায়হন্না মহাকা লাকমিন্নবনি। গমভিনী য়া য়ায়া ঙাংবা ঙমত্রবনিনা য়াদি ঙাংদে অহুগা মায়খোংদদি মুংঙাইবা কোংদোকই। গমভিনীনা কল্লিতৈদগী হৌনা মহাকী মচানুপী লাইরিক লাইগু নিংখিনা হৈবী অমা লৈ হায়বসি য়ারী শাহন্না মহাকা লৈ-মিন্নখিবা অয়াম্বনা থঙলবনি। মরম অহুনা রীনা লাকপদা ময়ামছ খোই-দোকনা ইকাই খুম্না তৌই।

গমভিনীগী মিনবদি খোইদোকনা কগংলকপগী মওং নত্তে, অমরোমদা মতম চাইহুনা লৈবগী মওংনি। মতম অহুদদি ডাক্তর নত্রগা মাইবা কংবা হায়বসি খোইদোকনা অয়াম্বা নত্তে, শেন লৈরবা কাওবদা। মরম অহুনা রীনাস্ মতম চাইহুনা লৈবা তাখি। মুমিং পরন্দং মুমাবু লেবা তৌজবা কংবদা মহাকস্ মুংঙাইজে অহুগা গমভিনীস্, মহাক্তা অরোইবা মতমদা মচানা লেবা তৌখিবসি খোইদোকনা পেনজে।

মুমিং মতা অরুককনি টৈলমকলবা মতুঙদা মমাগী কিজ্ঞাসি কল্লবা অসুম হেজিন্নকই। মতাঙ অগিয়া রীনানা য়াখল অমা থল্লকই,—সুরেশকী মরীদা ইমাগী য়াথং অমঙ্ লোহোবা চুম্মি। মরম অহুনা মী চিকপা মুংখিল অমদা রীনানা মমাগী মমাঙ্গা মরগা হায়রকই,—ইমা, ঐহাকা লোয়নয়-রিবা সুরেশ অসি শিশুক শিকসিতৈদগী মশক্ খঙনখ্রবা মীনি, মহাক

অসি কুম্বা মী নত্তে, মরম ওকই, পুকচেল কৈ মহাকপু ঐনা পুক্নিংগী লোম্নবা ওইগে হায়না খল্লি, ইমানা করি হায়বগে ! গমভিণীনা থর মথেক মথেক হোন্নগা খুম্মি,— ক রে, ঐ—গী অমোইবা ...মিকুপ...অসিব মহাকী.. অৱেম্বা... অমত্তং...খ . ঙ বহুনি, ঐনা ......পাম...দি...বা । কৌশিল.. লক উ, ম.. হাক পু ।

সুরেশতি মতম অঙ্গদা অহিং তুমদবগী ফুংঙাইনা ছুম্মি । মীনানা প্রণ-প্রণ চঙশ্রগা মহাকপু হৌদোকলুরে,-সুরেশ, সুরেশ, হৌগৎলো ইমানা নঙবু কৌরি । সুরেশ মঙ-ওই, হা ওই, করি তৌরবনো হায়দুনা ছুংশা-থীবগা লোয়ননা লোংনা ফুক হৌগৎলগা কমুঙদগী চোংথরকই, হংই,— করি তৌরবগে ?

করিস্, তৌদে, ইমানা লাকউ হায়বনি ।

সুরেশ গমভিণীগী মনাক্তা চঙশিন্দুনা ফমথ্রে । গমভিণীনা লুকথ-রকউ বা হায়গে হায়না খুদম তৌরবদা সুরেশ লুকথরম্মি,—ইবুংঙো নচনবু ঐনা নঙোন্দা শিন্নরম্নবনি । সুরেশ, বা ঙাংদনা ঙহাক্তং ছুমিন্না লৈরম্মি । ঙহাক্তংত্থু মঙলা তাইবংলা হায়কম থঙখিজে, মরমদি গমভিণীনা কল্লিঙৈদা থল্লম্বা মওং অত্তগা মংাক্না হৌজিক হায়দোরক্লিবা অদিগা থেন্ন-মনথ্রহুনা । গমভিণীদি মশানা অচাওরম কাজবী মুপীনিনা সুরেশকুম্বদি মী ওইনা থনৱিবা নত্তে, অত্তবু ঙসিদি মঙাক্না ইমায় লায়না মীনাবু মঙোন্দা শিন্নরবসিদা ঙক্কবা ঙমখিদে । মীনাশু কৌশিল্লগা মনাক্তা ফমহল্লে, অনিমক্তা মকোক্তা নানবিহুনা মঙ্গলাশীর্ব্বাদ পীবিরম্রে ।

হৌজিক্কিপুম্নমক নাথৈ শেংনরে, মীনাশু পুন্সিগী চংকদবা অনৌবা লম্বীদা মমাগী থোজাল কংজহোরে, মমাশু মহাকনা নিঙজরম্বা মানা হিং-লিঙৈদা মচাগী পুন্সিগী অরেম্বা অমা থঙনিঙবত্থু থঙজরে, অহুনা শিরবত্থু থোইনা চিংন.নিঙাই লৈত্রে হায়না খল্লে । ঊশিং ঊচাও হেনগৎলকপওঅা অনাবত্থু হেজিন্নক্লি । মীনাহোন্ননা লৈরকলিবত্থু থা অমৱোম কাজিন্নক্রে । অনাবত্থু ইঙাগী পুর্ণিমা থাইদা থোকপা য়াই হায়না থুমিং তৱে । থৌরাং

পুন্নমক লোইরে। ভেস শ্রীচুনা মপান্দা লৈরে। মুমিং থুক্তিগী নুথুমদা শ্রীমদ ভাগবত গীতা থীচুনা তাইবং মাপলগী লৌবী ওান্না চংখিনবা হোৎনরি। মীনা অমসুং সুরেশনা থুন্না নুথুম কম শেন্নচুনা লৈগ্রে। অহিং তুম্নকনবা কুচু কুবেন কাওবা ওনগ্রে।

ওসিদি ইভাগী পুর্ণিমানি, মীনানা লাকহল্লিওদবা মুমিং অদো থাম্বা মাপ্লিগ্রে, লাকনে। নুথুমদা অতংপা লৈতনা গীতা থীরি, মোমবত্তি অমসু লিন্নি, লিরি, মৈরি চুম্না কাথত্তুনা চাকলি। ওহাকী মপুওদা ইমুং অহুম্বা লৈরিবা মী পুন্নমক পুমলাও লাওনৈ। খওহৌদনা ভন্না ছন্নকপা চুংশিংবকী শউন্না মোমবত্তিগী নিংখিনা চাকলবা মৈরি মুথৎগ্রে। মোমবত্তি মুৎপগা লোয়ননা গমভিণীগী থন্নায়সু হকচাংদগী মপাল থোকগ্রে।

কর্মনচিংবা ভোবা লোইন্নবা মতুংদা মীনা অমসুং সুরেশ গঙ্গাদগী কান্নকলে। মুমিং অসি ইভাগী পুর্ণিমানি।   ইভা হায়বসি মহৌশানা নোংজু থানি, অহুবু ওসিদি আতিয়াগী মকোয়দা নোংগী মন্নিক অমা কাওবা লৈখিগ্রে, পুমশেং শেংগ্রে, গমভিণীগী লখেল ওালহল্লিগ্রা নত্রগা মীনাগী থম্মোই মুংওলহল্লিগ্রা, - কনাস্ হায়বা ওম্মোই। মংওম্বা কান্নকপগী থম্মোইদি কনানও থেমজিনবা ওম্মোই মীনাস্ ওসিদি মংওম্বা কান্নক পনি, মমানা হিপ্পম্বা মকম য়েংনুরগা ওাংলম্বা মা-ওাং নিওশিংনুরগা, মিংলু অনিদগী অতংপা লৈতনা পিরাং শিম্বকলি থাজগী লংলবা মওালদা গঙ্গানা ঊহৌম্নকপগুম ভৌরবা চাইকুং অনিদগী শিম্বকলিবা পিরাংচু উমগা স্‌রেশনা থেমজিন্নকই,—মীনা কন্নিগীদমক থম্মোই অহুক শোম্বিগে, শোকপ লবদি শিবা হায়বসি হৌনশানি, অহাল অকোনগী মাতনি, হান্নিমা চোই-জাইননা ভান্নকলিবা শম্নাংবু তুংলোমদা হান্নগৎপিন্নচুনা মপি ঠৈথোক পি। অমুকস্ মথা ভাথন্নকই,--মহাক্তি মসিমভবু মওান্নবি ঐদি মাশওব-লিদি পোকপবগী লোম্ননবকলবনি হায়বা য়াইই, কপকম্নু কমপী মহুত্তা চংম্নবা আম্বা অহুগী মাইকনবা ঈশ্বরদা থুক্নমজো।   মীনানা খাওবা জম্নুকচুনা স্‌রেশকী মথবাক্তা মমান্ন উপশিন্দুনা অওাংওম কিক হিক কপখি।

মচা শিবদা কাউবা ওঅগ্রবদি করম্না মমানা হিংহুনা লৈবা ওঅগনি, মপুমোইবা মাওগ্রবদা নিংশিংহুনবা লৈরবদি করবা তাদোক্না মংলান অসিদা মচা য়োকপা ওঅগনি। কাউথক্লবা মীওইবনি, মসিমক ওইরম-ল্লবস্, মীওইবগী পুন্সিসি অরাবগী ওমথৈ লৈরম্লোই। অশীবনা লাপ-থোকখিবা অচৌবনা নকশিনবা হায়বসি মহৌশাগী নিয়মনি। মীনাস্ য়াম্না ওাক্না লৈবদি য়াদবনিনা, অরাবা লোয়ন-লোয়নবা তৌকম থোকপা শ্রাদ্ধ কর্ম তৌনবা হোৎনরি। মহাকী মরম ওইবা য়াথল অমনা মমানা পাম্লবা মন্দির অমগা শাহুনা কৎলম্বনি। শ্রাদ্ধনচিংবা লোইরবা মতুং-দা মীনানা মন্দির কৎপগী য়াকম অসি সুরেশকা, তানবদা সুরেশকী মতি মকম অহুম্না মন্দির শাহুনঃ কাম্বদে মহুগী মহুত্তা, ইরৈবাক্তা করিগুম্বা কাম্লবা থবক অমদা ইমাগী মিং থম্বনা হেন্না কায়ে, অসিনি। মীনাস্ হৌজিকী যুগ অসিগী মীনিনা সুরেশনা পাম্লিবা য়াকম অসিদা পামম্লবদি নত্তে, অহুম্না মমানা পাম্লম্বীদমক হায়জবান। মতুংওদদি মহাকস্ সুরেশকী মত্তা য়ানিঙবা পোকলহুনা মণিপুরদা মমাগী মিংদা করিগুম্বা থরা তৌরম্বা হায়বসি লেপ্লে।

মমাগী তৌগদবা শ্রাদ্ধ কর্ম পূমনমক লোইরবনীনা মীনা অমমং সুরেশ অনীমক মণীপুরগীদমক খোঙ শাম্লকলে।

য়ৌনাহোয়না চংখ্রবা মতুংদা চিত্রলেখাদা চিঠি অমা পুংলে। চিত্র-লেখানা খল্লম্মি,– য়ৌনাগী চিঠিনি, হয়াও, হয়াও হাংদোক্লক্‌বদদি, মহাকনা নিংজলম্বহুনী ওয়-তৈনবদা নরেশকী ওইরগ্রে। চিত্রলেখা, খাই লাউই, মতম কুইনবী মতুংদা ওইথোকনিংঙু খল্লুবা থবক অমা ওইরকপদা! মী অমনা পীরকপা চিঠিনিনা য়েংদবদি য়াদে হায়দুনা অমুক্তং পাই, মরোল য়াম্মদে,—নহাক্কদি ঐবু ইকাইবা খওঙ্রবা শানি হায়না খল্লম্ব। য়াই, অদুবু ঐনা নক্তোন্দা হায়নিংবা য়া অমতং লৈরি মসিমতং হায়হৌরবদি, শিংবা কাওবা নিংঙম্মরোই। মরম অদুনা ঐনা হয়েং থোরকলগা ঐনা হায়রগে খল্লিবা য়াসি হায়হন্নবগী মতম অমতং নহাকনা পীবিরবদি য়াম্না নুংঙাইজগনি।

নরেশকী চিঠি পারগা চিত্রলেখা, নোক্কদরা, কপকদরা খঙদে। মহাকী পুন্সিদি কনাগীসু খাঙ্গুনা থম্বা পুন্সি নত্রে, মরাম্মদা অখোক-চঙবা পুন্সিনি। মহাক্না হৌজিক কনাগীদমক খল্লুখিগনি, কনাগীদমক য়াক্ক-খিগনি। অদুবু মী ওইবগী পুক্নিং হায়বা অসিগী অঙকপা মতৌ অমসু লৈ। চিত্রলেখানা মতম অমদা নরেশ কৌবা মুপা অমগা মহাক্না নুংশি ইশাক্তা ভাউমিন্নদুনা মতম খরা লেনমিন্নখি হায়বা অসি ফাওবা কাউত্রবনি, অদুসু ওসিদি অঙকপা য়াখল অমা লাকখি,—মহাকনা ঐবু হৌজিক কাওবা নুংশিরিম্না! অরেম্বনি, কাম্নরয়োইদবা! মহাকী য়াখল্লা হৌজিক্তি ঐবু অমহৎপা ওম্মরোই,—ঐগী থম্মোইদি থম্বাল চামনিপাগী মতৌগুম থোংপা

ভমরোই, বজ্রগী মতৌওম কল্পগনি নত্রবদি ঐগী পুক্নিগী থাপক পুক্নক অয়েখলা তাগ্রগনি। ঐগী মিংয়েংদি থুরবা চুংশি চুংতোননী চকাইখনা নৈশিন্দুনা নৈবা নত্তে,—পাকনবা ওমথৈ লাইত্রবা চুংশিবগী মিংয়েংনি,—মীওইবা সমাজগী য়াইফনবা। অচুনা চুংশি চুংতোনগী থাবনা ঐবু অমুক হন্না শুগদি য়ায়রোই।

ভক্ষাতোম্বীনা ওসি নি-নি হুমনিসি চিত্রলেখাগী মওং মতৌ মুক্ক য়েংই। মগাক্কা করিগুম্বা থবক অমদা কষা থোয়রংদবা, মীনা হায়বা শকপগু নাত্রা-পেত্রানবা মতৌ অচু উবগা মহাকপু কমিনো, ঐখোয় ইচেলসিবু চুমিং থরনিসি মওং অমা তৌইদা হায়না খল্লি। চিত্র-লেখাগু থোক্তোক্কা খল্লুবদি নত্তে অচুবু মহাকী থম্মোইগী য়াহং অমদি তত্তনা তাত্রি, করিগীনো মহাক্না ঐগা উঃনিওলিবা? য়াহং অসিমতনা মগাকপু মফম ইখত্ত-খত্তনা অওংপা অমদি তত্তনা পীত্রি।

চুমিদাংয়াইরম অমনি। চিত্রলেখানা ভক্ষাতোম্বীগা লোয়ননা ওহাক্তং পোখাগে হাযত্নুনা মমাওগী পুখ্রিমচা অচুগী শিড়ীদা মখোয় অনিমক কন্সি। ভক্ষাতোম্বীনা খল্লি,—করিনো ওসিদি তৌথোক্তবা থবক অমা তৌরি-সিবো! চিত্রলেখানা ভক্ষাতোম্বীগা অম্মুম য়ারী শাত্নুনা কমমিন্নবা হায়বসি য়াম্না অতাওবনি, মরম অচুদগী ভক্ষাতোম্বীনা ওকলিবনি। মহাক্না ওকলিত্নৈসিদা চিত্রলেখানা অমুকশু হাযজিল্লকই,—ভক্ষাতোন, নত্তবু ঈশৈ হৈত্রা, অমত্তা শকউদনা যেংউ মতমসি কয়াদা চুংশিত্রবনো—চাম্না ভময়াসে পুমশং শংথ্রে অতিয়াগা মালেমগা অমত্তা ওইনা উত্রে, লমগী চেকলাগা য়ুমগী পোম্বীগা চিংগাক্কবিবসে কযাদা ফজত্রবনো। নহাক্কী চুংশিমবা ঈশৈ অমত্তগা হাপচিল্লবদি অমুক্কা হেন্না ফজগনি হায়না খল্লি। ভক্ষাতোম্বীনা নোক্কিওবা থাওত্নুনা খুম্নি,—ইচেম্মা, ঐনবু করি ঈশৈ হৈরুগনি হায়বগে, ইচেম্মহোয়দি হৈরমগনি, অমত্তুম শকলিমু।

ইবেমা, ঐদি ইথৈ কাউমিবা কুইরেবে।
ঙ, হৈদি হৈরবা লাং ওইরে।
উম, এন্না অমদনি কারণি, অদুবু হৌজিক্তি, মুন্না, মরেক,—লোইনা কাউদ্রে।

চিত্রলেখাগী বাশিং অসি ভম্বাতোন্দদি অর্থ খঙবদা য়াবা লোন্নবনি, অদুনা ইচম-চম্না হংই—ইচেম্না, কমিমতহ নিঙশিংজ্রবরা।
নিঙশিংজ্রে, লোইনা কাউত্রে। খরা য়াংলপ তৌনা এথা অমুক ভারকই,—ভম্বাতোন নহনা, নপুরোইবগা কায়নরিবসি করি মরমদগীনো? ভম্বা-তোম্না খুদি,—হেন্না ইচেমমা, মহুগী য়াহু হৌদোকপিমকহু ইকাইহৈ,—মুপাহু থকমন্দহুনা ঐনা পামজদহুনা হন্নকপনি। ঐস্থু ইচেমদা বা অমত্তং হংগে শাউরোইজ্রা?
করিনী শাউরগে?
ইচেম্মনা ঙসি নি-নি হম্মিসি মওং অমা তৌরিসিবু করিগীনো, করম্বা য়াথল অমা তৌরবগে?
করি তৌরবগেনে?
হেন্না, ঙসি নি-নি, হম্মিসে, ইচেম্মনা তৌরিসে হাম্নগী কাইদা নত্তে, মীনা য়াংকহু তাবোই তাদবোই, হংই নাত্রা শেত্রানবগুম, করিনো'মা তৌরেদা।

ঐদি কৈহু তৌদবোই খম্নিনা, নহোয়না পংখন খনবা ওইরমদনিদা। অওইবমকহু মশাগী মাইথোংসি মিংশেন্দা য়েংজ্রবদি উদবগুম, চিত্র-লেখাহু মশাগী ওইরিবা খিবমহু মহাক্কদি খঙজদে। অদুবু ভম্বা-তোম্বীনা ইথঙ খঙনা হায়দোরক্রবসিদা মহাকহু ইকাইজ্রে। চিত্র-লেখাহক্তি থোইদোক্লা খনগে হায়না খন্নবগী বাদি নত্তে, খঙবনা কনখিবা বাখলশিংনি। চিত্রলেখা ভাওরকপগী জ্ঞান থংভা তারকল-ভম মহাক্লা খন্নুদিবা অত্তাওবা বাখলশিং অহু লাক্সে হায়না মতোমদা য়াউরে। অসিগুম্বা কাম্নবা বাখল্দা মুম্নহুনা মত্তম চঙনা শেংলোক-লবা ঐগী পুক্তিঙ, থমোইদে অমুক মাংহনবা মুমত্তে হায়না খাকই।

চিত্রলেখানা তুমিন্না লৈত্রবদা তন্কাজোম্বীনা অমুক হংই,—অওইবনি, ইচেম্মবু করীমতা থল্লনে? চিত্রলেখানা থৌশাদনা খুম্মী, —অওইব-নীনে থন্দেনে, ঐনা থনবা হায়ববু ঐখোইগী আশ্রমগী অমাং-অশাশীং অসিজনি। অমুক থওনীও নিওশিংলকপগুম্না, হায়রকই,—ও, রা অমা হায়লে, কাউনু কাউকরে।

ঐখোয়গীসিদা লাক্লম্বা ঐনা লাইরিক য়াম্না হৈ ইনাক খুন্নি হায়বা তুপীদো মহাক্কী মমা শীরে মঙগীদমক তুংঙাইতত্থুনা রাখল থরদি থন্নি। মখোয়সু মমা মচাদা লৈব ন শিবসু বৃন্দাবন্দা শিন্নিবনি। ও, ইচেম্মদো, মবুক মপাউ য়াম্না ফনা উইনে তুংশিদা হৌজিক্তি মতোমত্তা ভারবানিদো, তম্কাতোম্বীনা তুংশিনা শোল্লি।

অওইবমক্তি, চিত্রলেখানা খুম্মি, মহাকসি ইনাক খুন্নবসু অতৈঙ্গা মরল শওনবা লৈবা ইনাক খুনবত্থু নত্তে, অমরোমদা ঈশ্বরনা পীরম্নিবা মহাক্কী লল-থুম অসি মতিক চানা শিজিন্নত্থুনা অরেম্বদা মাঙহন্দবনি। হোয়রনে, ইচেম্মা ইনাকখনবা কযানা মরলত্থুদা শওবদা অহিং তুমদবা য়াওন্নি, চাকম থকক্রম থওদবা যাওন্নি, অমরোমদা হায়রবদি ঐখোয় করিসু লৈত্তদবসে ওন্থোক্না তুংঙাইজরে।

অসুম্না মবানি রারী শাবিঙৈদা গেট্টা গাড়ী অমা থাখিবসী মখোল তারম্মি। অনিমক কোম্থোওলোমদা মওক থাজত্তুনা য়েংনৈ। চিত্র-লেখানা খন্নি,— রীনাহোয লাকলমারে। অহুবু চওলকপদদি অহল ওইরবা রাজেশ্বর তপ্না-তপ্না চওলকই। রাজেশ্বর চওলকপা উবদা মখোয় অনিমক হৌগংলি, চিত্রলেখানা চওশিনখিত্থুনা রাজেশ্বরবু ওকলুরে অমসুং মমুঙদা পুশিল্লকই।

রাজেশ্বর অমসুং চিত্রলেখা হোৎলদা কমত্থুনা লৈহৌই, তমকাতোম্বীনা মমুঙদা চান-থরুবা পোং লৌথোকপা চওথি।

„রাজেশ্বরনা হংই,—আশ্রমগী থবক্তি করম্না চথল্লিবা? ঐদি লাক্লবা কুইরবনিনা ঈ-পাউসু কয়া তারে অহুগা রীনাহোয়গী পাউনা করি কমি তাবা?

মহাক চিঠি অমা থই, মচুনি মহোয় থবক লোইরে থোকপগনবনি হায়রকই।

ও, ময়ে ময়ে।

চিত্রলেখানা মথা অমুক তারকই, ।খুরা ইবুংঙো, ঐথোইগী আশ্রমদি থরা চাউথোকহনবা তারমাক্রে, মীসি নৈগে হ,য়রুনা লাকপা য়াম্রে, নৈনম শীবা ভগম্ছুনা অয়াম্বা হয়ম্রে।

অহুনদি আশ্রম অসি য়াম্না পাম্নরে অসিনিনে।

অহোয়।

য়াম্না ফবা য়ানি, মহাক্‌গী সুপীমচা অমনা হোৎনজহুনা অসিগুম্বা থাক্তা পূরকপা হায়বসি অয়ায়বা থবক নত্তে। ময়ম অহুনা মহাকনা তৌরিবা থবকশিং অসি থোইদোক্না থাগৎনিঙ্ঙাই ওইবা থবক্নি। মণিপুরদা ওসি ফাওবদা অসুম্না সেবা তৌনিঙবী সুপীমচাশিং থোইনা মশীং য়ামদ্রি, ইরৈবু নৈত্রি হায়বা য়াই। অহুনা মহাক্না লমজিং ওইহুনা অসিগুম্বা থবক থরা তৌরগা ভুংদা হৌরকপা নহারোলশিংসু মত্তৌ ঘম্নজরকনি। অচু ওইরবদি অকবা মী হায়বদি মীবু সেবা তৌজনিঙবা মী কয়ামরুম্ম চোংথোরকপা য়াই। চিত্রলেখানা নোক্লহুনা খুম্মি, অহোয় ঐসু মসোমদা থরজহুনা তৌজবনি, ঐনবু করি থঙজহুনা হৈজহুনা তৌরগবনো।

তমকাতোম্বী, চা কপ অনিগা জল অনিগা ট্রে অমদা হাপ্তুনা পুথোরকই, মথোয় অনিগী মরক্তা থারিবা টেবল মচা অমদা থম্মি। তমকাতোম্বীবু তাক্লহুনা চিত্রলেখানা হায়রকই,—খুরা ইবুংঙো, মসিগী সুপীমচাসে মরায়বক থীরবী সুপীমচানি, ঐনা সুংশিজহুনা মহাকপু য়োক-পিবদগী হৌভিক্তি মহাক য়াম্না ময়ম ওকপী অকবি সুপী মচা অমা ওইরে। তমকাতোম্বী, মহাকপু থাগৎপা তাবদা ইকাইবোই হয়াওবোই তৌহুনা মরু লূকথয়গা সুং হন্দুনা চৎত্রে। য়াজেশ্বরসু চিত্রলেখানা শাংজিবা য়াশিং অচু মুয়া তারি। অনিমক চাহু থকই, থম্মা অমুক চিক। চিত্রলেখানা অমুক মথা শমথরকই,—খুরা ইবুংঙো ঐনা মতম

থরো অমম্বার ম্বানিনা নৈনবকী থঙনা ওন্দি মহুদি মীনি ল্লিংখিনা পোক্লিরবদি পোয়া য়ায়া য়াদ্রে।

অদুবনি ইবেন্মা, রাজেশ্বরনা থবায় য়াওনা খুন্দি,—অদুনসু ভারতকী লুচিংবা কয়ানা মী হাম্বা অাং অসি কৈ হায়না লৌহুনা অকনবা লম্বীদা চিংশিন্নবা হোংনরম্বিবনি। মহাত্মাজী মশাক্না সেবা গ্রামদা মী কয়া য়াম্না শেম্নগৎ-লবদ্রে। ঐখোয়গী আশ্রম অসি কিদ্মকম ওইবা সংস্থান অমা ওইহনবা য়াদে।

মহুমক্তি ঐনা কন্না থজন্নিবহু।

চিত্রলেখানা, রাজেশ্বরবু আশ্রমগী মওং মতৌ অমস্তুং মখোয়না শেমগৎ-চরিবশিংহু য়েংহন্নিঙহুনা মহাকপু পুহুনা আশ্রমগী মায়কৈ থুংনা কোয়-হুনা য়েংহল্লি। ইংখোলগী চিদাইদা শম্বল মনাক্তা পুংভোল পামবী পরেং, নাশপত্তি পামবী পরেং, মচি অমদা কোপি, আলু; মরোক, মরোই, হজাম, শম্না হায়রবদা মকম খুদিংগী অহাংবা অমত্তা লৈত্তে এহাং নাপী মহয়-মরোং, লৈ-শূ জাং গুনা হোৌরি। মহু পুমনমক য়েংলগা রাজে-শ্বরহু পুক্নিঙনা মুংঙাইরবা ঈম্নাং অমা হোৌরকই, মহুগা লোয়ননা মপু-ক্নিঙদা চিত্রলেখাবু থাগত্তনা লৈবা ওমখিদে।

রাজেশ্বরনা হংই,—মরাম অসিদি আশ্রমগী মৌশিংনা থাব্রিত্রা ?

মাল্লি।

য়াম্না কপ্রে, আশ্রমগী লৈতেংস্থ ওইবা অহুগা শেল লাকবমহু ওইরা। অহোয়, খুন্না ইবুংঙো, মসি নত্রবদি অমুক য়াবা থমচত্তি কময়া পুগনি। চুন্মি, ইবেন্মা, মহুমক তৌগদবনি, মী খুদিংমক অসি মাগী মাগী মখো মশক থঙহনগদবনি।

চিত্রলেখানা নোমুক্না হায়রকই,— পুম্নমক অসিগী মরাদি মীনানি, মহাকী পুক্নুক চাউনগী অমুক চাউবা থকক অসি পাঙথোকপা ঙাম্নিবনি। অদুনা মহাকী মথিঙদি মুংলময়োইদবনি। অদুবু থোইদোক্না মুংঙাইতবদি মহাকী পুক্নিঙী অতাবী অমা থঙত্রিডৌদা মমাশিজা লৈখিদবসিদি থমদং পেলে।

রাজেশ্বরসু মরম ওইবদি রীনাগী মরমদা রা থবা তাবগে লাকপানি মরম অহুনা মথানি আশ্রম য়েংবা লোইরহুনা হন্নিল্লরুগা মহাক্না হৌদোরকই,— ঐহু বহুগী মথমদা থবা অমসি হায়রহুনা লাক্লিবনি। মপা মমানা মহাকপু ঐঙোন্দা শিন্নরম্লবনি অহুনা ঐনা মহাকীদমক তৌবা য়াবা থবদি তৌবনা চুম্মী।

করি তৌসি হায়রবগে?

থোইদোক্না লুবা য়াবুদি নত্তে, ঐনত্তবু মঙোন্দা হায়বা য়াদবগী তৌবনি।

মহাকসু লাক্লগনি হায়রেদনা।

অহোয়।

অহু ওইরবদি মহাক লাক্লগা ময়ুম মকৈ পান্নবগী মওং অমা তৌবা ঙমরে, নত্রবদি মতোমদা ময়ুম লেপ্পা কয়া খুদোং চারোই।

অচুম্বনি, অহুবু বরবু ..?

মহুগীদমক করিস্ম য়ারুগসু লৈরে, ঐনা থিহুনা মহাক্না চপ মান্নবা শিন-ক্ষমগী মী অমা থন্দুনা থম্নবনি, মগাকনা লাক্লগা অমুক্রং হংউ। ঐনা পাম্মি হায়হুনসু মশাগী রা অমদি লৌদবা য়াদে।

ক্ষগনি অহুবু মীশকুদি অমুক্রং - ।

মীশকু হৌজিক হায়হুনা কান্নদে, হয়েং মতমহু ওইরগা হায়গে, মহাকী মপুক্না হংথো।

য়াম্না ক্ষগনি, মহাক লাক্লগা হংজগে।

শোয়বা য়াদেকো।

শোয়জরোই।

রাজেশ্বর মহাকনা হায়গদবা য়াসু লোইরে, আশ্রমসু য়েংলে, মহাকী মথা চথনিঙতাই থবক থোইদোকপা লৈত্রবদা চংলগে হায়হুনা হৌগৎ-লক্লে। চিত্রলেখানা গেট কাওবা থিন্দোক্লগা মহাকসু লৈত্তৌরে রাজে-শ্বরসু চম্রে।

চিত্রলেখানা মুমিদাং অহু ক্ষমুঙদা থম্মি,—কনাগুম্বা রাজেশ্বরনা রীনাগী বয় লৈরে হায়বসিবো। রীনামবু সুরেশ থাদোকুনা কনা-দা

য়ারকনৌরিবা.-- মমাদা মশক তাকলবনী বৃন্দাবন কাওবা চৎথিবগুম্বগিদা। ওক্ত্রোকপা হায়রবচুনি খওদবা হায়রগিন্নু। মী অমবা হায়রিবনি, অতুম্বা মথক্কী অচন্বা মীনু নত্তে. ঐখোয় খ্বাইদগী অক-কপ্প পুন্নমক তাখোক-তাশিন কৌনরিবা, ঐখোয়বু অকবা লন্দীদা চিংথিরিবা, মীনি, অতুনা মহাক্কী হায়রবশিনা হায়নবদি য়াদে অতুগা মীনানা য়ারকনি হায়বগিদি খাজবা য়াম্না য়াংলি। রাখল অসি ওহাকী য়াদি, চিত্রলেখাগী মরু ওইবা রাখলদি আশ্রমবু অতুনা অরোইবদা তাথি,- মীনা লাক্লগা আশ্রম চাউ-খোকহনবা, মুংচাইরবা রাখল অসিগা লোয়ননা নিংশিংবা লৈজনা মপুং ফানা পোথাগ্রে।

(৩১)

সন্ন্যাসী মতম্বি, আশ্রম পুন্নমক পুমচিক চিকগ্রে। জীব অমত্তা লৈত্তবগুম তৌগ্রে। উচেক বায়া কাওবা অচিকপা থুগাইগনি কিবদগী মকোক্নদা লেপখিগ্রে। অচিকপা মরক অসিদা মনম হুংশিন্নবা যাচন্দন, ধুপ,-বত্তী মনম নাম্লকে মথি শীংলগ্রে; মহাক লৈরগা অচিকপা থুগাইহনা হরে কৃষ্ণ, হরে রাম, রাম রাম হরে হরে, হায়না মখিলাগা লোয়নবা খোজেলনা আশ্রম পুন্নমক অহু পুমনিন অমুক নিনগ্রে। মুমিন্না লৈরবা পোথি চেক্লাশিংমু মকোক্নদগী মরক মুখে খিদোক্লগা। মপুগী গুণ শকপদা য়াওরি। অপা হুয়া মালওবনা

লৈরাংগী লৈনম পুরক্লুনা মপুগী থুরাদা কংলরি। আশ্রমগী জীব পুন্নমক মাম শোনবদা চাওনরি। চুমিং থুদিংগী অমুক অমসুং চুমি-দাংদা প্রার্থনা সভা কয় হাপ্নবদি আশ্রম অসিগী নিয়মনি। প্রার্থনা সভা অসি লোইরগা পুক্লিংগী নিয়ম নীতিগী মরীদা চিত্রলেখানা ময়ামদা পাউজাক পীবা, মহু লোইরগা, লাইরিক লাইরিক থর। নৈনবা পান্বা কাঙবুনা নৈনবগী থবক তৌবা, পানিঙবা মীশিংনা ধর্ম্ম গ্রন্থ হায়-বদি মহাভারতনচিংবা পাবা অসিনি। অহুগা চাক থোংনবগীদি চুমিং থুদিংগী পাদি নাইনা মী অনি নত্রগা অহুম। থোংই। মদুগী শীল-লাঙবনা অশংবীনি।

চিত্রলেখাগী প্রার্থনা সভা লোইরগদি কনাগুম্বীশিংনা করিগুম্বা হীরম থরদা নৈনসি হায়রগা সভাগী হোলদা ফমছুনা নৈনবনি নত্রবদি মহাক্তীদি লাইরিক লাইগু পাবনা অথোইবা মথৌনি। মহাকসি লাইরিক লাইগুগী অরাংবা থাক্তী ডিগ্রি পায়জবদি নত্তে, অহুবু মশা মতোমতনা পাজবা কনবদগী ধর্ম্ম গ্রন্থ অমসুং সমাজ সেবাগী মরমদদি মপূংফানা জ্ঞান লৈরবীনি হায়বা য়াই। মতুঙগী মহাক্তী থৌরাংদি নারী আশ্রমগী থাগী ওইবা চেকোঙ অমা ফাওবা কোঙগে হায়বসিনি।

ঙসাই প্রার্থনা সভা তৌরিঙৈদা আশ্রমগী গেটলোমদা ডান্নবা গাড়ী থাউমৈ অমা উখি। থাউমৈচু গেট য়ৌবদা অহুম মুংখ্রে। চিত্রলেখাসু লেঙবা য়াত্রহুনা প্রার্থনা সভাদা অহুম ফমথিবদগী মহুগী মরমদা অমুক অহুবা তৌত্রে।

রীনা অমসুং সুরেশ ওরাংতা বৃন্দাবনগী থোরক্লি। রীনাগীসি হৈক থোরকপগা চিত্রলেখাগা উরদবা য়াদবনি, মরমদি মহাক্তী অরা-তুংংডাইবগী মতম শাথবসি চিত্রলেখাননি। অহুনা থুংলবগী মোংঙাক্লগা চুমিদাংবাই-গুমনা সুরেশকা লোয়ননা আশ্রমদা লাকখিবনি।
গেট য়ৌরগা রীনা অমসুং সুরেশ অনিমক গাড়ীদগী কুমথরগা

আশ্রামলোমবা চঙশিল্লকই। মখোয় অনিনা চঙলকপা মতম অতুমখুদা ময়াম পুন্নমক তুমিন-তুমিন্না খুক খুদক কুল্লহুনা ধ্যান তৌবগী ককপা লৈরি। মতৌ অতু উবদা মখোয় অনিগী থম্মোইদসু হায়ঙমল্লবা লেং-লবা রাখলগী ইথক, অমা হৌগ্রে। অনিমক রা অমতা ঙাংনদনা তুমিন তুমিন্না লেপ্লুম্মা লৈ। মমাঙগী পুখ্রিচুগা প্রার্থনা সন্তাগী হোৎলদুনা কনা য়াম্না খাগরি, খোঞ্জেলমথৈ তারবতু মশক্তি অমদগনিদা উবা ফংদে। মখোয় অনিদি মপান্দগী য়েংবদা অতুম উই অতুগা। মমুংদগীদি মখোয়বু উবা ফংদে। মখোয় অনিস্থ পুখ্রিগী শিঙ্গা অহুগী মাকল নাম-নামদা কয়হুনা আশ্রমগী পুন্সিহু মুন্না য়েংলি।

প্রার্থনা লোইরবদা চিত্রলেখানা ময়'মদা মহাক্কী নীতীগী ঙাংবা হৌনবা রাঙাং ঙাংলকই। ঙসি মহাক্না ঙাংলিবসি মীওইবনা চংকদবা ধর্মগী মরীদনি। মহাক্না হায়রকই,—মীওইবনা ধর্ম হায়না তান্নরিবসি লাই শোনবা নত্তে, লাই শোঙ্গগা ঈশ্বর ফংগদবা নত্তে। ঐখোয়না ঈশ্বর ফংগে নিঙলবদি,—অচুম্বা থবক তৌগদবনি, অচুম্বা রা ঙাংগদবনি, অচুম্বা পুক-চেল চেনগদবনি, মরমদি ঈশ্বর হায়বসি অচুম্বগী মশক্তি। অচুম্বা ঈশ্বরবা ঐবু চানবিসহু হায়না নিঙলবদি মহাক্না মচা ওইরিবা জীব পুম্নমক অসিবু ফুংশিগদবনি। 'ঐগী' হায়বা রাখল অসি মতমলৈবাখিদিঙ্গা থাদোক্কদবনি, মরমদি 'ঐগী' হায়বা পিকপ্রবা রাখল অসিদা লৈশিন্দুনা লৈগ্রবা মহাক অতুদি কৈদৌঙ্গুংদা মঁগী কান্নবা তৌবা ঙম্ররোই, মশাদগী হেন্না অতোপ্পা মী অমবু ফুংশিবসু ঙম্মরোই, অতু ওইরবদি মহাক অতু ঈশ্বরগী মকমদগী লাপ্পা লৈবা তারবনি। চিত্রলেখাগী রাসি মখোয় অনিমক মুন্না তারগা মতম অমতদা চপ মান্নমা পুক্লিঙদা ফাওথি,—মহাক অসি অচম্বা মী নত্তে, অচুম্বা জ্ঞানগী মঙাল ফংলবীনি। ঐখোয়না মহাক্না বারী শাগনি হায়দুনা লাক্লিবসি অময়োমদা থল্লুরবদি ইকাইবা য়াবা রাফম্নি। মহাক অসিদি অশেংনমক পুন্সিবু মশাক মুন্না থঙলবা মীওই ওইনা তৌরে। আশ্রমগী

অনিরুদ্ধনা শেংলবা মতৌ অসি উবদা রীনা অমসুং তুরেল অনিরুদ্ধ মখুৎ-নিঙদা হন্দোকপা পোকখি। ওসিগীদি খোইরোকপা খং-নৈনবগী হাকচাং হৌরোরক্লবদা, চিত্ৰলেখাসু লেনটন অমা পাররমহুনা মহাক্কী কাদা চৎলগে হাররকপদা খোয়কপদা উরে,—পুত্ৰি মপান্দা মী অমি কমহুনা লৈবা। মখোয় অমি উবদা ওসাই মতাক্না উখিবা গাড়ীগী মৈওাল অমু থংনিঙ নিঙশিংলক্লে।

চিত্ৰলেখানা থাউমে পাররহুনা খোয়কপা উবদা মখোয় অনিরু দেহাক্না উরবা য়ারে হায়রহুনা মহাক্কী মতুঙ ইরম্লকই। তুংলোমদগী হাররকই,—আশ্রমগী থবক লোইরম্রা উরবা য়ারম্রা? চিত্ৰলেখানা খংলম্না খুম্মি,—হৈমা, কয়া কুইরবগে লাকপা, ঐনা ওসাই মৈওাল অমা উখি হায়রবহ-নিনে। ওসাইনা চঙলকপদি করি তৌবগে, অরেম্বদা কয়া কুইনা কম্লে। ঐখোয় চঙশিন্দুনা আশ্রমগী লাইনিঙ কায়রবদি। —মহুগী পাপ পুবা ঙম্মরোই, রীনানা খুম্মি।
লাইনিঙ কায়রবদি হায়রুগম্বু, লাকপিরিবসি লাইবক্তুম কৰনি, চিত্ৰলেখানা খুকই।
মুরেপ্পনা মথা শমথরকই ঐদি ওসিদমক উরি, আশ্রমগী তৌরিবা মঙং অসিদি ওথোক্না ফজনা চৎথরে, অসুম্না তৌরবদি কম্মরবা অশেংবা লম্বান অমা শোয়দনা ওইরগনি।
কুইনীদমক্তনি ঐনা কয়া হোৎনবসু।
শোয়দনা মহয় য়ারগনি।

মখোয় অহুম তুংথ-মাঙথা রারী শাহুনা লাকখিরবনা চিত্ৰলেখাগী মুং অনোমদা চঙশিন্নক্লে। মগাকীসু পিকতক, তৌরা খা, মচা অমাদি মী লাহুগা কয়নবা লৈরি। মরামগীদমক্তদি কক শিজিন্নরবসু মহাক্কী মরুমুদ খা অহুনদি চৌকি, মোরা অমা অদিদি থারি। মখোয় অনিরু কমহননগা চিত্ৰলেখানা মখোয়গী চা-থক্লবগী রা হায়গে হায়হুনা

তম্বাখীগী মনাক্তা চঙ্গ্রে। মতম অদুদা তম্বাতোম্বীসু চাকশঙদা এহোং-নাপী শেন্নবগী ইলাঙ-লাঙদুনা লৈরম্মি। চিত্ৰলেখা উবদা মখিং মনা ইথক থক্লদুনা করিগীনো হায়দুনা চেনশিল্লকই। চিত্ৰলেখানা মী অনিগী চা অমম্তুং চানবা পুরকউ, হায়রম্লগা থোকপ্রে।

চিত্ৰলেখা হল্লক্তুনা মখোয় অহুম অমুক কম্মিরদুনা য়ারী শান্নিরে। রীনানা হান্না হৌরকই,—ঐগা নহাক চক্রিঙৌদা ঙাংনখিরা রা অতুলী-দমক তায়সি লাকপনি। মত য়ান্না থুনা লোইশিন্নবা য়াপ্রে। চিত্ৰলেখাসু মাগী মত পীরকই,- ঐগীবু দ হুয়েংমক লোইশিনবা পাম্রবনি, নহাক্না চক্রিঙৌদগী হৌনা হায়রবদুদি। অদুবু নহাক্না থুনা য়াওশিল্লক্লিবুসিবু মতু লোইরগা করিগুম্বা অচৌবা থবক অমা পাঙথোক্লদৌরিব্রা? সুরেশনা মরক থংলকই,—কম্নিনোনে নবানিনা হায়নম্নিবদুবো।

সুরেশ বাবু তাবিব্রিবোরে।

তাব্রিনে।

রীনাদা আশ্রমগী য়ুম অমতংগা শাবিযু হায়বনি।

মদুদি য়ান্না কৈনা,—'শুভস্য শিঘ্রম', হায়বা 'মা লৈবনি। অদুগা ইমাশিনা মন্দির কংকে হায়রম্বদুগা চাননবা মহাক্কী মিং থোক্লগা য়ারেদনা। এ. মেরোকাসু য়ান্না হৈরিপোংনিনা, রীনানা ফাগি তৌই। মতম অসিদা তম্বাতোম্বী চা কপ অহুমগা চাননবা পোং থরগা পুশিল্লকই, ময়ায়দা থারিবা টেবল মচা অদুদা থম্মি। চিত্ৰলেখানা মাগী শরক্তি পুপ্রো চারমোই হায়রকই। রীনানা করিগীনো হংই। চিত্ৰলেখানা থুম্মি—

ঙসিদি বর্তনি।

করিগী বর্ত?

একাদশী, পূর্ণিমা, থাসি, মসি ঐহাক বর্ত তৌই। ঙসিদি একাদশীনি অদুনা বর্ত মুমিংনী।

চিত্ৰলেখাগী রা-ঙাং অসীদা মথোয় অনিসু চাপদবা হক্লোইরল তৌরে। মতো অদু উরদুনা চীত্ৰলেখানা ইনশিল্লি, চা থকউ, ঐতবু বর্ত

তৌরবদী, তৌরোই হায়বনু, য়াবনী, অদুদা চরা হেনবসী হকচাংনু, থবা মুংতাই অদুনা তৌবনি। ঙহাক্তং অদুদি মথোয় অনিমু রা অমতা ঙাংবনা তুমিন্না কপ্পি। চাকবদি কজত্রে হায়দুনা মথোয় অনিমু চাদু থবা থকপোই এঙ্গেলোই তৌরগা থত্রে চানবদু থজিত্তং শোক্লগা পত্রে। চিত্রলেখানা চাউ, থকউ, হায়দুনা কনা য়াম্না তক্কে অদুবু মথোয় অনিমু খোইদোক্লা থবায় য়াওত্রে। মমৈথংদা চিত্রলেখানা রৌনাগা হাজনী বারী অদু অমুক হৌরকলে,—করে, অদুদি থা অমগী মতুংদা লোইমবা শারগদি অদুগা খুদা ইবুংঙো রাজেশ্বরগদি তান্নরক্রা? রাজেশ্বরগী রা পল্লকপদা মহাক্না লোংমা রৌনাগী মরীদা হায়রবা বাদু নিঙশিংলকই, অদুবু তাজা চাদে হায়দুনা হৌদোক্লে।

ঙ, পাবুংগদি তান্নক্রি, অদুবু মহাকমু য়ারকনি।

অদুদি শাবগী থবক্তু মঙোন্দা অদুম শিন্নবা য়ারেদনা।

য়াই।

সুরেশ ঙসাই মথৈ, মথোয় অনিগী বাদু তুমিন্না তারি, মচীনথোক্লা মহাক্কী অক কত্তা মত্তি গীদে অদুগা মপুক্কিঙদদি থল্লি,—করিগীনো মথোয়না অমা তৌরে রাজেশ্বর, অমা তৌরে রাজেশ্বর হায়দুনা তান্নক্লিবসিবো। করিগীনো রৌনানা মহাক্কী অসিগুম্বা অরুবা মতাঙদা ঐ-ক্তোন্দা হায়ক্লিবসিনা—ঐবু থাজদদুনা তৌরিত্রা নত্রগা থবক ঙম্মোই হায়দুনা খল্লিবরা! অমুকমু খল্লি, তৌজসমু, হৌজিক্তি ঐনা মপুং কানা খুং থিংজিনবা, য়াজি, কনানা খঙগনি,—মহাক্কী মগাগা চপ মান্নবা নৈবা মী ওইরম্লবদি, তৌবগীদি রাজেশ্বরদু য়েংবদা কন্নবদি উদে, অকবা মী মাল্লি। আশ্রম অসিমু মহাক্না শীল লাঙদুনা শাবনি হায় অদুনদি মহাকসি রৌনাগীদমক্তদি য়াইকনবা থনবা মী ওইরম্লা তাই। সুরেশনা রা অমতা ঙাংদনা তুমিন্না নৈবা উরবদা রৌনান্দ্র য়ুরই,—নঙগী মত্তি করিনো?

ঐদি করিদু হায়রে, শারো হায়বনি।

নত্তে, শাৎনী থবক পানুং মাজেশ্বরদা শিরসি হায়বসিবু কমি হায়না।
কৈনে, অহন অমবা তৌবা হায়বহুনা শোয়রেদনা।
চিত্রলেখানা লোইশিন্নকই,—করে, অহুদি শাক্লিবা পূর্ণিমা অসিদা থাজা হন্নবা তৌরসি, অহুগা থুমা ইবুংঙোহুদি মহাক্না অহুম উম্নহুনা ঙাংনরো।

করে, ঙসি নোংমা নিনি 'সিগী মহুত্তদা উম্নগে, হায়মগা মীনা অমম্নুং সুরেশ অনিমক চৎলগে হায়হুনা হৌগংলক্নে। চিত্রলেখাম্ন অহুদি থিন্দোক্লরোই চৎলো হায়হুনা হৌগংলগা লৈহোরে। মখোয় অনিম্ন গাড়ী তোংখত্তুনা চৎখ্রে।

মখোয় অনি চৎখ্রবা তুংদা চিত্রলেখানা, মহাকী নিজিগী থবক হায়বদি লাইরিক লাইগু পাবদা পুক্নিঙ চঙহুনা লৈখ্রে।

লম্বীদা মীনানা হায়রকই,—চিত্রলেখাসিদি য়ায়রোই মহাক্নী পুন্সিসি অম্নুম্না লেম্নগনি। মহাক্না তৌম্নিবা মওং কাইদা অসিদা ঐগুম্বা মীচন অমনা তৌবা ওম্বা থবক অমত্তা নত্ত্রে, মহাকীসিদি অচেৎপা পুক্নিঙ অমম্নুং অনিঙবা অমগা লোয়ননা তৌত্রবনি, য়ায়া করে, মী অমনা পাক তৌবা ওমদবা থবকপু মহাক্না কননা তৌত্রে, মহাকী পুন্সিসি মহয় য়াম্নবনি হায়বা য়ারে। ঐম্ন থাগৎনিঙ্ঙি, সুরেশনা গাড়ী থৌনা থৌনা খুম্মি, মহাকুম্বী অনি অহমদং ওয়বদি মৈত্রবাকী চাউথোকচক্নম ওইগনি।
অহুবু মত্তাঙ অসিদা ঐনা য়া অমত্তংগা হায়নিঙ্ঙি।
করিনো ?
নরেশকা মহাকগী মরীসিবু অমুক শমজিন্নবা য়ায়রোইজ্রা ?
কদাইদগী, ঐ মহু কয়া থাজখ্রে, হৌজিককী মহাক্না থজিবা রাখল অমম্নুং তৌম্নিবা মওং অসিদা মহাক্না মাইকৈ অদোমকা পুক্নিঙ চঙনমগনি হায়বহু মত্তৌ কয়া মাত্রে। অহুগা নরেশকীম্ন মহাক্না মুগী থিজবহুনা

য়াও। কায়রে। অমুয়োমদা নরেশতি হৌজিক অনিমক্তী নিঙ্ঙমলা মৈচাক ফংলগনি। সুরেশন্থু থরায় য়াওনা খুম্মি,– নরেশনদি চিত্রলেখাবু হৌজিক ফাওবা কাউদবা মাল্লি।

করম্না ?

মহাক্না পীরকপা চিঠি অমদা চিত্রলেখাগী মরীদা থম্না পল্লকপগুম তৌখি।

হোয়, মহাক্নদি থল্লখা য়াই, চিত্রলেখানদি য়াররোই। মীনানা অমুকন্থু মথা তারকই,– য়েংউ সুরেশ চিত্রলেখাগী মওং অসিদবু মুপীশিংবু করম্না পাজল শোনবীনি হায়গদৌরিবনো!

সুরেশনা নোক্তুনা খুম্মি,—মত্থবু নহাকন্থু হৌজিক ফাওবা থাজরিব্রা? মত্নদি থাইনগী পঙলিঙৈগী, জ্ঞানগী মঙাল ফংদ্রিঙৈগী রানি, হৌজিকী সমাজ অসিদি মুপী মুপা থোইদোক্না খেন্নবা লৈত্রেনা, খুদোং চাবা দপ ময়ান্না ফংলেনা। নহোয়না হেন্না থঙলিগনি আইনগী মমীত্তা মুপীগা মুপাগা করী খেন্নবা লৈরবিগে।

হোয়, অত্থদি মহায় অত্থবু ... .. ।

য়ানিঙঙত্রনে ?

মসি চাঁম্না হায়বগী রা ওইনা তৌই, পুক্নিঙগী রাথন্দি ইহোং হোংদবগুম উই। মতমগী মতুঙইন্না মশানা অত্থম হোংজরকনি।

লেপ্তুনা লাকপা গাড়ীনিনা ফনা য়াম্না য়ৌশিনক্রে, কনা-না হান্না চৎকদগে হায়বগী মতাঙ অমা থন্নবা তারকই। ওসিদি সুরেশকী গাড়ী য়াওরক্তবনা মীনানা থিনবা তারবনি, অত্থই। খুদোং চাক্রবদ্রি কোরেল মতোমদা হন্নকপা অত্থনি। অত্থনদি মীনাবু হান্না থিন্নুকপা ড্রাইভরনা সুরেশপু অমুক থিনবা তারে। মরম অক্তুনা মীনাহোয়রোমদা গাড়ী থোমক্রে।

মীনাহোয় য়ৌরবদা মীনা কুমথরে. সুরেশতি থেঙলে হান্নহুনা কুমথক্রে মীনামা ড্রাইভর কৌরগা সুরেশপু থিলহনখ্রে। সুরেশ চুকপ অমা ফম্মি, ড্রাইভরন্থু অমা পী। মখোয় অনিদা চৎমিন্নবদা রা

অমা কাওবা তাংনরবদি চুংডাইজবনিনা, সুরেশনা হায়রা যৌই :—
কয়া কুইবিরবগে মুম অনিদা লৈরিবা ?
চহী অয়ারোম ওজরে ।

ইস অহুদি য়ায়া কুইরবা পোংনিনা । অনবতি কয়া ওইরবনো ?
অনবকী বাদি থোইনবু থরগ্রে, ইমুঙ-মচুঙ ওইনা অমুন লৈরবদিনা ওল্লিবমথৈ অহুম পীরে ।

৩ ।

ঐখোয়গী ইবেম্মা য়াইনবীসি অথৈ ইনাক খুনবীশিংগা মায়কে মীগী লৈঙ-লায়রা য়ায়া থওডি, অহুনা মাবু থাদোক্‌না চংগা ওমরিবনি, হায়রগা ফ্রাইডরহনা চুকপতু অমুক শাংবা চিংই ।

ফ্রাইডরসি মীয়ায় চল্লে, য়ীনাহোয়দা মহাকা লৈরকপসিনু থয়াল হোয়গা য়ায়া হায়বা নত্তে । গমভিনীশিংগী অওকপা শুপ অমদি মপোং মচৈ য়ায়া চেকশিংরবনু মচা মনাইদদি থোইদোক্লা লিকশিংনে অহুনা মখোয়দা লৈরিবা মীশিং অহুনা মখোয়বু থাদোক্‌না থক চংনিঙনে অহুরী মখক্তা য়ীনাগী লমচং ব্যবহারনগা কজবনিনা লৈরিবা মীশিং অহু মখোয়গী ইমুঙওয়া থম্মুনা অক্তম মরৈ ।

সুরেশকী মমুম য়ৌরবদা মহাক কুমথহোৌরগা, ফ্রাইডর হনগ্রে ।

সুরেশনা চৎথিহনা ঈসিং গ্লাস অমা লৌরদে। ঈশিংদু যদুনা অমুক্তদা লোইনা থক্তোক্রে। অদুগা অমুক হিপখ্রে। সুরেশনা কান্নরোই হায়দুনা অমুক চৎখ্রগা ঈশিং থন্না পুরক্তুনা মকোক্তা অমুক য়েবিরে। হৌজিক্কি যদু জ্ঞান থরা থরা লাক্রে। মমিৎ অদু পাঙথোরক্রে। যদুনা সুরেশপু উবমক্তদা ইঙক ওকখ্রে, করম্না মহাক্কা মফম অসিদা লৈরম্লিবা যদু হৌজিক কাওবা যুম অদু সুরেশকী মযুমনি হায়বা থওজ্রি। মহাক্কা থম্লি, মফম ঃদুমক মহাকী থককমদুনি মরম অদুনা যদুনা সুরেশতা ওক্লা হংই,— শুরেশ বাবু, করম্না মফম অসিদা . . । সুরেশ কাইকেক্তং লোক্লগা,— যদু ভাব ভারো, মফম অসি বাবুনা থল্লিবা মফমদু নত্তে, ঐগী যুমনি। মহু ভাবদা যদু অমুক্তা হেন্না ওকখ্রে, হংই,—করম্না? সুরেশনা থোক্কথিবা থৌদোক্কী ৱারীদু অমত্তা চিথদনা পীরে। যদু যুম্না ভারে, থরা মগী অমত্তং শাংনা হোল্লগা তুমিন্না লৈখ্রে।

সুরেশনা যদুগী ওইস্লিবা পুক্তিগী এওং অদু থঙলদুনা মথা ভাবা হা হায়রমকই, যদু বাবু, মীওইবা হায়বসি করিগুম্বা থবক অমা তৌরবদি

থুংজহনবনি. অমরোমদা থবক য়াওনবা পূন্দি হায়বসি পোশাকমসু খঙগে, সম্রাজনস্ মহাকপু মী ওইনা লৌবিগে. শম্রা হায়রবদা কাম্রবা মখল য়াওনবা মীনি হায়না লৌই। অদুনা হৌজিক ঐনা যদু বাবুদা হায়নিঙলিবদি থবক অমা তৌবিয়ু অসিনি। যদুনা বাখল মুম্রা তৌরগা মরু লুকথনা থুম্নকই,—হৌজিকপু ঐনা কদাইদা করি থবক তৌরগদগে, কনা না ঐবু থাজবিগদগে, করিগুম্বা মরুমদস্ ঐগী চঙজকম খংগনি হায়রবদি ঐহাক থাজবা ওমদে।

ও, মদুগীদি করি'মতা চিংনবিগনু, বাবুগী পুক্লিঙতা লেপ্পিয়ু।

ওসিগী থোদোক আসনা ঐগী পুক্নিবু ওন্থোকহল্লে—অওইবনি। অদু ওইরবদি ওসিদগী হৌনা ঐগী কারখানাদা য়াওবিরো।

যদুনা মরু লুকথরদুনা ইকাইনা খুম্নি,- সুরেশ বাবু, নঙোন্দা ঐনা ওৎপসিদি কনা য়ামনা ওৎপ্রবনি, অদুবু ওসি কাওবা নহাক্না ঐবু মরুপ অমনি হায়না থনবিদুনা নরকী কোমদগী চিংথৎপিরিবা অসিগী মমনবু কয়মনা শিংসিগে সুরেশনা নোক্লদুনা মথা অমুক তারকখি;—যদু বাবু ঐগী তৌবিমল শিংবিগে হায়রবদি ঐ করিগুম্বা অমতং হায়জগে য়াম্বিগদ্রা?

করিনো, য়াম্রোইদবা নৈতে।

অদুদি ওসিদগী হৌনা য়ু থকপা তোকপিরো।

হে সত্য, সত্যনা সাক্ষি ওইগ্রসনু ওসিদগী ঐহাক য়ু থকপা তোক্লগনি। যদুনা অসুমনা রাশক্নুনা য়ু থকপা তোক্লগনি হায়রবদা সুরেশ য়ামনা নুংঙাইরে অমসুং থাগৎলকই, অদুনিদনা মরুপ, মুপা মচা হায়বসিদি তোক্লগে হায়বা মতমদা তেক্কা তোকদবনি, থবকীদমক করি'মতা চিংনবিগনু ঐনা হৈস্ হৈহনগনি অদুগা রাস্তনবত্ত হোৎনগনি। অদুগা মরু ওইনা হায়নিঙবা অমদি মপাল ইপাল তোয়নদি থোক্পা য়াদে, চংলবত্ত ঐথোয় ময়াম চুৎমিল্লগদবনি। যদুসু সুরেশনা হায়রিবশিং অদুদা য়ানিঙলে।

মতুঙদা সুরেশনা চাক্তী থৌরাং তৌরদুনা মহুবু চাক পীজরে। মহুদু চাক চাবা লোইরগা মপাদু টক্তেক তেকই হুংঙাইহক্তে হায়রদুনা মহাক্তং পোথারি। তৌজিক মহাক কদনা ভাব তারে, ওজননা কয়া মাঙবগে হায়বনে। মহাক্না শাওবিভৈদা থাইদগী তেন্না অকবনি হায়না খন্দুনা তৌবগা থবকশিং অদু তৌজিক ভাব তারবা মতম অসিদদি থাইদগী হেন্না কত্তবা থবক ওইরম্নে। মহাক্না নহালমখৈ তৌরম্বিবা থবকশিং অদুগীদমক মতৌমদা ইকাইজৈ অমম্তুং নিঙশিংদবা পোকই। মমল য়াম্রবা মতম কয়া অরেমদা মাঙহনখিবদুগীদমক্তা হুংঙাইজবা পোকই অমদুং করম্না শিংগৎসিগে খল্লি লোয়ননা সুরেশপু ঈশ্বরমক্না থারক্লবা মহাকপু কনবিনবা মীনি হায়না লৌদবা ঙমদে। মসিদগীদি সুরেশনা হায়বতা তৌগনি, হায়বসিনা মহুগী অরেম্না মাখল ওইরে।

হুমিদাংবাইরম ওইশিল্লকুবদা সুরেশনা মহুগা লোয়ননা কারখানাদা থোর-ক্লগা, মহুব মহাদুরদা শিল্লবে, থুম্না, মহু বাবুসি থুমাগী থুতা শিল্লক-ঙবনি, ঐগী মরুপ অসি মী ওইনবা থুমানা শেম্বিয়ু। মহাদুমনা মহুদা মুন্না য়েংলগা থুম্মি,—ঐগীবুদি ইচানা হায়রগা লোইরে, ইবুংঙোসিগী য়াত্তনি। মহাকী হায়ববু করিস্নু হায়নিঙঙায় লৈতে, মহাক্না হৈগদবা থবক য়েংদুনা থম্না ভম্বিযু অদুগা অওক-ওক্তা পুম্নমক থুমানা য়েংশিন-বিয়ু, সুরেশনা শমনা থুম্মি।

মথংগী হুমিঙগী হৌনা মহুস্ন সুরেশকী কারখানাদা থবক ভম্বা হৌরে। অহানবদদি মহাকসু কযা হৈনরমদে অদুবু তৌদবা য়াদে হায়দুনা মখা চিকুনা হোৎনবদগী হৈরক্রে। থয়াম অদুগা ভিমবদা হুংঙাইবা পোক্লক্রে। মমৈদদি মহুসু থবক্তা হৈনিঙবাঅমসুং পোথাম্না মংলে। মরক মরক্তা সুরেশনা মাগী মঙং মতৌ লোয়না য়েংই, মহাদুরদসু হুংই। মহাক্না অসুম য়েংবা হংবদা মহুসি নোংমা লোমনী থবক্তা থরাম্ন য়াওবা হৈনগৎলকপঙম উরে। সুরেশসু মতৌমদা হুংঙাইজবা অমা পোকই মরমদি মাঙদুনা লৈরম্লবা মহাকী মরুপ অমবু

কুমবিরে হায়বনি ,থম্বদা, । সুরেশনা মতুংগ অদুগ থাদোক্লে, মহাক্কী মতম চামিনৈ, মহাক্কী মশাগী খরচ ওইনবা লেল খরস্তু অদুম পীরে ।

সুরেশ হৌজিক্কি মহাক্কী লৌগ্নবা অমসুং অরাবা লোইশিন্নবনিবা মহাক্কী মমা ওইবা অমসুং হায়বনু য়ুম অমা লোইশিন্নবা হোৎনবদা মঙকরে । মকখা অসিদগী সুরেশনা মহাক্কী য়ুম অসি পুনা শাননবা কম্না হোৎনগ্রে । মহাক্কীস্ লেল খুমগী মরীদা থোইদোক্না খুদোং চাদবা লৈতরম্বিবা খুনা লোইশিনবা য়াই । অদুগী মথক্তা মীস্ য়াম্রে, মহাক্কী অমসুং খুদিবা মী-য়ামনা অদুনা কৌবা য়াবা অমসুং মতৌস্ লোশিন্দুনা থা অমা অনিগী মমুক্তদা লোইনবা হোৎনগ্রে ।

---

(৩৬)

নরেশম্মু কনা কুইরে মণিপুরদা লোয়রক্লিবা, অদুবু পুক্নিঙ লৈতানা কবিগুরু অমসুং অমতদি লায়রিকপা ওমজ্রি । খনবগীদি মথল মখোল কয়ানি, পুক্নিঙ তাদবগী য়াজনি । যাত্রাসিংদি হুপাগা ওইজরিদা য়াবু কয়া ডাং-জলে, তোম্বীনগাদি অযুক, জুংখিল, জুমিদাং থাম্নদনা মচাদা ভক্সি, অমসুং লৌনবা, য়ুম শাম্নবা । নরেশনা থোকতোকপা পাউথুম পীদে ছুমিন্না অদুম তায় ।" কবিগুরুনা মতমদগী থান্নকই, মচাক্না তৌরিবদুনা মমা মপা অনিগী কনা য়ায়না লিঙবা কায়গদলে, থক্তে হায়বদুমতায় থম্মোইনদি য়ানিঙবে ।

মহাক্না শিংথিরবা ঈমুনা করি ঙম্বা থবক ঈমদা থবায় সুপ্রীবগী কাউনা ঙম্বনি নম্ববদি খঙ্গোইদা পানগুবা চৈনাগি পারৈ কাউবা ঙমদে। অহূনী ওয়োইবদা হেক্তা থম্লি.—হৌজিকপু ঐনা কনাবু অমুক হন্না হুংশিনকবি-গনিগে। মহাক্ক অমসু ঐনা য়াদোক্লবনি, অমসু ঐনা থৌওইদবদগী য়াঙখিরবনি। অমশীদি ঐনা থাদোকখ্রবনা অকবা পুন্সি অমা হংল্লে, মহুয় য়ানবা থবক থৌল্লে, অমদি কদায় থদোকই চাক চাক্না ঐবু থম্লবনি, মাগী মমন শিংবদি পুন্সি'সিমা মাগীদমক তেংথাগদবনি। অমুকসু নিংশিং-লকই, —সানকমদা লৈবিটে মতমদো,—মতম অদো কয়াদা হুংঙাইগ্রবা, সংসারগী অরা-অনা করি'মত্তা চঙবা ঙমদে, মফম অহুদা লৈরিক্লেরদি কাউবা ঙমগদবোই নিঙলুরে অহুবু কা অসিদা চঙলকপদদি, ঐবুত্তা পেরনবা মহাক্তী মামোন নোকপা মাযথোং, হায়রেং য়েংলকপা মিংচি-ঐগী পামবোম পায়হুনা, নহাকপু করি তৌরবগে, ঐতোন্দা অমুক্তদি য়েংউ। মতম অহুদা ঐনা মহাকপু থরায় য়াওদবা উতুপকুম থনখিবা। অহুগা ঙসিনা মহাক্তী রাখপুনা ঐবু কোয়তান অারবিবা। অঙকপনি, মীওইবগী রাখল, লমচং, কনা-সা হায়বা ঙমগনি।

নরেশ হুংথিন্না ফজুঙদা অসুম কয় হুনা রাখল খল্লমদগী করি নিঙশিং-লকলবনো খঙদে, ফুক হৌগংলগা মঙ্ক-মরোল শেংচিল্লে। মহাক্না থোক-লকলিবা মতমসি খাইনা কোয়থোকপা চংনবদগী থরদি ঙম্লি অহুগা রাম্না ঙনবমকত্তি নংলে। কদাইদা চংকে থনবনো সাইকল অমা তোংলহুনা মথক-লোমদা অসুম কাথংলকই।

মতম অসিমকত্তি থোইদোক্লা পুক্লিঙ মকা লাম্লবা মতমনি। নিংথেমগী উম্না য়ৈপরম্বা হৈনা লৈনা পুম্মক অনৌবা ময়োল চোংথংলে। লম্গীদা হৌরিবা থোংনাংগী থোংলবা মনা অহুদনা হুমিংকী মঙাম্না য়ৈবদা লংনা ফজরবা মচু অমা থোরকলে। মহুদসু নত্তনা উপাল মচা কয়াসু অশংবা মনা-না পংময়োম য়োমহুনা পাম্বী মশক উদনা লিংথিহল্লি। লম্বীদা চংলিবা মীয়াম অহুসু থোইদোকপা অরা মায়থোং পুহুনা চল্লে,

ইরাও তয়াবা শাঙী শাঙী থবক্তা চংলিবগুম উই। ময়াম শুনি য়েং-শুনা নরেশনু, মহাক্কী সাইকলদু লেপ্তুনা থোংলকই।

নরেশ, ইতাউ তাউবগুম্মা চংলি. লম্বীগী কুংপ্লে য়েংলগা হৈপাল লৈপাললিংগী হরাও মিনোক উবগা অহা রাখলদু কাউবগুম উই। অমুকন্দু থল্লি,—করিগীনো, পৃথিবীগী জীব পুম্নমকনা হরাও ভয়াম্নবদা মতম্নসিদা ঐনা য়াওবা ঙমত্রিবা। মসি খাইদগী অয়ানবনি, করি-গীনো ঐনা পুল্লিবু অগুক য়াহনগদৌরিবা! নরেশ মথা মখোমদা অমুকন্দু পুল্লিগী মহাউ লোইনা মাঙপ্রবগুম থল্লি, অমুকন্দু পুল্লিবু য়াহনবা চুমদে থল্লি।

মখোমদা সাইকল লেপ্তুনা থোরকপন। মফম ইখঙ-খঙহৌদনা নোং-চুপলোম্নদা থোরম্লে। ওহাক রাখল তৌই, মহাকনা চংকদৌরিববু কদোমদনো! খুদক অহুমকতদা খল্লকই, নহানগী আশ্রমদু অমুকতং য়েংলুগে, মহুনা করিগুম্মা পুকনিঙগী শান্তি থরতং ওইরবনু পীবা ঙম্নবদি ... ... । অহুবু আশ্রমদুদি চিত্ররেখানা শীল-লাঙলিবনি, মহাক্কা ঐবু করি হায়না লৌখিবা, ইকাইবা খঙদবা মী নত্রগা মীগী পুক্নিঙ খঙদবা .... । রাখল কয়ানা থিংনবা হোৎন-রবদু থম্মোইগী থৌইনশিন অমনা কয়া থৌজিন্নকুনা নরেশ আশ্রমগী লম্বীরোমদা চঙশিন্নরে। মহৌশানা মফম অদু অচিকপ্নি আশ্রম লেমদা খুদোং চাগনি হায়দুনা থনপ্রবা মফম্নি। প্রকৃতিগী চিত্রবা মফম অদুদা খুৎলেমগী কজবগা হাপচিনবদুদাদি থোইদোক্না পুকনিঙ হুনিঙ-ঙাইগী মশক ওইরবা আশ্রমনি। লম্বীগী নাকল অনিদা হৌরিবা উপাম্বীশিংগী উপাদা চেক্লাশিংনা তোংলগা মানা মানা কাজবা ইশৈ শকপগুম তৌরি, মহু তাবগা নরেশনা মতাকপু তরাম্না ওকপিখিত্রা থল্লি। থবা অমুক চঙশিন্নগা লৈমাংগী লৈনম, লুরবা ঊশিংগী শেংলবা মচু, মহুনা নরেশকী থম্মোইবু থরতং ঊংহনবগুম তৌই।

আশ্রমগী নিরম ঊবা নৈ," মহাক চঙলগে হায়রিবদি "য়াথং ঙম্বা লৌরবা তাবে। অহুনা আশ্রমগী মৈচৈ অতুদু অয়াম্বা মতমদা লৈপ্লুনা বায়, মরম অহুনা মুনাগী শকক মথৌদি অতুম থৌবা য়াই "অতুনা মহুত্তী [illegible] [illegible] হাংজনবদি য়াথংথোকপ-ঙাঙনি। নরেশ [illegible] আ-শ্রমগী [illegible] য়োলে। মেচৈ অহু লৈপ্লুনা থৈবা উবদা চিংবাপোকপ [illegible] [illegible] হাক্তুনা হাংদোকহনলগে। থুনিঙ কাঙজপুনা [illegible] বনী য়েংই, থাম্রবা অহল ওইরপ [illegible] মুপান্নবা কাঙ্গুনা [illegible] পোকহল্লো অমাংতোক্তুনা থৈবা উরে। নরেশনা কৌহুনা [illegible] তারে [illegible] হৌরকই, ভাবি মিত্রা, অসোমদা অমুক্তা লেংথোকপা রকউ। অহল অহুনা হুজংনা য়েংখংলগা, মথুক্তা পায়ক্লিবা থাজবী মচাহু থবগা মেচৈদোমদা লাকলে। অহল অদুনা হংই,—কনিগী ওইরবনো? নরেশনা নোমুক্না হায়রকই,— মেচৈ অসিবু অমুক্তা হাং-দোকপিবা য়ায়োইত্রা, মহুত্তদা অমুক্তা চঙজগে।

কনা উন্নবিগদবনো?

নরেশ, ওহাক য়াগ্গল তৌই, মমৈদা হায়রকই,— চিত্রলেখা।

ওঁ, অদু ওইরবদি চে মচেং অয়ভং ইবিগত্রা।

নরেশ চেজেং অমা ফুরিংথাউদগী লৌথোকলগা মাগী মখিত্ত ইদনা থাজিনব্রে। অহল অদুনা চেজেন্থু পুনগা চঙখ্রে। নরেশ মতোমবা কোইয়েং য়েংলদুনা লৈহৌই,—চিত্রলেখা উন্নগা করি হায়গদৌরিবা! যাকম অমদি শেংদোকনবা য়াউদনা।

নরেশনা আশ্রমদা য়োরকপা মতম অসিদদি হুমিদাংবাইরমগী থম থেংনা [illegible] মতম অহু য়োরবনি। চিত্রলেখাদি অয়াম্বা মতমদা কুকিং অশংবা, ইনাফি অত্তোবা উরিয়োম শঙবা গুত্তৌ [illegible] মহাকী [illegible]। মহাক ১থোক ইংথোকপা মতমদা মসিতমক শেংদি। উমিদু মহাকী পামজবা ফিজোল অদি লেংলবা হুমিদাংবাইরম ইংথোকপা-মরবা থোরক্লিবনি। চিত্রলেখানা থোরকপদা চৌকিদায় অহল অসিনা [illegible]

মপা ডাক্তরনা থাক্লি অদুনা মরোম্না লেকেত্, পীশিল্লি। চিত্রলেখাগা লেপলগা অয়াক বাকল তৌই,—ফাইরি মহাক্না মতোমদা আশ্রম অল্লিবা! অদুগা অদুনা লেপলগা অপা হায়রকই,—চঙলবিরকউ য়াগনি।

অদুগা অদুনা চংখিবা মতুং ইন্না চিত্রলেখাগী খোঙকাপ অমা অমিদং তথা থাবুনা ইরে। অদুগা অদ্না লেট য়োৌখিদ্না হাংথোকলুরবা নরেশপু শুশিল্লকলে। নরেশ ইকাই খুংশি য়াক্না মরু মুকখদুনা চংলকই, খল্লি,—মহাকনা করিগীনো হৎলগা করি খুমশিবা! চিত্র-লেখানা পুক্রি মপান্দা নরেশপু ঙাউদ্না লেপ্লি। মনাক য়োৌশিল্লকলবদা নরেশকী ওইরিব। কিবম অদ্, খঙলদ্না মহাকনা হায়রা কৌই,—নরেশ বাবু, মহাক্না মুকতি হুমিদাং ওইবনা নিংখিনা য়েংবা ফংখিদতুনা ঙসি অমুক লেঙবিরক্লিত্রা? নরেশ পাউখুমগী লংলা লংজিন অমা ফংলবদা কাইমথে ঙাওরবা কোক্তু খরা হুদরদুনা খুম্মি,—অওইবনি চিত্রা, মহাকদি হুমিদাংনিনা আশ্রমসি মপুং ফানা উবা ফংখিদবতুদা হুংঙাই-অদুনা ঙসি অমুক লাক্লিবনি।

ও, অদু ওইরবদি হুমিং লৈরিঙৈসিদা হায়রা য়েংথোকউখিসি।

চিত্রলেখানা নরেশপু পুদুনা আশ্রমগী অকোয়বদা কোয়বা হৌরক্লে। চংন-চংনা চিত্রলেখানা আশ্রমগী মরীদা য়ারী কয়ামরুম শাই, হৌরিবা পোং-চৈ অদুগী মরীদা মসিনা মদু কৌই, মসিনা অদুনি, লোয়রনা আ-শ্রমদা লৈরিবীশিং অদুগী মরম ওকপা, মথো মশক খঙবা অসিনচিংবগী য়ারী কয়ানি। নরেশ, য়া ঙাংদে তুমিন্না তায়, মপুক্লিঙদদি করিনো খরদি খল্লি, অদুবু ময়েক শেংনদি খঙবা ঙমদ্রে।

আশ্রমগী মরম পুন্নমক য়েংবা লোইরকপা মতমদদি অঙানবদা অমম-বদা শিল্লবা কজরবা মতম অমা ওইরে। অদুবু ঙসিদি অমবদি লৈত্রে, হুমিদাংবাইরমগী তুমিংকী মঙানগী মহুত্তা ঙৌকনবা থাবলমা শিল্লক্লে। চিত্রলেখানা ইমুঙগা কম্বগী মহুত্তা থাবলগী মথাদা হকচিং ঙহাক লাংবা হুংঙাইদনি খদুনা, মী কয়না থারিবা মুংকাল অদোমদা চঙক্রে। নরেশসু

মইহাক্কী 'চিংলিবা মকম 'অহুংগা 'তুমিত্না চংলি । পাম্বী 'মচাশিংগী মথাদা থারিবা নুংকাল অহুদা 'অনিমক' 'কমথমিদ্রে, 'ইংলবা থাকলগী মঙাম্না 'উনারক্তা কাওদোরকুনা করিগুম্বদা অনিমকী মাম্নখোংবা মৈরবসু য়াওই অহুগা করিগুম্বদা থুমজিনথিবসু য়াওই ।

ওহাক্কী মঙ্গুঙদা চিত্রলেখাগী থম্মোইসু খাঙগুম্বক্রবা কংভাঙ্গনবা থা-থলগী ঈথক অমদা তাউরুরে —মুংঙাইরবা মিকুপ অমদা কাউক্রবা মুন কয়া নিঙশিংলকপগুম, হৌথ্রবা পুন্সিগী য়ারীবু মথং মনাও নাইনা লাক-পগুম তৌরকখি । ই ত্তোংনা শাম্নবা মীওইবগী হৌন লমচং ওইরবা য়াথম্মি,—মতম অমদা থরায় হকচাং অনিমক মাগী ওইপ্রবমি হায়না শান্নবা মীশক অহুগা হকথেংননা কন্দিম্নরবা মতমদা করিগীসু থম্মোই মহাক্কী মরমদা ! অহুবু লকা'মুংগী থম্মোইদগী মিরথা খোজেল অমনা ভজনা ইনশিল্লক্লি,—করিগীনো ! নহাক্না মহাকপু উরগা য়াথল লৈতাজিবা ! ওইরম্মোইদবা মঙলানগী বাথন্দা অমুক হন্না লুপকে হোংনম্নিবা ।

অনিমক তুমিন্না কম্নরম্বদগী ইংলবা মুংশিংনা য়ৈম্নকপদা নরেশ কম-কমদগী থ জক্তং লেঙহুনা চিত্রলেখারোমদ। চঙশিল্লকই চিত্রলেখা তাব তারকপগুম মহাক্কী কম-কমদগী খিত্তং হন্দোকই, নরেশ হল্লোইরহুনা থরা হন্দোকই, অহুবু মঙোন্দদি মকম অসিদা লৈরগা পুক্নিঙগী শান্তি থরদং ফংবগুম তৌই ।

নরেশ থাবলদা য়েংহুনা করিগুম্বা য়াথলদা লুপ্পগুম তৌরি । অচৌকপা থুগাইদ্‌না চিত্রলেখানা হৌরকই,—নরেশ বাবু, করম তৌবিরিবগে ? বাবুহোৎনদি পুন্সীগী অরা'নাগী মৈচাক কয়া কংলমদবা য়াই । নরেশনা কংলবা মীনোক্কা লোয়ননা থুম্মী,—মুংঙাইবগী ঈকুং প্‌রমক কাওবা মঙোন্দা অয়াবা নঙনা করী ওইগনী !

ও, ... !

[illegible] শাথুরা হুপোবার মণী [illegible] ভোহুম্না হায়রকই,—চিত্রা, নহারী [illegible] অদিহু, মথুখ্রু, অসিদু অমুক [illegible] পামবা।

[illegible], নরেন্দুকী মাহুৎশী পাউথুমরি শীত্র অহুগা, [illegible] মিয়োবী মিরবা থোকেন অমদি থোরুবই।

মখম অসিদা নহাক্তী করি ওইজবা হংবগে ?

[illegible] ! ইন্দকুমুক্তি চিত্রলেখাগী অথোংবা মিনোক্তী ঈকবা শেংলবা [illegible] লোয়রবা পাউথুম্ভি।

[illegible] ভাইরিবরিবনে ? নরেশনা লাওজরুনা খোকই।

[illegible] মহুর ওইবা য়াই।

[illegible] !

[illegible]-না থাজগনি, হংলবস্থ য়াই। অহুগা করিস্থ তৌরনা অন্থুন [illegible] [illegible] করিবা হংগনি। ঈশ্বর নিঙলিবা মী শ্ময়ক মহাকপু [illegible] ভাজনি অহুবু কনানা হংবা ঙমথিবগে ?

নরেশ [illegible] চিত্রলেখানা হায়কেং য়েংলগা হায়রকই,—নহাক্না মখম অসিত্ন লৈরিবসিবু ইশ্বর হংবগী আশাদরা ?

নত্তে,—ঐদি থবক্তী মহুয় পাবদুনা থবক তৌবা নত্তে। থবক হায়বসি পৃথিবী ইথৌনি অমদি পুন্সি হায়বসি থবক হায়না খন্দুনা তৌরিবনি। মসুনমি নহাক ঈশ্বরদি থাজদে অহুগা থবক্তি থাবৈ, অসিনা ?

চিত্রলেখানা চীন্তক্তদি খুমজগা কোম্না হায়রকই,—ঈশ্বর হায়বসি কনা-গুবনা লৈ হায়না লৌই, কনাগুম্বনস্থ লৈত্তে হায়না লৌই কদাইনা চুবগী হায়বহু ঐথোক্তিস্থ হায়বা ঙমদে। অহুগা ঐগী ওইনা হায়রবদি ঈশ্বর হায়বসি ভগোংবা মুক্তি ওইনা লৈ হায়বা ঙমদে—অচুম্বা, অশোংবা [illegible] কজবগী মইওনি। অদুনা ঐদি ঈশ্বর হায়বসি কল্পনাগী মশক্তি [illegible] লৌই।

ইশ্বর শ্ময়ক কল্পনা।

চিত্রলেখানা মোমোন লোক্লগা খুম্নি,—ঈশ্বরবু কয়া গুবগে ? ঐদি

মাংখ্রদি হুমাংদা থরি, মচুমদদু, মীওইবগী শিংলনি- ঈশ্বর, মায়ু, [illegible]
[illegible] মতিংদদি মীই-মারুমা, থরি।
অদুদি ঈশ্বর উনবা লৈতদি কয়িনো ?
মীওইবগী থম্মোইদা করিগুম্বা অমা [illegible] লৈরিবি, মৈতৈ লৈরবা
থরি অদু শিংথিরুদা, মীওইবনা, কনানা, তৌই,— ঈশ্বর, কনবা। [illegible]
কয়া-অমানা মাংলা-মানা ওইনিঙ্গা [illegible] মৈথি, অদুগা [illegible]
কংলবা, মহাক্না, অদুবু ওইবা [illegible] পুথিন্দু মখা য়ায়ে হায়রা য়াবা,—
অদুগুম্বা মতমা অমুক্তি হেনবা ঐগী ঈশ্বর লৈতে।

অনিমক থাবলগী তাংথক কদাই মৌরবনো হায়বা কাওবা, থুচথিদ্রে।
উনাগী লিঙ্কানা মথক্কা করিগুম্বা মতমদা তপ তপ তাবকপগা মশাবু
নিঙশিংবগুম ত্তৌরকই। ডসিসি, নরেশনু ওঠোকপা হৌরম অমগী য়াবী
কৌদোকথিবগী মহাক্না হায়া থম্বা রাখল-লীশাং অচুম্ব পুমকাই কাই-
খিরগুম তৌগ্রে। করিগুম্বদা চিত্রলেখাগী য়া-ক্তাং অমম্মুং আর্ণ্না
মরাকপু, তুমরংখিবগুমমু তৌই।

ওহাক তুমিন্না লৈরগা চিত্রলেখানা অমুক হায়রকই,—ঈশ্বর হায়বসি
ঐত্তোন্দদি মীওইবগী পায়কম অমসুং নিঙজকম ওইবা গুণগী মপুং ফারবা
শকরম অমনি। মীওইবগী থৌজাল, থুংশি-থুংওনবা, মকবা, পুক্লগী
অয়োবী, কন্না তৌনার, ঈশ্বরগী ভাবপু থম্মোই'হুংদা চেংনা কোজন্না।
অদুবু অকবা রাকমদি কল্পনাগী অয়োবী থাক অসি মীওইবনা লৈবা
লৈতত্রা, হায়রসিনি।
নরেশনু ওহাক রাখল তৌরগা হায়রকই,—নহাকনু অচুম্বা কল্পনাগী
অয়োবী থাক অছু ফংগে আসনিনে।
কদাই কাওবা ওঙগে হায়বচু য়েংবদি করিম্ব লাক্দে হায়না থরি।
অদুগা অমরোমদা ঐগী হুংশিব'সিনা অয়োবী থাকী কনবা ওইরবদি
ঐনা ফংগে হোংনরিবচু ফংবদা করিম্ব অকায়বা লৈত্তে।
নরেশনা করিতবা থম্না থল্লগা হায়রকই,—অদুগা পাপ তাবদ্রিনা রাজিনো ?
পাপতি অশেংবা থম্মোইগী নত্তে, অমাংবগীনি।

নরেশনা মথৌ অমুক তাঁরকই,—থম্বু মী থুনিংমক অসিদি অশেংবা থগৌচগী মপু ওইবদি ওয়দে, মতম পুম্নমক্তা অমাংবগা অশেংবদা পাপকী পুক্তগা লোয়ননা চংমিন্নবা ডাক্তনি।

চিত্রলেখানা উন্নবা মিলোকা লোয়ননা হায়রকই,—মীওইবগী মশাদা বুদ্ধি হাঁরবা অমা লৈরি, মহুনা পাপ পুক্ত মশক থওহান্নিবনি। কাওবা হায়বী উচেক অহুনা ঈশিংগা মজোমগী য়ায়বদগী ঈশিংগী শরক ছন্দোকলগা মজোমতবু থন্দুনা থকপওম, মীওইবগী মশাদা লৈরিবা বুদ্ধি অসি চপ চানা শিজিন্নহনা পাপকী থবক মথৈ তোকলগা পুক্তগী মশক ওইবা থবক অদ্‌তবু তৌবা ঙাই।

নরেশ চিত্রলেখাগী য়াহৈশিং অসি তাবদা মতোমদা কোকপা ঙমত্রবা পাপ কয়া লওজরবগুম থম্লি। অমুকসু মহাকনা তৌরম্নিবা পাপকী মশক ওইরবা থবক অদ্‌ চিত্রলেখানা থওলদ্‌না হায়রকপা মাম্লি। থমুবদা ইকাইবনা মিকুপ অমা কাওবা চিত্রাগী মমাঙদা লেপনিঙলক্রে। নরেশকীসু মিকুপ অসিমগী মমুঙদা মহাকী হৌথিবা পুন্সিদা থোকখিবা থোইদোক্লা পদ্মাবতীগী মফমদা লওজখিবদ্‌ থমু্‌বদা মিকুপ অমা কাওবা লোখাবা ওম্রক্রে।

রাখল ওহাক থমুরগা নরেশনা তপনা হায়রকই,—চিত্রা, নহাকী পুন্সি অসিবু অরা-অনাগী লেবাদা অসু্‌ম কথোক্লগে থম্লরা?

মদ্‌না ঐগী অয়োবী করনানি।

চিত্রলেখানা ওহাক তুমিন্না লৈরমগা থংনিঙ নিংশিংলকপগুম হায়রকই,—ও! নরেশ বাবু চিঠি অমা থায়রকপদো ঐহাক কংখিবে, করি হায়বিনিঙবা লৈবগে?

নরেশ ওহাক্তং রাখল থম্নগা থুম্মি,—ঐহাকী থোইদোকপা হায়নিঙবাই লৈ-রক্রে অমতংদি লৈ।

করিনো? হায়বিয়ু।

শান্তিগী লম্বী।
শান্তিগী লম্বী।

মহাক্না রায়। লমজ্রবা পোংবি।

নত্তোন্দগি রাস্না লারনা থোক্লবা যাই ঐঙোন্দগি রাস্না নুত্র।

চিত্ৰলেখানা হংনা তারকই,—নরেশ বাবু মীওইবগী শানথি থাবগি পুক্নিং অমত্তুং রাখবগী মথা লোনবনি। মীওইবনা রায়রে, পোখাক্ম থঙজিনা হায়-বসি অহৈ করিম্ নত্তে, অপাবদগী হেল্লোকপা ওমদবনি। পুক্নিংদগী অপাবগী রাখবদু লাগনা তাম্নোকপা ওয়বদি শানথি হায়বত্তু মপানা অক্নুম লাকচরবনি। নরেশনা মুখ্না তারগা তপনা হায়রকই,—ঐন্তু হৌজিক অপাম্বা হায়বত্তু অমতা লৈত্রবনি অত্তুবু শানথিদি থক কংদে কক্কিগীনো? চিত্রলেখাস্তু নরেশকী বাহু তাহনা ওহাক তুমিন্না রাখল তৌই অত্তুগা অমুক হায়রকই,—নরেশ, নত্তোন্দা নশাগী ওইবা রাখল থম্না লৈরি মরম অত্তুদগী নহাক রারিবনি। ঐন্তু কয়া রারম্রে, অপাম হুংশি রাখম্না থুম্বম চন্দুনা পোখাকম থঙজমদে অত্তুবু ওসিদি অত্তুগুম্বা ইশাতেগী ওইরম্বা রাখল অত্তু মক্ষ চানা শিজিন্নখিবদগী ঐঙোন্দা ইশাগী ওইবা লাওজরবা পেন্দবা অমতা লৈত্রে, অত্তুনা নরেশ বাবুনা হুংঙাইরবা সংসার, অমা কংগে হায়রবগি পুক্নমক থাদোকপা তাই।

নরেশ থর থগী অমত্তং শাংনা হোৎলগা লোইশিন্নকই,—থওজে, চিত্রা, নহাকী রাস্তু, ঐনা থক্লদি নহাকী নকনদগী শানথিদা ইহিক অমুক্তা ওইরবস্তু কংগনি, অত্তুবু লাইবক থীবনা মত্তু ঐগী মও ওইনা থোক-থোরে, মত্তুগীদমকস্তু ঐ বারোদে, পুমনমক ঐগী ইবাননি,— ঐন্তু ওক-পিয়্। চিত্রলেখানা তপনা খুমথি,—নরেশ বাবু, লানবা হায়বনি মীওইবগী হৌনশান্নি, অত্তুগা লাম্বুরগা চুমথোকপা হায়বদিস্তু কৌরবা রারবনি।

অহিমক ওহাক ফুমিন্না লৈনরে। মতম অসি কনা নিংথিনা থেঙলে, রাবলগী মঙাম্না আশ্নুমগী কাচিন-কোয়া কাওবা। মুরম্নক ঙালহল্লে। থেঙনা হম্বিরকপা উচেকশিংনা মহম খিবগী উনা’লম্না শেংশেংনা লাউবা মথোলস্তু তারি। চৌংরাগা লম্বীদা খুনগী গাম্বাশিংনা হুংশি

কোলোয় থাহনা খুদুং ঈদৈ শকুনা চংলি । অমসু অসিদা অৱেশপু লেকলে চৎলগে [illegible] ঈৌগজরে , চিত্রলেখা [illegible] হায় [illegible]—বকৈৎ শাখা থাবা 'নতাওদা' হায়বিরকই শাংকিদে, [illegible] । অৱেশপু—থাবা নতাওদা হায়জরগে হায়রগা অদুম চংলে ।

চিত্রলেখাগীদি থাজোকপ্রবা থাথম্নি, অমুক হজিনরোই ঋন্দুনা, হজিনবগী কিবনেগু লৈত্রবনি । মতম অমদা লেপ্লম্নি,—ঙুংশি তোর্বান্দা, খুন্নম্নি ঙুংশি ঈপাক্তা থাউথগে । অদুগা ওসিদি অকনবা নোংদৈ ঙুংশিং অমনা চিত্রলেখাবু ঙুংশি তোর্বান্দগী হুমদোকুনা পুবক্রে মীঙুংশিগী সংসারদা, সংসার অসিদা তাউথিবদা কাউত্রে, থনত্রে, -পুমনমক অয়েম্বনি, ওইদবা থাথনগী 'লাংনি, লাং অসিদা চঙলুরবা মীওই কয়ানা অয়েম্বদা পুন্নি মাঙনরি । অসুমনা চিত্রলেখাগীদি হৌত্রবা পুন্সিগী থাথনগী ঈথক ঈপোম কয়া মুংথংত্রবনি । মতম অদুনা নরেশপু চুমনা মরুপ অমা ওইনা মহাক্না অওবা মতৌ শানিওবগী হেরা অতৈ থোটদোকপা অমা থরে ।

নরেশতি মহু থনবা ওমত্রি । মহাক্না চিত্রলেখাগী মনাক্তা অরোইবা ওইনা চংমুই [illegible] থাহৈ অমতং অরগা পুক্নিংগী মৈতাক পুমনমক [illegible] থাবদি । মহাক্না চিত্রলেখাগা উনরকপা থংলোই মৈতাক লেপ্লত্রে, অহানবু শোথাকন থওথিত্রে । মরমী কা অদুগী মচুওদা মতৌকনা মখিং [illegible] বাথাবু 'য়েংলিবা কনাহ্না থওনি । অদুকচু [illegible],—[illegible] পুন্সিগী-মসিবু পুক্না কন্না পুইবা হিংগদৌরিবনো ! [illegible] ঐহাক্না হিংবগী কনি কারিনো ? অদুবু নকাপুংগী থম্মোইদগী পিরবা মিরবা থোজেল অমনা অসুমনা হায়রকপ [illegible] [illegible]—[illegible] অহুক মিওইশিবা, সংসারদা [illegible] মী পুন্সিদক [illegible] মনা [illegible] লোইনা "পুংবা" ওবা নত্তে, থুংবা লোটখিবা পুন্সিবু কোনশিনি, হৌত্রবা পুনশিন্নিদমক তেংবাকপগী অকি কারগনি, হৌজিকী হিংজিবা পুন্সি অহু মহৎ য়াক্লবা হোংলো ।

নরেশ অনৌবা পাজল কৎবগুম তৌই অহুনু করি তৌরগা শানবি কংগদগে হায়বানীবি মহাকনু বনকন লোজে [illegible] চিত্ররেখাগী রাণ্ডাং পুক্তিগী মুপাবা পুম্নমক থাদোকই, শানজি মংগবি [illegible] [illegible] [illegible] তারুকই। রাণুনী লৈতাবনা থত্তবে, অমবা মরক [illegible] নরেশনা অতোনবী নজিক থিবনি অহুনু কৎখিরে, মহাকী মাথনমু অক্লমবদা অহুম তিনখ্রে।

---

(৩৭)

ওসিদি স্থরেশহোয়গী ইমুঙসি পুম্নাঙ লাঙথ্রে। নোং হেক ঙানবদগী মীনা চিক্লা চায়নবা ঙমখিত্রে। উনা পুংবা উপান্দা উচেক্লা কাইদোংবম ওই হায়বসিম্ন করম্না লাল্লি হায়সিগে। পিতং-পাতংপা ওইনা লৈরিঙ্গেদদি মহাকী কনাম্নু লৈত্রবোই নিঙলম্মি। ওসিদি দলাল মথোন অনি, হৌজিকী মগুংদা শাবা য়ুম, য়োংকী গেট ওমাঙ অহুনা অশংবা জিংথৌ ঙাক্ল। ওমাঙগী চিদাইদা লৈ পাম্বী থরা পরেংশানা, শম্না হায়রবদা স্থরেশকী য়ুম অসি পাক হেক চংগদবা হজোইবা পোকই। মহাক মশামকন্নু হৌজিক্তি চীংলেত্রে মহাকপু মীনা পাক কৌগদবা হজোয়নরে।

ওসিসি স্থরেশকী য়ুম শজাবা হুমিংনি। লৈকাইগী মীয়াম পুম্নমক চঙহুনা থবক লোল্লি। মুনুগীদি মরূ ওইনা বহাদুরনা শীল-লাঙলি। মীনা অমম্নুং চিত্রলেখা অয়ুক্তগী হৌনা শাঙুনা থবক ইনবাং লোম্বা মাঙরি। স্থরেশকী ইমুঙদা থবক লোখিনবা মুনীসি ইলৈনক লৈত্তে

হায়রবা য়াইহ্‌। ময়ম অমুনা সুরেশনা ওরাংবগী হোৎনা লোকাইদবু লৌরক্লুনা কৈরেৎ কাদা থবক্সুং এহাক্‌ নাপিগী ময়ম পুক্নমক শীনহন্নি। রীনা অমসুং চিত্রলেখাদি মতুংগী মরমদি কবিরু থগবা মত্তে, মথোঙগী হায়রবদু মী লাক্লগা ওকপা, পুম্নমক্তুনা কমহনবা অসিনি। অহুমকপু চিত্রলেখাসু এহাক্‌ নাপী শেমরোমদা চঙদে। রীনানা ইমুঙ মমুঙগী শেম-শাবদা চঙখ্রে। পর্দা অহনবা হাপচিনখ্রে, মফম চানা টেবল চৌ-কিনচিংবা থাজিল্লে, হিপফম কাগী কমুঙনচিংবা শেমখ্রে। সুরেশকি খোইদোক্লা মায়কৈ অথোমদা মিংথেং চঙলুক্রে। রীনানা সুরেশকী ইমুঙ-মমুঙত থবায় য়াওনা মশামক্তীনি থম্দুনা শেম-শাবা লোইরে।

রীনানা ইমুঙ-মমুঙ শেম শাত্নুনা কৈথত্নুদা সুরেশ হঙোইহনুনা কয়া তোয়নদি চঙদে অদুবু মরক মরক্তা চুকপ, বেরি লৌথোকপা ওইনা চঙতুনা করম তৌরিবগে য়েংই। অমুক্তি রীনানা ড্রোয়িং রুমগী টেবল অমসুং ফুল গ্লাসনচিংবা শেম্নিঙৈদা সুরেশনা তুংলোমদগী খঙহোৎনা হায়রকই,— ওসিদি শেম্মিন্নবনিনা ফজরনি, মতুং তাবদি কনানা... ...।

থংগ্রেদা! অহম-অহা করি মত্তা হেক হায়দনা করিনো! ... রীনানা শাটরপনা থুদি।

সুরেশ খোইদোকপা রা মথা তাদনা নোকই।

রীনানা মথ তারকই,— মতুংগী হায়রববু মতম মতমগী মতুংইন্না কৌরকপা হায়রবত্নিদনা।

মতমদি সুমিৎ খুদিংগী ওইগদৌরি।

অহুদি সুমিৎ খুদিংগী লাকপা তারেদনা। অমুকসু হায়রকই,—য়েংউনে, ঐনা শেম্নিবসি ফজত্রবরা, কদাইদা করি য়াংলি হায়রম্মু।

নঙনা কৈক্ত হায়রগা লোইরে, ঐনবু করি খঙগদৌরিবনো। হোরেল রীনা কনা-না শেম-শান্নিবনো হায়না হংলগা ঐদি নঙবুদি হায়রুনা থুমগ-দৌরিবনি, অহুনা নহাক্না ফজনা হোৎনজো।

ইকাইকরেদা, হায়রগা য়ীনা, মমায় ওন্থোকুনা হাইকেঙ্ নোকই। সুরেশ কুইনা পম্বরমখ্রে, ময়াম্না অমুক খিনরক্লগনি হায়দুনা চুকপা লেপ্পী খরা পুরগা অমুক থোকখ্রে।

তোম্বীমচানা চিত্ররেখাদা ফল্লপ-ফল্লপ য়েংবগুম তৌই, করিগুম্বা মক্তম্বা উথ্রবগুমদু থল্লি অতুগা তাশেংনাদি নিঙশিংবা ঙমদ্রে। চিত্ররেখাদা য়েংলগা মতোমদস্তু অমক থল্লি.- ইংখ্রদা ফজেদা ফুগী মচাসে. মহাক্তুসী ইবৌ অমতং ফংজরবদি ওস্থাক্না হুংঙাইজগনি অদুবু ঈশ্বরনা করি তম্লিগবা অদুনা চিত্ররেখানাদি তোম্বীমচাদু ঙসি ফাওবা নরেশকী মমানি হায়বসি কাউজি মহাক্না ছাত্রী ওইবিউদা নোংমা বীনানা থবক অমগীদমক নরেশলোয়দা চংমিন্নরুসি হায়ত্ননা চংমিন্নরুই। ঙসিমিং অত্তদা তোম্বীমচানা তবাম্না ওকখিবা, মথোয়দা পানবা শলোম মেৎতুনা চায়কপা মতু ফাওবা কাউজি। অদুবু চিত্ররেখানা তোম্বীমচাদা থোইদোক্না মরী মতা ওইনিঙবগী রাখলদু মতম অমদা লৈরম্লবস্তু ওসিদি লৈখিদ্রে। অমরোমদা অদুক্ত অমা ওইনা মহাক্না সুরেশকীদমক নোম্বিরিবা রাখিরিবা অদুগীদমক চুংশিবা পোকই অমম্তুং থাগৎনিঙতি।

অসোমদা গোপাল অমম্তুং যত্নু অনিগী য়ারীস্তু শুংঙাইতবা নত্তে। গোপাল দদি বীনাসি অমুক নৌনা থোক্রবনি। যদুদদি বীনাগী মওংসি য়াম্না নৌনা থোক্লি। মশাক্তি বীনাগী থবকশি অদু উরগা মপুক্লিঙদা অঙকপা অমঙুম পোক্লি, —কবিগীনো মহাক্না যুম অসিদা য়াম্না নিংথিনা শৃঙ্খলবা মীদোলা তৌবিরসিবো। মহাক অসিবু কনানো! রাখল এসি পুক্লিঙদা থল্লম্বদগী য়াম্না থাওনিঙবা অমম্তুং হংনিঙবা মতাঙ পোক্লকনা গোপালদা হংলকই, —গোপাল ইম্নুঙ অসিদা য়াম্না জগোইদনা থবক তৌরিবীসিবু কনানো, সুরেশ বাবুগা করি থোক্লবগে? মহাকী য়াহং তাবদা গোপাল অচাওবদা পাউথম মমতা শীননা মতোমদা নোকই। গোপালগী মক্তোদুদা যদু অমুক্তা তেম্ম ওকখ্রে। গোপালনা লোকপা লোইরগা খুম্বি, মহাক মসিগী মরমদা য়ামনা থাওনিঙব্রা?

থংনিজাই।

মহাক অসে হীরা কৌই, সুরেশ বাবুনা মুম থনিনী মনেনবা ওইগ-
দৌদ্রিবনি।

ও, ঐসু মখাক্তিনে, করিগুম্বা অমদি পোত্তবনা লৈরমগনি হাক্তনা। অদিনী
মতুংডা গোপালনা হীরানগী মরীমা অথওবা ব্রালীচু মন্না কননা লীরে।
মক্সনা মুম্না ভারগা মপাগী মও পীরকই,—অদুদি গোপাল, হয়েং করি-
গুম্বা সুরেশ বাবুসি মহাক্না থুদোক্লীদা হাবুনা লৈগ্রবদি ......।

মহুগী রাদি থওক্রেনা, থুদোক্লীদা লৈগত্রা, থুবীদা লৈগত্রা, হায়রবদুদি
মখোয়গী মনিওনি। অদুবু মদু করাদি থাজদে।

করম্না?

মরমদি ইচেম্মা হীনাসি মপুক ব্রাক্না কৈ অদুগী মথক্তা তাম্বো সুরেশপুসু
ব্রাক্না তুংশিনা অমসুং পামজনা তৌই।

হোয়, অদুনবুদি অসি হৌনা তৌরিবনিকনা, মদু শক্না থুদি। মখোয়
অনিসু ব্রারী শানা শানা থবক্তি লেম্না নত্তে, অমা দোইরগা অমনি।
শীং থায়বা, ঈশিং হোনবা, কৈথেলগী অহাং-অপা লৈরুবা মখোয়গী
মথৌনি। ওহাক্তং চুরুপ অমতং থক্তুনা থোথারম্লগা মখোয়গী থবক্তা
চংগ্রে।

চিত্ররেখাসু মচাক্না নোমগদবা থবক থরা নোয়ুরগা হীনাগী মবাক্তা
ওহাক পোথাগে হায়দুনা ইমুংডা চঙলক্রে। মতম অদু হীনাগীসু মহাক্না
তৌগদবা থবকশিং অদু লোইশিন্নগা করি করি কজদবা য়াওরি, কদাইদা
করি শোক্তরি হায়দুনা মুম্না ব্রাথল তৌদুনা য়েংলি। তাজা অসিমক্তদা
চিত্ররেখাসু চঙলগা তুংলোমদগী, শোক্তাংননা হায়রকই,—ককরেদা,
য়েংখদা ব্রাক্না ভুংতাইরে। হীনানা ওনশিন্নগা নোকক্নং তৌরা ওকই,—
নওগীসি ককরে হায়দুনা নোক্তরিগাক্রে, ঐখোয়দি হৈজবা নত্তেনা পাঙন-
শানবা অদুক তোংনরিবা হায়রবদুনি। ইকে, নওগীসি ঐনা নোক্তরিবনি
হায়না লৌরমাক্রে, মদু নত্তে, অওইবনি ব্রাক্না ককরে। চিত্ররেখানা

অমুকম মথা তায়রকই,—হনকী হুম অহনবগী মতাং চাবে, নত্তে থংকদু প্যাংথোকহোৎবনা চুত্রে।

রীনা নোক্তি নোকই রাদি মথা তায়রক্তে।

অওইবনি রীনা, অমুক কমদ্রবা হুম অসিগী মপু অমা লৈবা চুপ্নি মথাদি মুখশী মচুপ মাওয়রোই।

করিনো, মপু লৈজরিবসিনো, ঐথোক্নরা। অমুক করিগী মপু শাগৎলৌরিবনো। রীনানা করেমরুকই। চিত্রলেখাদা ওনশিন্দুনা অমুক হায়রকই,—ঐগীনা মহাক্নবী নওগীদি কমদৌ লৌরিবা?

ও, ঐগী বাদি থম্ববগী করিসু কায়রোই ঐগীদি অতোপ্পা অমং অমনি।

অদুবু নহাক্তীদমক কনাগুম্বা থম্না থম্মগনি হায়বসি মহাক থক থম্রবনা? থম্মুনসু কায়রোই।

রাসি অনিমক তরাইনা লৌনরক্কে, অরবা ওইনা লৌনরক্তে। অনি-মক ওহাক রা ডাংদনা রাখল তৌহুনা লৈনে। চিত্রলেখানা মহাক্তী থগোইগী রা পুম্নমক তোনা হায়দোকপনা চুত্রে থম্মহুনা হৌরকই,—রীনা, ঐহাক রাম্না থত্তে, অদুবু অরাবদি, অসিগুম্বা সুংশিবনা ঐবু সুংঙাইহনবা নত্রগা পেন-হনবা ওমত্রে, মরম অদুনা নরেশ বাবুদা ঐনা রাক্ষম অসি শেংদোকত্রবনি। মহাকসু ঐগীদমক থম্মরোই হায়না থম্মি। মসিগী মীগী নিত্তজবা অমসুং পামজবগী মথা পোনবানি কনা না কনাদসু রারোক্ষম থোক্তে হায়না থম্মি।

কনানবুসি কনাদা রারোক্রগদগে, সুংশিবিত্রে কেশ তৌরবদি রাবা নত্তবনিনা রানা রামা অদুম মরেনবা হায়বছুনি, রীনামা রারোরপ তৌনা খুম্মি। চিত্রলেখাসু রাক্ষম অসি রীনাবু নিংথিজনা তাব ফাহনবা পাম্মি মরমু অদুগী অদুম্না হায়খি,—রীনা, অরাবা অমসুং সুংঙাইবা হায়বনি করিসু নত্তে, পুক্নিংগী মওং তোঙান তোঙান ওইবত্তনি, রাগে হায়বা থম্মিবা মী অদুগীদি রানমবা মচাক্তা মহাক্তা থিজগনি, রারোই হায়না থম্লবা মী অদুদি হৈরম খুদিংদা তৌরবা থবক পুম্নমক্তা সুংঙাইবগী মশক্তা ওইবনি। ঐনা

ঙ্মুঙ্মিঙ্কুসি নহারুম্বুর হেন্না শুণ্ডলেবনি মরমদি লাইরিক লাইত্ত হৈবা অমা লৈবা নঙনা ঐগী তোঙ্গদগী হেল্লিবনি।

চিত্রলেখাগী ম্রাওবাংনিং অসি রীনানা হুমিল্লা তায়, রেম্নবগী থোইনা ক্লান্নুরোই হায়বা থওনহনা অমুক হন্না রা হায়রম্রে।

মতাঙ অসিদা চিত্রলেখানা খংবিত্ত নিংঙশিংলকপগুম হায়রকই,—ও, নহাক্না বৃন্দাবন চংশ্রিঙ্ডা থুমা ইবুংঙোনা রা অমা হায়রম্মিনে। হুরিব্রনো ?

নহাকপু মহাকনা কনাগুম্বা নহাকা শিনকম মাম্নবা মী অমদা থাক্তনিঙ-ন্নারে, নঙগী মত হংউ হায়রম্মিনে। রীনানা নোক্লহনা খুমখি,—হৌজিকপু ঐঙোন্দা মঙগী মত হংনবগী মতম ওইরিত্রা! মচীন্দগি অম্না থুম অহৃগা মপুক্তিঙদদি খল্লি,—সুরেন্দ্র শোয়দনা ওইরমগনি, উদবা হায়বসি থওদবগা আন্নানি। অমুকন্নু নিংশিংলকই মহাকী পার্টি হুনিত্তা সুরেশনা শাউখিবা, মতুমক মসিগী মরমনি ওইরমবা য়াই।

মতমন্নু থোইনা ওরে, মীন্নু অমা অনি লাকপা তৌরক্লে। সুরেশনা তৌজবা বার্তনন্নু য়ামদে, মহাকনা তৌজবশিংগী মনুংদা রাজেশ্বর, নরেশহোয়গী ইমুঙ, মরূপ মপাঙ অমা অনি, লৈকাইগী অহল-লমন থরা অসিনা লোইরে। লৈকাইগী মী অমমম অনি-নি লাকপনা ফনা য়ামশিল্লক্লে। ময়াম অহনা চাক ঙাইবা ওটনা সুরেশকী মগুণ কয়া থাগদনরি,—রুপাম্বোম্মী পাঙনতনা অস্থুক চাউখ্রবা য়ুম অসি শান্নিবনি, মহাক্না মরম ওকপা অঙাং লৈকাই অসিগী মমুঙদা য়াও-দে হৌজিকী মচায়োলশিং অসিনা মহাকুম্না তৌরবদি লৈবাক অসি থুনা চাওখংকনি, 'অমিমটিংবা য়ামী কয়ানি বাহাদুর ইমুঙ অহৃগী অহল শারঙলো লাক্লিবা ময়াম অহৃগী হৌনবী লেবা পুম্নমক তৌরি মীগি ফনা য়াম্নী লাক্লে,' সুরেশকী মরূপ-মপাঙ অয়াবনু লাকলে।

হোৎজিক ম্নাৎলিবসি রাজেশ্বরগা নরেশকন্দা মণ্ডায়ম্রে। যাত্রাশিংদি ফিবম চাদে হায়রুনা হান্নবা লাক্লরোই হায়বগী পাউ হংলবানি অদুগা তোম্বীমচাদি গুরাংবগী হৌনা থবক নোমরুনা" লৈরগনি।"

চাক্কী মতম ওইশিন্নরুনা চাক্লুক থাগা হৌরক্লে। সুরেশকীসি লোইনা পুনশিন্নগা মী চামরোম ওইগনি। চাক্লুক খাবা হৌরিকজবদা সুরেশনা মখোয় অনি লাকলরোইদ্রা হায়না দুংশোথীবা" পোকলকলে। অহাওবা মতম অমদা সুরেশস্তু তৌকম খঙলক্রুনা ইমুংগী চঙলগা রীনা অমসুং চিত্রলেখা অনিদা, মখোয়দুবু লাকলরোইদ্রনে, হায়রুনা হংলরে। অনিস্তু খঙদেনে, করিগীনো অমুক খেংলিবা, হায়রুনা ম'হ নহৈ তৌকম খঙদনা কোম্থোংলোমদা য়েংই। অদা অশিগুন্দা খোঙকম তিন্নকরমান্নে রাজেশ্বর অমসুং নরেশ চঙলকই। সুরেশ হয়াওবগা লোয়ননা চেস্তোকখ্রে, মখোয় অনিবু ওক্নুনা ইমুংদা পুশিন্নক্লে।

রাজেশ্বরদি মহৌশানা মীগী মুংঙাইবদা মহাকনা হেন্না মুংঙাইজবা মীনি যরম অহুনা সুরেশকী তৌরিবা মওং পুম্নমক অহুদা মুংঙাইরুনা হন্না হন্না খাগৎ-লকই অহুগা রীনা অমসুং চিত্রলেখা অনিবুস্তু মরুপকী মতেঙ পাংবিরিগীদমক খাগৎলি। নরেশকা চিনবান্দদি কংলবা মিনোকনি, কৌদবা য়াদবগী ওাংবদবা য়াদবগী অহুক ঙাংবা হায়বহুনি। ময়াম পুমনমক চাক তাকনরবদা চাবা চঙনরে। বহাল্লরনা ময়ামগী অরাৎ-অপা য়েংহুনা লৈহৌরে "কোন্না চাংদবগী চাক থরা থরা থন্নরক্লবদা ময়ামগী হৌনবা চোইঙাং ঙাংবা, হৌনরক্লে এঙাং হাউবা, থৌরাং কজবা, ঙাংনহুনা হৈ য়েনবা থুম য়েনবা ঙাইনরি"।

চাবগী থবক লোইরবদা ময়াম পুমনমক হৌগৎনরে, কা মণ্ডপ অমমম পায়নরগা অম্বান্বা মীদি চৎখ্রে লৈহৌরিবদি ইর্মুঙগী মী" থরতা মণ্ডায়হোরে। লৈহৌরিবশিংহুগী মরক্তা রাজেশ্বর, নরেশ, তোম্বী-মচা, রীনা, মখোয় অসিনি। তোম্বীমচাস্তু যাত্রাশিংগীদমক চাক্লুক

মিন্না পুরবা চৎখ্রে। নরেশনা চৎনিঙবগী মওং তৌরক্রে। অদুবু মরাম্না ওইদ্রক কনবো, হায়জনা কপথরে।

রাজেশ্বরনা অহল অমা ওইনা হৌদোরকই,-হৌজিক্তি নহাকনা মুম কৈ মিথিনা শারবনিনা নমুম নকৈ শাম্না তৌবা য়ারে। অকনবা কপ্পা অমা লেংলগা মুখোংবা য়ারে। রাকম অসি কনা'মতনা থৌনা কনা পুমবোকপা ওয়রে, মহৈ মহৈ মপুক্তিংতগি থরে,—পাত্রীসু য়াম্না নক্না লৈরে, খুনা পাওখোকপা য়ারবনি। কনা'মতা পাউথুম পীবা ওয়রবদা চিত্রলেখানা ইচম চম্না হায়দোরকই,—পাত্রীসু লৈরবনি, নহাক-মখৈ মুম-কৈ লোইবা ওইবনি। হৌজিক্তি য়ারে। মীনা অমত্তং সুরেশ তুমিন্না শুকখত্লনা লৈখি। রাজেশ্বরনা মথাত্তাবা য়া থনা হংথরকে তৌবদা মীবা হৈ থোকচখিগে হায়রুনা থোকপ্রে, সুরেশনা মকম অচুম্না কথহু য়াম্না হৈনবা ওইনা তৌখ্রে। মীনানা থোকখিবগা মহাকনা থোকপগা মায়রবদি কজত্রে হায়দুনা কম্বগী মওং ওইনা লৈরবনি। নরেশনা ওসাইমখৈ য়া অমত্তা ওাংদনা তুমিন্না লৈরবদগী মুংওাইরক্লরুনা হায়রকই,—সুরেশ বাবুদি য়ামনা মত্তাও চারবা মত্তম্নি, মসিদগী নাম্বোকহনবা য়াত্রে। চিত্রলেখাসু মতেঙ পাংশিল্লকই,—হন্নকী মত্তাও নাম্বোকহনবা য়াত্রে। রাজেশ্বরনা য়া ওাংবা হৌগে তৌরকপদা সুরেশনা চাগী থোরলগে হায়রুনা মপাল থোকখ্রে। হৌজিক্তি থৌবু অমত্তা য়াওহৌরবকিনা নিঙতমনা য়াম্নী শানবা য়ারে। রাজেশ্বরনা মথা ত্তানা হংথরকই,—পাত্রীবু কনানো?

পাত্রীদি মতিক চাবী মীনাসি, চিত্রলেখানা খুম্মি।

রাজেশ্বর শককম হজিন্না ওাকওাং তুমিন্না বাথল তৌই। মহাকনা খল্লবদি মীনাসি লাইরিক লাইও য়াম্না হৈবা অনব চাউনা চাবা মচানা লৈবাক্কী শককঙ মায়কতবা চুপা অমদা থাজগে থজম্মি, মচু-মীচমকনা মহাকনা লেংবা নত্তে। অতুবু ওসি মহাক্কা মকম অসিদা ত্তায়রিবা পাউ অসিনা মহাকী বাথল পুম্নমক অম-তৈননা থোন্নরে।

"অচুম্বকপু [illegible] মতুঙদা [illegible] মরম্না [illegible] রীনানা [illegible] অচুম্বা [illegible] নীংলগা [illegible] রাখল অচুম্বী থাবোকনিংই। [illegible] উহাক [illegible] কোকনা হায়রকই,— "অদে, সুরেশনি মতিক চাবা [illegible] রীনাগী [illegible], হুন্দার, "অথোয় [illegible] মতিক চাবরে।"

"ঐথোয়গী অচুম্বা থাজ্রি, নত্তেনা উপনা থুম্মি।

উহাক লৈবগা রীনা?" কমলা "খথোকপা" মৈট অমা পুথুরক্লা চউতকলে। কমলাহ মরামগী চৈবগ্লা থরগা মহাকনু হাইরি মানী? কর্ম-[illegible] কপি। মরামদু কমলাহ মতং অমমম লৌইদা [illegible] রাজেশ্বরনা উপনা হায়রকই,—"রীনা, নহাক্তি না অবদা য়ায়না ফুংঙাইরে। "রীনা, মমায় হাইজেং তংই, কৰিন্ [illegible] হায়রদু অধ্ কপা, পোকই"। রীনাগী ওইরিবা থিবমহ্ [illegible] য়াজৌবমনা [illegible] ডারকই,— কৰিহ্ [illegible] হৈনাইগম্ "মহাকনা মতিক চাবা "ময়" অমা [illegible] হুংঙাইবা [illegible] কোকলি। রীনা, ইকাই হুংশি য়ায়না মমায় নুকখি; মপুকনিঙবা চিত্রলেখাবু য়াবোই,—কৰিগীদমক তাস্কৃসিবনো হায়না, অমরোমদা অমুকহ্ থাগৎ-লিংঙি মহাকনা হায়দোকপা। অয়োইদবা য়াকমহ্ চিত্রলেখানা হায়-দোকপিয়বগীদমক। উহাক অসিদা রীনাগী মপুকনিঙহ্ ইকাইবা, হয়াওবা অমম্ম হুংঙাইবনা অমুকতা চপ মাৎনা হৌদুনা লাকপওম তৌখি।

মতম অসিমতুংদা সুরেশহ্ চঙলকই। রাজেশ্বরনা হরাওনা কৌপি-রগা কমহৎলি। রীনা নত্তনা কপ্রিবপিং অচুম্বা অমুকতা মতোঙ্গা চপ মাৎনা য়েংশিনখিরে। সুরেশহ্ মরামগী মতৌ অচুম্বা ভকচানবা অমম্ম চিংনবা পোকই। রাজেশ্বরনা খোংনা হায়দোরকই,—য়ায়না ফুংঙাইরে ইবুংঙো, রীনা অমম্ম মহাক অনিমকপু ঐনা আশীর্ব্বাদ তৌরি। উসিদগী হৌনা রীনাসি নত্তী ওইরবনি, অকোংবগী থবক অচুম্বি মতমতানা য়েংদুনা তৌনি। সুরেশ, উহাক্কং জান মাঙজ্রে'

[illegible] [illegible], [illegible] [illegible] [illegible]। [illegible] হোর [illegible] [illegible] [illegible] [illegible] [illegible]। [illegible] [illegible] [illegible]-টেম্না মাঙকোক্লগা [illegible], [illegible] —[illegible] [illegible] তৌডে, মী [illegible] [illegible] [illegible] [illegible] [illegible] [illegible] [illegible]। মাববি [illegible] পুনা [illegible] [illegible], [illegible] [illegible] তুমিন্না তৌরবগী মতেং পাংখিল্লকই, — হোৎ [illegible] থবাক্তি পুনা তৌ হায়বা [illegible] [illegible], [illegible] [illegible] [illegible] [illegible] পুনা লোইখিল্লা কৈ। [illegible] [illegible] [illegible] [illegible] হংই —[illegible] মনি [illegible]?

[illegible] [illegible], নরেশনা [illegible] খুদি।

[illegible] লোইখিল্লকই, [illegible] [illegible] [illegible] [illegible] [illegible] [illegible] [illegible] [illegible] [illegible]। [illegible] [illegible] চা [illegible] [illegible] [illegible] [illegible] [illegible] [illegible]। [illegible] [illegible] [illegible] [illegible] [illegible] [illegible] [illegible] [illegible] [illegible] [illegible] [illegible] [illegible] [illegible] [illegible]।

খকুমী রাজন মকুইয়া মীতৈইবগী পুন্সিদা অমাবা [illegible] ঊবক ঈরাং' অমনা লৌই। বসন্তকী [illegible] [illegible] [illegible] [illegible] [illegible] হয়বা [illegible] পুন্সিন্না অনৌবা মরোল তোংলোই। অদুনু [illegible] কায়রবা [illegible] বসন্ত [illegible] [illegible] অনৌবা রেঙ্গিত [illegible] মহুত্তা খকুমী [illegible] শায়বোং ঊপা মোঙ্গোং মোইশাঙ্গবা [illegible] হল্লি।

পৃথিবীদা লৈরিবা [illegible] কায়রবা [illegible] [illegible] [illegible] [illegible] রেংলুবা অমসুং ঊরবা পুন্সিন হয়বা দৃশ্য পুন্সিদা [illegible] [illegible] নত্তনা অতৈ কনিসু [illegible] [illegible]। [illegible] [illegible] হয়রপা কমুত্তা [illegible] অহাত্তবা [illegible] [illegible] ওঠোই। [illegible] হাইরবগী কবরবা দৃশ্যসু ঊই, ঊচেকী হুন্সিরবা [illegible] [illegible] [illegible] ঊনা-ঊনা, তানা-তানা ঊবগুম তাবগুম লৌই। [illegible] [illegible] পোশাকম হায়বদি তকখত [illegible]।

তোরীকতানা [illegible] [illegible] [illegible] [illegible], মচগী [illegible] ঊবা মহাকসু চিংলবা অমসুং চুপ্তাইবনা লোকই। মহাকসু [illegible] [illegible]-বগী হৌজিক্তি 'চা লোনবা [illegible] ' ঊরে। মহাকী [illegible] চংথিহুনা চা লোহুরে। চা [illegible] -লোয়া [illegible],—' [illegible] [illegible] হুমিং চুমগী অসুয়া চিন্তাদা তৌরুনা লৈরিবনিবো। [illegible] [illegible] মহাকনা [illegible] ! [illegible] [illegible] [illegible] [illegible] [illegible]

চংগ্রবদি...... । থীনবা য়াম্রে, মহাক্কী ময়ুম-মকৈ পায়বা থৌরাং তৌদবা য়াম্রে ।

চা লোইরম্লা যত্রাসিংগী কপ অমা পীরম্রে, অমনা নরেশকীদমক পুম্লা চঙলক্লে । নরেশ মমানা চা পায়ম্লা চঙলকপা উবদা ইঙক ঙকই । তোম্বীমচানা নোককেং তৌরম্লা হায়রকই, — ঐস্থ অস্থম তৌখিবদগী হৈরবনিনে । নরেশ থোইদোকপা পাউথুম পীদনা চাম্থ লৌই । মমানা অমুকস্থ মথা তারকই,— অসিবু ইমৌ অমা লৈজ-রবগি ক্বয়াদা ফুংগাইজগবনো, চহী হুন্দ্ম তাক্লবা ঐনা ঙরাংজী লৈশাবীঙম্না ইমুঙগী থবক পুম্নমক তৌম্লা লৈরিসিবু ক্ষেবা ফুংগাই-রিত্রা নঙবো । নরেশনা কংলবা মিনোক অমগা লোয়ননা খুম্মি,— করম্লগি তৌগনি, ইমাগী লাইবক্তা ফুংগাইস্থ হায়না অম্মত্রবনিনা । করি. বানো নুংলা হায়রিসিবু নয়ুম-মকৈ পামম্লোই হায়ত্রা ?

পাত্রেগা করি অকায়বা লৈবগে ?

করি য়াম্লো ইবুঙ্গো. তৌপস্থ হৌনরে, প্রণবা মঙ্গী লুংগ্রনি ।

নরেশ, মথা-ঙাক্ল থুম্বকম থঙলে । অমাগী থম্মোই শোকপা মতৌ উবদা, য়াম্বস্থ ঙমদে অমরোমদা মহাক্না হায়দোক্লিঙবা বা কম্নামকমস্থ হায়দোকপা ঙমদে মহাক্না অশেংনা হায়দোক্লিঙবনি য়ুম পানবগী য়াথম অসি মচোন্দা হৌদোরকম্ম, মহাক্কী লিঙবা মতুঙ ইন্না তৌজগে অসিনি । অস্থম্ম অসি হেক হায়রকদা মমানা ঙমখে লৈতনা ফুংগাইরোই থনবদগী হায়দোকপা ঙমজরে ।

ঙহাক, তুম্বিন্না লৈরবা মতুঙদা মমানা অমুক হৌদোরকই,— মুপা-নচা, ঙমাইগী মাহনবীগী মমাম্বী মুপীমচা অমা য়াওবম্বু কনানো ঐবু মশক থম্না থম্না থঙবগুম তৌই । নরেশনা শম্না খুম্মি,— মহাক মীনাগী মমাম্বী চিত্রালেখা হায়রম্লুনি. ঐখোয়দস্থ মীনাগা লাকমিম্লরবগুম তৌগ্নুরলি ।

হোয়রে, ঐস্থ অমুক উগ্রে হায়না থম্মিনে । মহাক হৌজিক ময়ুম

পাল্লব্রা ?

পাল্লি।

মহাক্ৰুখী ইমো অমতং 'পাম্বৈজেদা, মুখীমচাগী অদা ইংই' তম্মি'।
মহাক্তি আপ্রম্ম লিংখত্তুনা লৈরগ্রবম্মি, 'মযুম পাল্লরাইদবা।'
চিত্রলেখা, ময়ুম 'পাম্ররোই' হায়্রবা রাধৈ অসি "অবকা তোম্বীমচা
তশেংনমক পুখ্যাইতবা পোকই'। মহাক্কী রাখমি মরামি চঙ্ভ্রুমা হায়"
নরগা চিত্রলেখাবু "মমৌ ওইগে নিঙভর্থবমি। পেত্রমলা অমুকগী
মথাক্তানা হংখরকই,-কমি কমম্বা থুংনবা লৈত্তুনা ময়ুম পালপোই হৱরিবনো
ময়ামগী সেবা তৌত্তুনা আস্ত্রমদা লেমকাসিনা হেক্কা' পুখ্তায়রম্মাক্রে
ও, পাম্মুইদা মশক অক্তো অমুক মিংখিবা, ব্যবহার লম্রচং অমুক
ফজবসিনা ময়ুম পাম্মতুনা মাঙ্গলিকসে,—তোম্বীমচানা মতোমদা খঙ্গে।
মহাক্কী রাখল অসিম্ব থোইনা লানবা নত্তে, কক্রমদি লাইরিক লাইও
কয়া নিংখিনা হৈজনবা, চুমী খুমী অমগী মকখমদি কুপীপী মরু ওইবা
মথৌসি ময়ু পালবনি হায়না লোই। অত্বকী হেন্দোকুনা মতম
চানা ময়ুম মকৈ পাম্রবী মুপী অহুবু মথোয়মা ওক্নোকপা মঙং অমদা
খল্লি। তোম্বীমচাম্ব খুল্লক ইমকী মুপীশিংগী মরক্তা অমমি মরম
অতুনা চিত্রলেখানা ময়ুম পাম্দবসি পোইদোক্কা অভকপা অমা ওইবা থোকই।
তোম্বীমচানা গুহাক রাখল তৌরুরগা মচাম্বা অমুক হায়রকই,—
ফরে, অহুবু ইবুংঙো নঙদ য়ুম পাম্রবা তৌসি নক্রবদি মপাগা ঐগম্ব
অহল মতম ওকশিল্লক্কবনিনা তম্বা ওম্বা নক্কে। নরেশনা লুম্না খুম্মি,
হোয়, মতমগী মতুংইম্না য়েংবা হায়বত্থনি।

তোম্বীমচা, মহাক্কী হায়কম থোকপা থম্বা হায়রম্বগা থোকপ্রে। নরেশ
মতোমতা ম্নাগী কাদা ফমত্তুনা লৈরোরে। মপুং ফারবা থাজম্ব মপুং
ফারবা মতাংগা লোয়ননা নোংমদোল অতিকাকা থোমক্রে। থাজনী
মঙাম্না নরেশকী ইমুঙদা মুন মুনা য়েংলক্রে। খাকলগী কুজবা খাঙ-
খিদনবা লম্বীগী ইলেক্ট্রিকম্ব লোইনা মুখমগ্রে। নরেশকী ইমুঙদম্ব

লৈটেল অহু শিক্লা লৈখহুনা থান্নি। ওসিদি মতাক করি মতা চথো-
ক্লোইদগী হায়না লেপথ্রবাক্লে, কনুঙদা থাজবী মায়থোংগা মায়য়োক্লহুনা
চৈগথ্রে। চিন্নবা হাওনবা কা অসি মহাক্কী থখবনা থনগ্রে। হৌজিক-
মক নরেশনা য়ান্না কয়া শক্লিবসি মহাক করি তৌনিংগে অসিনি।
অহল-লমন অনিগী পোম্বা হোংনগদ্বা নম্বনা মহাক্কী থম্মোইনা য়ানিঙবা
থবক তৌগদ্রা? রাহং অনিমক খুব্বদা ওহোক্লা দুবা পাউখুম্নি। মচা
অমগী মক্ননদা মমা অমম্ভং মপা হায়বসি অথোইবা গুরুনি, মখোয়না
পোকপিবদগী সংসার অসিগী দুখৈ য়াওবা ফংলিবনি। লাইমক্তি হায়না
লৌরববা শ্রীরামচন্দ্রনা মপা নিঙবা উত্তুনা মপাগী হুংঙাইবা পূর্ণমক
থাবোক্তুনা বন্দা চহী অমমরি চংখি। মহা ওইরিবা শ্রবণ কুমারনা
অহল ওইরবা মমা মপা অনিগী নিঙবা থুংনবা অহল অনি অচুবু পুত্তুনা
তীর্থ কোয়বা চংখি, পূর্ণমক অসি মমা মপা নিঙবগী খুদমনি। অচুগা
অমুকহু লৈরি মমা মপাগী হুংঙাইনবগীদমক মপাগী হুংঙাইবা
থাদোকপা ওইদবা। মসিমক্ত করম্না লামি হায়গনি, পোকপিবদি মমা
মপানি আম্বাদি মপাগীনি, মক্ত ওইরিবদি মী ওইবগী আম্বানি। আম্বানা
য়ানিঙদবা থবক তৌবদি কদোউদম্ভ পুক্তিঙগী শান্তি ফংবা ওমদে, পুক্তিঙগী
শান্তি ফংবদা পুন্সিবু পুবুনা হিংবগীদম্ভ করি কাম্নরি।

ওসিদি নরেশম্ভ য়াথলগী লালনি, অথেংবী লানফম্নি করমবা জয়
ওইগদগে থনকম থোক্তে। থম্বু থম্বুরগা পঙশিনবা হেক্তিনকই, অচুম-
অয়াল মশক থঙলক্তে। মমৈদা নিন্দা তৌরকই মমা মপা অনিদা,—
কন্নিগীদমক ঐবু পোকপিরমহুনা অম্বুকী মক্তিক য়াহম্নিবা। অয়োইবসা
লেপ্লে,—অম্বুক য়াম্না থম্বুবগী কম্নিম্ভ কাম্নবে, ঐগা আম্বানা অপাম্বা থবক
তৌবা তাই। কনাগুম্বা মুগীমচা অমগী পুন্সিবু ঐনা মাংহনথ্রবনি, মহুগী
লমন শিংবগ থোক্কই, মহুতনা ঐগী শান্তি ওইগনি। মহাক্কা ঐগীদমক
পুন্সি কয়া কথোকখিবতম ঐম্ভ মহাকীদমক কথোকপা তাই।
মতম অসি কয়া য়াম্না চঙশিম্নথ্রে, য়াথন্দা উংখিবনা নরেশতি চংথ্রিবা

মতম অসি থোইদোক্লা খণ্ডহৌত্রে। মমানা হুম্বিদাংগী চাক লোইবে হায়রতুনা তাক্লবা মতমদা কনা থেঙলবোরে খণ্ডবনি। চাক চাবগা মহৈ নহৈ পোখাম্লবা তৌনরে। নরেশ তুম্লমদাইদা চিঠি অমা ইরগা মহাক্কী মোন মখাদা থমজিনখ্রে অতুগা থাউমৈ লৈথতুনা হিপথখ্রে।
মখংগী মুম্বিংনি।

নরেশ, মহৌশানা ওল্লা হৌগৎপা মীনি। ওসিদি প্‌ং তরেং তাবা কাওবা হৌগৎলক্রে। মমানা মহাক্কী কাদা চঙতুনা য়েংবদা মহাক লৈরমত্রে। তোম্বীমচানা থল্লি, অয়ুক চংথোকখিবদগী হজিল্লক্ত্রিবনি। অয়ুক্কী চাকচাবা মতম য়ৌরবা কাওবা হজিল্লক্রে’ তোম্বীমচা লৈবা ওমশিল্লক্রে, যাত্রাসিংদা কমদৌসিগে হায়রক্রে। যাত্রাসিংনা ইপৌ-পৌনা খুদ্মি,—হয়ুরবা নচা অতুগীদমক্তা কল্লিগীনো নওনা মিপাইহিবা, মহাক্কী থবক লৈদুনা চৎপা ওইরমগনি, খরা থেঙনা হল্লকপস্থ য়াইদনা।
হুম, ওসিগীসি ঐ য়াম্লা চিংনৈ, পুক্লিওসি নিংকোক-নিংকোক তৌই। নওনা চিংনৈ হায়রবনিনা সুরেশহোয়দা অমুত্তং হংলুগেয়া ?
হোয়রনে অতুনা চুমগদমাল্লে, তোম্বীমচানা ইকীং-কীংনা যাজোম্নগী কুমথরকই।
যাত্রাসিংনা তপ্না হায়খি,—নহোয় মুশীগী হৌনশা চরাঙ-চরাঙ তৌরম্মু, নিংথিনা মেন তানা তম্মু।
তোম্বীমচাদি যাত্রাসিংনা কল্লি হায়খিবগে হায়বতুগী তাননবা মতম ফংখিত্রে, মিপাইরবী মমা অমগী হৌনশা ওইনা মচাগী বাখল্লা মাঙ থাম্লতুনা সুরেশহোয়দা চৎত্রে।

মতম অতুমক চাক-চানবা মতম্লি। মতম অসিদা তোম্বীমচা উবদা সুরেশ ওকচানৈ, কল্লিগীনো হায়বতু পাক হেক হংবা ওমদে। তোম্বীমচানা ইমুঙদা থুনা চঙখ্রগা সুরেশপু কৌশিল্লি। সুরেশনু কল্লিবু ওইরিগদবনো হায়না চিংননা ইমুঙদা চঙত্রে। তোম্বীমচানা মুংশাথীনা হংই,—ইবুংঙো ওসিসিবু মুপা মচাহু লাক্লব্রা ?

নরেশকুমার।

মোয়াদে।

ওঙ্কিলীবি থোইদোক্পা তাক্লমমেদে, কদিগীদমো চংকদবা মকমমু তাক্লমমগনে ?

তাক্লমদে।

স্বরেশ, ওহাত্তুং তুমিন্না বাথল তৌদুনা লৈ। তোম্বীমচানা, নোংখাল-লকপদা লৈরমগ্রে, কম্বা মত্মদা চংখিবনো থগুদে, হায়দুনা মথা অমুক তারকই। স্বরেশসু তৌকম খগুব্রে, কনাদা করি হুংলুগদগে থগুদে। মমৈথংদা কায়ব্রে থক্লদুনা তোম্বীমচাদা চংসি, হায়দুনা গাড়ী তোংশং-লগা মখোয় অনিমক অমুক হল্লক্লে।

হেক য়েৌবগা স্বরেশনা অতৈ থোইদোকপা তৌদনা নরেশকী কাদা চগুদুনা কোয়য়েং য়েংই। মহাকী কম্বাগুগী টেবলদা য়েংই, করিসু লৈরমদে, মোন হাইগত্তুনা য়েংবদা মহাক্কী মমিগুদা চিঠি অমা লৈরম্বা থেংনরে। স্বরেশনা চিঠি অদু কাক্তোত্তুনা পায়ে। ময়েক য়ামদে অনি অদুমত্তনি,—মক্ল্প মুমদা লৈবনা শাস্তি কংব্রে, পুলিসকী শামতি কংনবা লম্বী থিবা চংলে, ঐগী ইমা অমসুং ইপা অনিগী লমনদি শিংবা ওব্রমলগ্র।

নহাক্কী

নরেশ কুমার

স্বরেশ, মথুত্তগী চিঠি তাখিবা থগুহৌদে, অহাঞ্জরদা য়েংক্লনা ওহাত্তুং তৌকম থগুদনা লৈথি। মহাক্কী মত্তো উরগা তোম্বীমচানা অমুকা হেন্না মিপাইগ্রে, তকশিল্লকই,—করি ইরিবগে, ইব্বুংঙো ? স্বরেশ থুমকম থগুয়ে, তুমিন্না লুকথদুনা লৈ। তোম্বীমচানা খাগুবা ওমব্রদুনা অমুকসু হায়রকই, ইবুংঙো, হেক্কা হায়য়ুসে। স্বরেশনা তুংশামপী অমা শাংনা হোল্লগা হায়রকই, মহাকীদমক বারুরগনু, মতম থুব্রা লম কোয়বা চংগ্রে।

ও, ... হায়রগা তোম্বীমচা মখা তাদনা লৈখ্রে।
সুরেশ ফম্বা ওমশিল্লক্রে, হৌগৎলগা,—মফম অমদা অমুক্তা য়েংজরুখিগে, হায়রম্লগা চৎখ্রে।

সুরেশ গাড়ী কল্লা থোরক্লে। মতম অসিমক মুমিৎ মুংবা মতুঙ পুং অমরোম তারকপা মতম্নি, লম্বী, শরক, লৈরক খুল্লক, উমং-রামং পুম্নমক লোইনা চিল্লবা মতমনি। লাওলবা সহর ফাওবা ওহাক্তংসিদি তুমিন্না পোত্থানবা মতমনি।

চিল্লবা মতম অসিদা সুরেশনা লম্বীদা গাড়ী থোজিল্লকই। আশ্রমগী গেট মক্তদা গাড়ী থাম্লগা সুরেশ অপমবা লৈতনা চিত্রলেখাগী লৈরম-গদবা মফমদা চঙখ্রে। মতম অতুমক চিত্রলেখাসু ওহাক পোত্থাবা ওইনা লাইরিক পাতুনা লৈরম্মি। মী লাকপগী শউম ফংই হায়দুনা মখায় হাইগৎলকপমক্তদ' সুরেশ উবদা মহাকসু ইঙক ওকই,—মতম চাদনা করিগী!

সুরেশ য়া ওা'দনা তুমিন্না ফমথৈ, মগাকী মায়থোংদু থোইদোক্লা অরাবা, চিংনবা, মুংওাইতবনা থনবগুম উই। মহাক্কী মঁওং য়েংলগা চিত্রলেখাসু চিংনদবা ওনদে, খল্লি, -করিগীনো সুরেশনা ওসি ঐখোয়গী আশ্রমদা অরা মায়খোং পুদুনা লাক্লিবসিবো, মীনাগা করি তৌনরবা। মক্রগা কয়বা অরাবা মুংওাইতবা ফিবম তারবা! অনিমক ওহাকসিদি থোইদোকপা য়া ওাংনদনা তুমিন্না লৈনরে। চিত্রলেখানা মমৈদা হংলকই,
—করি তৌরবগে সুরেশ, য়াসু অমত্তা ওাংদনা তুমিন্না ফম্লিবসিবো?
সুরেশনা লম্না খুম্মি,—ওসিবু, নরেশ লাক্লম্বরা?
মহাক্তি করিগী মফম অসিদা লাক্কনি।
করিগুম্বা লাকলম্মা হায়বনি।
ও, নহাল নোংমদি লাকলম্মি। করি তৌরবগে?
সুরেশনা থোকখিবা থৌদোক অতুগী মরীদা শম্লগা য়ারী অমা শাদুনা

চিত্ৰলেখাবু তাহল্লে। চিত্ৰলেখানা ঘাশিং অহু মুম্না তায়গা খুম্মি,— মহুগীদমক করিগী লাণ্ডতর রিবনো, মী থুদিংমক অসি মান-মানা য়োকখা পাপ অহুগীদমক ত্ৰাগ্লাসি শেংদোক্কদবনি, নরেশতি মীনদি খণ্ডদবা মহাক্তনা খণ্ডজবা চাউরবা পাপ অমা লণ্ডজরবনি মহুগী প্ৰায়শ্চিত্তকীদমক চংখ্রিবনি, করিমু মিপাইরুগনু।

অহুবু অহল অনিসিদি— ?

ও, মখোযগী নহাক্না করি'মতা য়ারুগনু, ঐগী ইনাক্তা পুশিন্দুনা থমগে, মপুক্লিণ্ড শোয়দনা ঈংগনি।

মহু নত্তেনে, নরেশপু ময়ুম মকৈ পালহল্লিণ্ডবনিনে।

চিত্ৰলেখানা নোকলগা খুমখি,—সুরেশ, নরেশতি মপুন্সি'সিমা ময়ুম পাল্লরোইদবা মীনি অহুগা মহাক সমাজ অসিদসু লৈনিঙ্ত্রবা মীনি মহাকী য়াথল পুয়মক থাদোকলো।

সুরেশনা অমুক মখাতানা হংই,=অহুদি মহাক্না চংখ্রিবসি নহাক খণ্ডব্রা ?

মহু ঐ করিমতা খণ্ডদে।

সুরেশ ওকচাননা ওহাক তুমিন্না লৈরুরগা চংলগে হায়হুনা তৌকম খণ্ডদনা হৌগত্তুনা চংখ্রে।

সুমিং অসিদগী হৌনা নরেশপু অমুক হন্না উবা ফংখিদ্রে। মহাক্সু মহাক্না পামজবা পুন্সিগী হিরেন্দা তোংজহনা তাইবং ইপাক লানগে চোংনখ্রে। থাদোকলম্লে মমা মপা, হন্দোকলম্লে চিত্ৰলেখা, থনম্লে,— পদ্মাবতীগী য়াথল মহাকী কা মমুত্তদা চংখ্রে মত্তোমতা।

